ডঃ

মার্টিন লুথার কিং জুনিয়র

থাদোকপা :—[illegible]




[illegible]—সতেনইউনিয়ন প্রেস, ইম্ফাল।

কোপি মশিং—৬০০

অহানবা কোঙবা—ওক্টোবর ১৯৭৩





By Courtesy USIS

ডাঃ মারটিন লুথর কিং জুনিয়র

He was a Negro, but with
A soul as pure as white snow
He was killed by whites
With black souls.
When I received this news
That same bullet entered me
That bullet killed him,
But by that bullet, I was reborn
And I was reborn Negro.

By Courtesy
'EL-DIA'
Mexico new spaper

Eugenio Evtushenko.
(Russian Poet).

হায়রোল ৱাহৌরুং

মহাত্মা গান্ধীগী মতংকী অহিংসাগা থাক্তনা অমদি অহিংসাগী আন্দোলনসু লোইবা মখোয় মতাং চাংদ্রেক্ত্রনা পিথিরবা ডক্তরকিং অসি আমেরিকাগী নিগ্রো মার্তিন লুথর কিং জুনিয়রনি। মহাক্না আমে-রিকাগী অহৌবা সরকারগী মথক্ত অহিংসাগী আন্দোলন হৌদুনা থিনথোক্লো ওআমচারকগী থাক লেনদা চত্থি। অমদি অমুবশিংনা মহাপ্রাণনা কংখম থোকপা নাগরিক অধিকার অদু থবগী মথৈ ফংবা ওম্বি। মরম অসিদগী মাবু আমেরিকাগী গান্ধী হায়না খুইনা থাজনথি। মণিপুরী লোল্লা গান্ধীগী মরমদা ইবা বারী লাইরিক্কি অদুক হাকনা মথাং কাবক্নসু থরগী মথৈদি মরেপ্পে। অদুবু হিংগী মরমদা ইবা লাইরিক্কি অদি অহনবদং শুনা পানিংঙাই লৈত্রি। মরম অসিদগী কিঙ্গী. 'মরমদা ইবা লাইরিক অমদি মহাক মপানা ইরবা লাইরিক কয়া মৈনকপা মাগী মপুক্নিগী বারী ওইনা ইথোয়রুবা লাইরিক অসি হৌজিক্কী মণিপুরী সমাজদা থরদং কায়গত্র থজবদগী কোঙদোক্লবা হোৎনজরি। কোঙদোক্লবা হোৎনবদা অশোয় অঙাম (হায়বদি অইবনা পামজবা বলাগী মতুংইন্না গ্রুক লোয়দা শেংবা ওমহৌদবগুম্বনচিংবা) কয়া থাওপ্রে। মসিগীদমক্তা ময়াম্না ঙাকপীগনি।

লাইরিক অসি কোঙদোক্লবগীদমক্তা মণিপুরগী শিক্ষা বিভাগনা পেনসন তেংবাং থরদং মতিক ওইরবসু পীবিবগীদমক্ত থাগৎচরি। অমসি ডি পেরেক্ত ইণ্ডাস্ট্রিয়ল প্রেসকী মকোক থোংবা পুবিরিবা শ্রীইবোবী সিংহসু থাগৎচরি।

ইদোক্লবা

[illegible]

[illegible]

[illegible] জৌরকপু ওইরবা [illegible] লৈবা অমদি [illegible] [illegible] মশাক্তমশিংগা লাবা য়ানা থুংনাই দৈবে।

অহুম্বা মারটিন লুথর কিং জুনিয়রনা মহাত্মা গান্ধীগী [illegible] মরী [illegible] মহাক্লা শিজিন্নরবা অহিংসা অমসুং সত্যাগ্রহ অহুনা [illegible] ওইরমা আমেরিকাগী লোংবৈ [illegible] যমক্তা অহিংসা [illegible]। অমদি মাগী অহিংসাগী থুংনাই অহু লোংবৈ [illegible] যমক্তা চাংলেংখি। গুরুদা শ্রদ্ধা লৈবনা অমদি উইন কনবনা [illegible] ওইহনা [illegible] ক্লাওঅবমু পৃথিবী শানবা থুংনা মাগী মমিং [illegible]খি।

আমেরিকাগী তমথিরবা, মীওইবগী [illegible] শেক্লা, [illegible] মখৈ ওৎপিহুনা অচৌবনা অমুববু মী ওইনা লৌবিরবা [illegible] ময়ামা অমত্ত থাজনদনা কিংনা মাগী অহিংসাগী [illegible] [illegible] লৈয়মলবা আমেরিকাগী অচৌবা জাতিগী যাথনবু [illegible] থাংবৈ ওইনা মাইকৈ তাকপিখি।

চহী চা কয়াগী মমাংদা আমেরিকানা [illegible]গী [illegible] চৈদা আফ্রিকাগী অমুবা নিগ্রোশিংবু মথোয়গী চাওখৎনবা, [illegible] চংনিংঙবা, তুনিংদবা থবক মখৈ য়োমাক্লশিংনা [illegible] নিগ্রোশিংবু [illegible] তক্লা শিজিন্নবা আমেরিকাগী [illegible] [illegible] [illegible] হায়বসি আমেরিকানশিংনা [illegible]।

[illegible]

[illegible]

[illegible]

লাকপা [illegible] | [illegible] শিবু [illegible] লোকবু পুরুবশিবা পাবিবু [illegible] রাজব খুদি [illegible] [illegible] ওমি পৃথিবীদা অমম্বা শান্তি অমসুং মারবিব [illegible] শিন্নবা [illegible] [illegible]।

[illegible] কন্যাদগী মীনাই ওইবা লাক্রবা নিগ্রোশিংবু অমাইব লিনহল্লবা মীনাই রোৎথিং অহু থক্তী মখে কোকপিল্লনবু কুরী ১০০ [illegible] মীনাইবু মীনাইগুম লেনবা ভাথি। মথংদা জোহন এবং [illegible] ইউঃ এসঃ কি প্রেসিডেন্ট ওইরবা কাল্দা মীনাই রোংথিং কোকপা ভমকরদগী নিগ্রোশিংনা মখোয়গী মমিংতগী শিন্দুরকপা লিংবা কানুরগী পিরাংগী সমুকদা ঈগায়ফুবা লৈবকলদা কেনেডিনা তেংবাংবিহুনা অবাবা অহুনগী কনবিথি।

মীনাই মাইথাং য়ায়া ওইমলকপদগী নিগ্রোশিংনা মখোয়মা মীনাই ওইরকপা মতমশিং অহু থাংবা কনবা তনগী প্রেক্তিস অমতম যোকথি। মরম অহুনা মখোয়গী নিংতম্বু কংগেনি হায়রবদি আমেরিকা অপুবগী অতৌবা প্রজা অপুবনা অমত ওইনা লেপরবা কাওবদা নিগ্রোশিংনা মখোয়দা পীবা য়াবা দল্কি যমিংনা উনা [illegible] মপুং হুদনা মখাইদা অতৌবা পুলিসকি ক্রবরা যুথহুনা উহিং নাইহিং পানুবা, অমদি পুলিসকী শিকারগী হুই থোকিন্নুনা চিকহল্লব কাওবদা তুমিন্ন থাওবিবনি। অমদি পৃথিবী অসিদা এটোমগী শক্তিগী [illegible] শক্তিনা [illegible] হায়বসি উবা [illegible]। [illegible] এটোমগী শক্তিগী [illegible] শক্তি অহুু [illegible] নিগ্রোশিংনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible] আমেরিকাদা [illegible] শিংনা [illegible] সমাজনা [illegible] সংস্থান [illegible]।

[illegible]

[illegible] পৃথিবী [illegible] অমুক মতম লেনগংলকখিবা। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]খিবা থারকলে।

মোমো জেম্স অলবর্টকা মচানুপা মার্টিন লুথর কিং সেনিয়রগা, মখোয়না থাজবা লশিং অমু 'নোংমাকুমা জাতিদার অহুনী মনাক্তা চংলমই। শেন কংলগনি থাজুবদা মখোয়না থাখিবা পূব কাউথোক-লমই।' অমুসু অজ্ঞতকপনি জাতিদার অহুনী মনাক 'মোৎশকি মখোয়গী অপনা মহু তারক।' জাতিদার অহুনা জেম্স অলবর্টকা 'মখোয়না পুক্রিবা লশিং অহুনী, মমল-অমু মামা মহাল মরো লোইশিনখিবা লৈপাগা' কক্থোক কক্শিল তৌনবা পাই অমা কাওবা কংনিংগুম লৈরে থারকলমই। মহু অমুক জেম্স অলবর্ট কিংমী মাংখোই অত 'মকশিনখিবমই'। লোথোক লৌশিংলগী লমাই হিসাব শূনবা লেপ্লাং ইথোদবুনা অমুক লালশিংচুমই হায়রবা ওমজরমগে। ওাংল-খিবা থাকম অমু মুমা তাম্বগা অকম। চৈশিংকুমা মার্টিন লুথর কিং সেনিয়রনা হায়রকললমই—"লশিং অহুনা শেন্দোলগা শক্কুবকনু লশিং মমা মতুকী শেলক্রমদি ঐখোয়না কংকম থোকই।" অশোনুমক-কুশিং মতু অমুদি, ডোলার লিশিং অমরোম (রুপা ৭৫০০) হেম শিংকরকা লেপকম [illegible]রমই। শওঙ্গুনা চৈকরবা কপা অমু মচানী চৈশিংনবা অহ অহুনা জ্ঞান তাহলমই। মতম পুক্রিডবা জেম্স অলবর্টপু [illegible] .লাকনবা জাতিদার অহুনা, মপাওবা রুপানু, অমন মাহম [illegible]। মার্টিনগী অহ অহুদা শাওগংখিবা থিডম লেপ্পা মার্টিনদা লোমলাক্তু [illegible] মথাং থারকলকলমই। অমুসু অমন চমা [illegible] জেমস্না মতুংদা 'মকসি থাসি লাইদবু মসি অমুক লৌমরক-লোই' হায়জবগী মতাংদু শাখিনা তুনিশখ্রবগী কনখনই।

[illegible] অশোবাক অসিগী, [illegible] মার্টিন [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
লি [illegible]। [illegible] ওইনা [illegible] লৈবা চর্চ মচা [illegible]
[illegible] [illegible] ওইরমই। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible]। পুংহোংলবা মতুংদা মতুং [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible]। পুংহোংলবা [illegible] [illegible] ওবা [illegible]
[illegible] [illegible]। কিং শেনিংলবা [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] বেপটিস্ট চর্চ [illegible] ওইরমই। অমুসু মতুংদাদা
মরা লৌহনা [illegible] 'ইবেনেজর বেপটিস্ট চর্চ' কী এদিসভ [illegible]
ওইরমমই। মচাসুপী খৃষ্টাইনি শোকলবা [illegible] [illegible] [illegible]
ওইবা তোকখিরমই।

অবর্ণ এভেন্স্য অসি অডৌবা কাঙলুপকী রাজমিটকুম নিংগোল-
শিংগী মমিং চৎপ মকমনি। অসিগুম্বা মমিং চৎলবা মকম অসিগী
মথোল অনি লোঙনা শারবা [illegible] [illegible] কিং শেনিয়রগী মতু-
বোঙী ময়ুম ওইরমই। দলাল অচুগী অনিগুবা লৈমায়দা কিং অমসুং
মাগী মুপী লৈরমই। খৃঃ ১৯২৮ দা মচাসুপী খৃষ্টাইনি, মথোর মনিগী
পুখিংগী মহানবা মচা ওইনা কংজখি। অমুম [illegible] [illegible] ইং-
মক ১৯২৬ গী জানুয়ারি থাগী তাং ১৪ [illegible] [illegible] [illegible]
মীপুম খুদিঙমক অমদি লৈকারগী অরাকপা মীশকশিং [illegible]
মিপাইনরকলে। মরমদি হনক [illegible] অনিগুবা [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] অযুক্ত লেংনখিত্রিবা মতম যামা [illegible] [illegible]
খুদিঙমক্না অমবটাগীদমক্ত থরক হুবনংকরক [illegible] [illegible]
হায়না থমহুনা লৈরকলিবা ইমুং মযুং [illegible] [illegible] [illegible]
মীপুম খুদিঙমক জানুয়ারীগী তাং ১৪ কুনী [illegible] [illegible] [illegible]
মীপুম খুদিঙনা ঈশ্বরগী মকথা। [illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]
১৫ গী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

খঙনিবা ডাক্তর ফাওবা ভ্তান যাঙগ্রে। অদুগা অঙাং অদুনা তাবক্কি হায়বদা কনা অমত্ত চিংনরম্মক্রে। হেক পোকপগা ভাইরিবা অঙাং হায়বসিগী মিন তাব নগ্রবদি অমুক্ত ওইরকই কপসনা হৌনাখ্রি। মতুংদা অনবর্টানা পোকপিরিবা অঙাং অদিদি কপদু কগ্রে, খোল্লে লেঙরে। মাবু পোকপিরিবা ডাক্তর অমনা উপায় লৈখ্রমনা অঙাং অসুমনা মিকপতখাদ্রি। অদুবু কনাগুম্বা মরোন্দা অমুরাইদা খুনাইনা লৌখিদ্রবা পাখ্রমই। পোকপদা ভাইরিবা অঙাং অসিগী মমিং মাইকেল লুথর কিং জুনিয়র হায়না রেজিষ্টরদা ফিখিরমই। মাইকেল লুথর কিং জুনিয়র হায়বা মমিং অসি ১৯৫৭ তা পাসপোর্ট লৌবা মতমদদি মার্টিন লুথর কিং জুনিয়র হায়না ওনখিরমই।

* * * *

অঙাং ওইরিঙৈ

কিং জুনিয়রগী মিংথোলদা য়েংলবা অমা লৈখিরমই। মবমদি কিং জুনিয়রগী মপা পোকপা মপু জেমস অলবর্ট কিং অমসুং মাবেল্লোক্কি হৌজিক্কী অদিনা সক ১৮৯৯ গী ডিসেম্বর তাং ১৯ দা পোকচরবা মচানিপা (কিং শেনিয়র) গী মমিং অসি মপানা মারটিন লুথর কিং কৌনিংলমই, মমানা মাইকেল লুথর কিং কৌনিংলমই। অদুবু মতুংদদি মারটিন লুথর কিং শেনিয়র হায়রগা হেন্না খঙনখিরমই। মরম অসি নৌবনা কিং জুনিয়রগী মিংথোলদু রেজিষ্টার তৌবা মতমদা চম্ন্নখিবনি।

কিং জুনিয়রগী মপা-মপুশিং অসি নিগ্রোশিংবু সরুক্তা আতোবা কাউবদা মায়না থবক্তা হায়বা রাকম অসিগী লময়ানবা ডাক্তা ওইরমই। মকুবোক এঃ ডিঃ উইলিয়মস্স নিগ্রোশিংনা শিংথংপা N A A C P (National Association for the Advancement of Coloured People) গী মকোক ওইবা মেমবরনি।

মহাক অসি মতম অতুগী অঙৌবা জাতিনা অমুবা জাতিবু থৌওইবিদ-বদগী থোকললকপা শাওগৎলবা অমদি লৈতাদ্রবা কাঙলুপ্তা য়াওবমই। মহাক্না হোৎনজবদগী আটলান্টাদা নিগ্রোশিংগী অহাব্বা হায়স্কুল লিংখৎখি।

কিং জুনিয়রগী অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সিদি অতৈ নিগ্রো অঙাং-শিংগীগা য়াম্না খেন্নৈ। মহাক্না স্কুলদা মিং চন্দুনা লাইরিক তমদ্রিঙৈদগী হৌনা মমা মপা অনিনা মচাগী লমচং শেম্বা হৌগ্রবনি। অয়ুক্কী মুমিদাংগী রুটিন্ নাইনা ব্যবহাব অমদি চৎনবোল তম্বীরকখি। চাবা, থক্পা অমদি শান্নবা মতম নাইনা থাদোকলমই। মুমিদা রাইবমগী চন্না চাবদা বাইবল্গী রাহে অমদি লাইশোল চিন্ক্না পুননবা তম্বীরকই। ঙন্ন তুম্ব অমদি ঙন্ন হৌগৎপা হাযবা পান্না অসি মতম খুদিঙ্দা ডাক্লা চৎহল্লমই। মহাক্কী মপা অমদি মপুবোক্না মৌয়াম তিনবা মফমদা রা ডাঙ্বদা ফজবা নিথিবা রাহনা শিন্নবা হৈবা অত্তুক্ অঙাং ওইবিবা কিং জুনিয়রসু অঙা' মবক্ত ফজবা অমদি মচিল তুম্ব রাহে রাতা শিজিন্নবা হৈবকখি।

মপা মমা অনিনা মখোযগী অপাম্বা মওদা মেৎতুনা শেমজরগা চহী তকক শুবদা আটলান্টাগী পব্লিক্ স্কুল অমদা মিং চনবিবমই। মহাক্না পীক্লিঙৈদগী তিন্নবকপা মমান্নবা অনিখক্ মখোয়গী য়ুম্লোমনা লৈবমই। মখোযত্তু অঙৌবা কাঙবুনি। শিন্ফম্না মক মরাং য়োনবনি। ইমুং অত্তুগী অঙাং অনি অত্তুগা কিংগা য়াম্না লুনা তিন্নবম্ই। অকোয়বা অত্তুদগী মমা মপানা কিংবু ইহেল হেন্দোকহন্দে। মমা মপা অনিমক্না কিংবু য়াম্না কূপ্ন শেন্নজরমই। চঙবা য়াদবা, চৎপা য়াদবা অমদি শোকপা য়াদবা পোৎশক থাযনা থায়না মমানা তম্বীবমই। তৌবদি মমানা শেন্নজরিবত্তু অঙৌবনা অমুববু হন্থনা য়েংবা মিৎযেং অত্তু উহল্লিং-দত্তুনা তৌজবনি। অঙৌবা অনি অত্তুনা অঙৌবগী স্কুলদা তমলমই। কিংনা অমুবগী স্কুলদা তমহল্লমই। স্কুলদগী হেক কুমলকপগা মখোয় অত্তুম তিন্নরমই। অত্তুবু নোংমদি কিংনা মমান্নবা অনি অত্তুগী স্কুলদগী পীবকপা পাবা থব মাগীগা চাংদন্ননিংত্তুনা মযুমদা চৎলমই। অঙৌবা মরুপ অত্তুগী মমানা মুমিৎ অত্তুদা মঙোন্দা অঙৌবা অঙাংশিং অত্তুগা

মতুংদা অমুক শান্নমিন্নবা য়াম্রে হায়না থিংখিরমই। মানা মমান্নবগী মমা অঙৌবী অহুদা মাগা লোয়নননা শান্নবা য়াদবগী মবম অহু হংলমই। অঙৌবী মমা অহুনা কিংদা মানা অমুবনি মথোয়না অঙৌবনি, অমুবগা অঙৌবগা তিন্নবা য়াদে হায়বিবকুলে। মহু তাবদা কিং কপ্নিং-কপ্নিং তৌখি অমসুং মপি ইবা চেন্ন খাওখি। ময়ুমদা মথাই মুংঙাইত মুংঙাইত হল্লকলগা অঙৌবগা অমুবগা তিন্নবা য়াদ্রিবা করিগীনো হায়না মমাদা হংজখি। উপাই লৈত্রবী মমানা চঙ্ফম চাদবদা চঙ্লুবে খন্দুনা মচাগী মিংলুদগী চেম্বুরকপা মপি অহু তৈথোকপিরগা হৌগ্রবা, নিগ্রোশিংগী মীনাই ওইরিংডদগীনা মতম অদুগী চহনবী অঙৌবনা অমুববু থওইবিদবা অহুগী রাবী অহু চহী ৬ খক্তা ডায়বিবা মচা অঙাং অহুনা খঙগদবা মওদা লিবিদুনা তাহল্লে। অংোইবদা মমানা মচবু থেমজিনবিরমই—"হবে, রাবীশিং অসিনা নঙ্বু লাওতকুহনগনু, মসিননে নঙ্বু অঙৌবা জাতিনা নঙডোন্দগী হেন্ন কৈ, নঙ্না মথোয়দগী হেন্ন ফত্তে হায়বা নত্তে। নঙ্না কাউবোইদবদি নঙস্থু মথোয়দগী হেন্ন অফবা মীনি হায়বসিনি।"

নোংমা কিং মবেন্‌বোক্কা লোয়নননা ষ্টোর অমদা পোৎ লৈবা চৎ-মিন্নরমই। ষ্টোর অহুদা কিংনা অঙৌবী মুপী অমগী মখোঙ্দা উহৌ-দহুনা নেংলুরমই। মুপী অদুনা—'নঙ্গুম্বা নিগ্রো মচানা ঐগী খোঙ্ কবিগী নেৎলি' হায়দুনা খুপাক্কা থাবিরমই। পীকলিবা কিংনা রা মচেৎ অমত্তফাওবা ডাঙ্দনা মমিত্তগী মপি শিম্মহুনা ময়ানা মরৈ চিক্তুনা লেপ্পুনা লৈরমই। অয়াম্বা মতমদা মহাক রা কয়া ডাঙ্দে। মমিৎ অমদি মাইথোংতদা মাগী মুংগী রাথলগী মমি তাহল্লমই। মবেন্‌বোক্কা মাগী অহুগুম্বা অঙৈবা ফিভম অহু উরগা হায়—"ঙংবগী অরোইবা ওমথৈ অহুদা তমথিরবা মৈবি অমা হৌররুবগী মফম ওইগনি।"

কিংনা চহী ৮ শুবা কান্দা বেংমা মপানা মাবু আটলান্টাগী ফাইভ পোইন্টসতা খোঙউপ্ লৈবা পুবিবমই। মখোয় অনিনা ডিপার্টমেন্টস ষ্টোব অমদা খোঙ্উপ লৈবা চঙ্লমই। ষ্টোব অহুগী মমাংদা থারিবা

ফম্‌ফম্‌ অদুদা মথোয় অনিমক ফমলমই। মদু উবদা অঙৌবা কেরানী অদুনা হায়রকলমই— "মথোবনা রিয়ারগী ফম্‌ফম্‌ অদোমদা ফমলগা ঙাইখরদি য়াম্না নুংঙাইগনি।"

কিং শেনিয়রনা খুমলকই—"ঐখোয়না ফমলিরসি অদুক হাক্লা পংকায় কায়রম্মোইনা।"

"অদুম ওইনক নিগ্রোশিংগীদমক্তদি মনিংথংবা ফম্‌ফম্‌ অদোমদা চঙ্‌শিনগদবনি।"

"এখোয়না ফমলিবা মফম অসিদা ফমলগা খোঙ্‌উপ্‌ লৈগদবনি, নত্রবদি মফম অসিদগী খোঙ্‌উপ্‌ অমও লেবোত"- হায়রম্মগা মচাগী মখুদাং পায়দুনা ষ্টোব অদুদগী মপাল থোকখিরমই। থৌথোক অসি নির্দেশংউবগা কি জুনিয়রনা নোংমা হায়খি -"ঐনা হেক থেংনখিবা খুদিঙ্‌মক্কীদি নুমিৎ অদুনা ঐখোয়গী ডাডিনা খ্বাইদগী হেন্না শাওবা নুমিৎনি। অদুগা নুমিৎ অদুনা ঐগী খ্বাইদগী হেন্না থম্মোয় শোকপগী অহানবনি। ডাডি রাখল য়াম্না থনগনবা মীওনি। নুমিৎ অদুদা মানা শোনখিবদু তাহোই—'মতম কয়াম শাংনা অসিগুম্বা চৎনবী অসিগা লৈমিন্নখিগবা। অসিগুম্বা চৎনবী অসিবু ঐ কৈদৌঙৈদসু য়াবা ঙম-লোই। ঐনা হিংলিবা মথৈদি মসি য়ানিংঙম্লরোই'।"

থৌথোক খর অসিনা কিং জুনিয়রগী থম্মোয়দা পুন্সিগী কাওবা য়াররোইদবা মমি অমা হক্‌খিরমই। অয়াম্বা মফমদা অঙৌবা জাতিনা অমুবা জাতিবু তাথি তাওইনা তৌবা অসি য়াম্না তোয়না থেংনরমই। মফম অদুদা অমুবশিংগী মথক্ত অঙৌবশিংনা চলাইবম্ব আইন অমসুং মথোয়গী ময়াথং অদুনা নহা অঙাং ওইরিবা কিংগী থম্মোয়দা য়ুখিরমই। অঙাং ওইরিবৈ মতম অদুদা অঙৌবনা চলাইবা চুমদবা আইন্‌শিং অদু মথম্মোয় শোক্লা য়ানি খিদে। মহাক্লা মথং মথং থঙ্‌লক উরকপদা নিগ্রোশিংনা কোর্টতা অমুক্তা অচুম্বা মাইকৈদা লৈহনদে। মতম লৈব-খিবিক্ত কবিগুম্বা রাথোক অমগীদমক্তা অঙৌবগা অমুবগা কোর্ট য়্যোনবা তারবদি অঙৌবতনা ঙমহল্লি, অমুবতনা লালহল্লি। মহাক মপা মপুনা

করিমত য়াত্ত পাল্লবা মতমদা পোকলকপনি, মাগী অরাংপা লৈত্তে; অদুবু মাগী নিগ্রো মকপ মপাংশিংনা লাইববগী লাল্লক্ত নংলিবা দশাশিং অদু মহাক্না মশাদা থোকপগুম য়াখিরমই। থোইদোক হেন্দোক্না মহাক্না মুংঙাইখিদ্রিবদি নিগ্রোশিংবু তোংঙান্না শোক্ল শম্নবা য়াদবদোনা থম্নীবা অদুনি। অদুনা মমৈদা কিংনা অঙোবা অমসুং অমুবা অনিনা পুন্না থবক শুবা লাইরবশিংগী মবক্ত, ফেক্তরিদা থবক শুবা য়াওদুনা চাংয়েংলকখি। ফৎখিদ্রবা সমাজ অমগী মৈখুরক্ত চাওবকপনা মপুক্সিগী তঙ্খায়ঞমক চল্লকপদা বেসিএল ইনজসটিস অমসুং ইকোনোমিক ইনজসটিস অনি অসি মরী য়াম্না লৈনে হায়বসি খল্লকখি।

কিং জুনিয়রগী মপা ইবুংঙো অসি ময়াই ওইবপ্ন ঈ শাগনবা, ফিংবা অমদি চিনগা খুৎকা মান্নগনবা মীতানি। মমানা য়াম্না ঈংবা, তপ্পা অমদি মোং হাদবী নুপীনি। শাওবা তাববসু য়াম্না ইংনা লেম্না শাওবা মীতানি। অদুগা কিং জুনিয় দি? কি দি অনিমক্কী মবক্ত লৈবা মীওইনি। মহাক্তী মপুক্না য়া থম্বা হৈংবা পঙঙাদা ভাঙ্থোক্কনবা, মচিন মখা প্রেক্ প্রেক্ লাওবা মীতা নৎলমদে। য়াম্না ভাঙ্গদ্রবা মীওই অমসু নৎলমদে। মরক্কী মীনি। মতাং চানা চানা ভাঙ্গনবা মতাং চানা চানা তুমিন লৈগনবা মীতানি। মঙোন্দা খাঙ্বা ভম্বগী অচৌবা শক্তি অমা লৈবম্মী। শক্তি অদুমক্ল মাবু পৃথিবীনা শকখঙবা মী অমা ওইরক্লবগী মচাক ওইরকখি। মহাক করিগুম্বা য়াফম অমদা য়াম্না হকচম্না খম্বগনবা মীতা অমনি। মাগী মপুক্সিদা চহী ১৩ শুদ্রিঙৈদা থিল্লহৌ অনিরক মশা মথত্তু শিজগে হোৎনখি। অহানবদনা, নোংমা মাগী মবেনবোক জেনি উইলিয়ম অসি কপিগুম্বা অমদা থেংজিন্দুনা জ্ঞান য়াওদনা তাহুনা লৈব উরমই। মবেনবোক্না জ্ঞান য়াওদনা উতুপ তাবগুম তাহুনা অশিবগা পাংথক ওইনা লৈবদু উরগা শিদ শিরবোই নিংখিহুনা দোলান মথক্ত প্রেপ্ প্রেপ্ চেনখৎপ্রগা থোংনাও অমদগী লৈমায়দা চোংথখিরমই। মিৎকুপ থংদি মহাক অশিবগা পাংথক্ ওইনা তাহুনা লৈরমই। অদুবু মবেনবোক করিসু তৌদ্রে হায়বা তারবা

কান্নদি করিসু ইত্তৌ তৌদবগুম্না ফুক হৌগৎত্তুনা চেনখিরমই। মীপুম খুদিঙ্মক ঙক্লখিরমই।

অনিশুরদনা, সক্ ১৯৪১ দা মবেনবোক্ক লৈখিদবদা অমুক হম্ন দোলান্ মখক্তগী চোংথরম্মই। মতুদসু মহাক লাইগী নোংদমদগী হিং-লকলমই। মীওইবা হায়বসি শিনিংবা মতমদা শিবা য়াদে হায়বসি কিংনা উৎখি।

আটলাণ্টাগী পব্লিক্ স্কুলদগী আটলাণ্টা বিশ্ববিদ্যালয়গী প্রাইভেট লেবোরেটরী স্কুল অমদা হোংলমই। খৃঃ ১৯৪১ দা 'বুকর টি ওয়াশিংটন্' হায়স্কুলদা চঙলমই। চহী অতুদা মাপলগুবা গ্রেড লোইরগা সক ১৯৪২ দা তবাগুবা গ্রেডতা মিং চল্লমই। স্কুল তম্লিবদা কিংগী তুংগী রাকম থরমথৈ খঙ্বা ঙমখি। ময়াম্না মাবু কিদম্নফম ওইবা, রাথল লৈবা, হোংনবা কনবা অমদি চোক্‌থবা লৈতবা ছাত্র অমা ওইনা খঙনবা হৌরকখি। তম্নিরিবা ছাত্র মমান্নবশিংদগী হেনদোক থোই-দোকপদু য়াম্না লায়না খন্দোকপা ঙমখিবমই। হায়স্কুলগী অরোইবা তাঙ্কক্ অতুরাইদা মানা ডাক্তরীগী লম্ অসি পামজরকখি। অতুবু মশাদদি ডাক্তর ওইনবগী হৈশিংব অতুমক্তি হেনদোক থোইদোকপা মওংদা উবা ফ খিদে। থোইদোক্তুনা ওম্ন তৈমনা রা ডাঙ্বা ফবগী মনাহুম ফংখিরমই।

অওন্বা হায়বসি সংসাংগী থানত্রবা লীচৎনি। মতম্না অস্তুম্ পুংকৃপনা তাঞ্জা অসিরাইদদি কিং শেনিয়রগী ইমুং মমুংগী ফিভম্ ফগৎলকলমই। মহাক্না অঙাং ওইরিবদা অঙাংবা চেক্না শাবা য়ুম অমতং শাবগা লৈগে হায়না খল্লকপা অদু থুংলে। বুলেভর্ট স্ট্রিটতা চেক্নি য়ুম অমা লৈবগা ইমুং মমুং পুন্না লৈমিম্নরমই। কোল্লুপ অতুতদা মচীল তোবা মী অমা ওইবকপদা ম্নত্তনা কি শেনিয়র নিগ্রো কম্যু-নিটিগী ওইনা মচীল চৎপা মী ওইরক্লমই। শক্তি লৈরবা পাসটর অমদি হৈশিংবা কারবার রালা অমা ওইনা 'Citizens Trust Company' কৌবা নিগ্রোশিংগী বেঙ্ক অমগী বার্ড মেম্বর ওই কপদা নওনা

আটলান্টা বিশ্ববিদ্যালয়, মুরহাউস অমসুং নেসনেল বেপটিষ্ট কনভেন্-সন্গী বোর্ডকী মেম্বরসু ওইরকলমই। লোয়ন লোয়ননা কুচু মুবশিংগী চাওখৎ থৌরাং তৌনবা এসোসিএসন (NAACP) অদুগী শক্তি পায়রবা মীওই অমসু ওইরকলমই। অমুম্ন মাগী মচীল মন্না চৎলকপা অমদি সিভিল রাইটকী লিডর অমা ওইরকপসিদগী 'কু-ক্লুক্স-ক্লান্' দগী টেলিফোন্ অমসুং চিঠিদা মশক খঙ্ হন্দনা মাবু ধমকা অমদি কিহনবনচিংবা কয়া তৌরকলমই।

* * * *

নহা ওইরিঙৈ

চহীনা থর-খা চংশিন্নকপগা লোযন লোযননা নহা ওইবিবা কিং জুনিয়রনা মানা নিগ্রো অমা ওইনা পোকলকপিব অসিগী আর্থ খঙ্-জিন্বা হৌরকলমই। মাগী মপুন্সিদা মানা নিপা অমা ওইনা পোক-লম্লিবসিনা কবিগীনো অমদি মহাক্কী মপা মপুনা অক্নবা মচানি হায়বসিনা করি কান্নবিব......অসিগুম্বা অরু অকবা সমস্যা কয়া খনবা হৌরক্লে। অমদি মশানা মশাবু য়াম্না কান্নববা অমদি মমল য়াম্নবা মী অমনি হায়না খঞ্জবা হৌরকলে। অদুবু মীয়ামগী মিৎয়েংদদি নহা ওইম্লিবা কিং অসি শক্তম্ অনি থোক্ল উবমই। ইচম চম্ব, ইংবা, তপ্প অমদি জ্ঞান তারবা য়াঙাং হৈববা অহল অমগুম, অমবোমদনা হুরাল হুরান্দুনা চুরুট বেডীনচিংবা য়াম্না হৈনগনবা, মুপীনা য়াবা, মাগী ফিজোল অহোং খুদিঙ্গী মুপীনা কোইতান তাদবা অদুগুম্বা মীতা অমা ওইনম্ন উরমই।

কিংনা নহা অমা ওইজরবসু মীগা খুংথোক্লনা খংন চৈনবা অসি কয়া পামজরক্কে। কনাগুম্বা মাগী য়ুম লোম্লবা মী অমনা মডোন্দা খুপাক্লা থাগ্রবদি অতোপ্প চুবা অদু ওনশিল্লগা তুমিল্ল রা মচেৎ অমত্ত ভাংদনা মুংঙাইতবা খুদিঙ্মক খাঙ্বা অসি মা হৈনরক্লবনি। অদুয়দি

ওইরবদা মহাক্কী লোন্নাশিংগী মরক্তা করিগুম্বা তাইশিল্লবা য়াদরা অরুবা মতাং অমা লাক্লবা, মহূদা মাগী হৈশিংবা য়াহৈ য়াতানা মখোয়বু তাইশিন্নবা হোৎনবদা ভমত্ৰবদি নয়ন্তুনা পাঙ্গল চাং য়েংনবা অসি য়ায় পামগল্লমই। মহাক্কী মমাল্লবশিংনা হায়, মখোয়গী মতমদা নয়ন্তুনা পাঙ্গল চাং য়েংলবগী অঙ্ক অসি তশেংনমক কিংনা হৌদোরকপনি। অদুম অদুম ওইনমক মানা থেংনবা অরুবা য়াফমশিং অয়াম্বা মাগী হৈশিংবা য়াহৈ য়াতানা তাইশিন্নখিবা ভাকনি। অহুনা মাগী মনাও এঃ ডিঃ কিংনা হায়—"মহাক্কী (কিং জুনিয়র) মীগা হাকথেংননা কয়া ফুন চৈনবা তৌরক্তে, মরমদি মাগা থেংনবা য়াফম খুদিংগুমক অরুবা ওইববসু অয়াযবা ওই-ববসু তেশয়ন্তুনা লোইশিন্নবা অঙ্ক হৈবমই।"

কিংগী যাম্না নুংভাইবা মওং অমা লৈবমই। মহাক্না পাখং ফা-রক্লবদসু য়ায় তপ্প মীওই অমদি ওইবমই অহুবু ওস্তোক্র থাজদনা শাথিনা মওক্কনবা মীতা অমসু ওইরমই। মহাক্না চুমই হায়না খনগ্রবা নত্রগা করিগুম্বা অমা তৌরোই হায়না খনগ্রবা মহু থেমহুনা খক য়াহনবা য়ারমদে। মসুং য়াম্না কল্লমই। নোংমা মচে খৃষ্টাইনিগা মনাও এঃ ডিঃ কিংগা খৎনবমই। মখোয অনিমক্ত খৎনগমু হায়না কিংন ফন খামহুনসু য়ারমদ্রে। হাযবা ময়ারক্তুবদা খুৎলৈ থুনা এঃ ডিঃ কিংগী মনাক্ত লৈবম্বা 'ফোন' অহু তাপ্ পায়খৎলমই। মনাওনা খল্লমই—কিংনা মখোয়গী মমা মপাবু অবৈবা মফমদগী কৌগদৌবি-মালে হাযনা। অহুবু খভহৌদনা কিং জুনিয়বনা টেলিফোন্গী মকোক্ অহুনা এঃ ডিঃ কিংগী মকোক্ত কন্না লৈজববী থাহুনা থাজল্লমই। শাফু অহু কন্মনখিবনা এঃ ডিঃ কিংগী মাথা অহু ফক্তুনা পুত্রবগুম তৌরমই।

স্কুল তমলিভৈদগী হৌনা কিং জুনিয়ব র। ভাংবা হৈবগী মমিং চৎলক্লে। ডিবেট কয়াদা ফার্ষ্ট তাহুনা মনা ফংলমই। লোয়ন লোয়ননা মহাক নহা ওইনা মশাগী অমদি নিগ্রো কাঙলুপকী ওইনা খনব্বা হোৎকখি। থা থংবা শরুক্তা নিগ্রোশিংনা ফংনব্বিবা থম্মোয় কান্নিংভাই ওইবা য়াফমশিং অমদি অঙৌবনা অমুবদা শীরকপা ইকায়বা পুন্নমক অসিগী য়াথল অসি

মঙোন্দা ঊচেল কয় চেনশিন্নখি। নোংমা জোরজিয়াদা ওরেটোরিএল কনটেষ্ট অমা চৎলুবদগী মারটিন লুথরনে, মাগী মরুপ মপাংশিংনে অমদি মাগী ওঝা অমনে হনমিন্নরকলমই। মখোয়না অফংবা হয়াগাড়ী অমা ফারগা মতুংগী মমাং ওইরপ তৌবা ফমফমশিং অতুদা ফমলমই। অঙৌবা ড্রাইভর অদুনা মনিংদা তোংউ হায়রকলমই। লুথর অমদি মাগী লোইনরিবশিং অদুনা য়ারমদে। অমুবশিংদা মখোয়না শিজিন্নরিবা অমদি পামজরিবা আইন্ অদুবু শীংনরকপদা ড্রাইভর অদুনা ফী শেত্রবা লোয় চৈরকলমই—"হে বেশাগী মচাগী মুথিশিং অসিদি।" অমুবা ছাত্রশিং অদু অদুগুম্বা অয়াকপা মীচৈ অদু মথা চিক্কুনা খাঙনবমই। মতুংগী থোথোক অদু কিংগী থম্মোয়দা কাওবা য়াদনা লৈখি। অদুগুম্বা থম্মোয় শোকপা থোথোক কয়ানা য়োমলগা মতুদা য়ুমফম ওইদুনা কিংনা গান্ধীজমলোমদা চঙলকখি। গান্ধী মশক খঙদ্রিঙৈদগী হৌনা মঙোন্দা গান্ধীজম অসি মশাদা লোয়নরকখি। অঙৌবা কাঙবুশিংনা থিন থিন তৌবিবা অসিদগী অঙৌবশিংবু মুংঙাইতবা অমা থম্মোয়দা কয় চুরকখি। মরম অসিদগী মহাক ডাক্তর ওইগে হায়না খল্লম্ব অপুম্বা লেন্না মুংশা মঙান্দা মনিল ওন্দুনা পাইহনা চৎখিবগুম পাইথিরমই। মতুংগী মহুত্তা ইনৌ নৌবা রাখল উকিল অমা ওইরগা অঙৌবগী আইন্ অসি শীংনগে খল্লকখি। অমুবা জাতিগীদমক্তা আইন্ শেম্ব মীওই অমা ওইগে হায়না খল্লদুনা মমাংদা মিংশেল অচৌবা অমা থারগা মীয়ামগী মমাংদা য়া কমদৌনা ঙাঙ গদগে হায়বসিগী প্রাকটিস্ তৌবা হৌরমই।

খৃঃ ১৯৪৪ গী শেপ্তেম্বর থাদা মশাগী চহীনা ১৫ শুরকপদা ইমুং মমুংগী চৎনবী অমা ওইনা মুরহাউস কলেজদা চঙলমই। কলেজ অসি নিগ্রোশিংগী লুচিংবা কাঙবুশিংগী মচা মগু ঙাক্তমক তমলমই। মতুদা তম্ব ছাত্র খুদিঙমক মপুন্সিদা মাইপাকখিবা ঙাক্ত ওইনা তৌই। কলেজ অসিদা তম্ব ছাত্রশিংবু 'মুরহাউস ম্যেনক' হায়না খঙনরমই। মকম অসিদদি কিং পুরানা ফ্রি ওইরমই। য়া ঙাংবদসু ফ্রি ওইরমই। জাতিগী মরমদা নিংঝা তয়া য়ারী শন্নবা ফংজরমই। ওঝাশিং অদুনসু

মখোয়না পাম্বা মওংদা মনিং মখা তৌনা ঙাঙ্জবা ঙমলমই। ওস্নাশিং অতুনা মখোয়বু জাতি অমগা অমগা মুংশিনদবগী লায়না অসিদগী মীওইবা জাতিবু কলহৌনবা উপায় থিনরক্নবা মপূক্লিং থৌগৎপীরমই। কিং জুনিয়রনা কলেজ অসিদা য়াম্না মুংঙাইজবা, মফম খুদিঙ্দগী থেন্নবা নিংথা তম্বগী মওং অমা ফংথি। মফম অসিদদি মীপুম খুদিঙ্মক অমনা অমবু কিনদে; মীনম্নু মখোয়বু কিহল্লক্তে, মখোয়নম্নু মীবু কিহল্লুদে। মসিনি মানা পামজবা।

কিংনা তমলিবা মুবহাউস কলেজ অতুগী প্রেসিডেন্টতি ডাঃ বেঞ্জামিন্-ই-মেজনা ওইরমই। মহাক্না লৈবাকপোকপা খুদিঙ্গী অয়ুক্কী লাই-শোল শোনবা মতমদা ছাত্রশিংদা ভাষন পী। মদু হেক লোইবগা কিংনা মুমিৎ অতুমগী পাঙ্থোক্নদবশিং হংলমই। ডাঃ মেজনা লুথরবু মাগী চহী মতাং অতুদা মানা শিংবা য়াবা চাং অতুদগী য়াম্না হেন্না শিংবা মীনি হায়বসি খঙবা ঙমখিরমই। মানা হায়—"I perceived immediately that this boy was mature beyond his years; that he spoke as a man who should have had ten more years' experience than was possible. He had a balance and maturity than that were far beyond his years and a grasp of life and its problems that exceeded even that."

কলেজ তমলিঙৈ মতমদা মানা য়াম্না হৈনজবা অমদি পামজবা বিষয় অসি সোসিওলোজিনি। মতুদা মানা নম্বর য়াম্না রাংনা ফংলমই অমম্নুং কলেজ অতুগী ফজবা রেকোর্ড থমলমই। মফম অসিদা মানা রেসিএল কিলোসোফিদা কন্না খঙ্গিল্ ছুমজিল্লমই। মহাক্না থ্যুরোগী 'সিভিল ডিস ওবিডিয়েন্স' হন্না হন্না পারমই। মতুংদদি মানা য়াম্না পামজরকপা ডাক্তরগী লম্বী অদু থাদোক্নুনা মিনিষ্টীবোমদা ওনশিনখি। মরমদি লম অশোমদা চঙলগা মাগী থম্মোয়দা হৌরকলিবা সোসিএল্ প্রোটেষ্ট অতুগা য়াম্না চুনবা হেল্লমই। কলেজ অসিদা তমলিঙৈদা

মহাকপু বেঞ্জামিন-ই-মেজ অমসুং রেলিজন্ ডিপার্টমেণ্টকী ডাইরেক্তর Dr. George D. Kelsey অনিনা কন্ন মিনিষ্ট্রিগী লাইন্ অশোমদা চঙ্নবা ইনশিনখি। মরম অসিদগী লুথরনা মপাদা মিনিষ্ট্রিগী লমলোমদা চঙ্লগনি হায়না খঙ্হনখি। মপাগী আশির্বাদ ফংলদুনা মানা চহী ১৮ শুবা কান্দা বেপ্টিষ্ট চর্চ্চকী মিনিষ্টব ওইরমই। লম অশোমদা পাম্লকপদগী কলেজ অসিগী ওরেটোরিএল কন্টেষ্ট খুদিঙ্মক্তা মানা মকোক ওইদুনা মনা ফংলমই।

মুরহাউসতা মানা ছাত্র ওইবিঙৈ মতম অসি মুবহাউস কেম্পস অসি রাজনিতি অমদি সমাজগী ওইবা ব্রাকম অনি অসি য়ান্না কল্লমই। নহা ওইরিবা কিংদসু মফম অদুগী মুংশিংকা ইবোইননা মশানা মশাবু শক্ খঙজবা অমদি পৃথিবী ডসিদা মানা করি তৌবগ্না ডমগদবা হায়বা ব্রাকম অসিগী মখল মথেল থোক্না থন্নবা তাঞ্জা অদু মুবহাউসতা ফংখি। ডাঃ মেজ অমসুং কেলসি অনি অসি ট্রেন তৌববা মিনিষ্টর ঙাক্তনি। মখোয় অনিনা পীবা ধর্ম্মগী পাওতাক অমদি ভাষন্ অদুনা কিংগী থম্মোয়বু জয় তৌদুনা কিংবু চর্চ্চকী পাসটর নত্রগা ক্লার্জিমেন ওইননবা হোৎনবকখি। ওঝা অনি অসিনা কিংদা তোপ্ তোপ্পা গুণ অমা উখিরমই। ওঝা অনি অসিগী হৈশিংবা ব্রাঙাং অমদি ধর্ম্মগী পাওতাক অদুনা কিংবু মপুকচেল লেপহন্দুনা মমা মপাদা পাসটর ওইবদা য়ানিংবা উৎখিবনি। মতুংদা সক ১৯৪৭ তা মপান য়ানিংদ য়ানিংদনা মপাগী চর্চ্চকী মতেংপাংবা পাসটব ওইহনখি।

পাসটব ওইরবা তুংদা কিংনা ঈশ্বরগা নকুনা থবক তৌবা মী অমা ওইবগী অয়োবী থাক অদু য়োনবা কন্ন হোৎনরকখি। মহাক্না নিগ্রোশিংগী মরক্তা চঙ্ চঙদুনা মানা পামলিবা অদোমদা চিঙ্শিল্লক্নবা ভাষন্ কয়া পীবা হৌরকলমই। মুবহাউসকি লাইরিক তম্ব হৌদ্রিঙৈদা মানা প্রজাশিংগী খুদোংথিরবা ফিভম অদু মুন্ন খঙ্ননবা প্রজাশিংগী মবক্তা থবক থিখি। মপা মপু শকখঙ্ মাইথঙ্বনীনা মহাক নিগ্রোশিংগী লপোনবগী লমলোমদা চঙদুর্না হেনদোক্ক কান্নবা য়াবনি।

অছুবু মানা পামলিবদি ললোনচুনা শেল তানবা অহু নত্তে। প্রজা-শিংগী খুদোংচাদবশিং অহু মশানা হাকথেংননা খঙ্নিংবগী রানি। অছুনা মানা পাঙ্গলনা শু নোমচুনা চাবা প্রজাশিং হায়বদি কুলিশিংগী মরক্তা রেলরে এক্সপ্রেস কোমপানিগী ট্রেন্ অমদি ট্রক গাড়ীশিংগী পোং থাংদোক থাংজিল তৌবা য়াওথি। অদুত নত্তনা 'সাউডর্ন স্প্রিং বেড মেত্রেস কোম্পেনি' গী স্তোক্ রুম্গী মতেং পাংবা মীওই অমা ওইনসু লৈবকথি। হায়বিবা থবক অনি অসিমক পাঙ্গলগী থবক ঙাক্তনি, অরুম্বা থাংবদা নঙ্গল কায়বগী থবকনি। অদুবু মহুদা কিংনা য়াওনিংউরিবদি কুলিশিংগী মুংঙাইত্রবা রাখল অমদি ফিভম অহু মুম্ন খঙ্দোক্লবনি। মহাক্না কুলিগী থবক য়াওকরবা মতুংদদি চপ্ মান্ননা থবক শুমিল্লবদা নিগ্রো কুলিশিংনা অঙোবা কুলিশিংদগী শেল য়াম্না হন্থনা পী হায়বসি খঙলকথি। নোংমা রালটর চিভংগী সোসিওলোজি ক্লাসতা রালটবনা সেলনা সমাজগী ফত্তবশিংগী মরু ওইবত নত্তনা জাতি অমগা অমগা মুশিনহন্দবগী মকুসু ওইহল্লি হায়না শন্দোক্ল তাকথি। রাকম অহু কিংনা রেলরেদা কুলি ওইনা য়াওকবা মতম অদুদা অশেংবা থৌথোক ওইনা তরং তরং উবা ঙমলমই।

কিংনা পুখৎলকলিবা রাখল অছুগী মরুওইবা মতাংদি মানা ইথা থাজদনা সিটিগী অপুনবা 'ইন্টর কোলেজিয়েৎ কাউন্সিল' দা মেম্বর অমা ওইনা য়াওকবা অদুনি। অঙোবগা অমুবগা চপ মান্নবা. অমনা অমবু হেন্নদবা মওং অমদা তিন্নবা য়াব অদুদা মাগী থম্মোয়দা, জাতিগী ওইবা রাকমদা অকবা রাখল অমা ফাওবমই। মানা হায়থি—"ঐখোয়না কাউন্সিল্ অসিগী মেম্বর ওইনা লৈনবিবা অসিদগী থাজবা ঙমলে মতুদি নহা মবক্তদি অমুবগীসু অঙোবা মকপ য়াম্না লৈজবি। মতম অমদা ঐনা অঙোবা জাতিশিং অসিবু শাথিনা তুক্কচবা পোকলুবে। অছুবু অঙোবা মরুপশিং থেংন থেংনরগা ঐগী তুক্কচবম্ব অহু নোংম নোংমগী চাং হন্থরক্তুনা ঐগী থম্মোয়বু পুমনো নৌহল্লে অমসুং অনিগী অপুনবগী ঈহো অমনা তুক্কচরম্ব অছুগী মহুং শিনগ্রে।"

মানা খঙ্‌লমদবা পোৎ কয়া খঙ্‌লকপা অমদি পুখোরকলবা মতম অসিদা কিংনা মাগী মপুন্সিদা পাঙ্‌থোকলগদবা থবকশিং অসি পাকনা চাওনা উরকখি। মানা চহী ১৯ দা ভাইরিষৈদো কলেজ তম্ন তম্ন কলেজগী জর্নেলদা আর্টিকল্ কয়া কয়া ইহুনা ফোংখি। খৃঃ ১৯৪৮ দা 'মেরুন টাইগর' অমদি 'ডি পরপজ অফ ইডুকেশন্' কৌবা আর্টিকল মচা অনি ফোংদোকৃখি। মহাক্কী আর্টিকল্ অনি অদু পাক্রগা মতম অহুগী মীরোল্‌না মাগী য়ামজত্রবা মপুং ফাজত্রিবা জ্ঞান অহুনা পুখো-রকলিবা অহু উবদা ওক্লখি। নহা ওইরিবা কিংনা খল্লকইবদি এডু-কেশন্না এডুকেশনগী পাঙথোককম থোকপা মখো অহু পাঙথোক্লত্রা পাঙথোক্লিত্রা হায়বা অসিনি। মহাক্কী রাখন্দদি মতম অহুগী লাইবিক হৈববা অয়াম্বনা লোজিকেল্লি অমসুং সাইনটিফিকেল্লি অমত্ত খল্লদে, মখোয় মখোয়না থোকপা অনিংবা মতুং ইন্না পঙ ভাঙ চাঙ্‌নৈ; স্কুলদা, ক্লাসতা প্লেটফোর্মদা অমদি প্রেসতা এডুকেশন্দগী তশেংবা ফংকম থোকপা অহু ফংলক্ত্রে। এডুকেশন্না ওইদবদগী অওইব খজিক্তুং পুথোকপা, শেংদব-দগী অশেংবা ফংনবা, ভাবনা শাবদগী অশেংবা খর থোমজিন্দুনা অচুম চুমদ খন্ ওনবা ঙম্নবা হোৎনবনি। অদুনা এডুকেশনগী পান্দম্দি মী অমবু পরিং চুম্ন রাখল খনবা ঙমহনবনি। মহাক্কী মত্তদি মোরেল্ য়াওদবা অনিং অনিংবত পাঙ্‌থোক্লবা হোৎনবা মীহুবু খ্বাইদগী তমথিবা ক্রিমিনেল্‌নি। মানা হায়নিংই সুপ্নগী লৌশিং হায়বসিতনা মী অমগী মতিক চানবা গুণ নত্তে। বুদ্ধি নত্রগা লৌশিং অহুগা লমচৎকা কোম্নবগা অশেংবা এডুকেশনগী পন্থুংফম ওইগদবনি। পুম্নমক অসিগী মথক্ত কিংনা পাম্বদি মতিকচাবা পাম্ব অমতং পুথোকপনি, পাম্ব অদুদা সাবন্ তৌবগা মহুনক্ত পাম্ব ওইহুন নিংখা তম্বগী খুংলাই অমা থিবা। মানা থিবি— দবিচি মুনিগী শকগুম্বা, নিগ্রো ময়াম্বু মীনাই য়োহ্লিং লৌথোকপীবা ওসা। খৃঃ ১৯৭৮ গী জুন্ থাদা কিং মুংহাউস কলেজদগী বিঃ এঃ পাশ তৌরম্মী। মসিগা লোয়ন লোয়ননা পৃথিবীগী খ্বাইদগী রাংলবা চীদোল অহু য়োনন্দা লম্বী অহুসু সমাঙ্‌দা লৈরে, মুনিৎমু মাগী মরাইবক্ত য়াক্ত থোক্লরে।

গান্ধীজমৃলোমৃদা খোঙ্থাং অমা

মুরহাউস কলেজদা বিঃ এঃ পাশ তৌরবা মতুংদা চেছটরদা লৈবা ক্রোজর থিওলোজিকেল শেমিনারিদা মিং চল্লমই। মফম অদুদা ছাত্র চাম্মবোম তমলমই। মথোয়শিং অদুগী মনুংদা ছাত্র তরুকথক থনগৎপদা কিংস্লু য়াওনমই। কিংনা কন্ন হোৎনদুনা মপুন্সিগী অহানবা ওইনা অঙৌবা জাত্বিু লাম্বা তৌবা ডমলমই। মাগী থিওলোজিগা ষ্টডি অদুদগী হেনদোকুনা সোসিএল ফিলোজোফর কয়াগী লাইরিক কযামকম পাদুনা জ্ঞান তান্শিল্লমই। প্লেটো, এরিসটোটল্, রুশো, লোকে অমস্থং হেজেলনচিংবা অফাওবা ফিলোজোফর কযাগী লাইবিক পাবমই। অদুত্ত নত্তনা মহাক্না গান্ধীজিগী মরমদা ইবা লাইনিবস্থ পানমই। জেসসনা তাকলম্বা অমদি বাইবল্নচিংবা কযা পারুবদগী পে নব ́ ৫ নিষ্টেন্সকা অকনবা ঈহল অমা মশাদা ফাওবকলমই অমস্থং মহুবু যাং ওইনা পাংথোকপা টেক্নিক্ নাদগী লাকলমই।

নোংমা হরাড বিশ্বাবদ্যালয়গী প্রেসিডেন্ট ডাঃ মোবডেকাই জোন্সন্না মথামদা ধর্ম্মগী ওইবা ম্নাফম থর ভাষন পীবমই। মবি শৈননা মহাক্না আমেরিকাগী জাতিগী লালফম অসিদি গান্ধীগী টেক্নিক্ অদুতনা কোক্হনবা ডমগনি হাযনা য়াম্না থৌনা ফনা হায়রমই। মহু তাকুবদগী কিংনা গান্ধাগী মরমদা হবা লাইবিকশিং অফংবা মথৈ লৈদুনা খোমজিল্লমই। গান্ধাগী লাইনিকশিং অসি পাদ্রিডৈগী মমাংদদি কিংনা 'মুংশিবা' হায়বা অসিনা সমাজগী ওইবা সমস্যা কয়াবু কোক্হনবা খুৎলাই ওইগনি হায়বগিদা অঙকপা পোকনমই। অসিদস্থ নওনা গান্ধীজিগী লাইবিকশিং অসি পাকদ্রিডৈদদি খ্রাইষ্টকী 'মীনা খজাইদা খুপাক্ন থাগ্রবদি অতোপ্প খজাইহুস্থ শেনিন্থু' হাযবা ন্নাফম অসিনা জাতি অমগা জাতি অমগগী মরক্ত লৈবা মুংঙাইনদবা অদু কোক্হনবা ঙম্মি হায়বসি থাজবা ডমলমদে। গান্ধীজিগী ন্নাথলদদি অহিংসা অনদি সত্যাগ্রহ অসিতনা মাগী পুন্সিগী থেংনখিবা লালফম

খুদিঙ্‌দগী ওয়নবা উপাইনি হায়না থাজখি। অদুনা গান্ধীজিবু মুন্না খঙ্‌লবা তুংদদি কিংস্নু মীনাই ওইরবা অমদি য়াম্না ওৎপিরবা জাতি অমগী মীনাই কোকহনগে অমদি সমাজদা অচুম-অরাল থমগে হায়রবদি অহিংসা অমদি সত্যাগ্রহ হায়বা খুৎলাই অসিতনা ওমগদবনি হায়বা অসিদা থব্রায় হকচাং য়াওনা য়ানিংলকলমই। কিংনা রশেন্‌বকুকি 'খৃষ্টান নিটি অমসুং সোসিএল ক্লাস' অদু মুন্ন পাখি অমসুং খঙ্‌লকখি মহুদিঃ—মীওইবগী অর্থনিতি অমসুং সমাজগী ফিভম (ইকোনোমিক অমসুং সোসিএল কনডিশন্) গা মরী লৈনদবা সুপ্পদগী মীওইবগী আত্মাতগা মরী লৈনবা ধর্ম্ম অদু অকবা ধর্ম্ম নত্তে।

ক্রোজরদা লৈবিডৈদা কিংনা মাগী নিগ্রো কাঙ্‌লুপশিংনা মফম অদুদা লৈমিন্নবিবা মীশিং অদু অমগা অমগা অধিকার মান্নগদবনি হায়বা ডিমাগু অমা তৌবকপদা হায়কম খঙ্‌দনা মুংঙাইখি। মবমদি মানা মপুন্সিদা পাঙথোক্কে থল্লকলিবা মঙ্‌গুম্বা রাকম অদুগী মতুং ওইবা য়াবা মতাক্ খর উকপদগীনি। তশেনমক কিগী ক্রোজরদা লৈবিডৈগী কেরিয়ারদি অঙকপনি। মহাক্না মফম অদুদা চহী ৩ লৈবা অদু 'এ' ডিগ্রিদা ওক্ত পাশ তৌবমই। অসুম তৌবদগী মহাক্না শেমিনারী অদুগী খ্বাইদগী ফব ছাত্র ওইবমই অমসুং শেমিনারীগী ছাত্র অপুনবগী সংস্থান অদুগী প্রেসিডেন্ট ওইবমই। নিগ্রো অমবু অসুম্ন ইকায়খুম্নবা অসি মফম অসিগীদি অহানবনি। অসুম্ন মহৈ তম্বদা চুম্নগী লাইরিক তম্বনি হায়না থন্দনা তুংগী পাংদম অমা লৈন তম্ব অসিনা পুন্সিদা মাই পাক্লবগী মরু ওই হাযবসি কিংনা উৎখি।

খৃঃ ১৯৫০ দা কিংগী চহী ২১ শুবে। মতাং অসিদনি মাগী পুন্সিগী অনৌবা খোংথাং অমা থাংলকদৌরিবসি। মানা গান্ধীজিগী রানী অমসুং মানা লৌসিন্ন থবকশিং পাকুবদগী মাগী রাখ্য অমদি মপৌনাবু মপৌ শঙখিবমই। মহাক্না গান্ধীজিগী—"ঐখোয়না ঐখোয়গী নিংতম্ব ফংদ্রিঙৈদা নিংতম্বা ফংননবা হোংনবদা ঈনা, লৌথোং চেনবা উবা য়াই. অদুবু উগদৌবিবা ঈ মহুমক্কি ইশা ইশাগী ই ওইহন-

গদবনি” হায়বা য়াফম অহুবু মপুন্সিদা ঈশ্বরনা পীব পাওতাক্লি হায়না লৌথি অমসুং মপুন্সি চুপ্প কাওখিদে। তশেংনমক মহাক গান্ধীগী ফিলোজোফিদা পুঙলুপ লুপখিরমই। অহুবু অহুগুম্বা গান্ধীগী ফিলো-জোফি অহুদি ‘হেনরি ডেভিদ থ্যুরোগী’গা য়াম্না মান্নৈ অমদি থ্যুরোদগী পূরুবনি হায়নরি। থ্যুরোগী ‘সমাজগী তমথিরবা তীল অহুনা মীওইবগী আত্মা অমসুং থৌনা অহুবু কিহল্লবা মতম অহুদদি জেল হায়বসি অকবা মীশিংগী লৈফমনি’ হায়বা আইন্ আমান্যগী য়ারী অহু খাবংবা আফ্রিকাগী জেলদা লৈরিহৈদো গান্ধীনা ফজনা নৈনখি। মহুনি গান্ধীনা পামলিবসু, মহুবুনি কিংনা লৌনিংলিবসু। অদুগা অমুকসু অহুগুম্বা গান্ধীনা পামজরিবা থ্যুরো অদুগী য়াথল অহুমক্তি শ্রীভাগবত গীতাগী য়াথল ডাক্তনি হায়না লৌনবি।

* * * *

যৌবনগী লম্বীদা

খৃঃ ১৯৫১ গী জুন থাদা কিং ক্রোজর থিওলোজিকেল্ সেমিনারী-দগী গ্রেজুএট ফংলমই। মফম অসিদগী মানা ‘প্লাককার এৱার্ড’ কৌবা খ্বাইদগী ফবা ছাত্রদা পীবা মনা অমা ফংখিরমই। অসিদসু নত্তনা পাউণ্ড ১২০০ গী ‘জেঃ লিবিজ ক্রোজর ফেলোসিপ্’ অদু ফংহুনা মানা তমনিংবা বিশ্ববিদ্যালয় অমদা গ্রেজএট তম্ব য়াবিরমই।

মশাদা তুংগী অনৌবা আশা অমা উরহুনা কিংনা চহী অহুমক্কী সেঃ থাদা ‘বোসটোন বিশ্ববিদ্যালয়’দা চংতুনা ডাক্তরেট ডিগ্রীগী-দমক্ত ফিলোজোফিদা বিঃ এঃ গী ছাত্র অমা ওইনা মিং চল্লমই। বোসটোনদ চংপা মতমদা মভোমদ মপা মমা অনিনা মানা বিঃ এঃ পাস তৌবগী খুদোল ওইনা পীরকপা উনা মচুগী চেভরোলেট কার অদু তোংহুনা চংলমই। মহাক মশাচুশেট এভেন্যুদা লৈরমই। মকম অদুদা লেন্নুড কৌবা মমান্নবা অমগা লৈমিন্নরমই অমসু য়াম্না লুন তিন্নবমই। মখোয়

অনি মফম অতুদা জাতি বিজাতিগী রা খন্নদনা অশাবা কোকি শিজিন্নতুনা অনৌ অনৌবা ময়াই কারবা রাখল ময়াম শুংতুনা লৈরমই। মখোয় অনিগী কা অতুদা, মফম অতুদা লৈরম্বা নিগ্রো কাঙবুশিংসু লাক্তুনা ইত্তং তংতনা চয়োলগী ওইনা মিটিং তৌরমই।

চহী মতাং অসিদদি কিংনা থম্মোয়না তারবী নুপীমচা কয়ামরুমগী থম্মোয়বু ইত্তং তংতনা জয় তৌরম্মী। মহাক্না মখোয়শিং অতুবু তান্নরুবগী মহুত্তা মখোয়নতুম মথোঙ্না খোংনা কিংবু তান্নবকলমই। মাবু মথম্মোয় মথম্মোয়দা মাগী মাগী ওইনা লাৎচতুনা মাগী অরোনবা অচানবা মিৎয়েং অমদি মীনোক অমগুংদা ওইনবসু ফংনবা হায়তুনা খুদোংচাবা লৌননকপীশিংগী মনুংদা মশক মতৌ চঙ্খোল্লবা ইনাক কৈরাক থুল্লবী অডৌবা জাতিগা নুপী অমসু য়াওরমই। অতুবু কিনদি মদুদা রাখল কয়া চঙবিবমদে। মরমদি অডৌবা নুপীগী মফমদদি মাগী থম্মোয় শসি নুংগুম কল্লি, মরমদি, মহাক্না নতিক ফন চাবী ওইতুনসু অডৌব নুপীবুদ লুহোং তুনা লৌগে হায়বগী থক্ নাংনতসু হোৎনুদে। অতু ইগা থাজদনা কিংগী থম্মোয়দা যৌবনগী অকনবা নুংশিৎ অমা লাকখিতুনা কোরেত্তা স্কোট কৌবি, মশম শাংলবী অমদি মখোঞ্জেল ফরবী নিগ্রো নিংডোল অমবু মাগী ওইনা নুংশিকরে। অহানবদদি কোরেত্তা, কিংবু থোইদোক্না থল্লুদে, থোইদোক অকিবতুম পোকলগই। অতুবু মমৈথংদা মাগী থম্মোয়গী অকিবা অতুনা নুংশিব ওস্থোনক্তুনা তোঙান তোঙানবা লম্বীদগী ফুজিন্নরক্তুনা অমত্ত ওইনা চৎমিন্নখিরমই।

কোরেত্তা খৃ. ১৯২৭কী এপ্রিল তাং ২৭ তা আলাবামাদা লৈবা হৈবরগর হায়বা মফম অতুদ পোকপনি। কিংগুন্ন মহাকসু মমা মপাগী অনিশুবা মচানি অথাং ওইরিঙদগী হৌনা কোরেত্তা য়াম্না য়ৈনগনবা মীওা অমা ওইনা হৌবকলমই। য়াম্না পীকলিদৈদগী মহাক নুমিৎ খুদিঙ্গী থোঙনা মাইল ৫/৫ চংতুনা পীক্রবা স্কুল অমদা লাইব্রিক তমলকই। মহাক্না স্কুল চৎপা খুদিঙ্দা অডৌবা অঙাংশিংগী ওইবা অডৌবা অঙাংনা পিক থন্ন থন্ন তোংবা গাড়ী অমনা স্কুল ফাওবা

থিনদোক থিনজিন তৌবহ্ থম্মোয় শোক্ল য়েংলমই। জ্ঞান তারকপদগী মপা মমাগী ইমুং মঙ্গুংগী লৈত্ত লাইরগী মতেং ওইনবা লশিং হেকপা য়াওরকই। কোরেত্তানা অঙাং ওইরিভৈদদি মাগী মপা অসি শেল ফন পায়বা নিপা অমা ওইরম্মি। নিগ্রো অমা ওইনা অঙৌবা কাঙ্গুনা মাবু ইতং তংতনা ওৎপিবমই। মতম খুদিঙমক্তা মানা অঙৌবা জাতিবু লাম্বা তৌরমই। থবক কনবা মপানা মুমিদাংদা থবক নোংচংগ্রবদি মহাক হল্লকগ্রা হল্লকলোইদ্রা হায়বসিগী কোরেত্তা অমদি মাগী ইমুং মঙ্গুং অপুম্বা নিপাইনবমই। মকম অতুদা লৈবা অঙৌবা লিশিং তবেৎনা অমুবা লিশিং কুনগী চাওখৎ খোঙথাংবু য়াম্না চেকশিন্ন পান্নরমই। নহা ওইবভৈদগী হৌনা কিংগুন্না কোরেত্তাসু লাইবিক্ত থরায় য়াম্না য়াওরকলমই। মহাক্না অঙৌবা অমুবগী চয়েংনবা তমথিরবা মুংশিং অসিগী অর্থ থওলকপনগীদি 'চপ্ মান্নবা অধিকার অমসুং মীওইবগী দমাক্ত কনিঙ্গুন্না অমা তৌনগে' হায়রা রাথল অমা থল্লকখি। মচুগী ঊাহদ পাংবক হান্ন নিংথিনা হপিগে থুবনা লাইবিক্ত থরায় য়াওবকখি। লাইরিক্ত নওনা ইশৈদসু থরায় য়াম্না য়াওরমই। মহাক্না লিনকোল্ স্কুলদগী খৃঃ ১৯৪৫ দা স্কোলারসিপ ফংলহুনা ওহিওদা লৈবা এনটিওক্ কলেজদা মিং চল্লমই। কলেজ অসিগী ৱার্ক ষ্টডি প্রোগ্রেমগী মতুং ইন্না কলেজ কেম্পসকী ৱেট্রেস ওইরমই। অহুত নত্তনা নিউয়োর্ক সিটিগী লাইব্রেরিযান অমসুং ক্লেভলেণ্ডগী করামু হাউসকী কাউনসেলর ওইবমই। মানা ইশৈ থোইদোক হেন্দোক্না থরায় য়াও-খৎলকপনা ঈশৈগী কোর্শ থর তমথগে থল্লমই। এনটিওক কলেজগী ঈশৈগী ডিপার্টমেণ্টকী প্রেসিডেন্ট ৱালটব এফ এনডরসন্না রিকমেণ্ড তৌবিহুনা Jessie smith Noyes Fund গী ফেলোসিপ্ কীদমক্তা ডবখাষ্ট অমা থারমই অমসুং বোষ্টোনগী New England conser-vatory of Music তসু ইশৈ তম্নবা ডবখাষ্ট থাখিরমই। ফন কুইন ঙাইবদসু নোইস ফণ্ডগী ফেলোসিপ্কি চে লাকলমদে। ঙাই-ঙমলক্তুহনা বোসটোন্দা মকংবা থবক অমা হেক্ত তৌবগা ঈশৈ তম-

লুরনি হায়রুনা চৎখিরমই। লাইনা পুবগুম্নহনা ফেলোসিপ্ অহু মঙোন্দা পীরে হায়রুনা অথেংবা পাও অমা লাকলমই। ফেলোসিপতি ফংলে অহুবু মাগী মহুদগী ফংগদবা বৃত্তি অহুদি থাগী ফিস কাওবা য়ানা কোম্লরমই। লৈফম চাফম অমদি অতৈ অতৈগী খরচকী পৈশা অহুদি মশানা তৌজবা তাবমই। ময়ুমদা তৌহোবা মতৌ নিংশিংলুবদা কোরেত্তানা ময়ুমদা শেলগীদমক্ত চিঠি ইবস্নু ঙমলমদ্রে। অমরোমদনা বোসটোন্দা ভিক্ষা কমদোনা চৎকনি? পীদবা য়াদবা শেলফম অহু ইশৈ তমফমদা পীথোকপ্রগা মথুত্তদি ইরেম লেমহোদ্রে। অরৈবা থজিক্তুংনা উহৈ য়াহৈ খর খর চারগা মপূক লাম্ন লাম্না মুমিৎ কয়ানিমুক খাঙল ই। হায়রিবা থবক অসি লৈশাবী মথোৎ কারকপদা ঙাইরিবী, তনৌ ঙনোরিবী অমগীদমক্তদি হকৃমল্লবা থবক্নি। মরুপ মপাং অমগী মতেংগী মানা মবুদ্ধি ফবা ছাত্রদগ শান্দোকপা য়ুম অমা ফংলমই। মফম অহুদা কা মচা অমতং ফংজরম্নি। লৈফমগী ভারা পীনিংঙাই লৈত্রগনা মীগী দানা অমগী মরিশুব মখোল অমদি মহুগী কা খর শেলোকপা য়াওরমই। মহুদগী ফংলকপা শেল অহুনা মাগী লৈনরিবা কাগী ভারা পীখিরমই। মহুদগী লেমহোবা পৈশা খরনা চয়া কাওবদি য়ালবা ফংহোরে। মহাক থংন থংননা মুমিৎ নিনি চাকলেল চারক্তুবনি। মথুত্ত লৈহোরিবা সেন্ট ১৫ অহুনা করি তৌগনি? মহাক্কী দশা অহু মাগা ফমিম্নী অমনা চাওরাক্লা খঙখিবমই। মমাম্নবী অহুনা মঙোন্দা চিঠিখাও অমদা চিঠি অমা হাপলগা পীরকলমই। ময়ুম য়োরগা হাংদোক্তুনা য়েংলুবদা ডোলার ১৫ গী অহনবা নোট য়াওরম্ব। উবদা মথম্মোয় শোক্লা মপূক্লিং মুংশিনা কপচবমই। য়ারবা মতমদা মফম মরাং খঙদনা মতেং খর ফংব অহুদা লম অহুগী প্রজাবু থাৎচখি অমদি ঈশ্বরবু থম্মোয়মুংদা থাগোম্লজখি।

চহী অমা তম্নবা মতুংদদি কোরেত্তাগী ফিভম ফগৎলকলমই। আলাবামা ষ্টেটতগী সরকারগী মতেংস্নু ফংলমই। মরক অসিদা মেইল্ ওরডর হাউস অমদা কেরানীগী থবক অমস্নু ফংলমই। মহাক্লা চপ্,

য়ুংনা হোৎনজবদগী মহাক্কী ইশৈগী লম অদোমদস্থ কন ফগৎলময়ই। তুংগী আশা য়াম্না লৈব য়াবা মী অমা ওইরকলে। মাইকৈ খুদিঙ্‌মক্ক ফগৎলে অদুবু মাগী মপুক্লিংদা করিনো নিংজিং মাংজিংনবা অমদি ইরৈ মরৈরমই। নোংমা মাগী ইশৈ তম্মিন্নবী মমান্নবী অমনা কোরেত্তাদা আটলাণ্টাদগী মিনিষ্টর অমথক্না মাবু অমুক্ত উম্ননিংই হায় হায়দুনা হৌদোকলমই। অদুবু কোরেত্তা মহুদা থোইনা পুক্লিং চঙলুদে। মরমদি মানা থেংনরকপা মিনিষ্টরশিংদি মপুকচেল শেংবা অহল্ ওইরবা অমদি মপুক্‌লেল পীকপা ঙাক্না ওইরমই। মথোয়শিং অদু উম্নরগা মানা থম্মো। য়ুংঙাইথোকপা ঙমগনি অমদি থম্মোয়দা য়ুংশি য়ুংওনগী ঈহুল পুরক্ক‌্না অগোই ইশেগুম য়ুংঙাইহনবা ঙমগনি হায়বসি য়ুকথা থাজবা ঙমদে। অদুবু মেবী পারেল্না হায়মল্লহুনা মাগী ফোন নম্বর খঙথিব য়াগনি হাম্নথিরমই। য়ার্নথিবা মতুংইন্না শগোলশেল য়ুমিৎকি য়ুমিদাং অমনা মথোয ফোন্দা রারী থর শানবহুনা শকখঙ নবে। মথংগী য়ুমিত্ত কিনা নানা ঙনা নচুগা কানা অদু তোংলহুনা কোবেত্তাগী ময়ুমদা লাকলমই। কিংনা চঙ্‌লকপা উবদা কোরেত্তানা কিংবু খজিক্কংদি নেমলপ তাবা মীনি হায়না লৌরমই। ফমিন্নদুনা রারী শানবে। অহানবগী টোপিক্তি কম্যুনিজম অমস্তুং সোসিএলিজম্না ওইরমই। রাপাং চানা চানা মচেক্ মচেক্কগী অনিমক্কী অপাম্বা অদু খঙদোক্নরমই। অনিমক্না অমনা অমগী মশানা মশাবু থাজনবা অমদি নার্ভস লৈনদবা অদু উনরমই। মাগী মাগী অপাম্বা কোংদোক্নরবা তুংদা কিংনা ইথা থাজ-দনা শমজিল্‌লকলমই— "অদুনা ঐনা ঐগী ওইনা থিরকলিবী য়ুপী অসিদি অদোম্‌মক্ থোকলে।" রাকম অদুদা কোরেত্তা য়াম্না মুম্ন খম্বমই। মতম থবদি রা ডাঙ্‌নদনা তুমিন্ তুমিন্ লৈনরমই। মতুংদি মথং মথং তারিখ থা থাদুনা উন্নদুনা কিং অমস্তুং কোরেত্তা থাদোক্নবা ঙম্নরক্রে। অয়াম্বা মতমদা মথোয় অনি কার তোংমিন্নদুনা, সিনেমা অমদি থিয়ে-টরনচিংবদা কন্না চৎমিন্নদুনা মথোয়নিগী য়ুংশি লিপুন্ চেৎশিনহনখি। মমৈদদি কোরেত্তা মশানা হায়রকলে— "অহানবদদি কিংবু উবদা কিবা

পোকলমই, অদুবু মসৈদদি মাবু উরিবা খুদিঙগী মাবু পান্নগী চাং অসি হেনগৎলকলমই।" কিং অমসুং কোরেত্তা অনিগী পুন্সিগী অপাম্ব অদু পঙ্থোকপা অমত্ত ওইরমই। মখোয় অনিমক মপুন্সিদা 'রেস অমসুং হ্যুমেনিটি' দা মখোয় মখোয়গী অওম্ব থৌদাং লৌগে নিংনখি।

মারটিন্‌গা থেংনরবা তুংদা কোরেত্তাদা থম্মোয়সুংগী অমদি মপালগী অরু অরুবা রাহং কয়া মাইয়োক্লবা ভাখিরমই। তশেংনমক মানা মারটিন্‌বু পামলমই। মহাক লোয়নবদসু থোইদোক্ন মুংঙাইবা পোকই। অদুবু মাগী হৌগ্রবা রাথলদদি মিনিষ্টর অমদা মহাক লুহোংলে। হায়বসে সুকখন থল্লক্লে। মহাক্না মঙ্‌লম্বা মঙ্‌দি পৃথিবী অপুম্বা শীন থুনা কোইরুনগা মীপুম খুদিঙ অসি মাগী মখোঙদা লাকপা অহ্নি। মানা মাগী ইশৈগী শৈশক অমদা মীপুম খুদিঙ্‌ পেয়্যহুনা মাবু চাইডমদনা লাঙ্‌তক্লনা চাইবা অদু পামলমই। ইশৈ লোইরকপদা মশক মতৌ চঙখোগ্রবা অভোবা পাথঞশিংনা মথবাক্ত লৈ চবুন চবুন কোক্লহুনা মাবু ওকপা অদু মনিৎ উইশিনবদা ভারনা উবা ফংলমই। অদুম্না মাগী মতম কুইনদগী নিঙশকলিবা মঙ্‌ অদু কিংদা লুহোংলবাদ কায়-খিবা তাই হায়বসি মুম্ন থঙলমই। মরুপ মপাং খুদিঙমক্তসু মাবু কিংদা লুহোংহুনা মাগী তুংগী আশা য়াম্না লৈরিবা কলা অদু মাঙহনগনু হায়না পাওতাক কয়া পীরমই।

অদুবু কোরেত্তানা মথন্ত মথল মথেন থোক্না থল্লুরবা তুংদা মানা কিংবু কয়ামুক মুংশিবা অমদি কিংগীদমক্ত মশাগী ওইজবা পুম্ব থাংদাকপা ঙমলগনি থল্লক্লহুনা কিংদা মহাকসু লুহোংবদা য়ারে হায়হুনা মশাগী আশা ফোংদোকলমই। খৃঃ ১৯১৩ গী জুন তাং ১৮ দা কোরেত্তাগী ময়ুম হৈবরগবদা চৎহুনা লুহোংলুবমই। লুহোংলুরবা তুংদা মখোয় অনিমক বোষ্টোন্দা অমুক হল্লক্লুনা লৈমিন্নরমই। মতম অসিদ কিংদি মাগী পিঃ আইচঃ ডিঃ ডিগ্রিগী হোংনগদবা পুম্বা লোইরহুনা মাগী ছাত্রী ওইরিবী মুপী কোরেত্তাগী চাক থোংবী থাকপীবদা মতেং পাংবিরমক অমদি ইমুং অদু মানা পুবমই। খৃঃ ১৯৫৪ গী জুন থাদা নিউ ইংলণ্ড কনজারভেটরী অফ মুজিকতগী কোরেত্তানা মাগী ষ্টশৈ তমগদবা কোর্স লোইখি।

লুহোংলবা তুংদা

কিংনা মাগী মতম কুইনদগী হৌনা নিংশিংহনা লাক্লবা, মাগী জাতিগী অধিকারগীদমক্ত মহাক্কী লৈজবা অপুম্বা কখোক্লবনি হায়বা ৱাকম অসি মাগী নুপী কোরেত্তাদসু তৎতনা নিংশিংখি। মহাক্না অমুক মাগী জাতিনা শোৎথরিবা অসি মাঙ্‌ থানা চৎমিন্নবা, লৈত লাইর অমদি ফংফম থোকপা ফংত্রিবশিং অহুগীদমক্তা থন্‌বদা মাগী নুংগী ৱাখল পুন্নমক শিজিন্নরি। অহুনা মাগী নুপীদা লম্‌ অদোমদা, মরু ওইনা সমাজগী অচুম্ব হায়বহুগী মরীদা মানা হোৎনরিবা অসিদা মাগীসু অওম্বা মতেং পাংউ হায়বদগী কোরেত্তাসু মহাক্কী ইশৈগী শিনফম্‌ অহু থাদোকখিরমই অমসুং কিংগী থবক থৌরম খুদিঙ্‌দ মাসু অওম্ব মতেং পাংখি।

কিংনা বোষ্টোন্‌ বিশ্ববিদ্যালয়দা দর্শন শাস্ত্র তমখিবা অসি হেক্ত ইচম্‌ চম্ন তম্‌খিবা নত্তে। মাগী নুংগী পান্দমফম্‌ অমা তাল্লকপদা তমখিবনি। মহাক্না পারুবা লাইরিক্‌ অমদি থন্‌খিবা ৱাখলদগী মাগী অপাম্ব অসি 'পারছোনেলিজম্‌' লোমদা চৎখিরমই। কিংনা বোষ্টোন্‌দা ফিলোজোফি অমসুং থিওলোজি অনিমক পুন্না Edgar S. Brightman অমসুং L. Harold Dewolf অনিগী মখাদা চৎথরমই। হায়রিবা ওঝা অনি অসি পারছোনেল্‌ আইডিএলিজম্‌ অমসুং পারছোনেলিজম্‌ হায়বা লম্‌ অশোমদদি ফন নিংথিনা খঙলবা ওঝানি। বোষ্টোন্দতা নত্তনা কিংনা হারবার্ট বিশ্ববিদ্যালয়গী ফিলোজোফি ডিপার্টমেন্টতা অথন্নবা ফিলোজোফিগী মতাং থব অমুক নৈনরমই। ডাক্তর হেরোল ডিৱুল্‌ফ মরু হায়—"ঐগী ইনাক্ত ডাক্তরেট ডিগ্রীগীদমক্ত তম্নবা ছাত্র য়াংথৈগী মনুংদা কিং অকবা মী মওগী মনুং চনখি। তশেংনমক মহাক অসি স্কোলার অমগী চপ্‌ চাবা গুণ অহু চেল্লি।"

কিংনা মাগী দরকার লৈবা পোং খুদিঙমক খোমজিনবা লোইরবা তুংদা মাগী থেসিসকী দমক্ত বিষয় অমা খল্লমই। মাগী থেসিসকী বিষয়দি—"A comparison of the conception of God in

the thingking of Paul Tillick and Henry Nelson Wiemen." অসিনি। কিংগী রাখলদদি টিল্লিক্ অমসুং ৱিমেন্ অনিমক্কী ৱাখল অনিমক য়ানিংলমদে। টিল্লিকী মত্তদি ঈশ্বর হায়বসি 'ট্রান্‌সিডেন্ট' হায়বদি পোংকী মপান্দা লৈ হায়। অদুগা ৱিমেন্‌গী মত্তদি ঈশ্বর হায়বসি মফম খুদিঙ্দা অমদি পোৎ খুদিঙ্দা লৈ হায়। মহাক্কী থেসিস অসু খৃঃ ১৯৫৫ দা লোইশিল্লমই। থেসিস অসু টাইপ্ তৌবা চেনা ৩৪৩ পাল্লমই। মসি ইনবগী ৱাখল তৌরকপ অমদি ইরকপদা কিং বাবহার হায়বসু মশক খঙ্থি; অমদি ৱাখলশিংবু পরিং চানা শেমজন্ শাজিনবগী পারা অমা ফংখি। মমৈদা মানা মাগী থেসিস অসু লোইশিল্লগা থবক থিখি। ডেক্সটর এভেন্যু ব্যেপ্‌টিষ্ট চর্চ অমসুং অতোপ্পা অচৌবা বিশ্ববিদ্যালয় অমগনা পাসটর ওইবিয়ু হায়জরমই। অতোপ্পা কলেজ অমনা সুপ্রভগী ডিন্ ওইবিসুনা এডমিনিষ্ট্রেশন্ খক্তমক পুবিয়ু হায়জরমই। অতৈ কলেজ অসুম অমনসু ওঝা ওইনা পুবিয়ু হায়জনমই। মাইকৈ খুদিঙ্মক্তগী কিংদা থবক তৌবীয়ু হাংজনা হায়জবা কয়া লৈতুনসু কিংনা ডেক্সটরদগী ফংবা য়াবা খুদোংচাবা খবগীদমক্ত ডেক্সটরদা লৈগে লেপ্পমই। মহাক্না পাম্বদি মাগী মহা ওইরিবৈদগী পামজরক্কবা বেঞ্জামিন্-ই-মিজগী মতৌঙ্গা ওঝাসু ওইবা, মিনিষ্টরসু ওইবা অমদি প্রোফেটসু অসুম মওইবা অসুনি। মানা অহান্ববমক্তদা পাসটর অমা ওইবগা মাগী অপান্বশিং ভক্ত ফংমনবা লোৎনরকখি। মহাক্কী অপান্বশিং অমদি মানা চথগে নিংলিবা পুন্নমক মাগী সুপীগী য়ানিং য়ানিংদবসু অমুক লৌবমই। মানা চথরিবা থবক খুদিঙ্মক কোবেত্তাগী মত মতুং ইল্লমই।

খৃঃ ১৯৫৪ দা মোন্টগোমরীদা অঙৌবা জাতিগী মীশিং ৮০,০০০ লৈরমই, অমুবনা ৫০,০০০ লৈবমই। অদুবু অঙৌবা কাণ্ডবুগী আইনদা অমুবশিংবু মীনি হায়না উরমদে। মখোয়বু শাৱপোৎকুম থক্লমই অমদি প্রজা অমগুম থম্বীদে। অদুত নত্তনা সিটিজন্‌গী অধিকারবসু ফংহল্লমদে। অমুব কাণ্ডবু অসিবু চহী চা কয়া ওৎপি নৈবীসুনা লাকলমনি। মতম

অদুদা চেনবা সিটিবসকী ড্রাইভরশিংনা অমুবশিংবু থিন থিন তৌবিরমই। মোণ্টগোমরী সিটি লাইন্স কোবা অন্নাংথংবা মোণ্টগোমরীদা লৈবা কোম্পেনি অমনা অমুবশিং অসিদা থোইদোক্ন থিন থিন তৌবিরমই। কোম্পেনি অসিগী চহীদা ফংলিবা শেলফমগী চামদা হুমফুতরাদি অমুবশিংদগীনি। অদুমকপু মদুদা থোইদোকপা ঋাথল অমত্ত থম্নরমদে। খা-থংবা থর চাওখংপা মক্মদদি গাড়ীগী মমাংথংব কমকমদগী মনিংলোমদা অসুম অসুম অভৌবনা কমথিবা, অমুবনা মনিংথংবা কমকমলোমদগী মমাংলোমদা অসুম অসুম কমগৎপদু অহান্ অহানবা কম্নবা য়ানরমই। অদুবু মোণ্টগোমরীদদি গাড়ীগী খ্বাইগী মমাংগী পরেং মরিদি অচৌবশিংগীদমক্ত থাক্তবা সুপয়া য়ারমদে। মদুনসু লোইত্রি, মমাংগী পরেং মবী অদুনসু কবিগুম্বা কোন্নবক্তবদি অভৌবশিংগীদমক্তদি অমুবশিংনা ফমলব অদু তানথোকলগা অভৌবশিংদা পীহন্নবগী সিটিবস ড্রাইভরশিংদা শক্তি অমমম্ পীবমই। ড্রাইভরশিং অদুনা সিটিবস তোংলিবা অমুবাশিংদা নিগব, ব্লেক্ এপ্ (অচোবা য়োমু) নত্রগা ব্লেক কাউজ (অমুবা ষনবী) হায়না মখোয়গী মচিন্দা লাকপা চিন্ফা পুরষা য়াহৈশিং অসিনা তত্তনা চৈবিরমই। অসিদসু নত্তনা অমুবশিংনা সিটিবস তোংগে হায়রবদি গাড়ী অদুগী খ্বাইগী মমাংগী থোঙ্ অদুদা কাখৎলগা ভারা হায় পীহল্লগা অমুক কুমথহল্লগা মতুংগী থোঙদগী কাখৎতুনা তোংগদবনি। মতম অদুদা নিগ্রোশিংনা, অভৌবশিংনা মখোয়বু কবম্না তৌবিবগে হায়বা থঙ্গে হায়রবদি মোণ্টগোমরীদা সিটিবস অমুক্তংদং তোংবদা য়ামনা লায়না থঙবা ঙমলমই।

ডেক্সটর এভেন্যু বেপটিষ্ট চর্চ্চতা মারটিন্ লুথরনা পাসটর ওইত্রিনৈদা হান্নবা পাসটর ওইরম্বা 'ভরনম্ জোন্স' অমদি ই-ডি-নিক্সন্ অনিনা মখোয়দা অভৌবশিংনা চৈথিবা অমদি চংলিবা মচৎ অসিগী মাইয়োক্ত কবিগুম্বা প্রতিবাদ সভা অমা ফমলগা মদুনা লোখৎপা য়াবা থবক থর লোখৎসি হায়দুনা হোৎদোকলমই। অদুবু মতম অদুগী নিগ্রোশিং য়াংথৈ অদুনা থবক ওইনা পাঙথোকপা ইঙম ঙমলমদে।

অঙৌবশিংগী মাইয়োক্তা চৎথত্রা হায়ববু অমুবা লুচিংবশিংগী মরক্তা অমগা অমগা থৎনরগা তোকপনা নমলমই। অতুমকপু খৃঃ ১৯৫৪ গী সেপটেম্বর থাদ মারটিন্ লুথর কিং জুনিয়রনা চর্চ্চ অসিগী পাসটর ওইখিবদগীদি চর্চ্চ অদুগী মওং মতৌ হোংখিরমই। মহুগী মমাংদা চর্চ্চকী প্রোগ্রাম অসি মওং অমা হোংলুরবনি। মফম অদুদা চাং নাইনা চান্দা খায়গৎনহুনা ফণ্ড থম্বগী রাখল লৈরুদ্রে। অদুবু কিংনা চঙ্ব-দগীদি চর্চ্চ অদু মওং অমা তারে। চাং নাইনা শেল্ পুথৎনহুনা ফণ্ড থমলে। মীপুম খুদিঙমক মেম্বর ওইহল্লে। তশেংনমক মহাক্না চর্চ্চ অসিদা সমাজগী ফত্তবা শেংদোককুবা রাখল অমগা লোয়ননা চঙলক-লমই। চর্চ্চ মন্নুং অসিদা সোসিয়েল্ অমদি পোলিটিকেল্ এক্সন্ কমিটি কয়া লিংখত্তুনা মেমবরসিপ্ খোমলমই। মহুদা মেম্বর ওইবা মীপুম খুদিঙমক ভোটর ওইহল্লমই; অদুগা NAACP কী মেম্বরশু ওই-হল্লমই। মহাক্না সমাজগী অচুম অরানগী সমস্যা কয়াদা পুক্নিং লুপ-লবশু রেসিএল সমস্যাদনা অমুক হেন্ন থৱায় লুপলমই। মহাক মশামক অচৌ অচৌবা সংস্থান কয়াদ মিং চল্লমই অমসুং মকোক থোংবা থবক পুবমই। 'ইন্টর রেসিএল আলাবামা কাউন্সিল্ ওন্ হ্যুমেন্ রিলেসন্স' হায়বা সংস্থান অদুগী ভাইস প্রেসিডেন্টসু মানা ওইরমই অমসুং চর্চ্চতা মসিগী মিটিং য়াম্না তোইন তোইন তৌরমই।

সংস্থান কয়াদ থৱায় লুপ্তুনসু কিংনা মাগী নোংমগী তৌগদবা মথৌদি কাওরমদে। অয়ুক্ত পুং কয়া ইরমই অমসুং মুনিদাংদা পুং কয়া পারমই। অশুম্না হোৎনবনা খৃঃ ১৯৫৫ গী জুনগী তাং ৫ দা পিঃ এইচ, ডি ডিগ্রী ফংলমই। হায়রিবা চহী অসিদা কিংনা, ডাঙবদা অমদি ধর্ম্ম শন্দোকপদা নিংথিবা মিংচৎ তানশিল্লমই।

খৃঃ ১৯৫৫ গী মে থাগী তাং ৩১ দা সুপ্রিম কোর্টনা স্কুল ডি-শেগ্রিগেশন্গী ওরডর অমা থোকলকপগা লোয়ননা অঙৌবা কাঙবু লাঙবা হৌরকলে। হৱাইট্ সিটিজেন্স কাউন্সিল্ অসি খা থংবা আমেরিকাদা মথেল্ লাংলকলে। ওরডর অদুনা অঙৌবা কাঙবুবু

লৈত্তাহল্লমদ্রে। মহুগী ফলনা অঙোবশিংনা অমুবশিংবু কোপ্তিক্ চাই-শিন্দুনা হিংনা হিংনা মৈ থাবা হৌরকলে। মসিদ নত্তনা তমথি তমথিরবা লিচৎ চৎপা হৌরকলে। মসিনা মরম ওইদুনা চহী অসিমক্কি আগষ্টকী তাং ২৮ দা চিকাগোদগী চহী ১৪ দা ডাইজরিবা ইম্মেট টিল্ কৌবা অঙাং অমা মিসিসিপিদা লৈবা মোনি কৌবা মফমদা কালেন্ ছুটী লেনবা লাকুচবদা অঙোবা ময়াম্না ফাহুনা বিচার তৌরগা দণ্ডি তৌরম্মী ১মুং ফাইন্নচিংবা তৌবিরমই। মসিগী ফলম্না নিগ্রো খুদিঙ্-মক্কী থম্মোয়দা শাথিনা অশোকপা ওইখিরমই। কিংন্ন মথা চিক্কুনা মতম চাগ্রি হায়দুনা থাঙলমই। মত তিন্নদবা কয়া লৈবদগী নিগ্রো লুচিংবশিংগী মরক্ত মকায় মকায় তৌনরকলমই।

মরক্ অসিদা NAACP কী প্রেসিডেন্ট অসি ডাঃ কিংবু ওইবিন্নু হায়দুনা মাইকৈ খুদিঙ্দগী তকশিন্নকৃথি। মহাকন্নু ওইগে থল্লমই, অদুবু' কিংগী মুপী কোরেত্তান্দি মহু পামলমদে। মতাং অদুমক্তদা NAACP কী প্রেসিডেন্ট ওইবমক্তি হাকমনবা থোক্নি হায়দুনা কোরেত্তানা থামদুনা ওইহৌদ্রে। তশেংবন্নু কিংনা কোম্বংদা কোরেত্তানা থামবা অদু চুমই হায়বসি থগুলকথি।

লৈবাক্কী সেবাদা

কিংনা মাগী চর্চকী থবক অদুদা য়াম্না মুংঙাইবা ফংলমই। পাসটর অমা ওইনা অয়ুক্ত দর্শন শাস্ত্র থর পাবা, অনাবশিংগী মনাক্ত কোয়বা, লুহোং-কৈহোংবা য়াওরুবা, লাইমিং লৌবা অমদি মীশি মীনাগী দমক্ত মোংকম্দা লাইশোল শোলবীবা অসিত্তনি। মসিদ তৌন-তৌন মঙোন্দা অরুবা তাংকম কয়া লাকলমই।

নোংমা ডিসেম্বরগী তাং ১ শগোলশেল্ মুমিংনি। কিংন্ন অয়ুক্ ঙম হৌগৎত্তুনা মাগী তৌফম্থোক্পা লাইরিক ঙাইহাক পারগা চরা

রাল্লমই। চখা রাল্লবা তুংদা মেয়র W. A. Gayle গী মনাক্ত চংখিরমই। হায়বিবা অয়ুক অসিদা নিগ্রো লৈশাবী, ফুরিৎ তুবি, বোজা পার্ক কৌবী অমনা লম্বীদা গাড়ী অমা ফারগা মাগী ফুরিং তুভম্ ফেয়াব ডিপার্টমেণ্টল্ ষ্টোরবোমদা তোংহুনা চৎলমই। মহাক্কী মথৌ লোইরবদা মুমিদাং রাইশম্ থোক্কলমই। ডাউন্-টাউন্গী ষ্টোরশিং অহুনা ভস্তানা থিংগ্রবদা অঙৌবা অমসুং অমুবা মীশিংনা ষ্ট্রিট অদু চক্করমই। খৃষ্টমাস নক্লকপনা মরম ওইহুনা মীশি হু মথৌ ইচিন চিন্নবমই। মতম অসিদা মোণ্টগোমরী সিটি লাইন্গী বস অমা এমপাইয়ার থিয়েটরগী মমাংদা খাম্লমই। ঙাইহাক্তং থাবদা বস অদু মীনা পিক্ থল্লমই। বস মনুং অহুদা নিগ্রো ২৪ য়াওরমই। অঙৌবশিংগী হেক মতুংদা রোজা পার্ক তোংলমই। মী ফুল ওইরবফাওবা বস খাম্হুনা লৈবা অহুদা অঙৌবা মী তকক থক্ নৌনা কাখৎলকলমই। মহু উবদা ড্রাইভর অহুনা হোগহুনা অমুবা ভাতিশিং অদুবু তান্থোক্তুনা অঙৌবা তকক অহুগী ফমফম পীননবা তোংনামই। অমুবা অহুম অমদি ড্রাইভর অহুনা তান্থোক্পা অহুদা অহুম য়াহুনা হৌগৎখিরমই। অহুব রোজা পার্কি য়ারমদে, ফমফমদা 'চুম্মক ফমহুনা লৈথোকলমই। ড্রাইভর অহুনা হন্ন হন্ন হৌগংনবা হায়রবদ' রোজা পার্ক হৌগংলু য়ারমদে। খুদক্ অহুদা ড্রাইভর অহুনা সিটি পুলিস অমা কৌরগা রাক্ষম অহু থংহল্লমই। পুলিসশিং অহু লাকলগা সেগ্রিগেশন্ ওর্ডিনেন্সকী আইনবু শীংনৈ হায়হুনা ফারমই। পাও তদি ঙাইহাক্কী মনুংদা মাইকৈ খুদিঙ্ শীন্-খিরমই। মসিনা মরম ওইহুনা মোণ্টগোমরিদা নিগ্রোশিনা নোংমতগী ওইনা বস বোইকোট তৌসি হায়না লেপ্পরমই। অদুবু অঙকপদি নোংমত নহুনা মুমিং ৩৮২ নি নিগ্রো অমওনা সিটি বস তো খিরম্দে। মুমিৎ ৩৮২ নি বস বোইকোট মাইপাকপা অহুদগী ডাঃ কিংগী নপুক্চেল ওনখিরমই। নিগ্রোশিদ নহুনা আমেরিকাগী মীপুম খুদিঙ্গী থম্মোয় হোংখিরমই।

অসুম্ তৌনা মোণ্টগোমরীনা মরম ওইহুনা আমেরিকাদা যুগ অমা লোইশিল্লকলমই। অরিবনা লোইশিল্লকপা অনৌবা অমা লাক্কদবা

মরক অসিদা মীপুম খুদিঙমক কদোমদা চৎকদগে হায়রসিদা খন্নরবদা পুম্নমক ময়রমই। ডাঃ কিংস্, করম্বা লম্বীদা চৎকদগে হায়রসি অনম্বদা নৈরমই। অদুবু অমরু ওইরবস্ অমরু ওইরবস্ অঙৌবদা অমুবনা নোংমকপা অমদি গাড়ী তোংবদা ফমফমগী লৈনরম্বা চৎনবী অদুদি মথং মথং হোংলকলমই। অদুনা ডাঃ কিংনা হায়খি—"বোজা পার্কপু মতম অদুগী নিগ্রোশি গী চাকথেল্লবা আম্বাশিং অদুনা থিরকপনি।" বোজা পার্ক মশামক্কা হায়খি—"কন্দিগীদমক্ত ঐ অঙৌবা ড্রাইভরন চংথোকউ হায়বদা যাখিদ্রিবনো খঙদে। ঐ অতম্মনা মচু তোগে হায়না খন্দনা বস তোংলুবস্ নঙে। ঐনা হৌগৎখিদবদি চোকথং মনখিবদগী লৈবনি, মবমদি ঐগী খোঙ অদু পোৎ লৈবা চঙবদা শোকখিরমই।" মহাক্না মরম ওইদুনা বস বোইকোট অদু অমুবশিংনা চপমান্নবা হৌরকখিবদি মরম অনিনি—অহানবনা, খোঙগী অনাবদগী, অনিশুবনা মতম কুইনা ওমদুনা লৈববা থম্মোয়গী লায়নাদগী। লায়না অনি অসিগী মরক্ত লৈশ্রে অমুবশিংগী পুন্সিগী রাফম। মসিগী মনাদা অবা অনা অমদি লায়না কয়া লৈশ্রে অদুবু মচুনদি খাথংবা শরুক যৌবা যাবমদে, পোকখায়রকপা বোমা অদু খাথংবা মোণ্টগো মরা যৌবা যাবনদে। নিগ্রোশিংগী যান্না দরকার ওইবা পোৎশক খর লৈরমই—মখোয়গী অকি অখবু নমহৎনবা শক্তি পুথোকপা তৌবা থরক; অনিশুবনা, মখোয়গী মখুত্ত পাযমনবা খুৎলাই, অহুমশুবনা, খুংলাই অদুবু অচুম্ব লমীদা শিজিন্নদুনা অচুম্বা লম্বী তাকপীগদবা মীওই অমা। মসিনি নিগ্রোশিংনা যান্না খোংনা ঙাইনরম্বা। অদুবু হায়রিবা দরকার লৈরবা পোৎচংশিং অসি মোণ্টগে মরীনা পুথোকলমই। মখোয়না মখোয়বু লমজিংবীনবা মী পুথোকনে - 'ডাক্তর মার্টিন লুথর কিং জুনিয়র', খুংলাই সংলে—'অহিংসা'। মোণ্টগো-মরীদা ডাঃ কিংনা লিডরসিপ থিবদে। লিডরসিপনা মাবু থিরকপনি। মহাক্না অহিংসাবু খুৎলাই ওইগে হোৎনবদে অহিংসানা কিংবু থিরকপনি হায়রৈ। অহিংসানা মাবু থিবগা শিংশিং খুন্দবা যাদে হায়দুনা তান্নরকপনি।

কিংনা মাগী মতিক মগুণনা মতম অহুগী নিপা দুপীশিংবু মাগী মাগী লৈজবী মতীং থৃদিঙমক ভান চানা চানা প্রজাগীদমক্ত অমদি লৈবাকী-দমক্ত শিজিন্নবা হায়জরমই।

হৌজ-কয়া অমুবা জাতিগী লুচিংবা মকোকশিংগী মবক্তা লৈরক্লবা টেক্নীকেল প্রোব্লেম অদুবু কোকহনবিখিবা মীশকশিংগী মকোক্তি ডাঃ কিংনা ওইরমই। মীশিং য়াম্বদা নত্তনা শক্তিসু পায়রবা কাঙবু অমগী মরক্তা মশিংসু য়ামজত্রবা মপাঙ্গলসু শোল্লবা নিগ্রোশিংনা কয়ম্না মাইয়োক্লবা লালকমদা লাম্বা তৌগনি। মতম অহুদা নিগ্রো-শিংনা লম্বীদা লমজাওদা অপাম্বা অহু লাওহুনা চৎপ তারবদি মথোয় মশানা মশাগী মোংকম শেমজবা ওইনা থোকলমই।

অহুম অহুম ওইনমক হুংশিবা, ঙাকপিবা অমদি সত্যাগ্রহ হায়বা খুৎলাই অহুম অসিদা য়ুমকম ওইরগা কিং অমসুং মাগী কাঙবুশিংনা 'নেসনেল রেসিসটেন্স মুভমেন্ত' শেমগৎহুম্না টেক্নীকেল প্রোব্লেমশিং কোকহন্নবা হোৎনরকই। শগোলশেল হুমিত্তা রোজা পার্ক কাপ্লবদা E D. NIXON কৌবা নিপা অমনা কয় হোৎ-নহুনা রোজা পার্ককিদমক্ত করিগুম্ব থর তৌসি হায়হুনা নিগ্রোশিংগী পূক্লিং চিংশিন্নবা হোৎনরমই। মহুদা থরায় হেন্ন য়াওশিনবা কাঙবুনা রোজা পার্ককিদমক্ত করি তৌসিগে হায়হুনা পাসটর অম্না ওইনা ডাঃ কিংদা তান্নখি। নিম্নম্না রোজাবু বেলদা লৌথোক্লবা কয় নৈমরগা নেগ্রোশিংগী রিঙমন্দ পোলিটিকেল কাউন্সিল, নিগ্রো প্রোফেসনেল্স, নিগ্রোশিংগী ধর্ম্মগী পাওজাক পীবশিং অমদি ডাঃ কিং অমসুং Rev. Ralph D. Abernathy (অহানবা বেপটিস্ত চর্চকী মী) নচিংবা কয়াগা ফোন্দা কুপ্না য়াবী তৌনরবা তুংদা মথোয়না য়েৎনবা লৈতনা নোংমগী বস বোইকোট তৌবা লেপ্লখিরমই। লেপ্নরবা তুংদা মথোয়না মীয়াম খঙননবা লিফলেট কয়া চাইরমই। লিফলেট অদুদা ইরি—"ডিসেম্বর তাং ৫ নিংথৌকাবা মুমিৎ অসিদা কনাগুম্বা নিগ্রো অমত্তনা সবকাবগী বস তোংবীগনু। থবক শুবা,

স্কুল কাবা, টাউন্দা চৎথোক্ চৎশিন পুম্নমক বস শিজিন্নবিগনু …… নিগ্রো মুপী অমবুস্থু হন্দক্ত মহাক্কী বস ক্ষমক্ষম থাদোকউ য়াদবদগী ফাহনা জেল পীথবে। মবম অহুনা ডিসেম্বরগী তাং ৫গী মুমিদাং পুং ৭ তাবা মতমদা Holt Street Baptish Church তা মবী লৈনবা য়াক্ষম থর থম্নবগীদমক্ত মিটিং অমুক চৎথগনি। হায়বিবা মিটিং অসিদা য়াওবিয়ো …… ।

লেপ্পখিবা মুমিৎ অহুগী অয়ুক অডনবনি। কিং অমসুং কোবেত্তা মুংতিগীগুম য়াম্না গুম্ন হোগংলমই। মখোয় অনিমক মুমিৎ অহুগী গাড়ী লাকপা পুক্লিং চডনা য়েংলি। ঙাইহাক য়েংলম্মগা কিং ইমুংদা চঙথিরমই। মহাক্ক হেক চঙখিবগা মুংতিগীগুম্না মখোয়গী মযুম্নমদগী থঙ্গ্জক্তুং চংলগা লৈবা বস লেপক্ষম অহুদা বস অমা থামলয়ে। কোরেত্তানা য়াম্না পুক্লিং চংনা মীহুল তিং তিং চোংনা বস অহুদা মুম্না যেংহনা লৈরমই। ঙাইহাক য়েংলগা কোবেত্তানা চাকশংলোমদা গুন-শিন্দুনা কিংবু কৌরমই। কিংনা থোবকপদা উবে মখোয়গী মমাংদা থামশিবা কমলা মচুগী চাউববা বস অহু মী কনা অমত্তনা তোংবিদ্রে। অহানবদদি কিংনা মাগী মমিৎ অনি অহুবুস্থু থাজকদ্রে। মথম্মোয়দা মপুন্সিগী অহানবা অকবা থবক অমা মাইপাকপগী গুংডাইবনা থূমহৎখ্রে। অহুবু মাগী থম্মোয়নুংগী ঈথিল অহু যাম্না তপনা ফাথবমই। মখোয় অনিমক মথংগী অনিস্থুবা বস ঙাইরমই। অনিশুবা বস অহুদস্থু মী অমত্ত তোংবিদ্রে, চংখ্রে। অহুমশুবা বস লাকলে, মহুস্থু তো বিদ্রে। মহু উবদা মাই পাকলে হায়বা খঙলদুনা কিংনা মাগী কাবদা চোং-শিনখিরমই অমসুং সহব শীনবা থুংনা কোইনা কোইনা থৌহনা অহাংবা বসশিংদা মিংশেল থোংশিং অহু য়ে দুনা চৎলমই। মথন্ত থঞ্জে ওম্মোকপা মিত্রংগুম্বা থবক অমা থোকখ্রে। মুমিৎ অহু নিগ্রোশিংনা স্কুল কাথোক কাশিন অমদি আফিস নত্রগা ফেক্তবিদা চৎপা মী পুম্নমক মখোয়না চৎপন চৎপ তৌবমই। সরকারগী সিটি বস অমত্তদা মিৎচিন ফাওবা য়েংনবমদে। শীল লাংলিবা কাঙবুনা থল্লহনা চামগী মম্নুংদা হুমফুতনা শরুক য়াবিবদা মাইপাকলে অসিনি।

মতম অমদা মোন্টগোমরীদা সমাজদা মিত্রংগুম্বা অঙকপা অমা থোকপা হায়বসি য়াম্না তাডনা থোকলমই। অদুবু মদু থোকলরে। পার্ক, সহরগী শেগ্রিগেশন্ কোড ইন্দে হায়দুনা ডোলার ১০ ফাইন্ তৌগ্রে। কিং অমসুং অতোপ্পা লুচিংবা কয়ানা সমাজদা করম হায়না তৌরগা মথল মথলগী মিরেকল্ পুথোকপা য়াগদগে হায়বা থম্মবা হৌরকলে। মুমিদাং পুং ৭ তদি হায়নথিবা মতুংইন্না Baptist Church তা মিটিন লৈগ্রে। অদুনা লুচিংবশিংনা অতোপ্পা মীটিন অমা মুংথিল পুং ৩ তাবদা Mount Zion AME Church তা ফমগ্রে। মিটিন অদুদা বস বোইকোট অদু কোম্পেনি অদুনা মীয়াম্না হায়বা করিগুম্বা অকরুবা য়াফম অমা য়ানব্রিকাওবদি চৎথখিসি হায়না লেপ্পরে। মিটিন অদুদা Montgomery Improvement Assn. কৌবা ওরগেনাইজেসন্ অমা শেমলমই। ডাঃ কিংবুনা মোৎ অমত্ত ওইনা এশোসিএশন অদুগী প্রেসিডেন্ট খল্লমই। তিল্লিবা লুচিংবশিং অদুগী মনুংদা কনা অমত্তনসু মশা মশাবু তুংদা করি থোক্লগদগে খঙ ত্রিবা অনৌবা খোঙথাং অদুগী লুচিংবনি হায়বসি সমাজদা ফোংনা চোংথোককে ঙম্নবমদে। মরম অসিদগী তুংদ থোক্লগদবা অৱাবা থুদিঙমক থেংনগে হায়বা মুংগী ঈংহৌ অমা লাকপদগী কিংনা প্রেসিডেন্ট ওইখিবনি। তৌবসু কিংদি মমাংতৈদ কাড লুপ অমগী নত্রগা অমগী লুচিংবশিংগী মরক্ত য়াওরুব্রি। মতম অদুদদি লুচিংবশিংগী মরক্ত মচোয় মচোয় তানবগী মুংশিৎ অম কম্না শিৎলমই। অদুনা মাইকৈ অমত্তদা য়াওকত্রিবা কিংদা প্রেসিডেন্টকী ফম পীখিবদা য়ানিংদবা অমত্ত য়াওখিদে। মিটিন্ অশোমদা নৈনবিঙৈদো মুমিদাংগী পুং ৬-৩০ তাশিনখ্রে। তেল্লবা মিনিট থরদং অসিদা কিংনা মুমিদাংগী পুং ৭ তাবদা তিনগদৌরিবা মিটিন অদুদা ঙাঙনবা য়াবেল থরদং থম্মনবা তাঞ্জা ফংলমই।

মুমিদাংগী পুং ৭ তাবকপগা লোয়ন লোয়নবা মিটিন তৌফম চর্চ অদু মীনা কুক কুক ইন্নগ্রে। মী লিশিং অদুম মরিনা মপান্দা মিটিনগী য়ারেপ মাইকতা লাওথোরকপা ঙাইনরি। তিল্লিবা মিটিন অদুদসু বস বোইকোট অদু মখোয়গী ডিমান্দ খুৱ য়ারক্তি ফাওবা চৎথখিসি হায়না

লেপ্লরে। মখোয়গী ডিমান্দশিং অদু য়াম্না মেংনা থোৎলমই। অহানবা ডিমান্দনা, নিগ্রোশিংনা মতুংদা ফম্বা অদুগা অশৌবশিংনা মমাংদা ফম্বগী নিয়ম অদু অদুমক লেংদনা লৈজরবসু অহান অহানবা ফম্ব য়াব নিয়ম্ অমগী মথাদা লৈহনবা; অনিশুবনা নিগ্রোশিংদা হম্বা মিৎয়েংনা য়েংবিদনা মী অমনা মী অমদা চৎনবা ব্যবহারনা অশৌবশিংনা অমুকদা চৎপিবা; অদুমশুব অমম্লুং অরোইব ডিমাণ্ডমা নিগ্রো ড্রাইভরশিংবু নিগ্রোশিংনা নম্ন লৈবা লমশিংদা থোৎহনবিবা অসিনি। মীয়ামগী ডিমাণ্ড অমম্লুং মখোয়গী য়ায়েপ অদু লৌববা তুংদা ক্বিংবু সভাদা শক তাকলম্‌ই। হেক লোইবগা কিংনা সভাদা য়া ওাংলমই। অহানবা মক্তদা কিংনা মখুত্ত য়েংনবা চেজেৎ অমত্ত ফাওবা পায়দনা মোন্টগোমরীদা চেনবা লাইন্ বস ড্রাইভরশিংনা অমুবশিংদা চৈখিবা মীচৈ, ওৎখিবা মওং অদুগী তারিখ শোয়নদনা মথং মথং য়ারী লীম্নমই। মথংদা, মানা মীয়ামনা করি তৌব তাবা অমম্লুং মখোয়গী অনিংবা অমম্লুং অপাম্ব কবিনো হায়বদু নৈনবমই। মুমিৎ অদুদা মহাক্লা হায়রমই— "মথংদা ঐখোয়না চৎথগদবা অমদি ঐখোয় খুদিঙ্মা থঙ্গদবদি হায়জদুনা অমদি থেমজদুনা য়েংবা হায়বসিনি। ঐখোয়গীদি তৌদবা য়াদবা দণ্ডি বলৎকার হায়বদু শিজিন্নখোইদবনি। ঐখোয় ঐখোয়গী অম্লান্না ঐখোয়গী লমজিং ওইগদবনি।" মহাক্লা অমুকন্সু 'মুংশিবা' হায়বসিগী মথল মথেলগী ওইবা শক্তি অদু পল্লদুনা হায়খি—"মুংশিবা হায়বসিনা ঐখোয়গী শেমগৎলকলিবা ফিদম ওইগদবনি। যুগ খুদিঙ্দা মুংতনা ওংদুনা লৈববা ফিশুগী য়াহৈ - 'য়েক্লববু মুংশিয়ু, নঙবু শাপ তৌরিবা মী অদুবু যম্ন পীয়ু; নঙবু য়াম্না তুকচনা থল্লিবা মী অদুগী দমক্ত ঈশ্বরদা প্রার্থনা তৌবিয়ু' হায়বা পাওতাক অদু কাওরোইদবনি। ঈশ্বরগী পাওতাক অসিবু কাউথোক্লবদি ঐখোয়না সমাজদা থাঙ্গৎলিবা য়াকৎ অসি ইতিহাসকী রঙ্গমঞ্চদা আর্থ লৈজবা ড্রামা অমা ওইহৌরনি। অদুগা মদুগী নিংশিং য়াথল অদুদি ইকায়বগী শাথিনা মোৎলবা ফিজোলনা কুপ্তুনা লৈংহৌরগনি। ঐখোয়দা চৎলকখিবা তমথিবা মচং

অদুগীদমক্ক ঐখোয়নসু অঙৌবশিংবু হু তবেৎ খানা চথরোইদবনি। থোইনহুম অঙৌবা ইচিল ইনাওশিংবু তুক্কচবা অহু তোক্লনবা হোৎনগদবনি। করিগুম্বা নখোয়না নথৌনা লৈন, নংিক নগুণ লৈন অমদি খৃষ্টান্গী মনুংশিগা কোন্ননা নখোয়গী রাকৎ অহু থাঙ্গৎলবদি ভুংদা লাক্কদবা ইতিহাস লেংবা কাঙবুনা নখোয়গী মতাং অসি হেক য়ৌরকপদা ঙাইহাক্কুংদ ওইরবসু মখুংকি কলম লেপলমগনি, অমসুং হায়রমগনি— 'মতম অমদা সভ্যতাগী শিংলিদা অনৌবা রাখল অমসুং মদুগী মতিক মগুণবু কাপশিনবা ঙম্বা অমুব অচৌবা জাতি অমা পৃথিবী অসিদা লৈরমবোইরে। মসিনি ঐখোয়গী অশীংনবা অমদি তৌদবা য়াত্রবা থোইদোকপা ইথৌ হায়ববু।" মাগী অসিগুম্ব অশাংবা ফজরবা রাফম অসিদা মরক থৎন থৎন ভাবুক্না খুৎকপা খুবাক্কী মখোলনা চর্চ্চকী কা অহু পোকথাইগদৌরমই।

অসুম্না কিংনা লুচিংহুনা অনৌবা ফজ ফজবা মওং কয়া হোংহুনা অনৌ অনৌবা কয়া পুথোক্কুনা নিগ্রোশিংগী মওং অমা তাননবা হোৎনরমই। মহাক মথস্তগী মবুক্কি মবৌশিংঙনা ঙমলক্কহুনা হৈশিংলবা চহী ৪০ গী মথক্কী মিনিষ্টব কয়াগী পাওতাক লৌরমই। মানা চৎথরকপা থবক্ক মাগী মতেং য়াম্না ওইখিবদি Ralph D. Abernathy নি। মখোয় অনি অসিদ নত্তনা বোইকোট ডিরেক্টরেট অসিদা য়াওবা মরুওইবা মীশকশিংদি এশোসিএসনগী শেল পায়রিবা E.D. NIXON অমসুং নহা ওইরিবা এটোরনি FRED-D. GRAY নি। মথং মথং ওইনা কিং লুচিংবশিংগী মকোক থোংবদা নত্তনা রাঙাং হৈবা মীওই অমা ওইনা, ফিদম্নফম অমা ওইনা, মম্নাইলেপ্প অমদি আরবিট্রেটর অমা ওইনা থ্বাইনা শক থঙনবকলে। মোন্টগোমরী ইম্প্রুভমেন্ট এসোসিএসন্ অহু চয়োল অমদা মিটিং অনিরক যমগৎলকলে, লোয়ন লোয়ননা ফগুসু য়াম্না লৈখৎলকলে। থাপ্প থাপ্পবা পৃথিবীগী মফম এশিয়া অমদি ইউরোপ মহাদেশক্কী শেলগী ংতেংবাং য়ৌরক্কলে। এশোসিএসন্না নিগ্রোশিংনা চৎথোক চৎশিন তৌনবা গাড়ী শেজরে।

প্রজাশিংবু অকা অকুম থিন্দোক থিজিন্ তৌরে। সরকারগী সিটিবস অমত্ত শিন্দিন্নহনদ্রে। মসুম তৌবা অসিদা এশোসিএসন্গী ফণ্ডদগী চহীদা ডোলার ২২৫,০০০ রোম খরচ তৌখি। মথোয়গী থবক অসিনা হেন্দ্রিন্নক্কুনা সহরগী অফৌবশিংগী সরকারগা লান্থা তৌবকলে। অফৌবগী ওফিসিয়েলশিংনা কোর্টতা চৎতুনা এশোসিয়েসনগী এশেট হায়বদি মাল চাংবু তুমহন্নবা মাঙ্হন্নবা শীনবা হৌরকলে। অদুবু কিংনা মথোয়গী ফণ্ডগী পৈশা অসি মফম অমত্তদা থমলমদে। চাইথোক চাইথোক্কুনা থমলমই। খাদত নত্তনা অরাংথংবা শরুক্কী বেঙ্ক ১২ দা মথোয়গী শেল থমলমই।

হৌবদগী হৌনা মোণ্টগোমরীগী ঈহৌ অসি য়ায়না শান্তিপূর্ণ ওইনা চৎথবমই। চর্চ কয়া কয়াদা লুচিংবশিংনা চৎ চত্তুনা অচৌবা, মীয়ামগী ওইবা মিটিন্ কয়া তৌরমই। মতুনা চুন্নগী পাও থঙ্হনবত নত্তনা প্রজাশিংগী মোরেল্ শেমগৎনবা মচাক অমা ওইরমই। মিটিনশিং অদুদা প্রোফেসার, ডাক্তর, কুলি, ফুরিৎতুবা, অচৌবদগীনা মচাদা মচা ফাওবা পূমতিন তিন্নতুনা অচৌ মচা খায়দনা পুল্লমই। মিটিনশিং অদুনা ডাঃ কিংগী থম্মোয়বুসু মথং মথং ওইনা চেংনা কোনশিনখিবমই।

লুচিংবশিংগী মখাদা চৎথরকলিবা অন্দোলন্ অসিগী হৌগৎলকপদা সিটি কমিশন্না কম্প্রোমাইজ তৌননিংলমই। মথোয়না নিগ্রোশিংবু হান্নগুম তৌদনা খজিক্কুং চান্‌বিবগনি হায়না মথোয়গী অচেংপা রাফম পীবমই। মবক অসিদা মেয়র W. A. GAYLE না কমিটি অমা লোন্ন শেমদুনা নিগ্রোশিংগা য়ান্নবা মওংদা পুবরুবা হোৎনবমই। কমিটি অদুনা নিগ্রো মিনিষ্টর ৩ থকপু লোন্ন কৌদুনা য়ান্নবা থবা পুরক্কবা হোৎনবমই। অবোনবা পাও অদু থিন্দনমক কিংগী মনাকোং য়ৌখিরমই। মঙোন্দ পাও হেক য়ৌখিবগা কিংনা মাগী কাঙ্বুশিংগা লোয়ননা থুমিদাং থুমিদা'দা প্রজা মীয়ামগা পুন্ন উন্নদুনা মথোয়গা অফৌবশিংগা কবিগুম্না য়ানবা মওং অমত্ত পুবকপা লৈত্রি হায়বসি থঙ্হনখিরমই। মেয়োব গাইলিনা মাগী থৌশিল অদুনা ফেল ওইরকপা অদু উবদা

য়াম্না শাওনিংলমই। মতুনা মরুম ওইতুনা 'Get tough policy' শিজিন্নবগনি হায়না লাওথোকলমই। মেয়োরগাইলি অমসুং মাগী সিটি কমিসনারশিংনা 'White Citizens' Council' গা খুৎশম্নতুনা অঙক-পা, ড্রামাগুম্বা মওং অমদা চৎথরকলমই। অঙৌবা কাঙবুনদি মখোয়গী বোইকোট অসি পংকুই কুইদনা মরাইনা তোকচখিনি হায়না খল্লম্বনি। অদুবু নিগ্রো লুচিংবশিংনা মখোয়গী ডিমাণ্ড খর ফংঙ্গিৎকাওবা চৎথ-রগনি হায়না লেপ্পখিবদগী অঙৌবা কাঙবুমু উপায় লৈখিদবনি। অঙৌবশিংনা মখোয়গী প্রজাদনা অমা হায় অমুবা প্রজাশিংদনা অমা হায় তৌদুনা বোইকোট অদু থুগাইনবা অঙম্ব শক্তি হোৎনজরবনি। অদুবু মরক অসিদা বোইকোট অসিগী মকোক লুচিংবা অদু কনানো হায়বসি থিনবা হোরকলে। কিংনা মকোক ওইনা থবক চথবগী থোইদোকপা খুদম ইউ উবা ফংলমদে। মখোয়না চিংনবনা Ralph Abernathy, Fred Gray অমসুং কিংগী মথক্কী লোম্নাশিংবুনি। অসুম্না অন্দোলনগী মকোক অসি কনানা ওইরমগদগে হায়বসি তাং-দাংবা খঙনদতুনা নৈরিবেদা টোম্ জোন্সন্ কৌবা মোন্টগোমরীগী রিপোর্টর অমনা কিংনা অন্দোলন অদুগী মকোক ওইবমগদ্রা চিংনৈ হায়দুনা ইডিটরিএল্দা ইরকলমই।

খৃঃ ১৯৫৬ কী জানুয়ারী তাং ২৬, শগোলশেল জুমিত্ত কিংবু মাইল ২৫ গী লম্বী অমদা পুংদা মাইল ৩০ গী চাংদা থোই হায়বগী মরাল শীরমই। পুলিস অনিনা কিংবু থিরগা ফাদুনা পেট্রোল্ কার অমদা নম্শিন্দুনা পুখিরমই। মপোকওৈদগী অমুক্ত পুলিসনা ফাবা হায়বদু খঙজ্জিবা কিংনা, মাবু পুদুনা চৎলিবা অদু মানা জেল নৈলফমনি হায়না চাওরাক্না খনবা অদোমদা থোঁদতুনা মী অচিক্কপা মকম অমদা থোরগা মাবু হাৎংণাকপীগদৌবমালে হায়না পাখিৎপা পোকলমই। অদুবু জেল য়ৌরগদি খর মখৈ নেনা তারমই। জেল মমুংদা মাবু য়ু থকপা, হুরানবা অমদি মীহাৎপা মরামগা লৈমিন্নবা সেল অমদা লংশিল্লমই।

জেলদা লৈরব কান্দা টৌলষ্টোইনা হায়খিবা—'মপুন্সিদা জেল অমুক্ত চঙ্‌ড়ুব্রিবা মী অহুনা সরকার মশক থঙবা হৌনদে' হায়রবা রাকম অহু কিংনা মমিৎনা উনা খঙলমই। মানা চঙ্‌খিবদা জেল মনুংদা লৈরমলিবা ফিভম অহু উবদা য়াম্না থিন ঙকলমই। জেল মনুং অহুদা নিংথিমা লৈকম পীবিদহুনা ফক্তা, শ্লেটতা অমদি লৈবাক্তা ওন্দুনা হিপ্লিবা, ফিভমশিংহু য়েংবদা থম্মোয় শোকখিরমই। অহুবু মবাইবক ফবনি হাযগদ্রা কত্তবনি হায়গদ্রা কিং জেল মনুং অহুদা কুইনা লৈরমদ্রে। জেল অহুগী মমাংদা নিগ্রো ময়াম্না পৈবরবদা জেলব অহুনা কিং মশানা মশামক্কী জামিনগী দলিল্ সহি তৌহন্দুনা থাদোকখিবনা অচুম্ব রাথল ওইব তাই খল্লহুনা কি'বু মহুমক তৌহল্লমই। কিংনা জেলদগী থোক-লমদাইদা বন্দী মরক্তগী কনানো অমনা হায়রকখি—"নহাক্লা জেলদগী থোকপ্রগা ঐখোয়বু কাওগনুকো।"

কিংনা জেলদগী থোবকলবা তুংদা মহাকপু কিহনবগী চিঠী কয়া অতৌবশিদগী ফংলমই। নোংমদা ২৫ রক্তগী তাদনা কিংবু তমথি-তমথিনা টেলিফোন্দ চৈনকখি। মহাক্কী মুপীনা মমিৎত মপি তানা অসিগুম্না মীচৈ অসি তাদুনা মহাক্কী থম্মোয়বু য়োৎকুম কনশিনহনথি। নোংমা মুমিদাং অমা কিংনা ফোন্দ কয়াবক হন্ন হন্ন অশাবা মীচৈ তারবা তুংদা থাঙ্‌কম খঙ্‌লক্লদুনা চাকশদা চঙলমই। মহাক্লা জ্ঞান ইতা তাদনা ঈশ্বরবু মুংদা খুকমজরমই। মহাক্লা মশামকফাওবা থঙ্‌হৌদনা মখোল থোক্লা হায়দোকখিবমই—"ঐ মকম অসিদা অনিংবা অমগা লোইননা লৈরিবনি। হৌজিক্তি ঐ ইশা ইথস্তনা মাইয়োক্লব ঙমজদ্রবা মতাং অমদা লৈবে। ঐ তৌকম থঙদ্রে।" মকম ইকম থঙকৌদনা পাওখুম অমা লাকপগুম তৌবমই - "অশেংবা অমস্তুং অচুম্বগীদমক্ত লেপ্পু, ঈশ্বরমু নহাক্কী মিচংনা লৈরি।" মহুগী মুমিং অহুদগীদি কিং, মহাক্লা লেপলিবা ফিরেপ অহুদা অহুম লৈথিরমই। মতুংদ মানা শোয়দনা জয় ওইবগনি হায়না থাজখিবমই।

মহাক্লা জেলদগী থোরকপা মতুং মুমিৎ খরনি লৈরগা নোংমা

তাং ৩০ নিংথৌকাবা মুমিৎ অমনি। মতমদু মুমিদাংগী পুং ৯ হেল্লকলে। মতম অসি কিংদি অচৌবা মিটিন অমদা য়া ডাংলি। পুংফম অসিমত্তদা মাগী মুপী কোরেত্তাসু মমান্নবী অমগা মাগী ময়ুম ৩০১, সাউথ জেক্সন্ স্ট্রিটতা য়ারী শাদুনা লৈরমই। মতম অসিদা মখোয়গী ময়ুমগী মমাঙগী শঙ্তপ অদুদা করিনো অমা লংথৎলকপগী মখোল তারমই। কোরেত্তা-নদি চুমনগী চেকতুমকা থারকপা ওইরিনি হায়রমই। অদুবু মানা চিংনবা অমা পোকলকলদুনা মমান্নবী অদুদা মনিংথংবা য়ুমলোমদা চৎসি হায়দুনা খোঙ থাংবা হৌগৎপদা মঙাইরি, মমাঙথংবা অদোমদগী বোমা অমা পোকখাইরকপগী হৌরবা মখোল অমা তারমই। বোম অদুগী শক্তিনা মমাঙথংবা য়ুম অদু নিংখায়দুনা তারকলমই। য়ুম মনুং অদুসু গ্লাস অকায়বা মচেৎ ময়াম্না ঈশিং হৈথরকপদৌনা হৈথবকলমই। মখোল অদুগা হায়রুরবদি কোরেত্তানা মাগী য়ুম অদু লৈরমখিনি থাজরুদ্রে। করি তৌগদগে হায়বা খনফম খঙদনা চঙকননা লৈরিঙৈদা মনিংগী কাদা হিপহৌবা থা অনিখক্তমক ঙাইরিবা মচা মুপী অদু খঙনিং নিংশিংলকলে। মহাক্কী মমান্নবী Mrs Roscoe Williams গা মখোয় অনি হিপফম কা অদোমদা লাকলমই। কমদৌসিগে অমদি কনা কৌসিগে হায়না খনফম খঙদনা লৈবিঙৈ চৈরক অসিদা ডোর বেল্ খিংলকলমই। মদু হেক তাবদা কোবেত্তানা খল্লম্বদি বোমা লংশিল্লক-পশিং অদুনা মখোয়বু থিরকলে অসিনি। লম অদোমদা খল্লুবনা মানা কমদৌবগা মচা অদু কলহৌসিগে হায়দুনা মুংনাংলিঙৈদা মপান্দগী লাওরকলমই—"কনা কনা শোকপা য়াওবগে?" য়াম্না মুংশিবিবগী মীকৌ অদু তাবদা কোরেত্তা স্বর থর হোল্লমই। মখোয়না মপাল থোরকপদা মীইকৈ অপূম্বা মৈথুনা পুংমম মমদুনা লৈরমই। খুদক অদুদা টেলিফোন অমা লাকলমই—"উম, বোমা অদু ঐনা লংশিনবনি, অদুবু অরাবদি ঐনা নখোয় অমত্তবু হাৎপা ঙমহৌদ্রে।" খোঙ্গেল অদু মুপীগীনি।

পাও হেক তাবগা কিং থুনমক থুংলরে। মানা ময়ুমদা থুংলবা

মতমদা মাগী ইথোল অদু মীনা অঙকপা কংন তিল্লমলে। তিল্লমলিবা নিগ্রোশিং অদুগী মখুত্তা নোংমৈ, মুংহুম, চেক্রুম, চৈ অমদি কোকা কোলা লিকলিনচিংবা অময়ম লোইনা পায়নদুনা লৈনরমলে। ময়ক মরক্তা অঙৌবা পুলিসশিংসু লেপ্তুনা লৈরমই। তিল্লমলিবা মীয়াম অদুগী ময়ক্ত থায়রগা কিংনা ইমুং চঙলকপদা নিগ্রো অমনা অঙৌবা পুলিস অমদা হায়খি—"হৌজিক্তি নঙসু নখুত্তা রিভোলভর পায়রে, ঐসু পায়রে; লাকও চাং য়েংথোক্করসি।" কিংনা ইমুং অম চঙলকপদা মৈ কনবা মী, পুলিস ১দি মেয়োর গাইলিনচিংবা ময়াম অমা লৈরম অদু উবে। মেয়োর গাইলি অমদি সিটি ওফিসিয়েলশিং অদুগী মায়-থোংদা লাঙতক্লবা অমদি পাখৎপগী মমি তারমই। তিল্লিবা মীয়াম অদুনা মোন্টগোমরীদা ঈনা লোথোং চেল্লগদবা মতম অদু মকশিল্লক-লবোইরে হায়বসি চপ মান্নরা থম্নখি। তশেংনমক মেয়োর গাইলি অমসুং মাগী কাওবুশিং অদু অমুবশিংনা নিংথিনা কোইশিনল্লে, মথোয় খুদোংথিব ফিভমদা লৈরে হায়বদা লালনিংঙাই লৈরক্লে। তিল্লিবা মীয়াম অদুনা লমল খুমনিংবগী ঈহুল অমা পীরকলে। থিন থিন হোন হোন লাওশিল্লকপা হোরকলে। মী পুন্নমক ঈ কানরে। খুদক অসিদা অঙৌবা নিপা অমা প্রপ প্রপ চেনশিল্লক্কুনা কিংদা মাগী ফুংইনবা প্রজাশিং অসিবু অমুক্তদি থামজিনবিয়ু হায়জবরে। কিংসু মতুমক তৌরমই। মহাক্না থুনমক মীয়ামগী মমাংদা থোকলগা মখুং থাঙ্গংলদুনা হায়থকলমই—"ময়াম পুন্নমক খুত্তগী খুৎলাই থম্মিখো।" মাগী মুপী অঙাংবু শিনিংচিত্তগী কলহোরবা অদুগুম নিপা অদুগী মচিন্দগী অইংবা রাহৈ অদু তাবদা ওরথা মীয়াম অদুনা মখুত্তগী খুৎলাই থমদুনা, মঙোন্দা য়েংদুনা লৈনরমই। কিংনা মথা অমুক তারকলমই -"ঐখোয় লো অমসুং ওরডরবু থাজৈ। ঐখোয় হিংসাবু শোগৎকদবা নত্তে। ঐখোয়দি ঐখোয়গী য়েক্কববুসু মুংশিগদবনি। অদুগীসু মথক্ত ঐখোয়না মখোয়বু মুংশিরি হায়বসি মখোয়সু খঙজসনু। ঐবুদি ঐখোয়গী চৎথ-রক্কদৌরিবা থবক অদুদগী থিংখিবা য়াই, অদুবু ঐখোয়গী থবক অদুমুদি

থিংবা ওল্লয়োইহনবনি।। মরমদি ঐখোয়না তৌরিবা অসি অচুম্বনি, ঐখোয়গী থবক অসিব তোথলিবনি। তিল্লিবা মীয়াম পুন্নমক নেমথিরমই। মীয়ামশিংদা অহুনা কিংবু আশির্বাদ পীবিবকনমই। অমুম অথম অহিং অহুদা অহিংসানা থবকনবিচাকুম্‌ ওান্‌হনহুনা তিল্লিবশিং অহুগী লম্বী তাকপিখি। কিংগী য়াওাং অয়দি মাগী ওাযন মতেক অহুমা তাবদা অভোবা পুলিস ফাওবা মতোন্দা চিংশিনখি।

অহিং খেওলকলবদা মী লোইনা কায়নথ্রে। হুমিৎ অহুদা কিংনা মীয়ামবু থেমহুনা 'মুংশিবা অমমুং ওাকপীব' হায়বহুগী মতা দা য়াম্না নিংথিনা ওাংথ্রে। মীয়ামকুম্‌ ওমহৎথ্রে। অহুবু মহু ফাওবদা মহাক গান্ধী নিত্তি অহুদা পুবানা লৈরক্লা হায়বদি নৎলমদে। মীয়াম কায়নপ্রগা চৌক্লবা অহাংগী মতমদা মথন্ত ওায়রক্লবদা মাগী মুপী অমদি তাওনা ফালবা মচা অমু মকম থওদনা হাংতোকপীয়মগদৌইদা হায়না থম্লুবদা অমুক অমুক শাওনিংবনা থম থেংলমই। অহুবু অমুক থম্বক্রগা মানা তুক্কচবা হায়বা অহুনা মাবু জয় তৌহনখিদনবা থম্মোয় ফাথব কন্ন হোৎনজরমই। মতোন্দা ফত্তবা তৌরকপা মীশিং অহুবু খৃষ্টগী পাওতাক মতুংইন মুংশিনবা কন্ন হোৎনরমই। য়াম্না কন্ন হোৎনবব তুংদা মতোন্দ ফত্তনবা তৌরকপা মীশিং অহুবু মুংশিবা ওমখিবমই।

নোংওাল্লবদা ময়াম্না কন্ন হায়জবদগী মশা কন্নবা নোংমৈ অমওংদি থম্নবা হায়হুনা য়ানিংদ য়ানিংদ শেরিফকী আফিসতা চৎতুনা দরখাস্ত অমা থারমই। অহুবু মমৈদা কিংনা মহুম্ন পাম্মক্তে। মশাবু নোংমৈনা কন্ননবা হোৎনজবা হায়বসিমক মথন্ত থম্বকবদা ইকায়রকলে। মানা তৌক্লবিবা অহু অচুম্বনি হায়বসি মা মথন্ত য়াজরক্তে। অহুনা মমৈদা নোংমৈগী রাথল থাদোকথ্রে। মহাক্না মোন্টগোমরীদা থেংনগদৌবিরা লালকম অসি হিংসানা নত্তে অহিংসাননি হায়বসি অমুক অমুক থম্বক্রগা মাগী অশাবা মৈশা নেমথনবা উপায় ওইবমই। মহাক চপ চাবা গান্ধিয়ান অমা ওইনবা হোৎনবদা মতম কুইনা চওলমই। মহাক্না প্রজ্ঞা মীয়ামবু জ্ঞান তাহনবা হোৎনবকপদা মশামকপুম্‌ মশামক্না জ্ঞান তাহনবা ওমখিরমই।

অয়াম্ব মতময়দা কিং অমস্নুং অতৈ নিগ্রো লুচিংবশিংন বোইকোট তৌরিবা কাণ্ডবুশিংদা য়ায়া শান্তি পূর্ণ ওইন চৎথনবা মেয়য়মই। মৰমদি নিগ্রো লুচিংবশিংগী ভাবত্তা আমেরিকাদা মখোয়না হিংসাগী লান্দা মাই পাকনি হায়বসিদি মতং দা ফাওবা মঙনরমমে। অদুমদি ওইরম্বদা কিং মতুনা অতৈ লুচিংবশি অদুদি নো চুপলোমগী চৎনবী ইশা কনগে হায়রবদি খুৎলাই শিজিন্নদবনি হায়বসিদি পামরমই। অদুগা য়ায়া মুখুওইবা অমনা কিংনা মাগী মরূপ ই জোন্সন্ কোবা 'জেৎ' কি মেনেজিং ইডিটর অমদি টৌম্ জোন্সন কোবা অতৌবা রিপোর্টর, অমি অসি উবা মতমদা পাক্কিগী মরমদা থোইনা পল্লমদে। কিংনা হায়বদি মহাক্ৰপু মক ওইনা মপুক্কিং ওলহনখিবদি 'সোসিএল্ গোসপেল্' ননি হায়। কিং অহানবদদি ধর্ম্মগী মরমদা নৈনবা দর্শনিক পণ্ডিতশিংগী মরমদা য়ায়া থরায় তানা নৈনরমই। অদুবু মমৈদ জর্মনগী দর্শনিক্ পণ্ডিত 'কেন্ট' অমস্নুং 'হেগেল্' (Kant & Hegel) বুলা হেম্ম পাম্মকখি।

নিগ্রোগী লুচিংবা কাণ্ডবুশিংনা মখোয়না চৎথরকলিবা অন্দোলন্ অদুগী মতাংদা গান্ধীগী য়াকম ইখন থম্নরুম্রে। অদুবু নোংমা, বস বোইকোট তৌববা মতুংদা, মোণ্টগোমৰীগী লাইব্রেরিআন্ ওইরিবী জুলিয়েট মোরগার কৌবী ইংলিস মুপী অদুনা 'মোণ্টগোমৰী এড-ভর্টাইজর' কোবা খবর অদুগী ইডিটরদা চিঠী অমা ইবকলমই। চিঠী অদুদা মোণ্টগোমৰী ট্রগল্ অমস্নুং গান্ধীগী ক্রুসেড অনি অসিগী মায়-বশিং অদু শন্দুনা চা দম্নরগা ইরকলম্ই। মাগী চিঠী অদুনা মোণ্টগো-মৰীগী লুচিংবশিংগী মিৎ পাঙহল্লমই। লুচিংবশিংনা ইংলিস মুপী অদুগী মত অদু লৌরমই অমস্নুং গান্ধীজিগী য়াথল অমস্নুং মাগী লাজং অদু ইম্নবা হোংনরকলমই। গান্ধীদা পুক্কিং চিংশিন্নরকপা অসিদা হেন্না মরু-ওইখিবদি মরম অনি লৈ —অহানবদনা, কিংনা দর্শনিক্ ট্রেনিং য়ায়া নিংথিনা কংলগা মহাক মশাবু মুংগী অয়াংবা অনিংবা য়াথল অমগী মিংমা উবা চঙচঙবা খুদম অমা ওইহনগে থমবা; অনিশুবনা,

নিগ্রোশিংনা হৌরকলিবা অন্দোলন্ অদু নিগ্রোগী ধর্ম্মগী চৎনবী অদু থাদোক্ত্রনা চড়্লকপা।

গান্ধীজিগী ত্রেডিশন্ অদুদা শাগৎতুনা ডাঃ কিংনা অনৌ অনৌবা লাজং পুথোক্লুনা মোন্টগোমরীগী প্রজা পুম্নমক অন তাহন্নবা হোৎন-রকলমই। অডাং মুপী-নিপা পুম্নমক্ক মিচিং অমত্তদা চিংশিন্দুনা মোন্ট-গোমরীগী অন্দোলন্ অদু মাইপাক্লবা হোৎনরকখি। মন্নাম অদু মশানা থেংনরকপা কান্দা কিংনা হায়খি—"ঐনা মোন্টগোমরীদা থেংনরিবশিং অসি-না ঐনা অহিংসাগী মরমদা পারবা লাইরিকশিংদগী ফংবা জ্ঞান্দগী য়াম্না হেল্লি।" মানা তশেং ভশেংনা হায়খি—"মোন্টগোমরীগী অন্দোলনগী ঈহৌদি জেসসত্তগী লাকলমই অদুগা টেক্নিক্লা গান্ধীজীদগী লোরমই।" মোন্টগোমরীদা লৈরিবা প্রজা পুম্নমক চপ মান্নন অকি অথং থাদোক্লুনা অন্দোলন্ অদুগীদমক্ত মখোয় মখোয়গী লৈজবা পুম্বা থাদোক্লরমই। অদুবু নিগ্রো কম্যুনিটি অসিগী মহুংগী হোংলকলিবা মওং অসি ইঙ্গেং য়েংশিন্দনা 'মোন্টগোমরী গ্রাণ্ড জুরি' না নিগ্রো লুচিংবা ৮০ মুকপু খুঃ ১৯২১ গী এনটি বোইকোট লোবু ইন্দে হায়বগীদমক্ত মরাল শীরমই। মরাল্ অদুগীদমক্তা লুচিংবশিংবু পুং ৪৮ গী মনুংদা ফারমই। লুচিংবশিং ফাখিবদুনা অমুব কাডলুপ্তা অমুক্ত হেন্ন লিংজেল মান্নবগী শিচিং অমনা চেৎনা পুনশিনবা হেল্লমই। অদুগা কিংগী মিংচৎপুম্নু মোন্টগোমরীদদ নত্তুনা লম য়াংমা লান্ন শন্দোকখিরমই। মুমিৎ মরিনি চুপ্পা বিচার তৌরগা কিংবু চান্নবা মরাল্ নৈসরে হায়না লৈবাক থড়্না লাওথোকখি। রায় অদু হায়দোক্লিবৈগী মমাঙ্দা রায় অদু তাবা লাকপা মীনা বিচার লোয়্নশং অদু পীক থল্লমই। রায় অদু লেক হায়দোকপগা কিং অমসুং কোরেত্তা অনিনা মঙ্গল ওইবগী মিনোক নোকখি। মখোয় অনিনা বিচারশঙ্ অদুগী জুরি তাকমদা কুমথরকপদা ভিল্লমলিবা প্রজা মীয়াম্না চপ মান্নন লাওরকখি—"ডাঃ কিং মতম কুইনা পুন্সিসনু, ঐথোয় অমুক হন্না বস তোংলরোই।" মবক অসিদা মোন্টগোমরীগী মুপী মরি চোংথোক্লুনা মোন্টগোমরীদা চৎনরিবা বস শেগ্রিগেশন অসি আইন্

কায় হায়দুনা দরখাস্ত থারমই। মাফম অদু থুনমক ইউ: এস: সুপ্রিম্ কোর্ট য়ৌথিরমই।

মতম অসিদা মোণ্টগোমরী ওফিসিয়েলশিংনা কোর্টতা চৎতুনা মোণ্টগোমরী ইমপ্রুভমেণ্ট এশোসিএসন্ অসিনা মোণ্টগোমরীদা **Illegal Transit System** অমা হোদোকলে হায়দুনা চার্জ তৌরমই অমসুং এশোসিএসন্ অদুগী মথক্ত ইনজংসন্ ওর্ডর তৌবিনবা হায়জরমই। কিংনা য়াম্না থল্লবসু মাফম অসিগীনি। **M. I. A.** না প্রজা হোনদোক হোজিন তৌননবা লৈরুবা ষ্টেসন ৱেগন ২০ অদু চর্চ্চ অমমমগী মমিংদা থমসি খন্নরম্বনি, অদুবু মদুসু তৌহৌদ্রে।

কেশ ওইনা চৎথনরমই। কেশ অদুদা প্রোশেকুটর **William Thetford** না **M I. A.** না ডোলার ৩০,০০০ বোইকোট তৌবদা শিজিন্নদ্রে হায়বগী ইভিডেন্স পীবমই। মহাক্না বোইকোট কাণ্ডবুগী কার ২০০ খন্দা এশোসিএসন অসিনা মখোয়গী ড্রাইভরশিংবু চয়োলদা ডোলার ২৪/২৪ পী হায়না চার্জ তৌরমই। কেশ অসিদা মাইকৈ অনিমক্কী মী চোংথোক্লরমই। সরকারগী শাক্ষিশিংনা 'বোইকোট অদুবু মপাঙ্গল কলথৎহন্নবা লোংনবদা শক্তি লৈরবা খুৎসু থুৎলাই শিজিন্নে' হায়না খুমলমই। কোমপেনিগী ড্রাইভর ৭ নসু মখোয়গী গাড়ীশিংবু সুংদুন্না থাবিরে অমদি নোংমৈনা কাপখাইবীরে হায়দুনা চোংথোক্লুনা শাক্ষি পীরমই। কোর্টকী থোংঙাকপা আরনেষ্ট স্মিথনা মহাকপু নিগ্রো অমনা বস তোংইবা করিগীনো হায়দুনা ফুই, অদুবু মানা নিপা অদুবু খুৎতুন্না শুগাইবদগী গাড়ী তোংবদি ফংহৌই হায়দুনা জবান পীরমই। অদুবু পীরিবা শাক্ষিশিংগী মত অসিগা ডিফেন্স তৌরিবা কিংগদি মরী অমত্ত লৈনরমদে।

ডিফেন্সকী মাইকৈদা শাক্ষি পীরিবনা নিগ্রো মুপীশিং, মীনাইমুবী, কুলি অমদি ছাত্রশিং ওইরমই। শাক্ষিশিং অসিনা বস তোংবা মতমদা মখোয়দা ড্রাইভরশিংনা চৎখিবা তমথি ভমথিরবা লীচৎ অদু য়ারী লীরমই। মদুমক্না বস বোইকোট তৌখিবগী ভশেংবা হৌফমনি

হায়না খঙহনখি। কিংনস্থ কোর্টকী মমাংদা শাক্তি পীবদা বোইকোট অছু মানা ইন্‌শিন্দুনা তৌখিবা নত্তে, মশা মথন্তুনা পোকচববনি হায়হুনা হায়ভখি। অছুবু থূদক অছুমক্তদা জর্জ অদুনা কিবু জুরি ট্রাইএলদা রেইভ (waive) তৌই হায়বগীদমক্ত মরাল লৈরে হায়হুনা ডোলার ৫০০ ফাইন্ তৌবমই অমস্থুং মাবু জামিন্দ থাবমই। নোংম নোভেম্বর ৩াং ১৩ লৈপাকপোকপা মুমিত্ত কিং অমস্থুং মাগী কাঙবু খর মখোয়গী মথক্ত লৈবা ইনজংসন্ কেশ অছুগী কোর্টতা লৈবিঙেদা অঙোবা উকিলশিংগী মরক্তা ইরাঙ্ লাঙবা অমা উংমই। মরক অসিদা রেক্স থোমাস কৌবা এশোসিএটেড প্রেস রিপোর্টর অমনা কিংদা চেজেৎ অমা ইরগা পীশিল্লকখি—(The United States Supreme Court today affirmed a decision of a special three-judge U. S. District Court in declaring Alabama's state and local laws requiring segregation on buses unconstitutional.) চেজেৎ অছুনা তাক্লকখি—ইউঃ এসঃ সুপ্রিম কোর্টনা মোন্টগোমরীদা চৎনবিবা বস শেগ্রিগেশন্ অছু আইন্না য়াদে।

নোং ভাল্লে। নিগ্রো লিশিং তরামুক চর্চ অনিদা তিন্দুনা মীটিন্ তৌরমই। মহুদা বস বোইকোট অছু লেপ্লসি হায়হুনা ৱারেপ তানরমই। কিংনা মীয়ামদা মতুংদা বস তোংবা মতমদা য়াম্না ঈংনা তপ্প অমদি মীওইবগী ব্যবহাবদা তোংবীনবা হায়জরমই। মহাক্না মখা তান হায়খি—"অদোম্না করিগুম্বা বস তোংবিবা মতমদা ব্যবহার য়াওদনা লাওখোংতুনা মীরমচৎ থাদোকপীরবদি ঐ থংম্বায় শোক্ল স্থংঙাইজবোই। ঐখোয়না অঙোবা জাতিবু মাইথিবা পীরবনি। ঐখোয়না সুমিৎ ৩৮২ নি চুপ্প শোক্লরকলিবা লালফম অসি ঐখোয়গী জাতিগী চাওরবা ৱারীনরগদবা থোথোক অমনি। সুমিৎ অস্থুক কুইবা অসি ঐখোয়না অৱাংবা মোরেলগী থাক অদুতগী পাম্বৈনা শোক্লরকলিবনি। মবম অছুমক্লা শোক্লকলিবা লালফম অসিদা ঐখোয়না শোয়দনা ঙমগনি হায়না থাজনরক্লিবনি। ঐখোয়না অবোইবদা খঙলে মদুদি সংসার

অসিদা মমৈদা অচুম্বতনা ভয় ওই……। সুপ্রিম কোর্টকনা লেপলক-লিবা রাকম অসিমা মসিগী শাক্কিনি। মসিগা লোয়ন লোয়ননা ঐ:থায়গী প্রজাশিংদা শিঙ্গিন্নরম্বা নিগ্রোশিংবু তোঙাম্ন বস তোংহনবগী (Segregation in Public Transportati(n) চৎনবী অচুগী মুমিং তাগ্রবনি।

খৃঃ ১৯৫৬ কী ডিসেম্বর তাং ২১ ইরাই মুমিত্ত সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং ফংলহনা কিং অমসুং মাগী মরুপশিং E D Nixon অমসুং অঙৌবগী মিনিষ্টর গ্রেন স্মাইলিগা লোয়নদা মোণ্টগোমরীগী বসশিং পুনশিন্নরমই। অচুবু পুনশিন্নে হায়বদনি চাননা ঈংবদি য়ারমদ্রে। ইথা থাজদনা নোংমা নিগ্রোশিংগী চর্চ্চ ৪ অমদি নিগ্রো লুচিংবশিংগী ময়ুমদা বোম লংশিন্নজুনা পোকথাইরমই। কিংগী মমাংথংবা য়ুমগী শরুক অচুদসু পোকথাইদ্রিবা বোমা অম ফংলমই। মসিনা অঙ্গংবা পুন্নমক থুগাইখিরমই।

মোণ্টগোমরীগী বস বোইকোট লোইবা মতম অসিদা কিংগী চহী ২৭ তমক মঙাইরি। মহাক্কী মমাংদা ফাওরম্বা বুকর টি ওয়াশিংটন্ মশাগী চহী ৩৯ শুবদা ময়াম্না শকখঙ্ খিবনি। ফ্রেডরিক্ ডুগ্লাস মশাগী চহী ২৮ শুবদা পৃথিবী শীনবা থুংনা শকখঙনখি। অচুগা কি দি? কিংদি পুন্নমক অসিদগী পুনতোপ তোপ্ন পুমনো নোবা মওংদা মশাগী চহীদসু নোনা ফাওরকখি। নহা ওইজরবসু কিং ইতিহাস য়াম্না মুন্ন খঙলমই। মতম মতমগী ইতিহাসনা মঙোন্দ শিন্নরকপা শিন্থা অচু মহাক লৈথোক্লনা পাঙথোক্লবা হোৎনবা মীত্তানি। কিংনা অফাওবা ওরেটর অমা ওইনা মহাক্কী রাখল পবিং অচু ময়ামদা লায়না খঙ্হনবা ঙম্বগী শক্তি অমা লৈজরমই। মহাক্না নিংলিবা পম্বুং অচু য়োননবা হোৎনবদা নহা, অঙাং, অহল লমল খুদিঙমকপু মাগী মত্তুং ইলহনবা ঙম্বা মাগী পীথোরক্লবা মগুন অমা লৈরমই। অচুমদি ওইরবদা কিংগী অরাৎপা অমা লৈ হায়নৈ—মচুদি এডমিনিষ্ট্রেশন্। এডমিনিষ্ট্রেশনদা কিং খরদি শোল্লি হায়নৈ। অচুমকপু কিংবু এডমিনিষ্ট্রেশন্ হৈত্তে

হায়বসিদি হায়মনবা থোকনি। মঙোন্দা শিন্নবা থবক খুদিঙমক শোয়দনবা হোৎনবা ঙম্নগী শক্তি লৈরিবা অমদি মযামগী ওইবা য়াকমদা মীয়ামবু মাগী মতুং ইন্নহন্নবা মশাগী মগুণ লৈজরিববু থৌশিল হৈত্তে হান্নবা য়াকম থোক্কে। তৌবতবু মহাক্তি থবক পাম্ব মীমি। থবক হান্ন তৌবগা মিটিংদা কোন্ন য়ারেপ তাবা পাম্ব মীতামি। য়ারেপ্তুদি পঙ্তাদা তাবগা থবক্তি ইওই ওইনদবা, মহু মা কয়া পামদে। তৌবস্নু এডমিনিষ্ট্রেশন্না অমা লিডবসিপনা অমা ওইনা লৌবা য়াকম থোক্কে। হৈশিংলবা এডমিনিষ্ট্রেটবদি মুমিৎ খুদিঙ গী মফম কযা কয়াদা য়াম্না পোকপা য়াই, শিব য়াই। অহুবু কিংদা লৈবিবা লাইপোককুম্নবা মগুণ অসি চেনবা মীতাদি জেনবেশন্ অমদা অমদগী হেন্ন পোক্কে। তশেংন হায়বদা হায়মনবা থোকলোইদবদি করিগুম্বদা কিংনা চেদতা হৈবা হায়বদি পেপর য়ার্মতদা য়াম্না হৈনম্বা মীতা অম্ম ওইবম্মবদি ঙসি মোণ্টগোমরীনা ফংলবিবা মাইপাকপা অসি ওইথোক্তবনি। মাগী মমাংদা লুচিংবা কয়ানা হোৎনরক্লবনি। অহুবু মহু থবক ওইনা মশা মশানা লুচিংতুনা হোৎনদবা, চেদতা অমদি মিটিংদতা লুচিংবা ওইবদগী মাইপাকপা ঙম্নথিদ্রিবনি।

'ডাক্তর কিংগী মত্তা সত্যাগ্রহ'

ডাঃ কিংনা অহিংসাদা য়ুমফম ওইবা সত্যাগ্রহবু য়াম্না কৃপ্ন নৈনববা তুংদা মহুগী মগুণ থরগী মথৈ খঙ্বা ঙমলকখি। গান্ধীনা হায়রম্বা 'হিংসাগী মাইয়োক্ত মিকিথি ওইনা থাঙ্গদোবগী মহুত্তা ঙনশিন্দুনা ফুনবনা হেন্ন ঠৈফ' হায়বা য়াকম অহু কিংস্নু য়ানিংলমই। পৃথিবী অসিদা অবানববু কনা অমত্তনস্নু য়াকম থোক্কে। অহুবু মহু থিংনবা মহুগী মাইয়োক্তা হিংসাবু খুৎলাই ওইনা শিজিন্নবস্নু ঙক্তে। মহু থিংগে হায়রবদি অহিংসাতনা য়াম্না লাইনা থিংবা ঙমগনি। কনা কনাগুম্বনা সত্যাগ্রহ অন্দোলন অসিবুস্নু করিস্নু কান্নব্রবা লাক্লংনি

হায়না লৌই। অন্দোলন অসিনা তাকপদি অন্দোলন য়াওরিবশিং অদুনা য়ায়া শোম্না ফত্তবা অদুবু য়াবনি হায়না খল্লে। অশে বদি মদু চপচাবা সত্যাগ্রহগী আর্থ নত্তে। অন্দোলনকারিশিং অদুনা পাঙ্গল-থোক্না ফুনরুদে হায়বত্তনি, মখোয়না তৌবিব অদুনদি মখোয়গী মাইয়োক্ত লৈরিবা অদুদা 'নহাক লাল্লবনি' হায়বাসমদি খণ্ডনবনি।

অহিংসাগী ওইবা নত্রগা অহিংসাদা য়ুমফম ওইবা সত্যাগ্রহগী অনিশুবা শক্তমদা অন্দোলনকারিশিং অদুনা মখোয়গী ওপোনেন্ট অদুবু নমদুনা দুক্ষ তৌবা নত্রগা নমথবা পামদে, মখোয়গী অপাম্বদি ওপোনেন্ট অদুগা মখোয়গা মরুপ ওইবনি। মতাং চানা আপত্তি লৈরিবা কাণ্ডবুশিংনা মখোয়গী অপাম্বা অদু বোইকোট তৌদুনা নত্রগা অতোপ্পা পাম্বৈ অমনা উৎপা য়াই। থৌওংশিং অদুনা ওপোনেন্ট অদুগী মশাগী মরাল্ল অদু খণ্ডবা ঙমই। শম্না হায়রবদা অহিংসাদা য়ুমফম ওইবা সত্যাগ্রহগী পান্দমদি মচিন মনাও ওইবগী মুংশিনবা অসিনা য়ুমফম ওইরগা মদুদা কম্যুনিটি অমা লিংবা অসিনি।

অদুমত্তুবা শক্তমদা, ফমাওঙ্গ খরনা ফত্তবগা লান্নৈংনৈ, ফত্তবা তৌবা মীগ থেংনদে। জাতি অমগা জাতি অমগগী মরক্ত লৈরিবা মীওইবা অমমম ফংকমথোকপা অধিকারদা খেন্নবা অদুগীদমক্ত লাল থেংনবা চণ্ডলিবা মীশকশিংনা খণ্ডগদবদি চয়েৎনরিব। বাক্ষম অদু জাতি অমগা জাতি অমগগী য়া নত্তে; মদু অদুগ্ধ কায়বত্তগা চুমদবা কায়ব-দুগনি। অদুনা কিংনা মোন্টগোমরীদা হায়খি—"চুমদবা কায়বত্তবু জয় তৌদুনা নমথগদবনি, চুমদবা অদুবু থোকহল্লিবা অঙ্গৌবা জাতি অদুবু নত্তে।"

মরিশুবা শক্তমদা, সত্যাগ্রহ অন্দোলন মাওঙ্গুনা অন্দোলন চণ্ডলিবা মীশকশিং অদুনা সমল পুম্নমগী রাখল য়াওদনা মখোয়দা পীরকপা য়াবা অরাবা থুদিংমক য়াজরে হায়না চণ্ডলিবনি। মখোয়না, মখোয়দা ফুরুবদসু অমুক হন্দুনা মাইয়োক্লনা ফুনবগী অকল অরিংগী রাখল থাদোক্লবনি। মখোয়দি [illegible]কার লাক্লবদি জেলদা চণ্ডনবসু চণ্ডজরগে হায়দুনা লেপ্লবনি।

মতাংশুবা শকলোন্দা, অন্দোলনকারিশিং অসু হকচাংগা হকচাংগা থেংননা লাম্বা তৌদবদ নত্তনা মুংগী আম্মা কাওবা হিংসা থাদোক্কদবনি। মথোয়না ওপোনেন্ট অসুগী মাঙ্ নবা খনবা য়াদে। ডশেংনমক অহিং-সাগী নিতিদি অমগা অমগা নুংশিনবা অসিনি।

অরোইবদা, এগেপ্ (Agape) হায়বদি মচিন মনাও ওইবগী মীনুংশি অসুনি। মসি মথৌনা য়াম্না লৈ, শক্তি য়াম্না চাওই। ডাঃ কিংনা হায় "মসিনা কম্যুনিটি শিথহন্দবা অমদি য়োকথত্তুনা থম্ব পামই। অসুত নত্তনা কম্যুনিটি হণ্ডনবা হোৎনবদা অচম্ব মতেং পী, মসিনা মীপুম খুদিঙমকসি মচিল মনাও ওাক্ত ওইনা উহল্লি।"

অহিংসাগী ওইবা সত্যাগ্রহ অন্দোলন অসি তৌনকপা মতম অসিদা মোণ্টগোমরী বস কোমপেনি অসুগা মোণ্টগোমরী ইম্প্রুভমেণ্ট এশোসিএশনগা মিটিং কয়ারক তৌবমই। মিটিং অসুদা লোংমা লৈ-কায়গী শেগ্রিগেসনিষ্ট মিনিষ্টর অমনা য়া ডাওলমই। মিটিং অসুনা কিংসু য়াওরমই। মিনিষ্টর অসুনা মাগী ভাষনদা নিগ্রো মিনিষ্টরশিংনা বস বোইকোট তৌবদা য়াওনিংউরিবা অসু মথোয়না লাল্লবনি, মথোয়দি সমাজগী ওইবা চাওখৎ থোরাংদা য়াওগদবগি শরুক খৃষ্টান ধর্ম্মগী লমজিংবা মীশিং ওইদুনা লৈগদবনি হায়খি। য়াফম অসুদা কিংনা শেংদোকলমই। মানা হায়রমই মদুদি মহাক অমসুং মাগী মরূপ মপাংশিংনা খ্রাইষ্টপু কৈদৌঙৈদসু থাদোক্লে, থোইদোরক্তম মথোয়দি মথোয়দা ঈশ্বরগী শক্তি অমা লাক্লগ্রা হায়না থাজনরক্লি। মহাক্না মখা তানা হায়খি কনাগুম্বা অমনা খৃষ্টান ধর্ম্ম চপ চানা লৌববদি সমাজগী অয়ানবা অমবু ৎচুমথোক্লবা হোৎনবদা করি অমত্ত অকায়বা লৈত্তে অসুগা লালগ্ম লালদে। খৃষ্টানগী গোসপেল্ অসিদি সমাজগী অমদি ইশাগী ওইবা য়ায়ম ওাক্তনি।

অসুম অসুম ওইনমক কিংনা অতৌবা সুপ্রিমেসিষ্ট কাঙ্বুবুদি য়ানিলমদে। মহাক্না মথোয়বু কন য়াম্না জ্ঞান তাহল্লবা হোৎনবমই। মথোয়গী লোনচৎ অসিদি মপা মপু হাক্তক্তগী হৌনা চৎলকপা লিচৎ

অহু অতুমক থাদ্রি। মখোয়দি মখোয়গী মপা মপুশিংনা অমুবা নিগ্রো-শিংবু য়াম্না হন্থনা য়েংনবগী অরুবা নিংথিরবা অহু অমা কল্পনা হৈহল্লমলে। মখোয়গী মখোয়না মহেক্লে হায়বা রাখল অহু স্কুল, লাইব্রিক অমসুং মিনিষ্টরশিংনা অমুক হেন্না মপাঙ্গল কলহল্লমই। কিংনা মাগী মহুং ইনবা কাওবুশিংদা আইন পুন্নমকপুদি নত্তনা থরবুদি ইন্নবা হায়রমই। মহাক্না হায়রমই—মতম অহুগী সমাজদা আইন থর লৈরমই অমসুং মহুদা শেংদবা আইন কয়ামরুম অমসু য়াওরমই। কিংসু সেইন্ট আগষ্টাইন্না হায়রম্বা চুমদবা আইনদি আইন নত্তে হায়বহুদা ভোট পীরমই। মহাক্না মোত্তদি অচুম্ব আইন হায়বসিদি মীন শেম্ব অহুগা ঈশ্বরগী মিৎয়েংদম্ব য়াবা অহুবুনি; অহুগা চুমদবা আইন হায়বসিনা মোরেল লোনা য়াদবহুবুনি, মীওইবগী পারসোনেলিটিবু পুথৎলিবা আইন অহু অফব অমসুং অশেংবনি। অহুগা মীওইবগী পারসোনেলিটিবু হন্থনা য়েংলিবা আইন অহু ফত্রবা, শেংত্রবা অমদি চুমত্রবা আইন্নি। শেগ্রিগেশনগী চৎনহুনা লৈরিবা আইনশিং অসি চুমদবা আইন্নি মরমদি শেগ্রিগেশন্না মীওইবগী আত্মাবু মশক থিহল্লি অমদি মীওইবগী পারসোনেলিটিবু মাঙহল্লি।

মতম অহুগী অচুম্ব অমসুং চুমদবা আইনগী মরমদা কিংনা ইশম শন্না হায়খি মহুদি চুমদবা আইন হায়বসি মীশিং য়াম্বা কাওবুনা মীশিং য়ামদবা কাওবুদা চলাইবা, হায়রিবা আইন অহুমক্তি মখোয়নদি ইনগদবা ওত্তবা অহুবুনি। অহুগা অচুম্বা আইন হায়বসিনা মশিং য়াম্বা কাওবুনা মশিং য়ামদবশিংদা শেমলকপা, মাইকৈ অনিমক্না ইন্নবা শেমলকপা আইনশিং অহুবুনি।

মোন্টগোমরীগী বোইকোট লোইখিবগা কিং অসি জাতিগী লুচিংবা অমা ওইনা থ্বাইনা শকখঙনবা হৌরকলমই। অহুবু মাগী মীওই-পোক অসিদা হেনগৎলকলিবা মঙ্গল অহুদি বস বোইকোট লোইত্রি-হৈদগী হৌনা তশেং তশেংনা উনররুবনি। খৃঃ ১৯৫৬ কী মেগী তাং ১৭ তা নিউয়োর্ক সিটিদা লৈবা সেইন্ট জোন্‌গী কেথেড্রেলদা য়া

ভাওবিনবা বার্তন ফংলমই। আগষ্ট থাদা ডিমোক্রেটিক্ নেসনেল্ কন্ভেনসনগী প্লেটফোর্মদা য়া ভাওখিয়মই। অমুন্না মাগী মমিং অমদি মগুন অসি মাইকে খুদিংডদা শন্দোরকপনা খৃঃ ১৯৫৭ কী ওয়োয় চল্লকপা অহুরাইদদি আমেরিকাগী অয়াম্বা প্রজানা য়ানবা অমদি মীয়ামা তাম্নরবা বক্তা অমা ওইরকলমই। মবক অসিদা মওম মহুদা যোঙবা অঙৌবা জাতিগী পাওগী চে 'টাইম্' অমদি অমুবগী 'জেট' অনি অসিনা মাগী মগুন থাংহুনা ফোঙলমই। 'জেট' না কিংবু "থাখ বা নিগ্রো শিংগী মশা মশাগী ব্যবহার পুথিনকপা ডম্বা, ঈশ্বরগী শক্তি লৈরবা অনৌবা য়ুাকী 'মোসেস' নি হায়বমই। মানা পাঙথোকখিবা থবক অমদি মাগী মরমদা ফোঙনকপা চেশিংনা মাগুংগী নিংচৎপু য়ম্দা খৃঃ ১৯৫৭ কী মে থাদা 'স্পিনগাল মেডাল' পীখি। হাযবিবা মেডাল অসি চহী খুদিংগী জাতি অমগা জাতি অমগগী মরী (Race Relation) অসি মুন্না খঙবা মীশিংদত পীবনি। তকমান্ মগী কংথিবশিংগী মনুংদা কিংনা খ্বাইদগী নহা ওইরমই।

অরাংথংবা মোন্টগোমরীদা মাই পাকখ্রবা খুৎলাই নন ভাইওলেন্ট প্রোটেষ্ট' অদু থাথংবা শরুকশিংদদি শক খঙবদা য়ানা থোকলমই। মহুগী মনুংগী আর্থ অহু য়ুম্ন খঙবা ঙম্নবমদে। কিন্না খুৎলাই অসিমক শিজিন্নহুনা থাথংবা অমদি নিগ্রোশিংনা লৈরিবা মফমশিংদা থংগিবা মখল খুদিংমক্কী শেগ্রিগেশন অসি পুংমুৎ মুৎথৎপা পামলমই। মোন্টগোমরীগী থৌখোন্না কিংনা, ভারতগী ব্রটিস থাংখোবপা ডম্বা গান্ধীজিগী 'নন্ ভাইওলেন্ট রেসিসটেন্স মুভমেন্ট' অহুবু ওম্ন থাগবা পোকলকলমই। কিংনা শেগ্রিগেশনগী লাইয়োক্ত শিজন্নখিবা খুৎলাইদি অহিংসা হায়বসিংনি হাইবসি মপু, ফানা উৎপা ঙমখি।

অরাংথংবা মোন্টগোমরীদা ইমু মাইমু তানবগী য়াকম লৈতনা বোইকোটংগী শক্তিনা ভোঙাম ইনথোক্লুনা থমমলবা সহর অমগী জাতি অমগা জাতি অমগা লৈনবা মরী অহু হোংলকপা উবদা থংবদা লৈবা সক্শি দস্তু মকোয় মথোয়গী ফংফম থোকপা মাগাইক

অধিকারগীদমক্ত ইরাঙ্ লাঙ্নরকলে। থা থ'বা সহরসিংদা লৈবা অতোপ্পা নিগ্রো মিনিষ্টরশিংনা ডাক্তর কিংনা তৌখিবশিং অদু মখোযস্ু ইরায় লায়না ঙমগনি হায়না থম্নরমই। মথম অদুনা খা থ'বা সহর-শিংদা বোটকোট তৌবা হৌনখ্রে। নিগ্রোশিংনা চহী কয়াদগী মখোয়গী লুচিংবা অমা য়াম্না খৌবাংনা ঙাইরক্লবনি। অদুবু ইথঙ্ খঙ্হৌদনা ডাঃ কিংনা মমিং য়াম্না চৎলকপা অদুদা মখোয়না কিংবু মখোয়গী লুচিংবা ওইবিনবা অকনবা ঈহুল্পীরকলে। মখোয়না কি বু 'ঐখোযগী তুংদা লাকদবা লুচিংবদুবু অদোমলা নত্রগা অতোপ্পা অমা থিবা তারিব্রা' হায়দুনা, বেপটিষ্ট জোনগী শিয্য কযানা চহী চা কয়াগী মমাংদা জেসসতা হংখিবগুম হংবা হৌরকলে। খৃঃ ১৯৫৭ কী নভেম্বর তাং ১০ দা আটলাণ্টাগী ইবেনেজের বেপটিষ্ট চর্চ্চতা থারোমদগী সিটি ৯ গী নিগ্রো লুচি'বা ৬০ লাক্লুনা ডাঃ কিংগা যুমিৎ নিনি চুপনা মিটিং অমা তৌখি। মিটিং অদুগী ফল ওইনা 'সাউর্দর্ন খৃষ্টান লিডরসিপ কনফ-রেন্স' (SCLC) কৌবা সংস্থান অমা শেমহৌরে। সংস্থান অসিগী খ্বাইদগী অহানবা থবক্তী মোণ্টগোমরীদা থোকখ্রিবা অহিংসাগী থবক কয়া অসি খবগী মখৈ Justice Dept না য়েংশিনবিননবা ইউঃ এসঃ কী এটোবনি জেনেরেলগা উন্নদুনা ঙাঙ্নবা অসিনি। মথংগী থাদা নিউ ওবলিন্সতা মিটিং অমা তৌরমই। মিটিং অদুদা 'Southern conference on Transportation and Non Violent Integration' কৌবম্বা সংস্থান অদু মমিং ওস্লোকলমই অদুগা কিংবু সংস্থান অদুগী প্রেসিডেন্ট হাপলমই। কিংনা মাগী নুংগী ফজবা রাখল কয়া পুথোক্লুনা মীয়ামদা আপিল তৌরমই। মানা মীওইবগী ডিগনিটি অদু ফংননবা ফত্তবগা মকপ ওইবা অদু থাদোক্লবা হায়জরমই।

ওর্গেনাইজেসন্ অদুগী অহানবা পায়থৎকদবা থবক্লা ট্রান্সপোর্টে-শন্গী খুদোংচাদবশিং য়েংশিনবা অমদি ভোটর রেজিষ্ট্রেশন্ অসিনি। কিংনা পুখৎলকপিবা য়াফম অমদি পাংথোকখিবা থবকশিং অসিগী ফল অসি অতৈ লিডরশিংদা য়াম্না থুনা লাকলমই। মসিগী ফলনা

'Tuskegee Movement' হৌগৎলকলমই। মতম অদুগী ওইরিবা সমাজগী ফিভম অদুদা কবিগুম্বা অওনবা অমা য়ান্না থুনা দরকার লৈরে হায়বসি কিংনা মচেক্না য়ৈদুনা Tuskegee নিগ্রোশিংদা খঙ্-হল্লমই। অদুনা Tuskegee Civic Assn. না, মোন্টগোমরীদা তৌখিবা বস বোইকোট অদুগুম্বা খর পাঙথোকসি হায়না খল্লখিরমই। মদুনা মরম ওইদুনা টালাহাসসি, আটলান্টা অমসুং অতৈ অতৈ কম্যুনিটি শিংদ বস বোইকোট হৌনখ্রে। অসুম্না বস বোইকোট হৌগৎনরক-পদগী আটলান্টাগী বসশিং খৃঃ ১৯৫৯ গী জানুয়ারী থাদা ডিশেগ্রিগেট তৌখিরমই। আটলান্টাগী বস ডিশেগ্রিগেট তৌরবদা Rev. William Holmes Bodeers না হায়খি— "মোন্টগোমরী নঙবু থাগৎচরি, মারটিন্ লুথর কিং জুনিয়র নঙবুসু থাগৎচরি।"

খৃঃ ১৯৫৭ কী মে তাং ১৭ তা ওয়াশিংটন্দা সিভিল রাইটকী প্রেয়ার পিলগ্রিমেজ অমা তৌরমই। তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ৩০ দগী পিলগ্রিমস্ লিশিং কুনথ্রামঙা লাকলমই। মীয়াম অসিনা লিনকোল মোনুমেন্ট মমাঙদা পুল্লমই। হায়রিবা অচৌবা থোথোক অসিদা নিগ্রোগী লুচিংবা কয়া রা ঊাঙলমই। রোই রিলকিন্স, (মতম অদুগী NAACP কী এক্সেকুটিভ সেক্রেটরী); আশা ফিলিফ রোনডোলফ (মতম অদুগী নিগ্রো সিভিল রাইটকী মাইপুনবা মী); অমদি মতম অদুগী কংগ্রেসমেন স্টডামক্লেটোন পারেলনচিংবা মী ওই কয়া রা ঊাঙলমই। ঊাঙলিবা পুম্নমকপু মীয়ান্না ইকায়খুম্নখি। অদুবু ঊাঙখ্রিবা অদুদা পুমপেল পেল্লব্রা হায়বদি নৎলমদে। মথংদা রোনডোলফনা কিংবু মীয়ামদা শক তাকলদুনা রা ঊাঙবিনবা হায়জবমই। কিংগী মমিং তাবদা তিল্লিবা মীপুম্ খুদিঙনা খুনিং কাংখৎ কাংখৎতুনা কিংবু থিরকলমই অমদি রুমাল হাইর হাইরদুনা কিংবু ত্বাগৎ তৌরমই। মীয়ান্না খুনকপা খুবাক্কী মখোলনা কিং রা ঊাঙবা য়াম্নমদে। মশাগী চহী ২৭ তগী হেন্না মহা ওইনা উরিবা কিংবু উরগা মীয়ান্না পেন্নরমই

কি'না মাগী মপুন্সিগী খ্বাইদগী অহানবা নেসনেল এক্রেসত্তা ম'তম অতুগী রাজনিতি পার্টি অনিবু মখোয়েনা লৌরিবা অমদি ওই- হল্লিবা অচৃংবগী লৈথোক্নবা হোংনবগীদমক্ত মানা পন্দুনা ঙাঙলমই। মহাক্না D D. Eisenhower না লুচিংবা সবকারগী এক্সেকুটিভ ডিপার্টমেন্টপু মখোয়না নিগ্রোশিংগী রাকমদা তুমিন্ন খৌশাদনা লৈ- থোকপগীদমক্ত মুংঙাইবমদে অমদি লেজিসলেটিভ ব্রাঞ্চপুস্থ মখোইগী আইনশিংবু লেংমন্দবা অমদি তৌশিন্নবা মানবগুম্বা অমা য়াওবগীদমক্তা নিন্দা তৌবমই। মহাক্না, সমাজগী অতুগুম্বা অকবা মতাং অহুদা মাইকৈ মনীদগী লুচিংবশিং পামলমই। অহানবদা, ফেডবেল গোভর্ণ- মেণ্টলোমদগী অকনবা অমদি এগ্রেসিভ ওইবা লুচিংবা অমা; অঙৌবদি ওইজববম্ম য়াম্না হম্বা মিৎয়েংনা য়েংবিরবা অতুগা সমাজগী অশোয়ববু শেমগৎপদি পাম্বা কাঙবুরোমদগী লুচিংবা অমা; খা থংবা নাকল লোমদগী ফাওগৎলকপা অঙৌবা লুচিংবা অমা, অবোইবদা অমুক নিগ্রোশিংগী মাইকৈদগী য়াম্না হৈশিংবা লুচিংবা অমা, মবি অসিনি কিংনা পামলিবা। মরি অসিনা লুচি হুনা ভোটর রেজিষ্ট্রেশন তৌহনা, য়েংশিনন্দ্রবা অমদি চাওখৎপদা শোথহৌববা, মখোয়গীদমক্ত খনবি- গদবা মীশক অমদা ভোট পীহুনা মখোয়বু কনবিরবা অসিনি মানা পামলিবা। মহাক্না, তিল্লবিবা মীপুম খুদিঙনা মখোয় মখোযনা মরৈ- বাক্ত হুর্নখবদা অসিগুম্বা অখন্নবা অনিংবা অসি থম্মোয়মুংদা কিগাও শানা য়োমহুনা পুবিখিনবা হায়জবমই।

প্রেয়ার পিলগ্রিমেজ লোইরবা মতুংদগীদি আমেরিকাগী অয়াম্বা মীশিংনা মখোয়বু লুচিংলগদবা মী অহুদি কিংনি হায়না থাজনরমই। খবরশিংদা কিংবু আমেরিকাগী নিগ্রো মিলিয়ন ১৬ কী লুচিংবা অমা ওইবা য়াবগী গুণ খুদিংমক শুনা লৈ হায়না ইরকলমই। রিপোর্টর কয়া কয়ানা কিং অমস্থং রোই রিলকিন্স অনিবু চাং তম্নহুনা ইনয়কলে। অম্নুম্না চাং তম তম্নহুনা ইমনবদগী কিং অমস্থং রোই রিলকিন্স অনিগী মরক্ত মুংঙাইনদবা অমা লাকখিরমই। অহুবু কিংদদি মুংঙাইতবা

করিবু থোইনা লৈতে হায়খি। কিংনা পুথংনিংবা চঙনিংবা লাঞ্জনা লাক্কিয়ান মেথদতা ডিমোনষ্ট্রেশন, পিকেটিং, বোইকোটিং. সিভিল ডিসওবেডিয়েন্স অমদি সত্যাগ্রহনি। অদুবু রোই রিলাকপনা পাওদি মদু নত্তে। মহাক্কী NAACP কী মতম কুইনবগী পামকলিবা আইনগী থোংদা কোর্টকী মতেংতনা সবকারবু শেমদোক্কনি অসিনি। কিরেপ অমি অসি থেমরকপনা খবরগী রিপোর্টবশিংনা মখোয় অনিগী মরমদা করা ইনল্রে। অদুবু কিংনা হায়খি, মাগী অপাম্বা লাঞ্জং অসি NAACP কী পামজবী অদুগী মহুৎ ওইসি হায়বা মত্তে, মানা পামজরকলিবা লাঞ্জং অসি 'হাপচিনবা' অমা ওইহনসি হায়বনি। অদুবু চয়েৎনবা থম লৈবদগী কিংনা মহাক্না হায়বিবা অদুগী শেংদোকপা ওইনা নিউ য়োর্ক তামা চৎখিদুনা NAACP কী লাইফ মেমবর অমা ওইরমই। অদুবু মদু ফাওবা মীওইবনা মীবু ইনশিল্লগা থেন-হনবদা হুংগাইবা অমদি য়েংনিংবা পোকপা মচৎ অদুনা ওমদুনা হুংগাইনদবা অমদি অদুম মরৈখি হায়নখি।

অদুগী থাগরবা মোংথোঙদ মমি শামি ওইনা উরবা কিংগী লুচিংবগী ঈথৌ অদুনা মাগী থরালমিচান্না হাইগৎলকলবদা কনানসু থিংখিনবা লৈরমদ্রে। কিংনা হাইগৎলকপদা, হুংশাগী মতাংদা লেম্ব চুমগুম মাগী মমাংদা লৈরবা লুচিংবা খুদিঙমক মহী ময়াই চম্লে। মরক অসিদা নেসনেল অমবান লিগ অমসুং NAACP অনিনা অনৌবা থোঙথাং অমা অমুক থাংজিল্লকলমই। লিগতা য়াওবস্বা মাওদা চেনশিন্দুনা লাঞ্জংনিংবা কাণ্ডবুশিংমা 'Disturved commnit-tee of the Executive Scretaries Council' হায়না কৌবা এডহোক কমিটি অমা শেমলমই। মসিগী সভাপতিনা চিকাগো অরবান লিগকী সেক্রেটরী ইডবিন সি বেরীনা ওইরমই। বেবীগী মখাদা প্রজাশিং অসি য়ামা চেকশিন লৈতবা য়াদবা কিতম্ অমদা তারমই।

অদুবু পুম্মক অসিগী য়াথলগা কিংগদি হেক্ থিজিন্নবদা খর

খরদি মশোয়নরে। কি'না, পেল্লদ্রবা রাকৎশিংবু মীয়াম মমাংদা পুথোক্তুনা মতুগীদমক্ত হোৎনহুনা মীয়ামগী ওইবা সিমপেথি অমা পুরক্নবা কন্না হোৎনরমই। মওং অসিদা চংথবগা নিগ্রো নহারোল-শিংগী থম্মোয়দা অওনবা অমা পুবক্নবা অঙম্ব শক্তি ভৌবমই। মাগী হোৎনবা অসিনা খৃঃ ১৯৫৯ গী ডিসেম্বর কাওবদা SCLC অমসুং NAACP কী মতেংনা মানা খারো'দা ভোটর মিলিয়ন মডা রেজিস-ট্রেসন্ তৌবমই। মহাক্না পাম্বদি মতুদগীসু মশীং হেনবনি।

খৃঃ ১৯৫৭ কী জুন তাং ১৩ দা কিংমা ভাইস প্রেসিডেন্ট নিক্সনগা উন্নবমই। মতুদা পুং ২ চুপ্পা রানী শারমই। মহাক্না সবকাবনসু চংথরকলিবা সিভিল্ রাইটকী সমস্যা অসিদা মিংয়েং খর চঙবিনবা হায়জখি,। মহাক্না প্রেসিডেন্ট মত্রগা ভাইস প্রেসিডেন্টনা খা'োমদা লাকপীদুনা সিভিল বাইটকী মোরেল অমদি লিগেল প্রোব্লেমগী মতাংদা রা খব ঙাংবিনবা হায়জখি। প্রেসিডেন্ট আইজেনহাৱারদসু প্রেসিডেন্টকা অমুবা লিডরশিংগা পূলগা পাঙথোকপা য়াবা রাকম খবসু পুথোকলমই। কি'না হোৎনজবদগী খৃঃ ১৯৫৮ গী জুন তাং ২৩দা হোরাইট হাউস কনফরেন্স তৌরমই। কনফরেন্স অহুদা বেনডোলক, রিলকিন্স অমদি অববান লীগকী একসেকুটিভ ডিরেক্তর লেষ্টর বি গ্রেংগরসু য়াওরমই। মতুদা নিগ্রোলুচিংবা ৪না য়ানবৰা, পোইন্ট ৯ য়াওবা রাকম অমা থাঙ্গৎলমই। পোইন্ট ৯ অহুদা অঙৌবগা অমুবগা লোকথাই তোকথাই তাহুনা য়েংথিনবকলিবা অহু কোরুনবা ফেডবেল সরকাবনা অঙম্ব শক্তি তৌবিয়ু; জাতিগী একতা পুক্নবা হোৎনবীয়ু; অঙৌবশিংনা অমুবশিংগী চর্চনচিংবদা বোম লংশিন্দুনা মাং তাকহল্লিবা অমদি য়েংথিনহল্লিবা অহু তৌহনবিদনবা হায়জরমই। পব্লিক্ স্কুলশিংদা সরকারগী মতেং কক্খ্রিবা অহু অমুক হন্না ফংহনবিনবা রাৱমসু পল্লমই। মখোয়না থাঙ্গৎ-লিবা রাকমশিং অহুদা মিৎয়েং অমত্ত চঙবিদ্রবদি খৃঃ ১৯৫৮ গী ভোটতা নিগ্রো খবসু ভোট থাদবোই হায়না খঙহল্লমই। প্রেসিডেন্ট রা ইঙাং ঙাংখিরমদে। মহাক্না কিংবু ফদি ফরগা মতিক কন্না চাকাত্তবা, অমদি নিগ্রোশিংগী মপুন্সিগী মরমদা কয়া থঙদবা লুচিংবনি হায়না লৌখি।

"ডাঃ কিং অমসুং সিট ইন অন্দোলন"

খৃঃ ১৯৫৭ তা কিং অমসুং মাগী মুপী কোরেত্তা 'ঘন'গী নিংতম্বগী উৎসবতা ওফিসিএল ওইনা সরকারগী মাইকৈদগী যাৰ্ত্তন ফংলদ্রন রাওবা চৎলমই। মফম অসিদগীনি চহী লিশিং কয়াগী মমাংদা নিগ্রো শিংবু আমেরিকাদা মীনাই ওইনা য়োল্লকখিবা। কিংনা মপা মপুগী লম অদুদা মপুন্সিগী অহানবা ওইনা খোঙথাঙবা ফংজবদা মপুক্লিংদ হরাও ভুজুংখি। কুচু অমুবা মুদবগী রা য়ান্নবা লম্বী অদুদা কিংনা চৎচবা ফংঙবদা পুক্লিংদা কয়াগী মতিক মুংঙাইজখিবা! মফম অদুদা অমুব প্রাইম মিনিষ্টরগা লোইননা চৎমিন্নবা, লৈরমলিবা অমুবা জর্জ, অমুবা মিনিষ্টর, অমুবা পুলিসমেন্ অমদি থোইদোক্ হেনদোক্লা অমুবশিংগী নিংতম্ ফিবাল্না মকা লান্না পাইবিবা; পুন্নমক অসি উরুরগা কিংগী থম্মোয় পুমনো নৌখি অমসুং মপুক্লিং মুংশিখি। অদুনা কিংনা মাগী ঘনগী খোঙচৎ অসিনা মাগী পুন্সিগী খ্বাইদগী আর্দ লৈবা এক্সপিরিয়েন্স অমনি হায়খি।

ঘন দগী কিংনা মুংপাল্ অনিদা অনৌবা আশা অমগা লোইনম আমেরিকাদা হল্লকখি। জেট মেগাজিন্না ইখি; কিংনা চহী অদুদা ভাষ ২০৮ পীখি, মাইল ৭৮০,০০০ চংখি। মহাক্লা মেন্টেগোমরিদা লৈব মরুপ অমগী ময়ুমদা অমদি আলান্টা হোটেলদা ভুমিন ভুমিন্ন ইদুন মাগী মপুন্সিগী অহানবা লাইরিক "STRIDE TOWARDS FREEDOM"—নিংতম্বদা খোঙথাং অমা হায়বা অদু ইবা লোই শিনখি। লাইরিক অসিদা মোটগোমরীগী অহিংসাগী লাল অদু ইরি

নোংমা কিং কোরেত্তা অমদি মী খর মোণ্টগোমরী রেকোর্ডরগী কোর্ট মমাংদা কেস অমগী হিয়ারিং তাদুনা লৈরমই। হায়রিবা কেস অদুমক্তি কিংগী মরুপ রালফ ডি এবরনেথিগীনি। মুমিং অদু সেপ্তেম্বর থাগী তাং ৩, মুমশকৈশ মুমিংদনি। হিয়ারিং তাদুনা লৈনরিঙৈ চৈরব

অতুদা পুলিস আফিসার অমনা তিল্লিবা মীয়াম অদু হন্দোকথিনবা হাযগমই। মসিদা অঙকপা থোথোক অমা থোকলমই। আফিসার অদুনা মানা চৎথোকপ্রো হায়বদুগী হুকুম্ অদু ইন্দে হায়দুনা কিংবু সিড়ি থাক মথক্তুগী চিংথবমই অমস্তং মঙকশমদা ঈন্দুনা সড়কলোমদা পুথোকপ্রগা জেল তান্না পুখিরমই। কোরেত্তা অমস্তং তিল্লিবা মীয়াম্না কিংগী মতুং ইন্নবমই। কোরেত্তানা মমিত্তগী মপি তানা কিংগী মতুং ইন্নবা অদু উন্নগা আফিসাব অদুনা হায়রকলমই—"হে নঙ্স্সু মাগা লোয়ননা জেলদা চৎনিংব্রা ? হৈ খুম্মু নহে।" মদু তাবদা কিংনা মাগী মুপী কোরেত্তাদা পাওখুম অমত্ত পীকন্নু হায়না তাকলমই। তশেংবমক্তি কিংনা চৎথোকপ্রো হায়বা হুকুম অদুবু ইল্লক নৎলমদে। মহাক্না এটোর্নি, ফ্রেড ডি গ্রেবু অমুক্ত উন্নজগে হায়রুবদা আফিসার অদুনা মানা হায়বা ইন্দে হায়ক্তিন্দুনা মরাল পীশনখিবনি। জেল য়োৗববদা কিংবু 'সেল' অমদা ইনশিল্লগা খুমুনা মথো'দা কল্লি হায়বগুম থোড পাক্না কাওশিল্লগা থমলমই। মফম অদুদনা মহাকপু সড়ক্তা চাংশিন্নবগী ফাবনি হায়না পাল্লমই। কোস্থ'দদি আফিসাব অমনা হায়বা ইন্দে হায়বগী মবালদা ওথোকখি। অদুবু কোন্না জামিন্দা থাবকখি। জেলদগী থারক্লবা তুংদা কোরেত্তাগা য়াম্না মুন্ন তান্নবগা ফাইন্ সুকপি পীবোই, জেল্দা হেক্তা চঙবনা ফরে হায়না লেপ্পরে। মতম ফন কুইববদগী হৌনা কিংনা মাবু ক্তা থোৎপা তৌ বা অদুগা ফাইন্নচিংবা তৌবা তারবদি ফাইন্ সুকপী পীববোই জেলদা হেক্তা লৈথোক্কে হায়বসি খল্লকলবনি। মহাক্তী মপুন্সিগী তলক শুবা জেল চঙবনি হন্দক্তিসি। গান্ধিজমবু য়াম্না কুপ্না নৈনরবা তুংদা কিংনা গান্ধিজম্গী দরকার অদু খঙবা হৌরক্লে। মতাং অসিরাইদদি কোরেত্তাসু গান্ধিজমবু মমুৎতানা নৈনবা হৌরকলে। কিং অমস্তং কোরেত্তাদা হন্দক্তী কি'গী জেল্ তাবা অসিনা তুংদা মথোয়গী নিংখাতম্ব অমদি সত্যাগ্রহগীদমক্ত চঙ্গদবা লাজংগী অহানবা থোঙ্থাংনি হায়না খনখি।

তশেংনমক কিং ফাইন্ পীখিদ্রে। লেদ্পা চঙ্গে হায়না মশানা

মখোঙ্‌না থেংনা চৎলমই। অদুবু অঙকপদি পুলিস কমিসনার মশামক্না শেল পুথোক্‌না কিংগী ফাইন্ পীথিরমলে। তশেংনমক মোন্টগোমরীগা ওফিসিএলশিংনা কিংবু জেলদা সুকপম থমনিংলমদ্রে

অদুগা অতোপ্পা মাকল অমদনা কিংগী বিচাব লোইরবা তুংদ মোন্টগোমরী নিগ্রো পুম্নমক DEXTER AVENUE BAPTIST CHURCH তা কিংগী মথক্ত কোর্টনা তারিব অদু য়ানিংদে হায়দুনা মিটিং অমা তৌননবা পুম্নমই। মিটিং অদু মাইপাকলে হায়না লৌবা য়াবমই। মরমদি মুমিৎ অদুমক্তা মুথিলগী পুং ১'৩৪ চংপা মতমদা কিংসু মীয়াম তিল্লিব মফম অদু য়ৌরকলে। কিংনা হোল মমুং চঙলকপদা মীয়াম্না মখূৎ শোক্কদবগী চেনশিন্নরকলমই। মহাক্না হেক চঙ্‌লকপগা মীয়ামগী মমাঙ্‌দা য়া ঙাংহল্লমই - "মতুংদা করিগুম্বা ঐবু নিংখাতহনগী লাল থেংনবদা ইরাল লৈরে হায়না সবকারনা লৌদুনা ফাইনন্‌চিংবা তৌরবদি ঐ ফাইন্ থিররোই।" মীয়ামগী খুৎকপা খুবাক্কী মখোলনা মাগী মরা ঙাবা ফংলমদে। খুবাক মখোলনা থর নেমগ্রবদা মানা অমুক হায়রমই— "ঐনা জর্জ অদুদা ঐবু ইরাল লৈতে হায়না লাওথোকপীয়ু নত্রগা জদি থীগদবনি হায়না লাওথোকপীয়ু হায়জরমই। অদুবু, মোন্টগোমরীগী মীয়াম্না মারটিন লুথরনা জেল চঙ্‌বা কিদে হায়বা উৱক্রবা কান্দদি মখোয় অমত্তনসু ঐবু জেল পীগদবনি হায়না থৌনা ফন লেপ্পা ওমলমদ্রে।......... ঐখোয়না পাঙ্গলগী শক্তিবু আত্মাগী শক্তিতনা (সত্যাগ্রহ) থেংনগদবনি। মোন্টগোমরীগী অচৌবা সড়কশিংদা ঐখোয়গী নিংতম্বা ফংদ্রিবৈদা ঈনা লৌখোং চেলহনবা য়াই, অদুবু মদু অঙৌবশিংগী ঈনা চেলহনগদবা নত্তে, ঐখোয় ঐখোয়গী থবাক্তগী ঈনা চেলহনগদবনি। ঐখোয়না অঙৌবা ইচিল-ইনাওশিংগী মতু ভুবুম নাম্নি তেকহল্লোইদবনি। চহী তরাগী মতুংদা ওইবা য়াই, নোংমা নত্রগা নোংমদি মোন্টগোমরীদা লৈবিবা প্রজা পুম্নমক মচীল মনাওগুম পুম্না লৈমিন্নরখিনি। থংগী মথৈ থীল্লবা য়াই, অদুবু শোয়-দনমক নোংমদি ঐখোয় পুম্নমক অমত্ত ওইবগী লিচিং মখাদা লৈন-খিগনি।" লোইশিল্লকপদা কিংনা তুংগী রাফম অমা হায়রমই—"ঐখোয়না

ঈশ্বরগী মকমদগী ফত্তববু থিংনবা মেনডেট অমা ফংলবনি.........
ঐখোয় পুম্নমক পুলিসকী তমশিন্নবা অত্যাচারবু মাইয়োক্নগদবনি হায়বা থোনাফবা অনিংবা অমগী লোয়নন মিটিং অসিদগী মপাল থোক-খিগদবনি। ঐখোয় পুম্নমক জেল চঙবগী হমুক অকিবা লৈবরোইদবনি। মসিদগী ঐখোয়না জেল চঙবগী অকিবা লৈতবা পাম্না অমা তমহৌ-গদবনি।"

মসিগী মতুংদা কিংনা অর্রাংথংবা সহরশিংদা চং চৎতুন মীয়াম তিনবা মকম মকমদা ম্রা ঙাঙলমই। মহাক্না ম্রা ঙাঙবা মফম থুদিঙমক মী য়াম্না য়াম্না তিল্লমই। ডিট্রোইতা ঙাঙব্রদগীদি চিকাগোদা ঙাংবদনা হমুক হেন্না তিল্লমই। অহুবু মাগী মত অসি য়ানিংদবা নিগ্রো কাঙবু থবস্মু চোংথোক্কবদি নত্তে। মথং মথং ম্রা ঙাঙহুন লাকপনা নোংমা হারলেমগী ডিপার্টমেন্টল ষ্টোর অমদা ঙাঙব তারমই। মুমিৎ অহু সেপ্টেম্বরগী তাং ১৯গী নুমিদাংনি। ষ্টোর অহুগী খোঙউপকী কা অমদা থাবা ডেস্ক অমগী মথক্ত ফমলহুনা কিংনা মাগী লাইরিকী ওটোগ্রাফ কোপি অমা পৌথোক্কুনা লৈরমই। মতম অসিদা মশা-মউ য়াম্না ফরবী নিগ্রো নুপী অমা মীয়াম মবক্ত শমহুনা কিংগী মনাক তাম্না লাকলমই। মানা থবকশুবা মী অমদা হংলমই – "মসিরা মার্টিন লুথর কিং হায়বদো?" নিপা অদুনা খুমলমই—'মানি'। প্রপ প্রপ চঙখিহুনা কিংগী মনাক য়োববা কান্দ নুপী শহুনা হংলমই – "নঙনা মা টিন্ লুথর কিং হায়বদো?" ঐনা নঙবু নতুং ইন্নরকশিবসি চহী ৫ শুরবনি।" ম্রা অসি হায়বা লোইরম লোইকাংগ্রিংদা মাগী ফিরৈদগী জাপান্গী চিঠি হাংদোক্রবা হৈজ্রাং মচা অমা পুথোবক্লগা কিংগী ওইথংবা মথবাক্তা লৈজরবী থাহুনা থিংজিনখিরমই। থা না হেক থিনবগা কিংগী মথজাই অনিমক্তা খুপাক্লা ওন্ন ওন্ন থাজিল্লমই। তিল্লিবা মীয়াম অহু জ্ঞান অমা ইতা তানরমদ্রে। মীয়াম চঙহুনা নুপী অহু চিংথোক্কুনা পুলিসতা শিন্নখিরমই। তাঞ্জা অসিদা অতোপ্পা নুপী অমনা কিংগী থবাক্তগী পুন্সি কোম্ননিঙাই ওইরবা হৈজ্রাং অহু শৎকে তৌরমই।

লাইবক ফবংগী নিপা অমনা থিংহৌতুনা থবাক্তগী হৈজ্রাং অহু অতুম লৈন লৈন হাৱলোমগী হসপটাল অমদা পুখিরমই।

পুনিসনা কন্ন থিগংপদগী খঙলে—কিংবু হাৎকে তৌরম্বী অহু নিউযোর্কগী লৈবী মবুক্কি চোইরবী Mrs. Izola Ware Curry হায়বিহুনি। মহাক্না মাগী মপুন্সিদা কিংগা অমুক্তসু থেংনখিদ্রি অহুবু মানা, কিংনা মাবু রোমান কেথোলিগতগী ওস্থোকপিনবা কন্ন হোৎনবে অমদি মীনা মাবু য়াম্না ওৎপিবে হায়বমই। অসিদসু নত্তনা মানা মলাক মশামক এনটি ইন্টিগ্রেসনিষ্টনি অমদি কিংনা NAACP কি মকোক ওইবকপা অহুদা মাবু হাৎকে তৌবনি হায়না খুমলমই। মরক অসিদা হাবলেমদা য়া য়া লাওনরকলে মহুদি কিংবু হাৎকে তৌবক্লিবা অসি অমুব কাঙবুগী লৌতুনবনি নত্রগা অঙৌবা সুপ্রিমেসিষ্টশিংনা লৌতুনহুনা তৌহনবনি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইববসু শাওনিংব অমদি মুংডাইতবনা মৈবি ওইনা য়ায়বক্লবা হাবলেমগী প্রজাশিংনা হাবলেমগী হসপটালগী অকোইবদা ওমলমই। মনুংদনা Dr. Aubred Maynard অমসুং অতোপ্পা সারজন্ টিম্ অমনা কিংবু ওপবেশন্ তৌরমই। ওপরেশন্ অহু পুং ৩ চঙ্লমই। থবাক্ত থিংজিনথ্রিবা খুৎলাই অহু লৌথোক্লবা হোংনবদা কিংগী থবাক্কী শক মচেৎ অমা ককলমই। হসপটাল মনুং অহুদা মী অতোপ্পা কনা অমত্ত চঙ্হল্লমদে। কোনেত্তা কিং অমদি মোন্টগোমবীদগী নিউয়োর্ক তাম্না লাকপিবা কিংগী মবিমতা খনদি থাজিল্লমই। সার্জন্ ডাঃ Emil A, Naclerion না মীয়ামদা খঙহল্লমই মহুদি থাঙ অহুগী অতুম্বা অগৌবা মতোন অহুনা থম্মোয়দগী হকচাংগী অতৈ মকমদা শন্দোকখ্রিবা ঈগী উতোং (Aorta) অহুগী মপালগংবা শকক অহু লেল্লুরে। অহুনা করিগুম্বা শোকলবা মভুংদা লোক খুনা নত্রগা হাকথিগুম্বা খল্লম্ব তাববদি ঈ উতোং অহু ফাওদৎখিহুনা কিং হিংলম্বয়োইদবনি। অহু কপু ঈশ্বরনা কন্দূনা কিং অসিবগী থয়াত্তগী লিৎহোরে।

নোংঙাল্লগা মুপী অমু মেজিষ্ট্রেট ভিন্সেন্ট রেগী মমাংদা পুংথোক-লমই। মুপী অমু য়াম্না লেম্না মখুৎ অনি অমু মথবাক্তা কারন চৎনরম্নুনা ফমলমই। জর্জ অমুনা য়াম্না লেম্না হায়রকলমই—"ঐ খঙলে, মসুদি মুপী অসি মারটিন্ লুথরগী থবাক্তা ছুরিনা থিল্লুবদগী ফারে।"

আইজোলা ক্যুরিনা খুমলমই—"নত্তে, ছুরি নত্তে। চিঠি হাংদোক্লবা খুৎলাইনি।"

এসিষ্টেন্ট ডিষ্ট্রিক্ট এটোরনি Howard Jonesনা য়াম্না থুনা হায়রকলমই—"ঐনা পাম্বদি মহাকপু জামিন্ য়াদনা কাজিন্দুনা থম্বনি।"

আইজোলা ক্যুরিনা খুমলমই—"মানা ঐবু চার্জ্জ তৌরকপদগী ঐনসু কিংবু চার্জ্জ তৌবনি।"

"মানা নঙগী মাইয়োক্ত করম্না ফত্তবা তৌরম্মে।"

"মানা কম্যুনিষ্টশিংগা অমত্ত ওইনা তিন্নরে অমুনা ঐনা মাবু চার্জ্জ তৌবনি। য়াফম অসি FBI নসু খঙহনগ্রবনি। FBI নসু য়াফম অসি থিজিল্লিবনি।"

"মুপী অসি নারে"—মেজিষ্ট্রেটনা হায়রকই।

মশামক্তদি য়াদ য়াদনা ক্যুরিবু ঙাওই ঙাওদে য়েংনবা সাইকি আট্রিক বোর্ড অমদা থাখিরমই। মতুংদা মহাকপু ক্রিমিনেল্লি ইনসেন ওইরে হায়মুনা Mattewan State Hospital দা থাখিরমই।

কিংনা হসপটালদা লৈরিঙৈদা পৃথিবীগী মীপুম খুদিঙমক্তগী কিংগী অনাবা হংবগী পাও লাকপ্রা হায়না হসপটালগী মীশিংনা থনখি। গোর্ভনরএভরেল হেরিমেন্ মক কিংবু উন্নবা লাকখি। ভাইস প্রেসিডেন্ট নিক্সন্ পাও থাবকলমই। আমেরিকাগী অচৌ অশাংদগীনা কুলি কাওবগী মীনা কিংগী অনাবা হংলমই। আমেরিকাগী মসুংগী মীদ নত্তনা অতোপ অতোপ্প লমদগীসু অনাবা হংলমই। পুবকখিবা খুদোলগী লৈ অসিনা হসপটাল্গী কা অমু থমকম লৈরমদে। লাকইবা VIP মরাম অমুগা হসপটাল্ অমু অরাবা অমা ওইগ্রে। কান্নবরোই থল্লমুনা হসপটালগী কা অমদা কিংগী আফিস রুম অমা পীরমই। মসুদা কোরেত্তা অতৈ

থবক অমত্ত তৌদনা কিংবু হংবা লাকপা মীগা শকউননা ঙাংনবা অমদি ফোন্দা ভাঙনবদা নোংঙাংবদগী হুমিং তাবা ফাওবা লৈথোকপা ফংলমদে, তপ তাৱই।

কিংনা, মাবু হাংকে তৌবগী অদুগী মকমদা করিমতা মুংঙাইতবা তৌখিদে। অদুবু মানা হায়খি—অসিগুম্বা থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইরবা থৌথোক অসিনা সুপ্নগী মী অমখক্তবু অরাবা পীব নত্তে। তুক্কচবা অমদি তমথিবা হায়ব অসিগী মুংশিৎ অসিনা শিংলকলবদি ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা হিংসাগী থম থেংবা থবক উবা ফংলকলগনি ঙসিগীদি ঐ ওইখ্রে। হয়েংদি অসিগুম্বা তমখিরবা মচৎ অমদি আইন লৈত্রবা মচং অসিগা মাইয়োক্নরগদৌরিবত্থু অতোপ্পা লুচিংবা অমা, নত্রগা, মুপী নত্রগা অঙাং অমদা শোয়দনা থোকলরগনি। তশেংনমক কিংনা, মাগী তুংগী পুন্সিবু কোন্নরগদবা থৌথোক থরবু মমিৎতা উবা ফংলমই। হসপটালদা হুমিৎ হুমনি লৈরবা তুংদা কিংবু থারকললমই। মাবু থাংকপা মতমদা মাগী অনাব অদু পুংফ ফবে। অদুবু ডাক্তরশিংনা থাজবদি মানা মপুন্সি চুপ্পা মসিগী চৈনা অমদি অদুম মফংলগনি অসিনি। তশেংনমকসু কিংনা মাগী মপুন্সিদা থৌথোক অসিগী চৈনা অদু মুং-পাল অনিদা অদুম কাওখি। নিউয়োকতা থরনিদং লৈরম্মগা কিংনা মোন্টগোমরীদা চৎখিরমই। মফম অদু য়োংগা মাগী হান্নগী নিংতম্বগী অহিংসাগী লানফম অদোমদা থোঙ অমুক থাংজিনখি। মতুংদা মহাক্না চয়োল থরদং পোথারগা মতম কুইনদগী হৌনা ভারতকী প্রাইম্ মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুনা ভারতা অমুক্তং লাকপিনবা তৌনকপা বার্ত্তন্ অদু চৎলগে হায়না লেপাখিরমই। নেগ্রোগী সংস্থান অনিদগী শেলগী তেংবাং থর লোরগা খৃঃ ১৯৫৯ গী ফেঃ তাং ১০ দা ভারতকি কোম্নুং দিল্লিদা কোরেত্তা কিং অমসুং লাওরেন্স ডি ফেডরিকা লোয়ননা থুংখিরমই।

ভারতা থুংলরবদা মহাক্না ভারতকী মীয়ামদা হায়খি -"অতৈ অতৈ লমদগি ঐনা চুংগী লমকোয়বা মী অমা ওইনা চৎপ য়াই। অদুবু

ভারতদি তির্থ চৎপা মী অমা ওইনা লাকল্লিবনি।" মহাক্না দিল্লিদা লৈবা গান্ধীগী মোংফমদা লৈ গু কথলমই। স্কুল, কলেজ কয়া কয়াদা ভাষন্ কয়া কয়া পীরমই। মহাক্কী শুকনি হায়না থস্মোয়দা থগুরিবা অহুগুম্বা গান্ধী অহুগী অথোইবা শিষ্য ওইরিবা নেহরুগা উন্নবদা মুং-ঙাইবগী ওমথৈ লৈখিদে। ভাবতকী শোক্লবা য়াদব অমদি অতোল অতাংশিংগী ফিভম ফগৎনবা ভারত সবকারনা অঙম্ব শক্তি হোৎনবা অহু উরগা কিংগী থস্মোয় পেনখিরমই। মীসু সরকাবসু কি্না হেক পামজবা হায়বদুনক ভাবতা ফংলমই।

ভারতগী হন্নকপা মতমদা কিংনা মানা হান্না থাজবথা গান্ধীগী টেকনিক অহু অমুক হেন্না থাজখিরমই। মহাক্না মশোমদা নকশিল নকশিল্লগা অমদি সিভিল রাইটকী ঈহৌনা হেনগৎলকপগা খাথংবা শরুকশিংগী শেগ্রিগেসানিষ্ট কাওডুপশিংনা কিংবু কিহন্নবা থবক কয়া তৌবকলমই। মডোপতা নওনা অতোপ্পা নিগ্রো লুচিংবশিংদসু তৌরমই'। মরক অসিদা প্রজাশিংসু ই.ব লৈতাদবা অমা তৌবমই। লৈতাদনা লৈববা প্রজাশিংবু অমুক হেন্ন লৈতাংগ্রিবদি ইলিজা মুহম্মদনা নিগ্রো-শিংগী তোঙানবা ষ্টেট অমা শেম্মনবা হোবকপা অন্দোলন্ অহুনি। নিগ্রো মহাবোলশিংগী মাইকৈদসু অমুবশিংগী মাইয়োক্ত চৎথবকলিবশিং অহুবু থাঙহনা লৈথোকপা অহু য়াম্না রানা থোকলমই মবম অহুদগী খৃঃ ১৯৫৮ গী আগষ্ট থাদগী হোনা রিচিটা, কনসাস, অমদি ওকলাহামা সহরশিংদা NAACP য়ুথ কাউন্সিলগী মীওইশিংনা 'SIT-INS' প্রোগ্রেম্ কয়া চৎথরবনি। অসিদ নত্তনা খৃঃ ১৯৫৮ দগী ১৮৫৯ ফাওব-সিদা নিগ্রো মহাবোলশিংনা ডিশেগ্রিগেসনদা তপথবা খোঙথাং অমা থাংলকপা অহুবু য়ানিংদবা ওইনা ওয়াশি টন ফাওবা চৎত্তুনা লাওরুরবনি। কিন্তু হোংলকলিবা অনৌবা ঈচেল অসিবু কুপ্প য়েংলকলিবনি। মাগী মাগী থস্মোয়সুংগী য়ডয়দা মতমদুগী থোকল থোকলরিবা থোথোক খূদিঙগী মমি তারকপনা মহাক্সু মাগী জাতিগীদমক্ত করিগুম্বা থব তৌবা মতম ওইরে হায়বসি লেপখিরমই। মরম অসিদগী য়ানা

Dexter Avenue Baptist Church অগী তোকলগা আটলান্টাদা হনখি। মানা চৎসমদাইদা চর্চ্চ অহুদা মীয়াম তিন্নহুনা কিংনা লুচিংহুনা 'Best Be the tie that binds' হান্নহুনা মমিত্তগী মপি তানা ইশৈ অমা শকমিন্নরমই অমসুং চর্চ্চতগী বিদাই লৌখিরমই।

কিংনা চহী ৩/৪ অসি চুম্নগী পেন্দবা মরু হুনবগী থবক নত্তনা অতৈ অকনবা থবক কয়া পায়খৎলক্লি। মহাক্না সমাজদা লাকলিবা অশনবা অহু মিৎকুপ-নাহুম চোইথোক্তনা কুপ্ন শেন্নহুনা লাকলিবনি। হৌজিক্তি থওলে, মহাক্না নহালমথৈ হুনখিবা পেন্দবগী মরু অহু লোকপা মতম চপ চারে। মতম অমুক নাম্থোকহনখিবা য়াদ্রে। চুমদবগী মাইয়োক্তা, মহুবু মরু ফুরা লংথোকখিনবা 'সাইকোলোজিকেল মোমেন্ট' অহু থুংলবে হায়বসি কিংনা চপ চানা থাজরে। থুনমক মাগী পায়খৎকদবা থৌদম পবেং লাওথোকনিংলে। হায়বিবা চংথরকদবা থৌবম অহুদা ভোটর রেজিস্ট্রাব তৌবা অমদি ডিসক্রিমিনেশন অমসুং শেগ্রিগেশন অনি অসিগী মায়োক্তা অহিংসানা খুৎলাই ওইবগা চঙগদা লালগী মতাং য়াওহন্নিংলমই। মহাক্না মতম অহুদা য়াম্না পাম্বদি সমাজনা ওন্নকইবা মওং অহুগী মহুংইন্না অহিংসাগী ওইবা সত্যাগ্রহ অন্দোলনগী লিচিং মখাদা নহারোল অমদি অহল্লোল লুচিংবশিংবু হান্না ট্রেনিং তৌবা পামলমই। প্রশ্না মীয়ামগা লোয়ননা অনৌবা লালওং কয়াদা মাইপুনবা থবক পায়খৎপা পামলমই।

নোংমা খৃঃ ১৯৬০গী ফেব্রুয়ারি থাগী মুংথিল অমগী য়ানী। অরাং-থংবা কেরোলিনাদা লৈবা গ্রিনবোরো সহরগী নিগ্রো এগ্রিকলচরেল্ অমসুং টেক্নিকেল কলেজগী অহানবা চহীগী ছাত্র কাওলুপ অমা থোবক্তনা খাথংবা ইলেম স্ট্রিটকী F.W. Wood Worth ষ্টোরগী লঞ্চ কাউন্টরদা চওহুনা তুমিন্ তুমিন্ন ফমহুনা লৈবমই। মফম অহুদা মথোন্নবা ইথা থাজ্রদনা লঞ্চ কাউন্টর অহুদা তৌরকলিবা মতৌ অহু উবদা অহুরাইগী অওৌবা অমসুং অমুবা মীপুম খুদিঙমক ইওক ওন্নরমই। অওৌবা কাওবুনদি য়াম্না মুংশিদবা মিৎয়েংনা য়েংনরকলে। অহুবু

ছাত্রশিং অমুনা কুরি অমত্ত থওইদনা মখোয় মখোয়না পুরকপা লাইরিকশিং অমু লাইব্রেরিদা লাইরিক পাবদোনা পাত্নুনা লৈরমই। মখোয়বু মীনা য়েংনরকলে হায়বগীসু ইথৌ থৌওইরমদে। অসুম্না ছাত্রশিং অমুনা ষ্টোর অমু খিংবা মতম কাওবা কমজিন্দুনা লৈরমই। সুমিৎ অমুদা গোল মাল অমত্ত থোক্লদনা লোইশিনখিবা অসি ছাত্রশিংগী থাওবা কনবগী খুদমনি হায়নখি। মথংগী সুমিত্ত ছাত্র কুনমঙা অমগা অমুক থোমজিন্দুনা মখোয়না নহারোলশিংগী থম্মোয়বু মৈ চুখিরমই। অসুম্না চংথবা অসিনা থা অমগী মনুংদা মিসিসিপি নত্তনা খা থংবা ষ্টেটশিংগী সহরশিং শীনবা থুংনা 'Sit in' প্রোগ্রেম পাওথোকলমই। হায়রিবা 'Sit-in' অসিনা জিম ক্রো (Jim Crow) কট্টম কৌবা নিগ্রোশিংনা লঞ্চ কাউণ্টরদা লেপ্লুনা লৈরিবা মথৈ পীজ পীথক তৌবা হেক কমথবগা করিমত্রা পীজদবগী চৎনবী অমুদা অকনবা এটেক তৌরমই। মার্চ্চ থালোই-শিল্লকপা অমুরাইদদি 'Sit-in' অসি লঞ্চ কাউণ্টর, ডিপার্টমেণ্টল ষ্টোর, সুপর মার্কেট, থিয়েটর অমসুং সহরগী অচৌবা লাইব্রেরিশিংদা চংথরকলমই। Sit-ins অচৌবশিংগীদমক খুদোংচাবা পীকম অমদি মখোয়বু য়াম্না ব্যবহার তৌবা মফমদা নিগ্রোশিংনা হেক্ত কমজিনবা, মখোয়না ইনবা, কাওবা, অমত্ত লেঙদবা, অসিদ নত্তনা Stand-in, kneel-in অমদি পুল্লপ পুল্লপ চৎপা অসি মথং মথং ওইনা অন্দোলনগী প্রোগ্রেমদা হাপচিল্লমই।

Sit-ins কি অন্দোলন অসিদা শরুক য়াকুরিবা নহারোলশিং পুম্নমক্না মোণ্টগোমরীগী থোথোক অমসুং কিংগী মওং অমুবু মখোয় খুদিত্তমক্কি থম্মোয়দা কুইনা নিংশিংনবা হোৎনরমই। মখোয়না য়াম্না শান্তিপূর্ণ ওইবা মওংদা মখোয়গী শেগ্রিগেশনদা পেন্দবা অমু মিংখিনা কোংদোকখি। মমৈদা সুপ্রিম্ কোর্টনা, নিগ্রো ছাত্রশিংনা শেগ্রিগেশনবু থম্মোয় শোক্লা শাওনিংঙ্লিবমু চুমই হায়না য়াখিরমই। অমসুং শেগ্রিগে-শনগী য়াংলবা পল অমু লোথোকখি।

গ্রিন্সবোরোদা সিট-ইন কি অন্দোলন হৌখিবা সুমিৎ মঙানি

লৈবগা CORE (Congress on Racial Equality) গী মীহুৎ খর গ্রিন্সবোরো অমসুং ডর্হামদা থুংলরমই অমসুং মখোয়না আন্দোলন অসু লুচিংগনি হায়না লাওথোকলমই। অসুবু মফম অদুগী অন্দোলন্ য়াওরিবা ছাত্রশিংনদি মখোয়গী অন্দোলন্ অসু মফম অদুরাইগী মীওগী ওইনা তৌজগনি, অবাপ্পদগী মী য়াওবা দরকার লৈতে; অদুগীসু মথক্তা নেসনেল্ গ্রুপকা মরি অমত্ত লৈনজরোই হায়রমই। অদুমকথু কিংবুদি মখোয়না অহিংসাগী ডাইরেক্ত এক্সননা মীগী শক্তমদা চোংথোরকপা মুর্ত্তি অমা ওইনা উরমই। ছাত্রশিংগী ব্রাথলদদি কিং অসি মখোয়দগী লাপ্পবা ইয়া য়াদ্রবা মীশক অমা ওইনা লৌরমই। ছাত্রশিং অদুনা কিংগুম্না মখোয়গী সমস্যা অদুগী শোলুশন ফংনবা কন্না হোৎনরকপনি। মহু থিবদা মখোয়বু মীনা কয়া কয়া ফুখি, খুপাক কয়া চাখি। মহুদা নত্রা মখোয়গী উনশাদা মখোয়বু মুংশিদবা কন্নানা থরুব্রিবা চুরুটকী মৈ মুথৎপিখি। অভৌবশিংনা থিন থিন ওৎপিখি। অদুবু পুম্নমক অদুগী মাইয়োক্তা ছাত্রশিংনা য়াম্না শান্তিপূর্ণ ওইনা থাথংবা শক্তকী লম্বীশিংদা চংলমই। তশেংনমক কিংনা, হৌগৎলকলিবা নহারোলশিং অদুবু মখোয মখোয়গী আত্মাদা নিংখা তম্বগী মৈবী অমদি মখোয়গী মমিৎতা লৌশিংগী মঙাল অমা ফাওববা অনৌবা মতমগী য়াওন্দা পুরকপা নহারোল ডাক্ত ওইনা উথিবমই।

মবক অসিদা কিংনা SCLC গী মীওই খরগা পুম্নগা ছাত্রশিংগী মকোক থোংনা পুরিবা কাওলুপশিংগগী কনফরেন্স অমা তৌগে থল্লমই। মবম অদুনা অরাংথংবা কেবোলিনাগী শো বিশ্ববিদ্যালয়গী কেম্পসতা নুমিৎ হুমনিগী কন্‌ফবেন্স অমা ফমলমই। কন্‌ফবেন্স অদুদা Students' Nonviolent Co-ordinating Committee (SNCC) শেমলই। হায়রিবা কমিটি অসিগা, CORE অমদি অরাংথংবা শক্তগী অহিংসাদা য়ুমফম ওইবগা লিংথৎলকপা ওর্গেনাইজেসন করাগা পুম্নগা অন্দোলনগী মকোকথোংবা থৌ পুব হৌরকলমই। অমুম মথং মথং চৎথরকপদগী কিন্তু ১৯৬০ গী লোইশিল্লকপা অদুরাইদগী আটলান্টাগী

খ্বাইদগী চাওবা রিজ্ঞকী ডিপার্টমেন্টেল ষ্টোরদা সিটইন্স অন্দোলন্ চঙ্বা য়াওরমই।

সিট ইন্সকি প্রোগ্রাম মথং মথং মৈনা চুদুনা শন্দোকলিঙৈ অসিদা ফেং তাং ১৭ (১৯৬০) তা কিংবু আটলান্টা চর্চ্চতগী আলাবামা রাজ্যে অননা কাখিরমই। মহাকপু ফুলটোন কাউন্টি শেরিফকী ডিপুটি অনিনা আলাবামা ওফিসিএলশিংনা হায়জ্ৰবদগী ফাখিরনি। ফাবিবা মরমদি কিংগী খৃঃ ১৯৫৬-'৫৭ অমসুং ১৯৫৭-'৫৮ গী চহী অনিগী ইনকম টেক্সকী মতাংদনি, চহী অনি অসিদা মাগী থিকম থোকপা অচুদগী তাথবা থিরম্মে হায়বদগীনি। অদুবু মাবু ফুলটোন্ সুপেরিয়র কোর্টনা ডোলার ২,০০০গী জামিন্দা থারকলমই কিন্নদি মাবু ফবিবদু থোইদোক্লা ইন্কম্‌টেক্সকী ওইকম থোক্তে, মামা সিভিল রাইটকী লানফম্ অসিদা লোৌরকপিবা পার্ট অদুগীদমক্ত য়ৈথায়বা পীননবা অলাবামানা শীন্বা ওইবিনি হায়খি।

কি গী মোক্ত মাগী মপুন্সিদা জেলদা চঙখিবশি গী মসুংদা খ্বাইদগী ইকায়বদি হন্দক্কি অসিনি। অতৈ অতৈ চঙবা জেলনা লম্লাই ওইবা মবমদা নত্তে। হন্দক্কি অসিদি মহাক মশাগী ইজ্জৎতা অশোকপা অমা ওইরমই। শেলদমক যংনিংবা মতুগী মতিক থোকপা টেক্সপুদি থীনিংদবা মীশক অমা ওইনা প্রজাশিংগী মমাংদা তানতুদা মা যারা ইকায়খিরমই। মহাক মশানবুদি মঙোন্দা পাল্লকপিবা কেস অদু অথানবনি হায়বদু খঙজ্ৰবরসু মীয়াম্না করি হায়নরমগনি হায়বসিদা থম্মোয় শোক্না ক্লংঙাই-রমদে। ইকায়বনা হেনমন্থিহনা চিকাগোদা পীগদবা ভাষণ্ অদু পীবা ঙম্মরোই হায়না খঙহনখি। প্লেন্ আফিসতা মাগী বিজার্ড তৌপিবা সিট অদু হায়দোকখি। মাগী ভাষণ তানিংবনা ডাইনবক্লিবা প্রজাশিংদু নিংবা কায়খি। মরক অসিদা মথন্ত মাগী কাদা হঙৎ হন্দা চৎতুনা ইকায়বা থাঙ্লমই। থাঙ্বা ঙমলক্তুনা মথস্ত শিজ্ৰরসিরা হায়বন্দু-ফাওবা য়োরকখি। অদুবু খনবা মথৈ খল্লগা পুন্নমক অদুবু মাইয়োক্তনা ফাওবা ঙমত্ৰবদি মাগী অনিংবা অদু করম্না থুংকম থোকপগে হায়না

খল্লকপদগী এরোপ্লেন্ আকিনতা কোন্ তৌহুনা অতোপ্পা সিট অমা অমুক রিজার্ভ তৌরগা চিকাগোদা চৎখিনমই অমসুং হায়নখিবা মুমিৎ অহু ুন্দা চপচানা ভাবণ পীখিরমই।

পংকুই কুইদনা মাগী মথক্ক লৈবা কেস অহুগী হিয়াবিং অহু মোণ্টগোমরীগী কোর্ট হাউস অমদা তৌরমই। নিগ্রোশিংনা ডিমোনষ্ট্রে-শনগুম্বা তৌরকদ্রা হায়হুনা অভৌবা শেরিফ ডিপুটিশিংনা শগোল তোংহুনা ক্লব পায়হুনা কোর্ট হাউস অহুগী অকোয়বহু ভাকলমই। কিংবুনা নিগ্রো উকিল অহুম্না লেপলমই—মোণ্টগোমরীগী Fred Gray, নিউয়োর্ককি Hubert Delany অমসুং চিকাগোগী William Robert Ming। অহুগা সরকারগী মাইকৈদনা অহল ওইরবা, কিংবু য়াম্না য়াদবা William Thetford না লুচিংলমই। খৃঃ ১৯৫৬ তা কিংগী ইনকম্ অসি ডোলার ৯১৫০ নি অহুবু ষ্টেটনদি ডোলার ১৬, ১৬২ নি হায়রমই। খৃঃ ১৯৫৮ দনা মাগী ইনকম্ ডোলার ২৫,২৪৮ নি অহুবু সরকারগী মাইকৈদগীদি ডোলার ৪৫,৪২১ নি হায়রমই। কেস অহুগী মরিদা কিংনা হায়বদি ইন্‌কম্ টেক্স এজেণ্টনা খোৎলকলিবা অহুদি 'পোলিটিকেল ওডিট' ওইনা তৌরে, তশেংবা সধারন ওইনা তৌনবা ওডিট মতৌ অমদি খোংনরিবা টেক্স অহু নত্রে হায়খি। অহুমকপু সরকারগী শাক্তি ওইরিবা ইনকম্ টেক্স এজেণ্ট অহুনা টেক্স তোৎপদা শোয়রম্বা অমদি তিনশিনবদা অক্ক হোৎনবা কমপু টিং মেচিন্না খব শোয়রম্বদগী কিংগী উকিল 'মিং'না অহোবা কয়া ফংহুনা কিংবু মরাল লৈতে হায়না মেঃ থাগী তাং ২৮ দা থাদোকখি।

মে থাগী তাং ২৯, নো মাইজিং মুমিৎ অহু ইবেনেজের বেপটিষ্ট চর্চকী ফমফম অমত্ত অহাংবা লৈতনা মীনা কুক কুক ইন্নখরে কিংগী 'Autobiography of suffering' কৌবা সবমন অত্ত তাগদরগী ভাইনবদা। মুমিং অহুদা মীয়ামদা মানা আলাবামা থাদোক্লগা আট-লাণ্টাদা লাকখিবগী মরম শুগাইনা খণ্ডহনখিরমই। তশেংনমক মানা ছাত্রশিংগী ঈংৎ অহু য়ানিংই অমদি মহুদা য়াওনিংই হায়বসি মীয়ামদা

খঙহনখি। মুমিৎ অদুদা মানা থম্মোয় শোয় হায়খি—'এবু বোম্বা কয়। শংশিনবিবে জেল কয়াবক পীরে, কয়া কয়ানা হাংকে হোৎনগ্রে। অদুবু মদু পূমনক অদু অদুক হায়া থম্মোয় শোয়া খঙ্করদে। অদুবু হন্দক্কী ইত্তৎতা হাৎতুনা ইনকম্ টেক্সকীদমক্ত তৌনবা কেস অদুবুদি থম্মোয় শোয়া মুংডাইখিদে।" মুমিৎ অদুদা মানা চর্চ্চতা পীখিবা ভষন অদুনা মড়োন্দা অশাওবগী মচাক য়াওনা ডাঙ্ব মান্বদা অহানবনি হায়নখি।

খৃঃ ১৯৬০ গী ওক্তোবর থাগী তাং ১৯ নি। কিংসু ছাত্রশিংগী মরক্তা রিক্কী ডিপার্টমেন্টল ষ্টোরদা সিট-ইন্সকী প্রোগ্রেমদা য়াওদুনা লৈরমই। মতম অসি সিনেটর জোন্ এফ কেনেদি ১দি নিক্সনগী প্রেসিডেন্সিএল্ ইলেক্সনগী কেমপেন্ কয় তৌনরি মুমিৎ অমদা কিংবু ছাত্র ৫১ গা কোয়না ফাবমই। অদুবু আটলান্টাগী মেয়র রিলিয়ম হার্টস ফিল্ডনা অতৈ ছাত্রশিং অদু লোইন থাদোকখ্রগা কিংহবু ফাজিন্দুনা থমহোরমই।

De kelb county গী ক্রিমিনেল্ অমদি সিভিল্ কোর্টকী জর্জ O kar Mitchলনা, কিংবু হন্দক ফাবসিনা মাগী চহী ১গী প্রোবেশনদা থম্বগী দণ্ডি অদু ইংদে হায়বগীদমক্ত থা ৪গী থবকশুবা জেলদা পীনিংলমই। কিনা ডোজিয়াদা লৈরিঙৈদা খৃঃ ১৯৬০ গী সেঃ তাং ২৩) নোংমা আলাবামা লাইসেন্স পায়গা জোজিয়াদা কাব থৌনম্বগীদমক্ত ডোলার ২৫ ফাইন্ তোওনা চহী অমগী প্রোবেশন্দা সরকারগী মাইয়োক্ত করিগুম্বা অমত্ত তৌবা য়াদে হায়দুনা থাদোকখিবনি। অদুবু হন্দক সিট-ইন্সগা য়াওবমদুনা ফাবা অসিনা মানা সরকারগী আইনবু থওইদে হায়দুনা থা ৪গী থবকশুবা জেল পীননবা ওক্তোবরগী তাং ২৫ দা কিংবু মখুত্তা হাটকরা চল্লদুনা ফুলটোন কাউন্টি জেলদগী De Kalb County তাম্না পুরকলমই। মফম অদুদা এটোরনি ডোনাল এল্ হোল্লোয়েলনা কিংদা পীরিবা চহী অমগী প্রোবেশন্ অদুনে অদুগা অনোবা দণ্ডি থা ৪ অদুনে পূল্লগদি ষ্টেট আইন্না য়াবা পীকম থোকপা মত্তমদগীদি হেনগ্রে হায়না কন্না য়েৎলমই। অদুবু জর্জ মিটচেল্না

কিংবু State Public Works Camp তা থা ৪ গী থবকশুবা জেল পীরমই।

মথংগী নুমিৎকী নো ডানফাঙ্গিত্রিঙৈদা কিংবু কবেকৃসন আফিসারগী কোর্টতা পুরমই। পুং ৪ গী মতুংদা কিংবু Reidsville State Prison দা হোংলমই। মতুংদা কিংনা জেল হোংদোক হোংজিলগী মরমদা য়াম্না তান্নবমই অমসুং পাও অদু মেয়র William Hartsfield গী আফিস য়ৌখিবমই। মরক অসিদা Justice Deptt. তা হাই-লেপ্তেল্ দিসকসন্ অমা, কমদৌরগা কিংবু থাদোকখিবা য়াগদগে হায়না থন্নবা হৌবকলে। থন্নবা থোরক্লবদা প্রেসিডেন্ট আইজেন হাৱার্ডপু অইবা চে অমা থোকহল্লসি থন্নহুনা মথাগী অসুম্না প্রেসিডেন্টনা থোরক্লে—"সবকারনা প্রজাশিংগী অচান মীরাই নাইদবা, জাতি অমগা জাতি অমগগী মবক্তা খেন্নবা থম্ব অসি তৌবিদনবা হায়রিহুনা কনাগুম্বা নিপা অমনা য়াম্না শান্তি পূর্ণ ওইবা মওংদা মশাগী অধিকার ফংনবা হোংনরকপদা মহাকপু মতিকসু চাদবা অমদি মবমসু চাদবা আইন্ অমনা কাজিন্দুনা জেলদা থম্বা হায়বসি ঐগী মোত্তদি ফণ্ডামেণ্টাল রাইটকী মতুং ইন্না লাল্লি হায়নিংই। মবম অশোমদগী য়েংব্লিহুনা এটোরনি জেনেরেলনা মার্টিন্ লুথর কিং জুনিয়রগা তান্নরগা মাবু থাদোক-পা য়ানবা দরখাস্ত অমতং থাহনবিনবা হায়জবি।"

কনাগুম্বা নিগ্রো অমত্তগী রাফমদা ইউঃ এসঃ প্রেসিডেন্টনা অসিগুম্বা অইবা লৈখিদ্রি। ভাইস প্রেসিডেন্ট নিক্সনসু নিগ্রো লিডরশিংবু ফাহুনা জেলদা পীবদা মাগী য়ানিংদবা মোত লৈরমদে। অদুবু চৎথ-নরিবা রাকম অসি ডেমোক্রেটিক্ কেম্পলোমদদি অরুবা মতাং অমনি হায়না থনখিবমই। মেয়র Hartsfield, এটোর্নি Morris B. Abrams অমসুং Harris Wofford কৌবা মাইনোরিটিগী মবমদা কেনেডিদা পাওতাক পীবা নিপা অসিগা কপ্প পাও চৎনবা হৌরে। মতম অসি কেনেডিদি চিকাগোদা ইলেক্সন কেমপেন্ চৎখ্রি। কেনেডিগী মীশিং অদুনা এখোয়না মতাং অসিদা কেনেডিনা হোৎনহুনা কিংবু

জেলদগী থাদোকপা ওয়বদি ডেমোক্রেটিকী ভোট য়াম্বা ফংগনি খল্লরমই। অদুনা কেনেডিনা কিংনা জেলদা লৈখ্রিবৈদা মাগী মুপী কোরেত্তাদা ফোন্ তৌরকলমই। মানা কিংগী মামদা য়াম্না কন্না হোৎনখি হায়দুনা কোরেত্তাদা আশা পীরমই। রোবার্ট কেনেডিনা জর্জ মিটচেলদা ফোন তৌদুনা কিংবু জামিন্দা থাদোকপা য়াবা, সংবিধানগী অধিকারনা য়াবা মরম অমত্ত লৈখিদ্রবা হায়না হংলকলমই জর্জ মিটচেলনা কিংবু মাগী থা ৪ গী মিয়াদ অদুদগী আপিল অমা তৌহল্লমই। আপিল অদুগী মতুং ইন্না মাবু থুদক্ত থাদোকখিলমই। এটোরনি হেল্লোরেলনা প্রেম অমা থৌগাং তৌদুনা কিংবু আটলান্টা তান্না থিলহল্লমই।

কিংনা থুংলবগা ইবেনেজের বেপটিষ্ট চর্চতা 'থেংস গিভিং প্রেয়ার সার্ভিস' অমা পাঙ্খোকলমই। মিটিন অদুদা কিংনা মহাক মশামক্তি ওইনদি, লাক্কদৌরিবা ইলেগ্রনগীদমক্তদি ডেমোক্রেটিক প্রেসিডেন্ট কেন্দিদেট ওইনা চোংথোবকনিবা জোন্ এফ কেনেডিগী লমলম য়ান্না তাল্লে হায়খি। মহাক্না মশা তানা মীয়ামদা রাথব হায়নি খি অদুবু মহাক্না ভোটকা এনী লৈননিদে হায়দ্রে। মহাক্না রাজা বা লোইখিবগা কিং সেনিয়রনা হোৎদুনা মাদি কেনেডিগীদমক্ত ভোট খোমজ্জগনি হায়না ফোনা লাওথোকখি। তিল্লনিবা নিগ্রো প্রজা অপুন্না কেনেডিদা ভোট লোইনা পীনিংখি। তশেংনমকসু কেনেডিনা নিগ্রোশিংদগী ভোট পুল্লপ্পা লৌখিংমই অমসুং ইউঃ এসঃ কি ৩৫শুবা প্রেসিডেন্ট ওইখি।

কেনেডিনা প্রেসিডেন্ট ওইরিবৈগী চৈরক অদুগা নিগ্রো কাওলুপ থরনা ভোটর রেজিষ্ট্রেশন তৌবা অমসুং শিক্ষাগী লম অশোমদা থবক কন্না পায়খৎলকলমই মতুংগা কিংনা অথু অথুবা তেল্লপ তেল্লপ তৌবা পায়খৎলমই। কিং অমদি মাগী সংস্থানশিংনা নিগ্রোশিংমা রেষ্টোরেন্ট থুদিঙদা নেনাতানা চাজবা য়াবা; সরকারগী পুলিস, সিফাই অমদি মখোয়না চঙ্বা য়াবা থবক্তা চঙহল্লবা মুনীশিংনা দুকান্দা থবক শুজবা য়াননবা কন্না হোৎনরমই। হোৎতি মহোৎনখি অদুবু থরদং নত্তনা

অয়াপ্পদি মাইপাকপদা থৱ মরারবা থবক ঙাক্তনি। প্রজা কাঙলুপ অমনা অথু অথুবা হী'সাগী থবক কয়া পায়খৎপতনা মখোয়গী মথক্ত লৈবা শেগ্রিগেসন্ অমস্তুং ডিসক্রিমিনেশন্ অসিগা মাইয়োক্নবা য়াগনি হাএবা মোৎ ফো'দোকলকলমই। অতোপ্পা কাঙবু অমনা অমুক অতপ্পা খোঙথাংদা তপ্ন তপ্ন মাই পাক্নবা হোৎনবা পামলমই। হিংসা অমস্তুং অহিংসা, ঙাইঙমদবা অমস্তুং তপথবা লম অনি অনি ফাংনা নিগ্রো-শিংনা মশাবু মরৈপাক্কীদমক্ত কখোক্নরক্নমই। অতুবু কিংনা অনিগী মরক্ত য়াম্না হৈনা লেপ্তুনা মাইকৈ অনিমক ঙাকখিবমই। খোঙফম অমতং শোয়বদা নাম্ব্তুনা তুরগদবা তাঞ্জানি। মবক অসিদা আলাবা—মাগী কাঙলুপ অমনা কিংদা মখোয়না সিট-ইন্স প্রোগ্রেম চখগদ্রা চখরোইদ্রা হায়না কম্ন তকশিল্লকখি। অতুবু য়াম্না হৈনা কিংনা মীয়ামদা খঙ হনখি—"অহিংসা লায়বসিস্তু মাগী চপ চাবা আর্থ অদোমদা ঐখোয় খুদিঙমক্না চখবা ঙমদ্রবদি অহিংসাগী অন্দোলন অতুদগী হিংসাগী থবক চংথনরক্কুনা বাইওট অমা হেক্ত থোকপা য়াবগী ভাব লৈ। মরমদি মফম অসি অমুবশিংনা অঙৌবশিংদগী মশি' য়াম্না য়াম্বা হেল্লি। অতুনা অঙৌবশিংনা য়াম্না কিনি'ঙাই লৈ। অতুগীস্তু মথক্ত মফম অসিন্নাইগী নিগ্রোশিংনা অহিংসা অন্দোলনগী মওং অতু ইখঙস্তু খঙনদ্রি। অতুনা মতু মীপুম খুদিঙনা খঙননবা সিট-ইন্স কি মতুক্তা হান্ননা অহি'সাগী লালওং তম্বা অমদি তান্নবা শীনখিসি।" রাফম অসি থবক্ত পাঙথোক্নবা কিংনা মাগী SCLC গী মী থৱ সহন্দা থাতুনা পাওতাক পীহল্লনই অমদি রার্কসোপ কয়া লিংখৎতুনা অহিংসাগী অন্দোলনগী মখিদা নৈনহল্লমই।

অতুবু কি'না ইউনাইটেড ষ্টেটসকী মস্তুংদা লৈবা প্রোটেষ্টেন্ট ৭৫ অমদি জিউ অমস্তু' কেথোলিক মীয়াম অমা খোমলগা ডাউন্ টাউন্ অলবানিগী পাইন্ ষ্ট্রিটতা কার পরেং লেংতুনা অলবানিদা রেসিএল্ জসটিস লৈননবা প্রেয়ার ভিজিল অমা চৎলমই। মতৌ অতু উবদা মিপাইরবা পুলিসকি মকোক অতুনা থুনমক, করি মরমগী কার পরেং

থোবনো হায়দুনা হংলমই। লুচিংলিবা নিপা অদুনা 'ঐখোয়গী অনিংবদি ঈশ্বরদা ঐখোয়গী লাইশোল অদু তাহনবনি' হায়রা য়াম্না চম্না খুমলক-লমই। পুলিস মকোক অদুনা মখোয়না চৎথরকলিবা থবক অদু থুন কায়ননবা হায়জরমই। অদুবু কাযনো হায়বদুনা কাযত্রবদা মখোয়বু জেলদা ফাক্ন্দুনা থমনবা ওনচরু পীরমই। অতৌবা ভাবুকশিং অদুদি ওরডর অদু তাবদা মুংঙাইবা পোকখিরমই। অদুবু ইথা থাজদনা, ফাগদবা পুলিসশিং অদুনসু য়াম্না শান্তিপূর্ণ ওইবা মওংদা চৎথরমই। মখোয়না হিংসাগী থবক অমত্ত চৎথরমদে। মখোয়না য়াম্না ঈংবা ডিমোনস্ট্রেটরশিং অদুবু ফারমই অমসুং জেলদা পুরমই। মশামা লেওডু খোৎনু ইয়া য়াদবা মীতাশিং অদুবুনা স্ট্রেটচর পুথোক্তুনা হাপকৎলগা অনাবা পুবগুম পুথিবমই। তশেংনমক মুমিং অদুগী শান্তিপূর্ণ ওইরবা অহিংসাগী অন্দোলন অদু পুলিসশিংনসু অহিংসানা থিংখিরমই। মুমিং অদু তশেংনা পুলিসশিংনা কয ওইরমই। মকোক ওইরিবা মখোয় ৭২ বু ফারমই অমসুং জেল মবিদা থমলমই। অদুবু মমৈদা মী ১৯ খক্তুং নডনা ঘণ্টদি লোইনা থাদোকলকখি। অলবানিগী অন্দোলন অদু সরকা নঃমাই পাকখিদ্রমই অমসুং মতুংদা অন্দোলন অমুক চৎথবা ঙমখিদে। অলবানিগী অন্দোলন মাই পাকখিদবগী মরমদি অলবা-নিনা ইন্দস্ট্রিএল্ সেন্টর অমা ওইদবনা মখোয়গী বোইকোট অমদি মাস বেলে কয়ানা সরকারগী মাঙনবা অমদি অকায়বা অমও থোকহনবা ঙমলমদে। মহুনা হরাইট পাৱার স্ট্রকচরদা মহাম-কবিসু তাদে। তশেংনমক কিংনা হায়খি—'ঐখোয়না ইকোনোমিক্ পৱার স্ট্রকচরগী মহুত্তা পোলিটিকেল পারার স্ট্রকচরদা আক্রমন তৌরুরে।' অদুগা তশেংনসু অলবানিবুদি কিংনা অন্দোলন তৌগে হায়না থনবা মকমদি নৎলমদে অমদি মহুগীদমক্ত শেম শাহোদে।

অদুবু থবক থোক্ল থোক্লগা থঙবা অমদি শিংবা হেমগৎলকই হায়বদুনি। অলবানিদগী মৈনা চুরগা মথং মথং নেশভিলি, টেনিশি, টালাহাসি, ফ্লোরিডানচিংবা মকমশিংদা লৈরিবা SCLC গী ব্রাঞ্চশিংনা

অকনবা অন্দোলন চৎথখ্রে। লুচিংলিবা মরূওইবা মফমদা মোণ্ট-গোমরী অমসুং অলাবামা অমিনা ওইৎশী, অসুম্না খা থংবা লম মখে পুমলাও লাঙখ্রে। মতাং অসিদা কি'মা শান্নখিবা রোলনা অহিংসাগী হকথেংনবা থবক কয়াদা ছাত্রশিংবু মতেং পাংনবা কোৎনবা অসিনি। মচুগীদমক্তনি ছাত্র লিডরশিংগা পুন্না ছো বিশ্ববিদ্যালয়দা কনফরেন্স অমা পাঙথোকখিবনি। হায়রিবা কনফরেন্স অদুদা কিংনা ছাত্রশিংগা মরম অমুম থক্তংগী য়াম্না কূপ্ন নৈনখি অহানবনা, বুখি কাফেন নাইদনা চৎথচুনা লৈবা সংস্থান কয়া লৈনবা; অনিশুবদা, সেলেক্টিভ বাইংগী নেসন রাইড কেমপেম্; অহুমশুবদা, ফাইন্ অমদি জামিন্দ থোরকপা পামদবা জেলদা হেক্ত চঙজগে হায়না চোংথোকপা গুন্ব কাওবু শেমগৎপা। হায়রিবা অহুম অসি নিংথিনা লৈরক্লবা অমদি ছাত্রশিংনা মখোয়না খঙলিবচুদগী অমুক্ত হেন্ন অহিংসাগী পান্না অসি ফাদোকপা ওমলবমি মখোয়না শোয়দনা জয় ওইগনি হায়বসি কি'না থাজহল্লমই।

অহুম অহুম ওইনমক মতাং অসিরাইদ কি গী পুন্দিদ মোরেল ক্রাইসিস অমা লাকখি অমদি মচুনা মাবু য়াম্না মুংঙাইহল্লমদে। খৃঃ ১৯৬১-৬২ গী ফ্রিডম রাইডকী ক্রাইসিস অদুনা অমুক্ত হেন্ন মাবু মুংঙাইহল্লমদে। তৌবদি মাদি ফ্রিডম রাইড (RIDE) লোমদদি অদুক হাক্ল খুমাং চাওশিনবা নত্রগা লমচিংবা মীওই অমা ওইবা পামলমদে। অদুগা CORF না ফ্রিডম্ রাইড কোদোবক-পসিসু মতম কুইনদগী কোর্টনা রায় পীখ্রবা অমদি ICC (Int r State Communication Committee) গী কলিং ওইনা লৈববা ইন্টর ষ্টেট ট্রানসপোর্টেশনদা শেগ্রিগেশন তৌবা য়াদে হায়বচু খা থংবা শরুক্ত চৎনহনদবা অদু য়ানিংদে হায়দুনা ড্রামাটাইজ তৌবনি। মসিগী দমক্ত নিগ্রো ১৩ অমদি অভৌবা কাঙলুপ অমনা চোংথোক্লুনা খৃঃ ১৯৬১ গী মে থাগী তাং ৪ দা ওয়াশিংটনদগী খারোমদা অপুনবা বস অমা চেনখিবমই। মখোয়গী খোঙচৎ অদু অপর সাউথ ফাওবদদি য়াম্না ঈংনা চৎলমই। অদুবু অলাবামাগী এনিষ্টোন্ য়োরকপদদি মেগী তাং ১৪ দা শেগ্রিগেসনিষ্ট কাঙবুশিংনা বোম লংশিল্লকলমই। মচুংদসু

মখোয়বু থরমিংহামদা য়াম্না থিনা তৌখিরমই অমসুং বস অদু মৈ থাদোকপিরমই। মমৈথংদদি অহানবা ফ্রিডম রাইডরশিং অদু ফ্রিডম রাইড তোকহনা, উপায় লৈরক্তবদা নিউওরলিন্স তাম চেনখিরমই। অহানবা ফ্রিডম রাইড লোইশিনগ্রবদা নবা ওইরিবা মিলিটেন্ট ওইবা ছাত্র কাংলুপ অমনা অমুক অনিশুবা রাইড হৌরমই। মদুগী মেগী তাং ২০ দা মোন্টগোমরীদা য়াম্না থিনা আক্রমন তৌখিরমই। মদুগী শাথিবা পাও অদু তাবগা এটোরনি জেনেরেল রোবার্ট কেনেডিনা ইউঃ এসঃ মারশেল্ ৪০০ থারক্লুনা মকম অদুগী ঈরাং অদু নমথখি। মথংগী নুমিদাংদা ফ্রিডম রাইডরশিং অদুনা মোন্টগোমরীগী অহানবা থেপটিষ্ট চর্চতা মিটিং অমা তৌরমই। কিন্তু পাও তাদুনা মকম অদুদা চেনখি-রমই অমসুং য়া ওাণ্ডলমই। কিংনা হায়রখি—“অলাবামাগী গোভর্ণবনা থোকখ্রিবা ঘটনা অসিগী দায়িত্ব পুম্ব পুগদবনি। ঐখোয়না জগৎনা লাওবা তারে মতুংদি মোরেলবু কৈদৌঙৈদসু কোর্টনা বিচার তৌবা য়ারোই। অদুগা মীওইবগী লমচৎ হায়রবসিদি শেম্ব ঙমই। আইন কনাগুম মী অমদা ঐবু যু শিহনবদি ঙম্মোয় অদুগা আইন অদুমক্কদি মী অদুনা ঐঙোন্দা আইন য়াদবা দত্তি অমা পীগে হোংনবদগীদি কনবা ঙমগনি।” চর্চ মনুংদনা কিংনা য়া ঙাঙলি অমদি ফ্রিডম রাইডর ময়াম তিল্লি। মপান্দনা অবুবশিং অদুবু মুংশিদবনা নারবা অঙৌবা কাংবুনা পৈদুনা লৈপ্লে। অঙৌবা মীয়াম অদুনা মনুংদা লৈরিবা অমুবশিং অদুবু দত্তি পীনিংলি। মপান্দগী অঙৌবা কাংবুশিং অদু কন কুশন তিল্লমই। নুমিদাং ওইশিল্লকলবদা অঙৌবা শেগ্রিগেসনিষ্টশিং অদুনা চর্চ অদুগী মমাংগী অয়াম্বা মকমশিং কনট্রোল্ তৌশিনখিরমই। চর্চ মনুংদা লৈরিবা নিগ্রো লিশিং অদুগা মপান্দা লৈরিবা অঙৌবা কাংবুশিং অদুগগী মরক্তা লৈরিবনা ওপাগী ইউঃ এসঃ কী মার্শেল্ স্কোয়াড অমগা সিটি পুলিস থরগতনি। চর্চ মনুং অমসুং মপাল অনিগী মরক্তা অয়ৌ অয়ৌবি য়া লংমখ হৌরকলে। মমৈদদি য়া লৈরক্তুহনা লিল্লি অমসুং মুংক্লম লংনবা হৌরকলে। তিল্লিবা মীয়াম অদুনা হেক্সিললক্রবদা উপায়

লৈরক্তহুমা মায়শেলশিং অহুনা টিয়ায়গ্যাস কাপ্তুনা তানথায়রমই। মপান্দা মার্শেলশিংনা অতোবা কাওবুসী মোব অহুদা লান্দাগ্রবদা কিংনা হৌদোক্লুনা অমুবা লিশিং অহুনা খোজেল অমত্ত ওইনা 'অচুম্বনা ঐখোয়বু নোংমদি নিং-থা তময়ল্লগনি, ঐখোয়না কনাবুম্ন কিগুমসি' হায়বা ফ্রিডম ইশৈ অদু লাওনা লাওনা শক্বংলমই। মরক অসিদা গোভর্ণর জেনেরেল জোন্ পেটরসন্না, লালথেংনকম ওইরিবা চর্চ অহু মায়সিএল লো চলাইরমই অমসুং চর্চ অহু ভারনবা নেসনেল্ গার্ডসমেন্ থারকলমই। অহুত নম্বনা ওইরিবা কিত্তম অহু এটোরনি জেনেরেল্ রোবার্ট কেনেডিনা খণ্ডহন্নকলমই অহুগা লোয়ন লোয়ননা গোভর্ণরনা গার্ডসমেন অহুগী মকোক ওইরিবা মেজর জেনেরেল হেনরি গ্রাহাম্না মারটিন্ লুথর কিংবু কনবা ভমগত্রা ভম্মোইত্রা চিংনরে হায়রকথি। কেনেডিনা 'ইউঃ এসঃ কী লানমীগী মকোক ওইরিবা জেনেরেল্ অহুনম্ন মানা কিংবু কনবা ভম্মরোই হায়বহুতা মাগী মচিন্দগী তাবা পামলদ্রনি' হায়না গভর্ণরদা পাও থারকথি। মহুগী পাওখুমদা আলাবামাগী গভর্ণরনা কিংবু কনবা ভমগনি ভম্মোয় হায়না চিংনরিবহু জেনেরেলনা মত্তে মহাক মশামক্লনি হায়না খণ্ডনথি।

অহুম অহুম ওইনমক জেনেরেল অহুনা মোব অহু তানথায়হুমা চর্চ অহু শিল্ তৌশিল্লমই অহুগা কিং অমসুং মাগী অহিংসাগী লানমিশিং অহুবু নোং ভানফুং ভানফুং তৌরকপদা এসকোর্ট তৌহুনা থিনথিরমই। মতুংগী মুমিত্তগীদি ফ্রিডম রাইড অহুদা হাকথেংননা য়াওরবা সংস্থান—SCLC, CORE অমসুং SNCC অহুম অসিনা অপুনবা সংস্থান Freedom Rider Coordinating Committee শেমখিরমই। অহিংসাগী ক্যেমপেন্ অহু মথং চংথনবগীদমক্তা কমিটি অহুনা মোণ্টগোমরীগী থোল অহুম রাংবা দলাল অমদা অহিংসাগী ট্রেনিং চংথরমই। হায়রিবা অহিংসাগী ট্রেনিং সেসন্ অসিদা লুচিংলিবনা—কিং; CORE গী জেমস ফারমার; SNCC গী ডাইআনি নাশ অমসুং এঃ ডিঃ কিং; SCLC গী রালফ ডি এবরনেথি; য়াট টি

য়াকয় অমসুং জেমস লাউসোন্ মখোয় অসিনি। ট্রেনিং অসিগী অয়োইবা নুমিৎ, মেগী তাং ২৩গী নুমিদাং অসিদা কিংনা তৌগদৌরিবা রাইড অহুগী মরুওইবা ময়মদি— ফেডেরেলগী আইন য়াবা ট্রান্সপোর্টেশন্ কেসিলিটি অহু শিজিন্নহুনা চাং যেংবা, অতোপ্পশিংবুসু কেসিলিটিশিং অহুবু শিজিন্নবিয়ু হায়বগী য়াকৎপু পুক্নিং থৌগৎপা ;- অমদি হৌজিক হৌজিকমক শেগ্রিগেশন্ তৌহুনা লৈরিবা মকমশিংদা প্রজাশিংগী মিৎয়েং চিংশিন্নবা হোৎনবা অসিনি হায়থি। হায়রিবা য়াকমশিং অসি থবক ওইনা পায়থৎপদা অশোক অপন থবগী মথৈদি থেংনরগনি অহুবু য়াবিবমথৈদি মীহাৎ মীপুন্ অমত্ত থোকহল্লনা। মখোয় থুদিঙমক হিংনা, পুম নুংঙাইন শান্তি ওইনা চৎগনবা মীয়ামদা আপিল্ তৌথি।

মখংগী অযুক মেগী তাং ২৪ অহুনি। থবর কাগজগী রিপোর্টরশিং মখোয়না ফংবা পাও অমদা মিপাইনরমই "Seven comes eleven, the dogs don't run to Jackson"। মেহসুক্ত অসিগী মসুংগী ওইবা অহুদি বাইডরশিং অহুনা জেকসন্ অমসুং মিসিসিপিগীদমক্ত অযুক্কী পুং ৭ অমসু ১১ দা মোন্টগোমরী থাদোকনি অসিনি। মহুগী নুমিং অহুগী অযুক অহুদা মোন্টগোমরীগী বস লোইফম অহুদা তিনবা মীযামদি আমেরিকাগী ইতিহাসতা অমুক্ত থোকখিত্রি হায়নখি। খুৎলাই পায়বা নেসনেল গার্ডশিংনা লম্বীগী নাক যেৎ অনিদা লেংহুনা লৈরমই। অতোপ্প লানমী কাঙবু অমনা নোংমৈ মক কান্দুনা সড়ক্কী নাকল্ অমদগী ফিভম অহু কুপ্প শেন্নবি। অহুগা অথাপ্পদা ওয়াশিংটনগী জসটিস ডিপার্টমেন্টকা রোবার্ট কেনেডিনা টেলিফোন্ মনাক্তা কমহুনা সিটি পুলিসতগী কবি পাও লাকপা অহু তাগদবগী লাওত্তরুনা তাইরি। অযুক্কী পুং ৭ চপ চানা তাবা অহুদা ফ্রিডম্ রাইডরশিংগী অহানবা বস অহু থারমই। মহুদা রিপোর্টর ১৭, খুৎলাই পায়বা লাম্মী ৬ য়াওবমই। মখোয়বু অমুক হাইরে পেট্রোল্ কার ২২, নেসনেল্ গার্ডসমেন্ বেটালিয়ন্ ২, ইউঃ এসঃ লানমীগী রিকোনাইসেন্স প্লেন ৩ অমসুং হেলিকোপ্তর ২ না কনভোয় তৌবমই। রাইডরশিং অহুনা গাড়ী মসুংদা ঙৈশৈ শকলহুনা চৎলমই।

ফ্রিডম্ রাইডরশিংবু পুহনা চৎলিবা গাড়ী অদুবু মেংলগা কি'না চয়েৎলবা মাথল অমনা উংহনা লৈহৌরমই। নিগ্রো ফ্রিডম্ রাইডর-শিংনা চৎথরকলিবা থবক অদুবু নিন্দা তৌবা অমুবা কন্নামরম থোরক-লমই অদুবু কিংনা রাইডরশিং অদুগী থবকশিং অদুবু শোৌগৎতুনা লৈহৌরমই। অদুবু কাওবু অমনা ফ্রিডম্ রাইডতা যাওরিবা মীশকশিং অসি মপানগী মী ওাকনি হায়দুনা ক্রিটিসাইজ তৌবা হৌরকলমই। অদুমকপু কিংনা গণতন্ত্রদা অমদি জাতি অমবু পুন্‌বা মাবা লংনা কন্নামরম্না পুন্নগা ফেডরেল ইউনিয়ন ওইরবদা মন্নুংগী মী মপানগী মী হায়বগী আর্থ লৈতে, অমগা অমগা চপ মান্নে থোইনা থেন্নবা লৈতে হায়না থওহনথি।

"কেনেডিনা প্রেসিডেণ্ট ওইরবা তুংদ"

অহিংসাগী অন্দোলনদা চোংথোক্‌না শরুক য়ানরিবা ছাত্রশিংনু মথোয়না থেংনরকলিবা অহিংসাগী শক্তি অদুদা হেন্না থাজবদি অদুমক মরৈরমই। অদুবু মথোয়দা নিংবা কায়বা অমদি ওাইওমদবা অনি অসিনা কৃপথিরমই। খৃঃ ১৯৬০ গী সিট-ইন্স অন্দোলন চৎথবদা কিংগা কান্নিরকবা নহারোল অয়াম্বা ছাত্রশিংগী অহিংসাগী কো-ওর্ডি-নেটিং কমিটিগী মীওই ওাক ওইরমই। লৈবাকীদমক্ত অমদি জাতিগী দমক্ত জেলদা চঙ্‌বা অসি মান্না লেম্নব অমা অমুক জাতিশিংদা লৈরকলে। খৃঃ ১৯৬২ অহুরাইদদি লৈবাকীদমক্ত জেল চঙ্‌লুবসি মী অমগী মপুন্সিদা অদুকী মতিক য়ামলিবমখৈ লেম্নবী ওইনরে অমদি মদুদা মথোয়গী ষ্টেটস তাক্নরকলে। মরক অসিদা নহারোল মিলিটেণ্ট ওইবা কাওমুশিংনা কিংবু য়ানিংদ্রে। মথোয়না কিংবু মীয়াম মমা'দা না ওাওবা পাওতাক পীবতমক মপাম অকনবা থবক পায়থংগদি কন্না পামদবা মীতানি হায়না হন্দুনা ওাওনবা হৌরকলে। হায়রিবা মিলিটেণ্ট

ওইবা নহারোল মরক অসিদদি কিংগী স্তেটস অসি অসুম অসুম মথং মথং মাঙশিন্নকলমই। খোইদোক্লসু মেঃ, ১৯৬১ গী মিশিশিপিগী ফ্রিডম্ রাইড য়াওনবা তংদুদগী নহারোলশিং অমনা মাবু য়ানিংখি-য়মদে। কিংগী লুচিং মথাদা মখোয়না জাতিগী ওইবা লাঙ্গং অচু পামজে। অদুবু কিংনদি তুংদা অহিংসা হায়বা খুংলাই অসিতনা মাই পাক্কদবনি, মসিগী মথাদা নেসনেল ইন্টিগ্রেশন্ পুরক্কদবনি হায়বসি মশাগী চপথুংনা খাজখিনি। মহাক্না খাজবৈ মতুদি মহাক্না ভৌরিবা অচুম অদুদা ঈশ্বর তোংলি অদুনা ঈশ্বরনা তোংলিবা মকম অদু কৈদোউঙৈদসু মাইথিবা ওইরোই। অদুবু খৃঃ ১৯৬১ গী ডিসেম্বরদা অলবানিদা অন্দোলনগী মরু হুনবা হৌখি। হায়রিবা অন্দোলন অসিদা থিলহৌ অহুমলক জেলদা চঙখি।

মহারোলশিংগী মরক মাগী ষ্টেটস অমা মাঙলকপদু অলবানিদা অমুক হেন্না মাঙখিরমই। মহাক্না অলবানি জেলদা চঙলমদাইদা জেলদা মতম করুনা লৈরগা লৈবাক্তীদমক অরাবা খাঙলুরনি হায়দুনা রাশকলমলগা চঙখিবা অদুবু করম্বা অনিংবা অমনা অমুক ইনসি-ল্লবনো মহাক্না মাগী রাশক অদু থুগাইদুনা সুমিৎ নিনি জেলদা লৈরগা বোণ্ড সাইন তৌরগা থোরকখি। মসিগী থোথোক অসিনা নহা ওইরিবা নিগ্রো মিলিটেন্টশিংগী মরক্তা কিংবু য়ানিংদবা অসি চেৎশিলকখি। মখোয়না কিংবু মপানথোংদনা মমাই অমা উৎপা মসুংদনা মমাই অমা লৈবা, মমাই অনি পানবা মী অমা ওইনা লৌখি; অমদি মাগী মরমচৎ অমদি মানা তৌথোরকপশিংবু য়ায়া কুপ্প য়েংশিনবা হৌখি।

জোন্ এফ কেনেডিনা আমেরিকাগী (ইউঃ এসঃ) প্রেসিডেন্ট ওইবগা অমুবশিংনা থরম্ব, কেনেডিনা মখোয়গী অরাবা কোকহল্লয়গনি থরমম অদু থোকলকে। মহাক্না প্রেসিডেন্ট ওইবা অহানবা চহিদা প্রজাগী ওইবা থবক্তা জাতি অমবু শোক্ন শয়বীদনা তোপ্পা থম্বগী (Segregation) চৎনবী অদু মুথৎপিদুনা ইন্টিগ্রেশনগী সেক্রেটরি

অমা হান্নিমবা কিংনা কয়া তঙকশিনখি। মহাক্না আমেরিকানশিংগী মারশেল প্লান অমা শিংথত্তুনা লৈন্ত লাইরশিংদা মিৎয়েং চঙবীনবা হায়জখি। অদুবু অহানবগী চহি অদুদি মহাক্না হায়জবগী ফল অদুক হাক্না লৈখিদে। কেনেডিনা প্রেসিডেন্ট ওইবা চহি অমা ফারকপগী অদুরাইদা কিংনা কেনেডিবু অমুব কান্ডবুশিংগীদমক্তা করিগুম্ব অমত্ত তৌখিদে হায়দুনা কোংনা লাউখি। কেনেডিগী সাসন অদুনা সিভিল রাইটকী মত্তৌদা মিৎয়েং অমত্ত চঙবিদে অমদি লৌখৎপা য়াবা থবক খুদিঙমক য়াম্না থিল্লে হায়না ক্লেম্ তৌখি। মতম কুইনদগী লৈবক্লবা মী অমনা মী অমদা চৎকদবা শাজৎ য়াওরবা, মীওৎপা অমদি মী অমবু মমচুনা শিজিন্নবগী থবক অদু লোইশিন্নবা থবক চৎথবিদে হায়দুনা য়ারৌখি। মতম কুইনা অঙৌবশিংনা অমুবশিংদা চৎপিরক্লবা মীরমচৎ য়াওরবা থবকশিং অদু তোকথোকপিদুনা অমুবশিংগীদমক্তা থরমথৈ হোৎনবিবদ নত্তনা ফেডরেল সরকারনা, সরকার অসিগী শক্তিদা; হোৎলকলিবা মতমগী য়াওনদা নিগ্রোশিংবু ঙাকপি শেন-বীনবা শক্তি অমা লৈরি হায়বসি খঙবিনবা হায়জখি। মহাক্না আমেবিকাগী থাথংবা শরুক্তা চাওথৎনবা হোৎনর্ৎখিবা শক্তি অমদি শেলফম অদুম হায়না কাইবিদুনা অচৌবা প্লান্ অমত্তং তৌবিবা কৈ হায়জখি। প্রেসিডেন্টনা আমেবিকাদা চহীগী প্লান তৌদুনা থাদা মী চৎননবদি হোৎনরি অদুগা অলাবমাদনা ষ্টেট লেজিসলেচরদা নিগ্রো অমত্তংদং ফম্নবগী প্লান উবা ফংদে হায়জখি।

কিংনা কেনেডিবু মপূকচেল শেপই হায়না লৌবদি ভমলমদে। মানা খৃঃ ১৯৬২ গী ওক্টোবর তাং ১৬ তা কেনেডিগা উম্নবদা 'ই-হাসকী পুংঙ্গামা নোংয়াইগী মতম য়ৈশিল্লকদোরে' হায়বা য়াকম অসিমা কেনেডি জ্ঞান থরা তাত্রা হায়না চাংয়েংথি। কিংমা হরাইট হাউসতা কেনেডিগা পুং অমা চুপ্পা ফম্নিন্নদুনা য়াঙ্গী শাখি। মদুদা জাতিগী য়াকমদা তোঙাম্না তাহনদুনা প্রজাগী খুদোংচাবা ফংহন্দবা অদু আইন্ন য়াদে অমদি কনষ্টিটুসন্না য়াদে হায়না 'সেকেণ্ড ইমানসি-

পেসন প্রোক্লেমেসন' অমা থোকপিন্নি হায়জখি। মহাক্না কেনেডিদা পোকখায়নিং পোকখায়নিং তৌনা লৈরবা নিগ্রোশিংগী নিংবা কায়বগী বোম অসিগী মৈনা অসি ক কখৎপিংহৌনবা করিগুম্বা খরদি তৌবিবা কৈ হায়না কল্লা তকশিনখি। কিংনা মাগী লাইরিক 'হরাই রি কেননোট রেইট' হায়বা অহুদা মখোয়গী অপাম্বা করিনো হায়বসি য়াম্না মরিক চুম্না ইরি।

খৃঃ ১৯৬২ গী কালেম থাগী লোইশিন্নকপা অহুরাইদা বরমিং-হামদা, অলবানিদা তৌখিবা ডিমোনষ্ট্রেশন অহুগুম্বা খর পাঙথোক্কে হায়না কিংনা খল্লমই। অলবানিদা শোয়খিবা ময়াম অদু নিংশিংলগা য়াম্না চেকশিন্ন কিং অমস্তুং মাগী মতেংপাংবা রালকয় ১স্তুং শত্তলসরথনা 'প্রোজেক্ট সি' কৌবা অহিংসাগী লালওং অমা পুথোক্কে হোৎনয়মই। হায়রিবা লালওং অসি, মতম কুইনদগী নিংবা কায়হুনা লাকলবা মর্রা লৌবিত্রবা নিগ্রোশিংনা মখোয়গী অপাম্বা অহু রিভোলুসন-লোমদা চৎথখিদনবা খল্লকপদগী কিংগী মুংদা পোকলকপা লালওংনি। অহুবু কিংনা পাঙথোক্কে খল্লবা 'প্রোজেক্ট সি' অহ্ খর থিম্বা তাখি। মরমদি মখোয়গা হরাইট পাৱার ষ্ট্রকচরগা মেপোসিএসন অমা লৈনবদগীনি। খৃঃ ১৯৬৩ গী জানুয়ারী থা অহুরাইদদি কিংস্তু আমেরিকা অপুম্বদা, মরুওইনা আমেরিকাগী থাথংব শরুক্ত রেসিএল প্রোগ্রেস লৈহনগে হায়রবদি 'ক্রিএটিফ টেনসনগী' দরকার য়াম্না লৈ হায়বসি নিঙথিনা খঙখিরমই বরমিংহামগী চখনবদবা থৌরম পরেং অসি শোয়রবদি খাথংবা আমেরিকা অপুম্বদস্তু শোয়দনা ফেল ওইরগনি হায়বসি কিং অমস্তুং মাগী মীশিংনা উখি। মরমদি বরমিং হাম্না খাথংবা আমেরিকাগী তমজনকম অমা ওইরকনি। মমশিং অসি লৈবনা কিংনা মাগী অখন্নবা মীওইশিং (SCLC গী) থাহুনা লোম্না লোম্ন বরমিংহামদা সোসিএল রারকরশিং খোমলমই। মরক অসিদা বরমিংহামদা মেয়রগী ইলেক্সন অমা তৌগদবগী লাঙলমই। ইলেক্সন অসি লৈবদগী মসি লোইত্রবদি মুংঙাইরয়োই হায়হুনা

প্রোজেক্ট সি অসি থর য়েথোকপা লেপ্লমই। হায়রিবা প্রোজেক্ট সি অসিনা য়েথোকপা তাহনা লৈরিঙৈ চৈরক অসিদা কিংনা সিটি ১৬ থুংনা চেনথোক চেনশিন তৌদুনা মাগী তৌগদোরিবা লালওং অদুগী মক্তেং পাংবিনবা মী থিরমই। হায়রিবা অসিদা মথোয়না হয়েং জেল চঙগ্রবদা জামিন লোথোকপীবা ওয় মীওই কয়াস্থ উরমমই। মসিমা মনুংদা লোয়্না চৎথবা থবক্তি অদুগা মপালথোংদম্ব খৃঃ ১৯৬৩ গী জানুয়ারী তাং ৩১ দগী বরমিংহামদা অকনবা, অমুক্ত চৎথখিবিবা য়ায়া লুবা কেমপেন অমা তৌগদৌরি হায়বসি লাঙ-থোকখি। অমম্বুং মহুগীদমক্ক ভোলুনটিয়ার ফোর্স অমা শেমলি হায়না খঙহনখি।

খৃঃ ১৯৬৩ এপ্রিল তাং ৩ য়ুমশকৈশ মুমিৎতা 'বি-ডে' কৌবা অচৌবা ডিমোনষ্ট্রেসন অমা কিং মশামক্না লুচিংহনা হৌরমই। ডিমোনষ্ট্রেসন চৎলিবা কাঙবু অদুনা বরমিংহাম মেনিফেস্তো কৌবা চেফোং অমা য়েৎলমই। হায়রিবা মেনিফেস্তো অদুদা মথোয়না হৌরক্লিবা ডিমোনষ্ট্রেশন অদুগী পান্দম অদু শুগাইনা ইরি। মেনি-ফেষ্টো অদুগী চাওরাকপা য়ারোলদি: "পৃথিবীদা তমথিনা ওং নৈবিরবা জাতি অমনা, মথোয়দা ওং-নৈরিবহু মপুক্তি চুপ্পদা থাঙহনা লৈগনি হায়বসি ওইথোক্কে। বরমিংহামদা লৈরিবা নিগ্রোশিংনা চহী কয়া চুপনা অৱাবা থাঙলকলবস্থ সরকারনা মথোয়গীদমক্ক মোংমদি অফবা থর তৌবীরকখিগনি খন্দুনা লাকলিবনি। বরমিংহাম হায়বসি ইউনাইটেড ষ্টেটকী শরুক মচা অমনি অমম্বুং ঐথোয়না মকম অসিগী অশেংবা নাগরিকশিংনি। অদুবু বরমিংহামগী হৌগ্রবা ইতিহাসনা শাক্কিনি মহুদি বরমিংহামগী নিগ্রোশিংদদি গণতন্ত্রনা মথোয়দা ফরিগুপ্পা কায়বা অমতা উৎখিত্রি। ঐথোয়বুদি জাতি অমা ওইনা ইম্প্লোকপিরে, ইকোনোমিককেল্লি য়েংলবস্থ এক্সপ্লোইট তৌবিরে। ১দি রাজনিতিরোমদা য়েংলবস্থ ঐথোয়বুদি নমথবীরে ......। ঐথোয়দি মতম অমুক মুইবা অসি শান্তি পাম্ব জাতি অমা ওইনা ওং-নৈবা

খুদিঙমক্ মীওইবনা খাঙবদা য়ানংবা অবোইবা থাক অমত্তা ফাওবা থাচিক্তুনা থাংহনা লাকলিবনি। অদুবু মসি ফাওবদা ঐখোয়গী হিংসাগী ভিক্তিম অমা ওইখ্রবা ওইরি অমদি ঙমথি তংথিরবা পুলিসকি মীকু মীচৈদ চাদুনা লাক্লি। মতম অমুক কুইনা নিগ্রোশিংনা লাওজয়কলিবা ইকেলিটি (মান্নবা) অমসুং জষ্টিস (অচুম্বা) অসিদি লমহাংদা মথৌ লৈতনা পংলাও লাওবগুম তৌরকলি। বরমিংহামগী অয়াম্বা প্রকাশিংনা, কিবদগী মখোয়না পামলিবা অমা কোঙদোক্তদনা লৈমবকলিবনি। আমেরিকানা মঙলিবা গনতন্ত্রগী মঙজেফরসোনিয়ান ডোক্ত্রিন্ (মীওইবা খুদিঙমক চপ মান্নৈ অমদি ঈশ্বরনা মখোয়বু শেম্মকপদা মখোযগা থানবা য়াত্রবা খরগা লোয়নদনা শেম্মকপনি; পুলিদা নিংথাতপা অমদি নুংঙাই য়াইফবগী খুদুংলিবা হায়রবসি থানবা য়াত্রবনি) অদুদা ঐখোয়সু থাজৈ......।"

নিগ্রোশিংনা মখোয়গী তান্‌ফম থোকপা অমদি ফংবম থোকপা অধিকার কয়া তান্নবগী লোখৎপা য়াবা হাকথেংনবা থবক কয়া লোখৎতনা সরকার অসিনা মখোয়গী থবগী মথৈদি য়েংবিয়কত্রা থল্লহনা য়ৈথোক য়ৈথোক্তুনা লাকলবনি। অদুবু মখোযনা খাঙলকলিবা অরাবা কযা অদুবুদি খ্বাইনা উবিদে, অমদি মখোযগী অপাম্বর্শিং অদুবুসু উশিন্নবমদে। বরমিংহাম মেনিফেষ্টো অমদি চৎথরকদৌরিবা ডিমোনষ্ট্রেশন অদুবু অড়োবা কাংবুশিংনা যানিংলমদে। অঙোবত নত্তনা অমুবা খবগ্র যানংদবা কালুংপ্তা যাওরমই। এটোরনি জেনেরেল কেনেডিনসু হোগৎলকলিবা ইরাং অদু মতম চা রে হাযবমই। অংপোপ অংোম্বা মী খবনসু বিংগী হোগৎলকলিবা মতম অদু চিংনবমই অমসুং মতম অদু খর যৈথোকসি হায়রক্লমই। কিংসু মহাক্না পুখৎলিরিবা প্লান অদুদা ক্রিটিসাইজ তৌবা মীওই খর থোরকপদুদা মপুক্কিং হন্নিং হন্নিং তৌরমই। অদুবু মাগী থাজবা অমা অমুক য়োকখত্তুনা মাগী 'প্রোজেক্ট-সি' অদুগী চৎথরকদবা লালওং অমদি টেকনিক অদু মীয়ামদা থঙহল্লুমা ইষ্টব সিজনি মসুং অদুদা

চংথনবা কয় হোৎনরমই। অলবানি অমদি অতৈ অতৈ মকমদগী কংলকপা জামগী মতুং ইন্না মাখা মীয়ামগী ওইবা অন্দোলন অসিদি ক্লাইমেক্স হেক্ত য়োনবা হোৎনহৌবা অমদি মহুগী মোমেন্টম্ অমু মাঙহন্দবা অসিনা মরুমি হায়না কয় থাজরমই। অহুনা মানা অহানবদা মাগী মাইয়োক্তা লৈরিবশিং অহুবু থাজহন্নবা অমদি মীয়ামগী থম্মোয়শংগী মীৎয়েংশি অহু চিংশিনবা ওয়বা অচম্বা সিট-ইন্সকী থবক কয়া চংথরমই। মহাক্না মফম অমদগী মফম অমদা কোয়চং চংতুনা মিটিং কয়া তৌরমই। অমুক নুংথিলদ নওনা হুমিদাং হুমিদাংদমু মিটিং কয়া তৌরমই। পোখাবা লৈরমদে। অমুম কয় হোৎনবদগী মীনা মাগী 'প্রোজেক্ট-সি' অহুদা চিংনরব অহু অয়াম্বা শেংদোকলমই। মহাকী কাওবুশিংস্থু অকমবা থবক পায়থৎতুনা ভোলুন্টিয়ার কয়া খোমলমই। মশামা য়ারবা ভোলুনটিয়ারশিং অমুমা কিং অমস্থুং মাগী কাওবুনা শেম্বা 'টেন কম্মাণ্ডমেণ্টস' কৌবা য়ারম তয়াখক য়াওবা চে অমদা সহি তৌহন্নমই। হায়রিবা টেন কম্মাণ্ডমেণ্টস অহুদা, চংথরক্কদৌরিবা অন্দোলন অহুগী ভোলুনটিয়ারশিনা ভাক্কদবা লমচৎ ব্যবহার পুন্নমক ইবি। য়ান চে অদুদা মশানা য়াবে হায়না সহি তৌংবা মহা, অহল, লাইব ইমাকখুনবা পুন্নমরা মখোয়না চংগদৌ-রিবা ডিমোনষ্ট্রেশন অহুনা দরকার লৈরবদি মখোয় খুদিঙমক শিজি-ন্নিংবা মঙংদা শিংভিন্নবা য়াগনি হায়না য়ানরমই।

মাগী শথমনা শেমগংলবা ভোলুনটিয়ারশিং অহুগা লোয়ননা খৃঃ ১৯৬৩ গী এপ্রিলগী তাং ৬ তা মখোয়গী কেমপেন্ অহুগী অনিশুবা তাওকক্ ওইন। ষ্ট্রিট ডিমোনসষ্ট্রেশন চৎথ'মই। মথংগী নুমিৎ, তাং ৭ অমুদদি অভৌবা পুলিসকা অমুবা ডিমোনষ্ট্রেটরশিংগা অনিগী মরক্ত লৈনবা মরী অমু ফংচিল্লক্তে। পুলিসশিং অহুনা লীচৈ অমদি 'K—9' কৌবা পুলিসকী শিকারগী হুইশিংগা পুন্নপ ডিমোনষ্ট্রেটর-শিংদা খুৎথাবা হৌরমই। পুলিসকী মকোক্কা সিটি কমিসনার বুল কোননরনা ওইরমই। মহাক্না মাগী পুলিস কাওবু অমা থাদোক্তুনা

ডিমোনষ্ট্রেটরশিং অদুনা চৎকে খন্ন লাক্লরিবা সিটি হোল অদু য়োট্রিরেঁদা থিংননবা হোৎনরমই। নাকল অনিমক্তা কেল্লি ইন্‌গ্রাম্ পার্কতা মী থোমজিন্নরমই। হায়রিবা পার্ক অসিদগী মনাক্তা হেক লৈরিবা ষ্ট্রিট অদু লালথোকপগা ১৬শুবা বেপটিষ্ট চর্চ হেক্ত তাবে। মফম অসিদনি অকনবা মফম অমা ওইরিবসি। সিটি পুলিস কমি· সনার অদুনা হায়জবদগী এপ্রিলগী তাং ৬০ গী নুমিদাংদা জর্জ W. A. JENKINS না মফম অদুবাইদা করিগুম্বা মখল অমত্তগী প্রোটেষ্ট, মীয়াম তিন্নদুনা চৎপা, বোইকোট অমদি সিট-ইন অমত্ত তৌবা য়াদে হায়না হুকুম তৌরমই। পাও অসি কিংদদি নুমিদাংগী পুং ১-৩০ মিনিট তাবদা খঙহল্লমই। কিংনা গান্ধীজিগী রাথল-লোমদা চিংশিল্লগা মাগী মপুঙ্গিগী অহানবা ওইনা কোর্ট ওরডরবু থোশাদবা উৎতুনা মী ৪০ গা লোয়নননা মানা মকোক থোংনা সবকাবনা পুন্ন চৎপা য়াদে হায়বা মফম অদুদা য়াম্না লেম্না ৎলমই। মাগী মতো অদুদা অতোপ্পা ডিমোনষ্ট্রেটর খরসু মাগী মতুং ইন্নরক্লমই। অমদি নাকল যেংলোম ওইগোনদা লৈবা ভাবুকশিং অদুনা খঙহোদনা —"বরমিংহামদা নিংতম্বা লাকলে; বংমিংহামদা নিংতম্বা—লাকলে" হায়না লাওরকলমই। মথোয়গী মতো অদু ঊবদা মৈ হৌবমথৈ শাউরবা মুল কোন্নরনা কিংবু এবরনেথিগা কোয়না ফারমই অমসুং মথোয় অনিদ নওনা ডিমোনষ্ট্রেটর ৫১ অমগা ভাবুক খরগসু ফাজি-ল্লমই। কিং অমদি এবরনেথি অহানবদদি পুন্ন থম্বিবমক্ত অদুবু মমৈদদি কিং মথণ্ড অতোপ্পা ছেল অমদা থমজিন্নমই। ছেল অদুদা কিংনা মথন্ত রাথল জাৎ জাৎ খল্লকলমই। খাইদগী মক্কওইবা রাফমদি ফ্রেড শটল্‌সরর্থনদি কদায়দগী শেল লৌরুরগা অতোপ্পা, জেল [illegible] ডিমোনষ্ট্রেটবশিং অদুবু কমদোমা জেলদগী থাদোক্লবা হোৎন-রক্লনি; অমদি মরক অসিদা নিগ্রো কম্যুনিটিগী মোরেলনা কমদৌ-রমগনি হায়বা রাথল অসিনি। মসিগী রাথলদা কিংনা জেলদা মশাগী অরাবা পুম্ব ফাউবা ওমলমই। মহাক্তা জেলদা লৈরিঁভেদা

অসুম্বা ইরমই—"In the mornings the sun would rise, sending shafts of light through the windows high in the narrow cell which was my home. You will never know the meaning of utter darkness until you have lain in such a dungeon, knowing that sunlight is streaming over head and still seeing only darkness below. You might have thought I was in the grip of a fantasy broght on by worry. I did worry. But there was more to the blackness than a phenomenon conjured up by a worried mind. Whatever the case, the fact reminded that I could not see the light"

মথন্তু, চীকলবা ছেল মনুং অদুদা লৈববা মতম অদুদদি মাগী লূপী কোবেত্তাবুন্থু উনিংলকলমই। কোরেত্তাগা উম্নদবন্থু কুইরমদি মথমদি মার্চকী তাং ২৮ দা ১ম্নিশুবা মচা বর্নীস (চুপী) পোক্‌না লৈখ্রিবনি। কিংনা মমাংডৈদগী হৌনা জেলদা হেক চঙ্‌বগা কোরে-ত্তাবু কৌহুনা উম্নবা হায়বসি তোকলক্রু। অদুবু হন্দক্কী মতাং অসিদদি মাগা কনা অমওগা উম্নহল্লমদে। মহাক্কী উকিল্ অহু কাওবগ উম্নহল্লংদে। রাংম অসি কোরেত্তানা প্রেসিডেন্ট কেনেডিদা খঙহনখিবমই। মতম অসিমক্তি প্রেসিডেন্টস্থু হৈটংগী ছুটি ওইহুনা ফ্লোরিডাগী পাম বিচতা লৈথিবা তাঙ্গা ওইবমই। মথং মথং পাও থানখিবদগী এপ্রিলগী তাং ১৪ দ এটোনি জেনেবেল রোবার্ট কেনেডিনা কোরেত্তাদা বরমিংহামগা কনটেক্ট তৌনহুনা যীতম অহু খঙদোরবা শোয়দনা তৌগনি হায়না খঙহল্লকলমই। পুং খরগী মতুদা যোন অমুক তৌবক্লে কোবেত্তাদা—"টেলিফোন তৌনহুনা মশামক্কা রাগী শানবমক্তি মাই পাক্লে, অহুবু কিং করিন্থু থোইদোকপা তৌদে হায়বদি খঙলে।"

মথংগী হেক অয়ুক্ত প্রেসিডেন্ট কেনেডিনা কোয়েস্তাদা কোন্ তৌরক্লে—"ঐনা বরমিংহামগা য়ারী শানরে। মহাক্কী মপুরোইবনা নংগা য়ারী শানবা য়ানবা শীন্নপ্রবনি, শোয়দমমক ডাইহাক্কী মনুংদা নপুরোইবনা কোন্ তৌরক্লগনি। ওরাং মুমিদাং F. B. I পার্টি অমা থাগ্রবনি, মখোয়না মকম অদুদা লৈছনা চেক তৌনবা হায়প্রবনি অদুগা নঙ্না দরকার লৈরবদি ঐবু নত্রগা ইনাও মুপা রোবার্ট কেনেডিবু নত্রগা মিঃ সেলিদয়বু নঙ্না পাম্বা খুদক্তা ফোন হেক্তা তৌবকপা য়াগনি।" লোয়ন লোয়ননা মখোয়গী মন্নিগুবা মচা অমা ফংলে হায়বা তাবদা হবাওবা ফোঙদোয়কলমই।

কেনেডিনা মতেং পাংবিবদগী কিংগী লম্নাইগী য়াকমদি খবগী মথৌ শাফরে। অদুবু বরমিংহামদা চৎথরকলিবা অন্দোলনগী লালফম্ অদুমদি হোংবদা খব মন্নাবমই। কিংমু জেল মনুংদা মওল মওল য়ান্না থল্লমই। মানা খল্লিবা য়াথল অদুদা মরুওইবদি মঙোন্দা নম্নকলিবা থৌদাং অমদি মীয়ামনা মাবু হন্নকলিবা অদুগী মতাঙদনি। জেল মনুংদনা কিং মশাগী নত্তনা সমাজগী ওইবা য়াকমদা কোক শাবি। মপাললোমদনা বরমিংহামগী অঙোবা মিনিষ্টর নিপান্না মীযামদা কিংবু ওমজবি থাদুনা ছুম্লি। রোমান কেথোলিক, জিউ, দি প্রোটেষ্টেন্ট মিনিষ্টরশিং অদুনা কিংবু এক্সট্রিমিষ্টনি হায়না চার্জ তৌরমই। বরমিংহামগী অমুবা চর্চমেন খবনমু মখোয়গী কম্যুনিষ্টি-শিংনা কিংগী ডিমোনষ্ট্রেশন্ অদুদা য়াওদনবা বন্না হোৎনরমই। পুন্নমক অসিগী কিংনা জেল মনুংদা অক-ফত্ত মুন্ন খগুরমই। ময়াম অসিগী মায়োক্ত মানা কবি তৌবি? মদু চুমত্রা চুমদত্রা হায়না মথন্ত কুপনা খল্লবা তুংদা কিংনা 'এ লেটর ফ্রোম্ বরমিংহাম জেল' কৌবা য়াহে লিশিং মাপলন শাবা চিঠি অমা ইথোকলমই। মাগী চিঠি অদুগী য়ারোল অদুমক্তা সিভিল রাইট মুক্রমেন্টকী ক্লাসিক অমা ওইখিরমই। চিঠি অদুদা মহাক্না হায় মদুদি মহাক্না মাগী মী কাওবু অমগা লোয়ননা বরমিংহাম জেলদা লৈরিবসি বরমিংহাম হায়বা মকম অসিদা ইন্‌জষ্টিস হায়বদু লৈবে; মরম অদুনা বরমিংহামগী

জেলনা মখোয়বু কৌহন্না লাকলিবনি। মহাক্না চিঠি অহুদা শেনা ইরি—"ঐখোয়না হাকথেংননা অরাবা কয়া থেংনরবা তুংদা খঙলে মহুদি নিংথো তথা হায়ব অসি কৈদৌঙৈদসু ওৎপি নৈবিরিবা কাংবু অহুনা অত্তম্না শীরসিদো হায়না শীনদে, মসিদি ওৎপি নৈবিংবা অমদি অরাবা থাঙলিবা কাওবু অহুনা শীদবা য়াদে হায়হনা তাংগ-দবনি।" (We know through painful experience that freedom is never voluntarily given by the oppressor, it must be demanded by the oppressed ....") শেগ্রিগেশনগী খুদোংচাদবা অমদি মহুগী অরাবা খঙদবা কাঙবুনা হায়বা 'মতম চাবা মতম হায়বা অহুদা ঐ অমুক্ত ডাইরেক্ট এক্সন্ মুভমেণ্ট হৌরুজ্রি। চহী কয়ামুক অসি 'ডাইখে.' হায়বা য়াহৈ অসি কুইনা তাহনা লাকলবনি। তশেংনমক ডাইখে হায়বা অসিগী অর্থদি 'কৈদৌঙৈদসু হায়বা ওইরমলে। ঐখোয়ংা চহী ৩৫০ অসি ঐখোয়দা ঈশ্বরনা পীবা অংদি সংবিধানসু শীবা অধিকার অহু ডাইহনা লৈরকলিবনি। শেগ্রিগ্রেশনগী দশা নংজ্রিবা মীশিংনা, শেগ্রিগেশন্ অহুগী মাইয়োক্ত চথুরকদবা থবক খুদিঙদা 'ডাইখো' হায়বসি য়াম্না অরায়বা য়ানি। অদুবু নখোয়না, শাওবনা লুতোন্ কারবা মোব অমনা মিৎন কুপ্প অমগী মমুংদা কনাগুম্বী অমগী মচন মচে নত্রগা মনাওশিংবু মখোয়না (মোব) নিংবা মতু'ইন্না তুহৎপিরিবা অহু উরবা নত্রগা তমথিরবা পুলিসশিংনা ফুবিরবা, খোঙপাক্না কাওথৎপিরবা অমদি শাথিনা, মীরমচৎ চৎতনা অমুব অঙাং মুপীশিংবু শাথিবা মীহাৎ হাৎপা উরবা অমদি চহী তরুক্তা ডায়জ-রিবা নিগ্রো অঙাংশিংনা মখোয়গী মমিত্তা উরবা এম্যুজমেণ্ট পার্কতা মখোয়বু শাম্নবা থিংলিবা করিগীনো হায়বা অসিগী পাওখুম মপা অহুনা য়াহৈনা ফোঙদোকপা ঙমলক্তুবা নত্রগা মখোয়দা 'ফুন্ টাউন' অসি নিগ্রো অঙাংশিংদদি থোংগাল হাংদোক্কে হায়না তাকলুবদা মমিৎতগী চেপ্পরকপা পিগী ঈরা অহু উরুরবা অমদি মখোয়গী থম্মোয়দা

ফাওরিবা হস্থব রাখলগী মমি অহু নখোয়না উববা; অসিদ নত্তনা নখোয়না মুমিৎচুপ্পদা 'অমুবা'—'অঙোবা' হায়বা রাহৈ অসিত্ত মতারবা, অমদি নখোয়গী মিংগী মমাংদা 'নিগর' হায়বা অসিনা অহানবা ওইরক্লবা অমদি নহাক্না চহী ঙ্গামগে য়াম্মু য়াম্মোই তোকউ অঙাং হায়ব অসিনা অনিগুবা মিংগৌ ওইবক্লবা, থোইদোক্ন হেনদোকনা নখোয়বু পোকলিবী নমা অমদি নখোয়গী মুপীশিংবু মের্শশ (Mrs.) হায়বা মিংগৌ হাপপিদ্ধুনা ব্যবহার তৌবিদ্রবা মতম অহুদা নখোয়না ঐনা তৌরিবা থবক অসিগী আর্থ অমদি পান্দম খঙলবনি।"

"নখোয়নুদি ঐখোয়না বরমিৎহামদা তৌরিবা এক্তিভিটি অসি এক্সত্রিম্নি হায়না লৌরি। অহুবু অসুম থন্থরুরগা এক্সত্রিমিষ্টনি হায়না খন্নরিবা অতুদগী ঐঙোন্দা অপেনবা অমা লাকলে। অহুগা জেসসকি—"য়েরুববু মুংশিয়ু, নংঙোন্দা শাপ তৌরকপা মী অদুবু বব পীবীয়ু; নংঙোন্দা ফত্তনা তৌরকপা মী অদুগীদমক্ত ঈশ্বরদা প্রার্থনা তৌ"—হায়বা রাফম অসিমক জেসস অাস 'মুংশিব'দা এক্সত্রিম্ ওইবনি হায়রোইদবা নৈতে। এমোসকি— "জষ্টিসপু ঈশিংগুম চেম্থহল্লু অমসুং রাইটসসনেস (Righteouness) পু অকনবা ঈরৈ অমগুম চেম্থহল্লু" হায়রিবা অসিমকসু অচুম্বদা এক্সত্রিম্নি হায়বা নত্রা? অদুত্ত নত্তনা অব্রাহম্ লিনকোলগী 'জাতি অসিনা তঙ্খায় অমনা মীনাই ওইরগা নিংতম্না হিংবা য়াদ্রোই' হায়বসিসু এক্সত্রিমিষ্ট ওইফম থোক্ত? অহুনা খন্নগদবা রাফমদি ঐখোয় এক্সত্রিমিষ্ট ওইগদ্রা ওইরোইদ্রা হায়বা অসোমদা নত্তে। করম্ব মথলগী এক্সত্রিমিষ্ট ওইগদগে হায়বা অদোমদনি। ....কলভারী চীঙথক্তা ড্রামাগী সিন্‌গুন্না মীশক অহুমথক নোংমতদা পাং তিংহুনা হাৎখি। অহুমতুগী মসুংদা অনি অমদি মরমচৎ চুমদবা 'ইমমোরেলিটি'দা এক্সত্রিম ওইবদগীনি। অহুনা মখোয় অনিবু কনামত্তনসু থওইনখিদে। অতোপ্পা অমহুনা জেসসনি, মহাক্না মুংশিবা, অচুম্ব অমসুং অফবদা এক্সত্রিম ওইবনি। অহুনা মহাক্না মীথোই মীহেনবা হাপ্পবহু ওইখি। মরম

অসিমা জাতি অমমা নত্রগা পৃথিবী অসিনা ক্রিএটিভ এক্সট্রিমিষ্ট য়াম্না দরকার লৈ… ……।" মাগী অসিগুম্বা রাহৈশিং অসিনা অঙৌবশিং কাওবা মপূকচেল ওলহনখি।

মীখল্ মথেল্ খনব য়াবমথৈ খল্লগা কি'না দলিলগী সহি তৌহুনা (ডোলার ৩০০ গী) এপ্রিল তাং ২০ দা জেলদগী থোরকখি। মসিদনি মাবু য়ানিংলক্তবা, মিলিটেন্ট ওইববা নহাবোলশিংনা জেলদা হেক্ত লৈরুবনি দলিল সহি তৌববোই হায়না চঙপ্রগা করিগী সহি তৌরগা থোরকলিবনো হায়না শাওগ্রিবসি অহুবু কিংনা জেলদগী হেক থোরকপগা বরমিংহাম অসি অনিগুবা অলবানি ওইরকপা য়াবগী মওং অমা ওইনা থেংনরমই। অহুবু বরমিংহামগী বিং অসিদি অলবানিগী কিং অহু নৎলমদ্রে। কিংগী অনিংবা অহুগদি ববমিংহাম অসি মফম য়াম্না চাবমই। মবমদি ববমিংহামদি ইন্দ্রষ্ট্রিএল সেণ্টর অমনি। মফম অহুগী মীওইশিংনা মফম অহুদা থোকলকপা থোথোক-শিংদা থৌশাদনা লৈথোকপা য়াবকলোই।

জেমস বেভেল অমসুং SCLC গী মীওইশিংনা অন্দোলনগী-দমক্ত ছাত্র য়াম্না বিক্রুইট তৌবা হৌবমই। বিক্রুইট তৌবা ছাত্রশিং অহুনা মখোয়বুসু ফ্রন্ট লাইন্দা থাডিনবিযু হায়জরমই। অলবানিদবুদি কিংনা অঙাং ওইবিবা ছাত্র য়াম্না শিজিন্নখি। অহুবু হৌজিক মানা খল্লবইবদি অঙাংশিং অসিসু অমুক পোকথাইনিং পোকথাইনিং তৌববা লালফম অসিদা থাডিলগত্রা থাজিল্লোইত্রা অসিনি। এডল্ট ডিমোনষ্ট্রেশন পাডথোকথিবগা লোয়নন লোয়ননা নিগ্রো অঙাংশিংবু করম্ব লম্বীদা থাজিলগদগে হায়বা অশোমদা কিংগী রাখল অসি অমুক লুরকলমই। মমৈথংদা কিংনা নিগ্রো অঙাংশিং অহুবু ফ্রন্ট লাইন্দা চঙহনবা য়াখিরমই। হায়রিবা লালফম অসিদা পুলিস অমসুং মখোয়গী ক্লব, তমথিরবা হুই অমদি মৈ মুৎথৎপদা শিজিন্নবা শাক্ত কল্লবা ঈশিং পেম্বে অহু মাইয়োক্লবা তাখি।

খৃঃ ১৯৬৩গী মে তাং ২, শগোলশেল নুমিৎ অহুনি। নিগ্রো পাখং লীশিং লীশিংনা ১৬ শুবা ষ্ট্রিট বেপটিষ্ট চর্চ্চতগী হাদোক্লরক্লমই। পাখঙশিং অহুনা মী ১০/১০—৫০/৫০ না কাঙ্‌বু কাঙ্‌বু শেমহুনা ববমিংহামগী মকম খূদিঙদা লাউরহুনা, ঈশৈ শক্লহুনা চৎলমই। মখোয়গী মতৌ অদু ডিমোনষ্ট্রেশন্‌গী ভাব ওইরক্লে। মহু পোক-থায়রক্লবা বোমগুমপ্রে। ""মীয়াম অহুনা মখোয়বু চঙ্‌বা য়াদে হায়না থিংবা মকম মকম খূদিঙদা অমদি পুলিসকি লাইন্‌শিং চঙ্‌খৎলকলে। মহুদা ছাত্র শিশিং অমা হেন্না ফাজিল্লমই। মথংগী নুমিত্তনা অমুক তাং ২ গী মীয়ামহুদগী শরুক য়াম্না হেন্ন লালকম অহুদা কুজিল্লক্লমই। নিগ্রোশিংগী স্কুলশং অমত্তদা ছাত্র অমত্ত লৈনহৌদ্রে। স্কুল পুন্নমক পুমহাঙ হাঙ্‌লে। কিংনা য়াম্না নিংথিনা শীন্দুনা মথং মথং ওইনা ল্যোইব নাইত্রব মীগী কাঙ্‌লুপ কাঙ্‌লুপ থাজন্দুনা লালকম অহুবু কিব হেনগৎহল্লমই। মমৈথংদা পুলিসশিং উপায় লৈবক্লহুনা পরার য়াম্না যাওবা ঈশিং পেরেনা কামশিনবা হৌরকলে। লীচৈনা তান্ন তান্নহুনা ফুগৎলকলে, হুট খৌজিন্দুনা চিকহল্লকলে। ডিমোনষ্ট্রেশন তৌবিবশিং অহুত নত্তনা নাকল য়েৎলোম ওইবোমদা তিল্লমলিবা ভাবুকশিংদসু ওনশিন্‌ ওনশিন্দুনা কুথবা হৌরকলে। মহুদা থাঙ্‌বা ঙম্নরক্লহুনা ভাবুকশিং অহুসু মুংদুম অমসুং লিকলি পায়হুনা পুলিসশিং অহুদা আক্রেমন্‌ তৌবা হৌগ্রে।

হুইনা চিকলবা নিগ্রো অঙাংশিংগী মশিঙ অসি থীবা ঙম্নক্লে। তৌরিবা ফিল্মশিং অমদি থৌথোকশিং অহু পৃথিবীগী টেলিভিজন্দা য়েংবা ঙম্নরক্লে। পৃথিবীগী খবরশিংদা ববমিংহামগী টৌবচব অহু ইডিটোরিয়েল অমদি হেড লাইন কাহুনা ইনরকলে। চথরিবা থবকশিং অহুগী ফলদি বরমিংহামগী অমুবশিংদা তারকলে। অহুবু মহু কাওবদা কিংনা হরাইট পারার ষ্ট্রকচরশিংনা মখোয়গী ডিমাও অহু থর মথৈ থম্নহুনা থবক ওইনা পাঙথোকলকলবদি ডিমোনষ্ট্রেশন অহু তোকপা য়াই অহু নত্তনা চুম্নগী ম্বা ওইনা

হায়বত্তনদি তোকপা য়াদে হায়রমই। প্রোমিজগা কোম্নবা থবক অহু পামলমই। চুমতপা অমুবশিংগী কনবা হোৎনরনি হায়বা য়াহৈ অসিগী-দমক্ত মী অমুক য়ায়া শোকমা অন্দোলন্ হৌগদবা নত্তে, থবক ওইনা তৌরক্নবা অন্দোলন্ হৌবনি হায়বসিনি মাগী অনিংবা।

মেগী তাং ৬ অমস্তুং ৭ অহুদি ডিমোনষ্ট্রেশনগী থৌবী থাক অহু য়ৌরমই। মহুনা বরমিংহাম অপুম্বা মফম মরাং খণ্ডহল্লমদে। অন্দোলন অহুনা কনশিল্লকুলবদা পুলিসনা মীয়ামদা ঈশিংগী অকনবা পেরেনা কাপশিনবা হৌরমই। কিংগা কোম্ননা মী লিশিং অনিরোম ফারমই। পৃথিবীগী খবরশিংদা পুলিসকি অত্যাচার অহুগী পাওনা মকোক থোংলমই। জাতিগী ওইবা জ্ঞান তাহনবগী ঈহৈ অমা লাকলমই। মফম খুদিঙদা লৈবা নিগ্রোশিংদা লাম্বা পানিংবগী ঈহৌ অমা পোকহল্লমই। নিগ্রোশিংনা মফম খুদিঙদা সিট ইন কেমপেইন্ অমদি ডিমোনষ্ট্রেশন চৎথরমই। নিগ্রোশিংনা মখোয়দা হেন্ন কগৎপা থবক পীননবা কন্না লাউবমই অমদি ঘেটো লাইফনা মখোয়দা নমহুনা পীবা ডি-ফেক্টো স্কুল শ্রেগ্রিগেশন অহু মুৎথৎনবা ডিমাণ্ড তৌরমই। NAACP কী সিভিল রাইট লিডর, মাথা ইংবদা হায়নরিবা রোই রিল্কিন্সস্থ মিহুৎ থোঙদগী পুলিসমেন অমনা নিগ্রো মুপী অমগী মথক্ত তোংলগা মখৌবি চবম মেৎতুনা লৈরম্বগী তমথিরবা দৃশ্য অহু উকবদগী মাগী অইংবা অহু মাঙখিহুনা ডিমোনষ্ট্রেশন অহু য়াওখিরমই অমস্তুং জেলদা চঙখিবমই। মাদা নত্তনা অঙৌবা কাঙবু থরস্থ ডিমোনষ্ট্রেশন্ শুহুদা য়াওখিরমই। অসিদ নত্তনা অঙৌবা মিনিষ্টব, পুনোহিৎ অমদি ক্লার্জিমেনশিংস্থ জেল চঙবদা য়াওশিন-খিরমই। ইউঃ এসঃ এগী ইউনাইটেড ষ্টেট প্রেসবিটরিয়ান চর্চ্চকী এক্সেক্যুটিভ ওইরিবা ডাঃ ইউগেন্ কার্সন ব্রেক মশামক পুলিসকী অত্যাচার অহু তোক্লনবা প্রোটেষ্ট তৌরমই অমস্তুং মহাকস্থ অঙৌবা ক্লার্জিমেন্ কুন্মবিনা মত্তেং পাংশিল্লক্কুনা জেলদা চঙখিরমই। মোকলিবা থৌথোক খুদঙমক টেলিভিজনগী শক্তিনা পৃথিবীগী মফম

থুদিঙ শীনবা থুংনা থঙহনখি। তাং ৭ কী মতুংদদি জেফরসন্ কাউন্টিগী শেরিফ ওইরিবা Melvin Bailey না ডিমোনষ্ট্রেশন অসিনা লেপ্পা মরৈত্রবদি মফম অদু মারসিএল্ লো চলাইহৌবনা ফগনি হায়রমই। অঙৌবা কাঙবুগী মকোকথোংবা থংনা কমিত্তি অমা শেমলগা নিগ্রো লুচিংবশিংগা য়ানবা য়াফম অমা পুরক্নবা কমিত্তি অদুদা শক্তি পুন্না পীশিল্লমই। মেগী তাং ১০ ইরাই মুমিত্ত কয়ারক হন্না নেগোসিএটিং সেসন্ কম্মিগ্গরবা তুংদা কিং ১সুং মাগী মীওইশিংনা য়ানবা য়াফম থর লাউথোকল্লমই। য়াফম অদুদা লঞ্চ কাউণ্টর, রেষ্ট রুম্স ফিটিং রুম্স অমসুং ঈশিং থকফমশিং, শম ককফমশিং অসিনচিংবা মফমশিংদা সেগ্রিগেশন্ তৌত্রবা অমদি কাপ্পিরবা ডিমোনষ্ট্রেটরশিং অদু নোমিনেল্ বোণ্ডা থাদোকপা হায়না য়ানবমই।

অদুবু য়ানজৈ হায়বতনি মথংগী মুমিৎকি তাং ১১ অদুদদি অথেংবদা Gaston Motel অমদি কিংগী মনাও এঃ ডিঃ কিংগী ময়ুমদা লুতোন কাবা মথৈ শাওরবা সেগ্রিগেসনিষ্টশিংনা বোম লংশিনলকলমই। পুংফম অদুদগীনা লেমহৌবিবা অহিংগী মতমশিং অদু কিংদা অহিংসাগী অচৌবা চাংয়েং অমা ওইনা থোকখিরমই। সেগ্রিগেসনিষ্টশিংনা মফম অনিদা বোম লংশিনখ্রে হায়বা হেক তাবদগী মফম অদুরাইদা লৈনিবা নিগ্রো নহাবোলশিং অদু অমুক হায়নরুবা তৌদনা ময়ুম ময়ুমদগী চেন্থোক্লরকলমই। চেনথোরকপা, শাওবনা মনা পায়বা য়াত্রবা নহাবোলশিংনা ষ্ট্রিটশিং পিক থল্লমই। মথোয়না মথোয় মথোয়না থেংনবা পুলিসশিং অমদি মৈ-কনবা কাণ্ডমুশিং অদুবুসু তাম্ন তাম্নহনা মুংহুম্না থাহনা তাম্নবমই। থঙহৌদনা অকনবা অচৌবা রাইওট অমা থোকলমই। হায়রিবা রাইওট অসিনা মথংগী মুমিংকী অয়ুক ফাওবা চংথরমই। রাইওট অদুদা কার কয়া মাঙহনখিরমই, য়ুম কয়া মৈ চাকখিরমই। দুকান্দার অমগা কেব ড্রাইভর অমগসু থাংনা থিল্লমই। অতোপ্পা মী য়াংথে অমমোমসু

শোকলমই। কিংনা য়ায়া কয় হোৎনচুনা সিটি অদুদা লাঙালবা অচু নেমথনবা হোৎনরমই। প্রেসিডেণ্ট কেনেডিসু টউঃ এসকি লানমিশিংবু মমিৎ মনা শিংনবা য়াথং তৌরমই। ঙচুবু অয়ুক অদুদগী থোইদোক হেন্দোকপা ফত্তবা থৌথোক অমুক থোকতনা নেমথনখিরমই। কিংগী অহিংসাগী ওইবা ফিলোজোফিদা হন্দবী রাইওট অসিনা মিংচৎ খরদি থিহনখি অদুবু চাওরাক্লা খঙ্নবদি মাগী ফিলোজোফি অসিদা অরাবা কয়া থেংনখি হায়বা ফাওবদি শোয়ত্রে। অদুগা থোকখ্রিবা থৌথোক অসিদা কিংনা মুংঙাইখিদবহু, রাইওটকী কাওবু অদু মাগী বরমিংহামগী ক্রুসেডকী অকনবা মেম্বরশিং নত্তে, অতোপ্পা য়াম্না নমথনা থম্মোয় শোক্লা থম্মীরবা অন্দর ক্লাসকী মীওইশিংননি হায়বা য়াথল অসোমদা কনসোলেশন্ পীজরমই। অদুগা থোইদোক্লমু মাগী বরমিংহাম ডিমোনষ্ট্রেশন্ অদুনা অহিংসাগী মাই-কৈদা লমজিংখিদুনা মকম অদুদা হিংসাগী থবক অদুক পংকন কনখিত্রিবনি, অদু নৎলমত্রবদি হেন্ন শাথিরমগদবনি হায়বা য়াকম অদোমদা ঈংথনবা হোৎনরমই।

মতাং অসিমক্তি কিংগী কেরিয়ারগী খ্বাইদগী হেন্ন রাংলবা চীঙদোল অদু মতোল লোয় কাববা মতমনি। কিংনা মফম কয়া চৎতুম্না লোস এঞ্জেলসতা মী লিশিং ২৫ য়োম তিনবা অমদি চিকাগোদা মী লিশিং তরাগী মথক্ত তিনবা মফম কয়া কয়াদা য়া ঙাংলমই। মী লাখ অমমথাই য়োনা য়াওপ্রবা ফ্রিডম্ য়াক (Freedom Walk) তা মানা মকোক ওইনা চৎথৎলকলমই। মসিদগী হেন্দোকতুনা মশাগী লৈবাক্তগী য়াংম লাম্ন মাগী লুচিংবগী পাও অসি শন্দোক-খিরমই। মহাক্লা বরমিংহামদগী চুপ্রিবা মৈনা অসিনা মথং মথং শন্দোকখিদুনা ঘেটো অমদগী ঘেটো অমদা লাম্ন চৎখিদুনা পীক্ত পীকলবদগীনা চাওদ চাওপ্রবা থাক ফাওবগী নিগ্রোশিংনা মাগী লিডরসিপ য়ানরকলমই। চহী কয়া নমথবীদুনা লাকলবা থম্মোয় শোকলবা নিগ্রোশিংনা বরমিংহামদগী পায়া অমা খঙলদুনা আমেরিকাগী

অচৌ অচৌবা লম্বীশিংদা, কার অমদি বুলডোজর কয়াগী মমাঙদা হীপুনা, লেপশিন্দুনা, কমজিন্দুনা, চৎশিন্দুনা, লাওশিন্দুনা অমদি ঈশৈ শকচিন্দুনা নিংথা তম্বগী খোল্লাও কয়া লাওরমই।

মীয়াম তিন্নবদা তোয়না য়াওরগা চৎনবম খঙলকপা, থোথোক তোয়রগা শিংবা হেল্লকপা মশানা তাজবনি। আমেরিকাগী নিগ্রো-শিংনা মোন্টগোমরী, গ্রিন্সবোরো, অলবানি অমদি থোইদোক হেন দোকনা বরমিংহামগী থোথোকশিংগা থেংনবদগী তাব তানরক্লুনা খৃঃ ১৯৬৩ অহুম্রাইদদি মথোয় মথোয়গী থম্মোয়দা মফম খঙদনা অওনবা অমা পুরকলমই। হায়রিবা মতম অসিদা কিংস্নু মীয়াম্না শক ফজনা খঙবিবা অকাওবা লময়ানবা অমা হায়বদু ওইরকলমই। অয়াম্বা প্রজাশিংগী চামদা মরিফুনিপাম্না মাবু য়ারমই। মবোক থোংরা লিডরশিংগী মফুংদস্নু মাবু চামদা মরিকুতবা মঙানা য়ানিংলমই।

মীওইবা হায়বসিদি মাবু মুংশিবা কয়ানি, মাবু য়েক্লবনা কয়ানি। কিংগী মরমদা খবরশিংদা ফজনা সমালোচনা তৌরকপস্নু ময়াওই। কনাগুম্বনা আলোচনাদ তৌরকপস্নু ময়াওই। অহুম তহুম ওইনমক মতম অহুগী অঙৌবা অমদি অমুবা আমেরিকানশিংনদি মাবু 'নিগ্রো রিভোলুসন' গী সিম্বোল্ অমদি মকোকথোংবা স্পোক্সমেন্ ওইনা লৌথিরমই। আমেরিকাগী অঙৌবা কাওবু কাওবনা মফুংদদি বরমিংহামগী লালফম অহুদা শরুক য়াররে। প্রেসিডেন্ট কেনেডিস্নু কিংনা ওইহন্নিংবা কেনেডি তহুমক ওইনা মতাং অসিদা চোংথোরকলে। ওফিসিএল ওইনা কেনেডিনা সেগ্রিগেসন অসি মোবেল্লি লালনি হায়রবগী ফিরেপ লৌরকখি। অসিগুম্বা ফিরেপ অসি লৌথিবা আমেরিকাগী প্রেসিডেন্টশিংগী মফুংদদি কেনেডিনা অহানবনি। খৃঃ ১৯৬৩ গী জুন তাং ১১ দ মিসিসিপিগী NAACP লিডর Medgar Evers পু হাংন্রিঙৈগী মমাং অহুদা কেনেডিনা হায়খি— 'প্রেসিডেন্ট লিনকোলনা মিনাই য়েহ্লিং থাদোকপীরম্বদগী য়াম্না তম্নবা শাংলবা চহী চাম হৌগ্রে। অহুবু হৌস্লিক কাওবা মথোয়গী মচা

মশু শুথাংশিংনদি মপুং ফানা নিংখা তমজ্রি। হৌজিক কাওবদা মখোয় ইনজষ্টিসকি দলিলদগী নাম্থোকপা ঙমজ্রি। মখোয়বু সোসিএল্লি অমদি ইকোনোমিকেল্লি ওৎপীবা অহু তোক্ত্রি অহুনা জাতি অসিগী আশা অমদি চাওথোকচফম অহু জাতি অসিগী প্রজাশিংনা মপুং ফানা নিংতমজ্রিবমখৈদি লেপ্লিংঙাই আশা লৈত্রে। ………ঐখোয়না পৃথিবীগী অকোয়বদা নিংতম্ব শন্দোকলি। অহুগা ঐখোয়না ঐখোয়গী মিংতম্ববুদি মফম অসিদা, য়ুম অসিদদা য়োকথৎলি। অহুবু ঐখোয়না হৌজিক পৃথিবী অসিদা নিগ্রোশিংগী কম নত্তনা আমেরিকা অপুম্ব নিংতম্ব লৈবাক্লি হায়না লাওথোকপা তাবত্রা… … …? ঐখোয়না নিগ্রোশিং মত্তনা ঐখোয়গী সেকেণ্ড ক্লাস সিটিজন্ লৈতে অমদি নিগ্রোশিংগী রাফম নত্তনা আমেরিকাদা শাগৈ জাৎ, ঘেটো অমদি জাতিদা মচা অচৌবা থায়বা লৈতে হায়না পৃথিবীদা থঙহনবা তাবরুত্রা? হৌজিক জাতি অসিগী আশা অমদি অনিংবা অহু থুংবা য়াবা মতম য়ৌরকলে। …………বরমিংহামগী থৌথোক্লা পুবকপা মান্নবগী ঈহৌ অসি অস্রুকী মতিক কল্লকলে মহুদি সিটি অমত্তনস্থু নত্রগা ষ্টেট অমত্তনস্থু নত্রগা আইনগী বোডি অমত্তনস্থু মখোয়বু থৌশাবিদবা য়াবক্তে।"

কেনেডিনা মাগী ভাষণ অসিগা লোয়ন লোয়ননা কংগ্রেসতা সিভিল রাইটকী বিল অমা থাগৎখিংমই। মাগী অসিগুম্বা থৌশিল অসিদগী কিংনা কেনেডিবু থাজবা ঙমখি।

হৌগৎলকপিবা ইরাং অসিগা চাম্নবা নিগ্রো লুচিংবশিংনা ওয়াশিংটনদা মনিং চৎলবা মার্চ (March) অমা পাওথোকলমই। হাম্বখিবা মার্চ অসিনা সিভিল্ রাইট বিল্ পাস তৌবদা অকন্বা চৈথেং পী হায়বদা অরানবা লৈখিদে। চাওরাক্লা অঙৌবা ৬০,০০০ য়াওরগা মী ২৫০,০০০ রোম্না ওয়াশিংটন মোনুমেণ্টতগী লিনকোল মেমোরিএল্ ফাওবা ডিমোনষ্ট্রেসন চৎলমই। হাম্বখিবা ডিমোনষ্ট্রেসন্ অসিদা কিংনা মকোক ওইহুনা চৎলমই অমস্থুং মাবু মতেং পাংলিবনা রিলকিন্স, রানডোলফ, CORE গী জেমস ফারমর, SNCC গী

জোন্ পেরিস, অরবাম লিগকি হ্বাইটনি য়ং, UAW-CIO গী য়ালটব রিউডর অমসুং প্রেসবিটেরিয়ান চর্চকি ইউগেন্ কাৰসোন য়েক্নি। কিং নত্তনা হুমিং অহুদা য়া ঙাওখিবা পুন্নমক হায়রমই মতুদি কিংতনা নিগ্রোশিংগী অয়াবয় ড্রামাদা উৎপগুম উৎপা ঙমখিবনি অমদি টেলিভিজনদা য়েংলিবা মীপুম খুদিঙনা তুং কোইনা নিংশিংহনা লৈহৌগদবদি কিংবুত্তনি। খ্বাইগী অবোইবদা কিংমা য়া ঙাওলমই অমসুং অইবা রাকম অমা পাথোকলমই—"চহী চামদি হৌগ্রে অদুবু নিগ্রোশিংদি ঙসি ফাওবা নিংতমদ্রি; চহী চামা অসিগী মতুংদা নিগ্রোশিংগী পুন্সি অসি সেগ্রিগেসনগী লীপুন অমদি মীচং মীখাই নাইবগী চৈথেংনা মমল করিম্নু লৈত্রবা প্রজাশিংগী পুন্সি ওইহল্লি। চহী চামা অসিগী মতুংদা নিগ্রোশিংবু, ইনাক্ কৈরাক খুল্লবা ললগী সমদ্রু অমগী ময়ায়দা লৈবা চীক্ল তোয়ম পামগ্রবা ঈথৎ মচা অমদা লৈজবা প্রজা ওইহল্লি; চহী চামা অসিগী মতুংদা নিগ্রোশিংবু, আমেরিকান সমাজগী মতাই কোচিন অমদা নমশিল ওজিন্দুনা থম্বীরি অমদি মশাগী লমদা লোই থাবীরবা তোল্লবা জিবগুম থম্বীরি.......... ময়ম অহুনা ঐখোয়না ঙসি মফম অসিদা অয়াবা অদুবু ড্রামাটাইজ তৌবা লাকলিবনি। আর্থ অমরোমদা হায়বগা ঙসি ঐখোয় ঈবৈবাক ইজাতিগী কোম্নুংদা চ্যেক অমা কায়বা লাকলিবনি। নিংখাতম্ববু ডিক্লারেসন্ তৌহুনা সংবিধান্ ইনরকপা মতমদা ঐখোয়গী বিপব্লিক্ শেমবিবশিংনা প্রোমিসরি নোট অমা পীখি। মখোয়না আমেরিকাগী প্রজা খুদিঙমকী মপুন্সি, নিংতম্বা, অমদি নুংঙাইববু গারেনটি তৌখি। অদুবু ঙসিদি আমেরিকানা অদুগুম্বা প্রোমিসরি নোট অদু নিগ্রোশিংগী মতাংদদি ডিফোল্ট ওইবে। অদুগুম্বা শেংলবা ওব্লিগেসন্ অদুবু ব্যবহার তৌবগী মহুত্তা আমেরিকানা নিগ্রোশিংদা কায়দ্রব চোক অমা পীরে। অদুগা চোক অদুবু কায়গে হায়না চৎলুবগদি ফণ্ড লৈবমদ্রহুনা শেল পীরকদ্রবা অদুগুম্বা চোক অমা ওইরমলে। অদুমকপু নখোয়না জষ্টিসকী

বেহনা বেগুক্রুপ্ত ওইরে হায়বা অসিদি থাজবা ওমদে............
অতুনা নথোয়না ওসি চোক্ অসি কায়বা লাকলিবনি—কয়স্থ চোক্নো হায়ববু ঐখোয়না পাস্থ মতমদা নিংথাতস্থ অমস্তুং অচুম্বগী সেক্যুরিটি অদু ঐখোয়দা পীগদবা। মরম অদুগীনি ওসি ঐখোয়না অহাঙ্বা মতম অসিদা আমেরিকাবু হৌজিক হৌজিক দবকার লৈবদু থংহনগে লাকলিবসি ....।"

" ....হৌজিক অসি অত্তৈ মতম নৎত্রে। ডেমোক্রেসিনা রাশকথিবশিং অদু থবক ওইনা তৌবা মতম যৌরে; হৌজিক অসিমক সেগ্রিগেসনগী মম্লবা মী তাক্রবা খুদং অদুদগী' রেসিএল জষ্টিসকী ভাল্লবা লম্বী অদোমদা হাইগৎলকপা মতম যৌরে; হৌজিক অসিমক ঈশ্বরগী মচা ওইবিবশিংদা লাইবক ফবগী থোঙ অদু লাওনা হাংদোকপীবা মতম ওইরে, হৌজিক অসিমক ঐখোয়গী জাতি অসিবু রেসিএল ইনজষ্টিসকী লৈঙোই মরক্তগী মচীল মনাও ওইবগী চীংথুম অদুদা থাঙ্গৎপীব মতম যৌরে।"

"ঐখোয়গী অরাবা খুদোংথিবশিং অসিগী মহুত্তা ঐগী মঙ অমা লৈজে, হায়বিবা মঙ অসি আমেরিকান মঙলিংবা মঙ অদুগা মরদদি অমত্তনি। নোংমদি শোয়দনা জাতি অসিনা হৌগৎলক্লনা জাতি অসিগী অশেংবা আর্থদা হিংলগনি হায়বসি ঐগী মঙনি। রাফম অসি ঐখোয়না চেৎনা থাজবা অসিমক্তা মীওইবা হায়বসি চপ মান্নমা শেমলবই হায়বসি মশানা শাক্কি ওইচরবা রাফমনি। ঐগী মঙ অমা লৈ মহুদি নোংমদি জোরজিআগী অঙাংবা চীঙথক্তা মমাংলৈগী মীনাইশিংগী মচা মঙশিংগা, মীনাইশিং অদুবু লোইরম্ব মপুশিংগী মচা-মশুশিংগা পুন্ন অমত্ত ওইনা মচিল মনাওগী রাখলদা টেবল মথক্তা ফম্মিনংকথিনি। ঐগী মঙ অমা লৈ মহুদি নোংমদি ওৎপিববা অমদি ইনজষ্টিসকী মৈশানা চাকথেল্লবা মরুভূমিগুম্লবা মিসিসিপি ষ্টেট অসি ফাওবা নিংতম্বা অমস্তুং অচুম্বগী মরুদ্যান অমা ওইরকথিগনি। ঐগী মঙ অমা লৈ মহুদি নোংমদি ঐগী পীক্লিবা ইচা

মরি অসিমক মখোয়গী কুচুনা শকতাকবা, মখোয় মখোয়গী লমচৎনা শকতাল্লগদবা অহুগুম নেসন্ অমদা শোয়দনা লৈবা ফংলখিগনি। ঐগী মঙ অমা লৈ মহুদি অলাবামাগী লৈরিবা গোভর্ণরশিংগী মচিন্দা শোন্দুনা লৈরিবা 'ইন্টরপোজিসন্' অমসুং 'ন্যালিফিকেসন্' হায়বা অসি তোকলক্নুবা ফিভম্ অমদা লাকখিগনি মতুদা অমুবা মুপীমচা নিপামচাশিংগা অঙৌবা মুপীমচা নিপামচাশিংগা মচিল মনাওগুম্ খুৎশমহুনা চৎমিন্নরখিনি ………… মসিনি ঐখোয় পুম্নমক্কী আশা। থাজবা অসিমক লৈবদগী ঐনা থাথংবা অশোমদা লাকখ্রিবনি। থাজবা—অসিমক্না ঐখোয়না নিংবকায়বগী চীংজাওশিংদগী আশাগী মুঙ-মচা অমা শেমদোকপা ঙমগনি, ঈশ্বরদা পুম্ন লাইথুক্নমিন্নবা ঙমগনি, লালফমদা পুম্ন চঙমিন্নবা ঙমগনি, জেলদা পুম্ন চঙমিন্নবা ঙমগনি। নোংমদি ঐখোয় নিংখাতম্নখিগনি খঙনবদগী ঐখোয় পুম্নমক নিংতম্বগীদমক্ত পুম্না লেপমিন্নবা ঙম্লগনি। ……………. নিংতম্বগী শরিক অহু নিউ হেম্পশায়ারগী নিংথিরবা চীংদোনশিংদগী খীঙলকপা ওইসনু। হায়রিবা শরিক্ অহু নিউয়োর্ককী চাউরবা চীংশিংদগী খীঙলকপা ওইসনু। শরিক অহু পেন্সিল্ভানিয়াগী য়াংলবা 'এলিঘেনিজ' দগী খীঙলকপা ওইসনু। শরিক অহু কোলোরাডোগী উনতনা কুপ্নুনা লৈয়বা য়োকিদগী খীঙলকপা ওইসনু। শরিক অহু কারলিফোনিয়াগী তেঙ্গোৎ শারবা চীঙদোঙশিংদগী খীঙলকপা ওইসনু। শরিক অহু জোরজিআগী মুঙগী চীংশিংদগী খীঙলকপা ওইসনু। নিংতম্বগী শরিক অহুনা মিসিসিপিগী চীঙদোং খুদিঙ অমদি লৈপুঙ খুদিঙদগী খীঙলকপা ওইসনু। ঐখোয়না, নিংতম্বগী শরিক অহু খুঙং খুদিঙদগী, সহর খুদিঙদগী অমদি ষ্টেট খুদিঙদগী খীঙহল্লকপা ঙমলবা মতম অহুদদি ঈশ্বরগী মচাশিং অঙৌবগা অমুবগা; জিউশিংগা জিউ নত্তবগা; প্রোটেষ্টেনশিংগা কেথোলিকশিংগা পুম্ন অমত্ত ওইবগী ঈশৈ শক্নুনা চৎমিন্নবা মুমিৎ অহু থুনা পুরকপা ঙমগনি।"

কিংগী তাবণ লোইশিন্নকপদা মপুং-মনৈ কারক্লবা নিপা মুগী কয়ানা উনামা মমাই থুম্নগা থিংবা ওন্নদমা কপ্পরকলমই। কিংগী য়াহৈ য়াতাশিং অমুনা তিল্লিবা মীপুম খুদিঙগী থমোযমুংদা খাঙবা ওন্নবা, থৌশাদনা লৈথোকপা য়াত্রবা চৈদা অমা পাবমই। অরাং-থংবা শরুকী খবরশিংদা ইডিটোরিয়েল্ কানা মাগী ভাবন্ অমুবু 'মাষ্টরপিস' অমনি হায়না থাজৎনরমমই। অমুদ নত্তনা কিংনা ওাঙ-থোকথিবা পুম্নমক ইলেকত্রিক্ ডিভাইসকি পাম্বৈনা আমেরিকাগী প্রজা মিলিয়ন কয়াদা অমদি এসিয়া, আফ্রিকা অমদি ইউরোপ্ শীনবা থুংনা তাহনখি। মামা ওাঙথোকথিবা পুম্নমক থম্মোয়মুংগী মোয়েলগী য়াফমদগী চোংথোরকপনি। কনাগুমনা মাগী থবক্তা সমা-লোচনা তৌরকপা পুম্নমক ইফো' ফোংনা স্বাগৎ তৌখি।

কন কুইনা নিংতম্বগী শরিক অমু খীঙলকলমদে। মমুগী মহুন্তা মুমিং ১৮ নিগী মতুংদদি ওম্থোকপা থৌথোক অমা থোকলবে। নোংমা কার অমা ১৬ শুবা ষ্ট্রিটতা য়ায়া য়াঙনা থৌরকলমই। মমুদা তোংলিবা মী অমমা বো'ম অমা ১৬ শুবা ষ্ট্রিট বেপটিষ্ট চর্চ্চতা লংশিলমমই। মতম অমুদদি হায়রিবা চর্চ্চ অমুদি নোংমাইজিং মুমিৎ ওইবনা ছাত্র মযাম্না পিক থম্ন লৈযমই। বোম অদুনা পোকখায়-রক্কুনা মুগীমচা ৪ শিরমই অমসুং ২১ না শাথিনা শোরুমই। মমুগী মতুং নোংমা কোনবদা নিগ্রো অনি অমসু হাৎখিবমই। নিগ্রো অমদি পুলিসনা হাৎপনি। কিংগী থম্মোয়মুংগী অমদি মপালগী অয়াবা অমুক হৌবকলমই। থৌথোক অসিদগী রিভোল্যুসন অমা লাকপা য়াবগী থাক্ য়োবকলমই। য়ায়া হোংনববা তুংদা রিভোল্যুসন্ অমুমক্তি থোকখিগ্রে অমুবু বরমিংহাম অমদি আমেরিকাগী নিগ্রোশিংগী খাঙবা ওম্বগী শক্তি অমুমক্তি ঈরৈনা চাথৎলবা তোর্বামগুম থৌথোক অমুগী মতুংদগীদি ফিতম শোকখিরমই। লোয়ন লোয়নমা কি'দা, হেন্ন কনবা চৈথেং অমা পীথবা হোবকলমই। মাইকৈ খুদিঙদগী মীপুম খুদিঙনা আইন আমাইন্য অন্দোলন হৌননবা তকশিন্নকলমই। মচীল

তোঙবা ছাত্রশিংনা সিভিল রাইট আরমি লিশিং ২৫ শেমলগা অমরোমদা পুবানা আইন আমাইন্য অন্দোলন চথনবা থৌরাং তৌগ্রে।

আইন আমাইন্যগী রাফম অসি অমুম অমুম কনখৎলকলমই। থাবোমদত নত্তনা অরাংলোমদস্থ জেমস বোলডউইন্না লুচিংছুনা আইন আমাইন্সগী রাফম পুখৎনরকলে। মতুত নত্তনা বোলড উইনবু মতেং পাংবা ওইনা নিউ য়োর্ককী লাইব্রিক ইবশিং অমদি আর্টিষ্টশিংনস্থ খৃষ্টমাষ্ট বোইকোট তৌনবা হোৎনরকলে। মাইকৈ খুদিঙমক্তগী কিংদা আইন আমাইন্য অন্দোলনবু লুচিংবিনবা তকশিন্নরকলে। অদুবু কিংনদি তাল্লা অদু চপচারবা মতমনি হায়বসি খল্লমদে। অদুবু তকশিনবমা হেনমল্লবদা খৃষ্টমাষ্ট বোইকোট তৌবা অদু কাওবদি মাস্থ য়াখিবমই। মরাম্মদি কিং মশামক্তা হৌদোকলকপা লানকমদা লুচিংবীয় য়াদ্রে হায়দুনা পেন্দবা কোঙদোক্লবক্লমই। খৃঃ ১৯৬৩ গী ঈহৌ অসিনা অরাংথংবা শরুক্তদি ঈরাং অসি কনবা অমুম অমুম হেনগৎনবক্লমই। মখোয়না ডিফেক্টো অমদি হাউসিং সেগ্রিগ্রেসন-লোমদা কম্না এটেক্ তৌরমই। লুচিংবা মীনা শোস্তক তাবদগী ঈহৌ অদু অদুক হান্না কনবদি ওইখিদে। অদুম অদুম ওইনমক খা-রাং অনিমক্ত পুমলাঙ লাঙখিরমই।

খৃঃ ১৯৬৩ দা নিগ্রোশিংনা কাল্লবদি য়াম্না ফংলমই। খা-রাং অনিমক্ত ডি ফেক্টো স্কুল সেগ্রিগেসন অসি য়েংখৎলকলমই অমস্থং অরাবা কোরুনবা উপাই কয়া শিজিন্নরমই। থবক ইনখাং গু-নোম্বগী অনৌবা খুদোংচাবা কয়া ফংলমই। মতিকচাবা নিগ্রোশিংবু নেসনেল জোবকিদমক্ত কৌরমই। অদুবু মী য়াম্না ফংদবদগী ট্রেনিং কয়া হৌদোকলমই। বেঙ্ক অচৌ অচৌবা, দুকান, হোটেল, মোটেল ১দি ডিপার্টমেন্টল্ ষ্টোরশিংদা থবক য়াওরিবা নিগ্রোশিংবু মফম চাওহল্লমই। থাখংবরোমদস্থ থবকী ফিভম অদু থর মখৈদি ফগৎলকলমই। মমাং-ঙৈদদি নিগ্রোশিংসি জেনিটরগী থবকুম্বা ভাক্তা তৌহল্লমই। অদুবু

মতম অহুদদি মচু তোকপ্রে। নেসস্তাইল্ বেক্কনা নিগ্রোশিংবু কেয়া-নীগী থাক্তা থবক তৌহনবা য়াবকলে। থাথ'বা কেরোলিনাদদি নিগ্রোশিংদা হরাইট কোলাব জোব পীবা হৌরকলমই।

মসিগা লোয়ন লোয়ননা নিগ্রোশিংগী মিৎযেং অমদি মওং অহোংবা অমা লাকলমই। মমাংদৈদা হন্থবা ভাতিনি খনখিবদগী মপাল ঈপাল থোকলকখিদ্রবা মীওই কয়াস্ম থোবক্তুনা বেসটাংরেন্টা, সিটি কমিসন্দা, মহৈ তম্বগী বোর্ডতা চোংথোক্লক্তুনা সমাজগী মংক্তা অমুক হন্ন তিল্লরে। অহোংবা অসিগা চান্ননা নিগ্রো জাতিশিংগী অনৌবা চাওথোকচবা অমা পোকলকলে। মতম অমদা নিগ্রোশিংনা মখোয়গী, আফ্রিকানশিংনা হৌবকপগী রাফমশিং তম্বু থৌশাক্তদ্রে। অমদি মকম অহুগী অমুবা জাতি অহুবু হন্থবা মিৎয়েংমা য়েংলুরে। অহুবু হৌজিক্তি মখোয়গী রাথল অহু লাল্লে হায়না লৌবকলে। 'অমুবা হায়বসি ফজে, অমুবা হায়বসি কল্লি' হায়বা রাফম অসিনা মখোয়গী পুক্সিগী লমজিং ওইরকলে। নিগ্রো নুপীশিংনস্মু আফ্রিকাগী নুপীশিংনা লৈতেংনবিবা কোকি লৈতেং অহু শিজিন্নবা হৌরকলে। আফ্রিকাগী কলচরগী চৎনবী, য়ুমদা য়েক খোৎপগী থবক অহু ইনৌ নৌনা হৌগৎনরকলে। মাইদা থাগবা পাউদর, পোমেদ অমদি শম্ চুম্নবা খুৎলাই পুন্নমক অসি আমেরিকাগী নিগ্রোশিংনা য়াম্না পান্ন লৈরম্বনি। অহুবু হৌজিক্তি মহুগী মহুত্তা অমুব হায়বসি ফজে হায়হুনা মাইদস্মু অঙৌবা পাউডর থাবগী মহুত্তা অমুবা ৈভবা হৌরকলে। স্কুল চৎপ অঙাংশিং ফাওবনা 'অমুব হায়বসি ফজে' হায়হুনা লাউনরক্লে।

অহুগ্ম্ কিংদি? কিংদি মরক অসিদা নিগ্রোশিংনা পায়খৎ-লকলিবা অকন অকনবা থবক অমদি অঙৌবশিংগী মবক্ত পোকলক-লিবা অকিবা অনি অসিগী রাথলদা উংদুনা লৈরমই। অন্নাংথংবা শরক্তা রেসিসটেন্ট মুভমেন্টনা কনখৎলকপগা লোয়ন লোয়ননা অঙৌবা অমস্মুং অমুবা জাতি অনিগী মরক্তা চেন্নরিবা ঈচেল অসি লুশিল্লক্লে। নিগ্রোশিংবু মুংশিদবগী লাইনা অসি আই পংয়াম য়ামদবা অঙৌবা

কাণ্ডবু শিংগী মরক্ত তশেং তশেংনা উরকলে। অহুবু রাকমশিং অসি কেনেডিগী মিংচৎনা হাইগৎলকপনা নমশিন্নুনা লৈরিবনি।

অরাংথংবা শরুক্ত চৎথরকলিবা ডিমোনষ্ট্রেশন অহুনা কিংবু পুমণক ডকহল্লত্রা হায়বমক্তি মৎলমগ্রে। মহাক্কী মোত্তদি চিকাগো অমদি নিউয়োর্কতা চৎথরল্লিবা ডিমোনষ্ট্রেশন অহুনা অরাংথংবা শরুকী অণৌবা প্রজাশিংনা অমুবশিংবু মুংশিত্রিবা অমদি শাওনিংলিবহুদা হেনগৎলবা ওইনা থোকনি অসিনি। অময়োমদনা নিগ্রোশিংবু তুকৎচবহুনা জাতিগী মোবেলগী অকুপ্পা শিংলি মচা অহুদা চৈনা পীকবনি। তুকচবা হায়বসিদি তমথিগ্রবা হুমি, মসিনা চঙ্গ্রবদা সমাজ অমবুম্বু মোন্দা থিনা হলহনবা ওমগনি অমদি মশিগী শোক্ক শম্নরুবা খুদিঙমক্ত ফত্তবা ফল ইরৈ লৈ। কিংগী মোত্তদি প্রেসি-ডেন্ট কেনেডিবু মমুং মতম চাদনা কাওনা হাৎগ্রিবসিস সমাজদা মাংথরল্লবা মোবেলনা শীনবা থুংনা শন্দোকগ্রবা মুংশিং অমননি হায়থি। কেনেডিবু হাৎগ্রিবা মহাৎ অহু নিংশিংনবদা আমেরিকাগী অণৌবা অমুবা খায়দনা মীপুম খুদিঙমক কিনবা অমা পোকলমই। হায়রিবা অকিবা অহু কিংদম্নু কাওদবা নত্তে। অহুবু মাগী অকিবা অহুমক্তি মাগী পুক্সি অমদি পুক্সিগী থৌনাগদি পুমওন ওমৈ। কিং অমমুং আমেরিকাগী নিগ্রোশিংগীদমক্তদি কেনেডি অসি মখোয়না তৌনরম্বা অচৌবা আশা অহু নিং থুংহনবিরগদবা প্রেসিডেন্ট অহুমক্তি হায়না থাজনরম্বনি। অহুবু মখোয়গী আশানা চাওখৎলকপগা লোয়-ননা কেনেডিগী পুক্সিম্নু মমুং মতম চাদনা লোইশিনথি। মতম অহুদা কনানা কেনেডিবু হাৎপনো হায়বা রাহুং অসিদগীদি করিগী কেনেডিবু হাৎপনো হায়বসিনা হেন্ন মরু ওইবা রাথম অমা ওইনা খন্নথি। কিংনা রিপোর্টরশিংদা হায়থি—"কেনেডিগী পুক্সিনা মমুং মতম চাদনা লোইশিনগ্রিবসি, ওইদবদা মরাল্ শীনবগী ঈচেন্দা অমনা অমবু তুকচনবগী অকনবা মুংশিৎ শিৎলকপদা মহুনা হিংসাগী অকনবা নোং মুংশিৎ অমা ওইনা হুমখিহুনা থোকগ্রিবনি।

কিংনা মখা তানা মীয়ামদা খঙহনখি— "ঐখোয় পুন্নমক ইরাং অমদা লৈরে, ইরাং অতুমক্তি মী অমনা মাগী য়ানিংদবা অতু য়ানিংদে হায়রহনা নিংথিনা হায়নত্রে। মখোয়গী য়ানিংদবা অতু হিংসানা অমদি মীহাৎ মীপুন্না খঙহন্নংকলে। ইবাং অসিমক্তনি মিসিসিপিদা মেডগার ইগর্সপু হাংখ্রিবা অমদি বরমিংহামদা মরাল লৈজত্রবা অঙাং ওইবিবা নিগ্রো ৬ পু হাংখ্রিবা। আর্থ অমবোমদা, ঐখোয়না তূমিন্ন সৈরুবনা, প্রিনসিপল্ অতুদা য়ানবগী অপাম্ব লৈরবনা Graduation গী vaseline না বেসিএল ইনজষ্টিসতগী পোল্লক্লিবা কেন্সরগী লাইনা অতুবু ফহনগে খল্লুবা ; ঐখোয়গী চংনবিবা, মী হাংপা য়াবা খুৎলাই লৈনিংবা মীনা হেক্তা লৈবা য়াবা অমদি বাপনি বা মতমদা নোংমৈনা কাপখায়বা য়াবা অতুত নত্তনা ঐখোয়না সিনেমা অমদি টেলিভিজনগী স্ক্রিনদা অঙাংশিংবু হিরো হায়বসি নোংমৈ কাপ্পা হৈবা অমদি মী য়াম্না হাংপা ওম্ব মীবুনি হায়না উংপিবা ময়াম অসিনা মরম ওইহনা এটমোস্ফিয়াব অমা শেমহনা হিংসা অমদি তুক্কচবা হায়বা অসিবু য়াম্না পাম্নবা মশাম্ন অমা ওইহল্লকপা অসিননি"

কেনেডিবু পোংলোইনবগীদমক্ত মী ১২০০ দগী হেন্ন বার্তন তৌখি। অখন্নবা বার্তন কংবা মীশকশিং অতুগী মরক্তা কিংমু ১নি। ওয়াশিংটনগী সেইন্ট মেথ্যুগী কেথেড্রেলদা মীয়াম অপুম্ব পূল্লমই। মীয়াম্না ড্রুং ড্রুং ঙিল্লকপা মতম অতুদা কিংদি মথম্ত তূমিন্ন ফমহনা রাখল তৌদুনা লৈ.খ। মথম্মোয়দা কেনেডিবু মরুপ অমগুম ব্যবহার তৌজখি।

কেনৈডি অমস্তুং কিং অনিগী মরক্ত মান্নবা য়াম্না লৈবমই। অনিমক নহা ঙাক্তনি। রা ঙাংবা হৈনৈ অমদি আশা চাওনবা ঙাক্তনি। থাজবা য়াই কিংনা জেল চঙলমত্রবদি কেনেডিস্মু প্রেসি-ডেণ্ট ওইরমদবা য়াই। অমদি মপুন্সিগী ইনথৎলকপদা মন্নুং মতম চাদনা লোইশিনখ্রিবসি থোক্লমদবা য়াই। মতম খরগী মমাংদগী কিংনা, কেনেডিদা থোকলম্লিবা দথা অতুমক মতোন্দ থোকলবা য়াই

হায়বসি থাজব্রবনি। মাগী থাজবহুমক ওসিদি মমাওমক্তদা মওোন্দমক নম্ভরবসু মাগা নকুবা মীদা থোকলরে। করিগী কেনেডিবু হাংঙ্খ্রিবনো হায়বা রাখল অদোংদা থস্থরুবগা কিংসু মাগী কিংসু মাগী তুংগী পুন্সিদা করি থেংনববা য়াবা হায়ব অসিমক ভাবনা লাকশিন্ব ওস্বগুম তৌখি। কেনেডি অমদি মাগী দম্বা অহু কংগ্রবা মীওই কয়া মথং মথং নিংশিংলুবগা মওল্ মওল থল্লুবদা পোৎলোইগদবগী লৈখিবা কেনেডি অশিবা মশানা আমেরিকানশিংদা হায়রকপগুম তৌরি—"ঐখোয় খুদিওমক্তা অমদি ঐখোয়গী জাতিগী শিংলিদা চওহুনা মহুম শাগ্রবা 'তুকচবা' হায়বা তমথিরবা লাইনা অসিবু মতম চানা মুৎ-থৎহোদ্রবদি তুংগী মোরেল অমদি অধ্যাতমিকী ওইবা রাঁকমদা অশোকপা লাকলগনি।"

নোংমা খৃঃ ১৯৬৪, ওক্টোবরগী তাং ১৪ নি। মুমিৎ অসি কিং আটলান্টা হসপটালদা নহালমখৈ পোশ্বাবা লৈতনা নোম্মু-খোৎলুবহুগী কটিন্ চেক অপ তৌহুনা লৈবমই। মতম অসিদা ওসলোদগী পাও অমনা মাবু নোবেল পিস প্রাইজ পীবে হায়না খওহল্লকলমই। মহু তাবদা কিংনা হায়বমই—"ঐগী রাখলদদি ঐওোন্দা পিস প্রাইজ পীবকলিবসি ঐ ইশা ইথস্তবু ইকায় খুম্নবদি হায়না লৌবা ওমদে, অচুম্বা অমসুং নুংশিবদা য়ুমকম ওইবা মতম অমা ঐখোয় লৈবাক অসি রাংম লান্ন পুররুবা হোৎনবদা অহিংসাগী লম্বীদা চওবিহুনা ব্যবহার ফজনা, অমদি হৈশিংনা শকক য়াবিখিবা অওোবা, রাখল চাওববা মীওইশিং অমদি মথোনা ফরবা নিগ্রোশিংদা পীবকপা মনানি।" মহাক্লা ফমুংদ লৈন লৈন মাগী মকপ মপাংশিংদা হায়বমই মহুদি মনা অহু মথোয়না শোন্নরুবা অহিংসাগী লালকম অহুগী দমক্ত পীবকপা অওকপা বব অমদি মোরেলগী ভেল্যুনি।

নোবেল প্রাইজ য়েনথোকপগী সিরিমোনি অহু ওসলোদা পাও-থোকলমই। মহুদা কিং অমসুং মাগী মুপী কোরেত্তাসু য়াওবা চৎলমই। থৌরম অহুদা মাগী রা ভাংবগী পাল্লি য়োরকপদা মারটিন লুথরনা

মীয়ামদা হায়খি—"ঐ হৌজিক কাওবদা মিৎসিদা উবি মহুদি ভরাংদা ঐখোয়গী অতাংশিংনা মচিন মনাও ওইবগী খোল্লাও লাউজকবদা বরমিংহাম অমদি অলাবামানচিংবা মকমদা মহুগী পাওখুম ওইনা হুই থৌজিল্লুমা অমদি মৈ কনবদা শিজিন্নবা শাফু কল্লবা ঈশিং পেবে শিজিন্নহুনা হাংখিবা। মহুদম্ন নত্তনা ফিলাডেল্‌ফিআ অমদি মিসি-সিপিনচিংবা মকমদা ভোট থাদবা য়াহনবীয় হায়হুনা হায়জরুবা মহারোলশিংবু তমথিমা ওৎপি নৈৱিহুনা হাংখিবা। অহুনা ঐনা য়াহং অমা হংনিংই মহুদি অহুগুম্বা, অফবনি, অচুম্বনি হায়না লৌবিদ্রিবা লালফম অমদি অন্দোলন অহুদা কন্নিগীদমক্ত অসিগুম্বা মমল য়াম্নবা মনা অসি পীবিন্নিবনো। অদুবু য়াম্না থম্নয়বা ছুংদা ঐনা ভসি অন্দোলন অহুগী মহুৎ মরেং শিন্দুনা ফংলবিবা মনা অসিনা ঐখোবগী মতম অসিগী পোলিটিকেল অমদি মোরেলগী অকবা য়াহ গী চপচাবা পাওখুমদি অহিংসা হায়বসিত্তনি হায়বসি খংহল্লে। ওৎপি নৈবিবা অমদি হিংসাগী থবকপু মী অমনা মশামকপুম্ন ওৎপিদনা অমদি হিংসাগী থবক্তম্ন পুবক্তনা নমথগে অমদি লাকশিনগে হায়রবদি অহিংসা অসিত্তনা অমত্ত ভায়ববা খুৎলাইনি।"

কিংনা মনা অহু লৌয়মই অমম্নুং ডোলার ৫৪,০০০ দি সিভিল্ রাইট মুভমেণ্টতা কৎথোকলমই। ইকায খুম্নবগী থৌবম অহুদা কোরেত্তাম্ন কজয়বা ভাবন অমা পীরমই।

'সেল্‌মাগী ঈহৌ অমম্নুং কিং'

খুঃ ১৯৬৫ দদি কিংনা 'সেল্‌মা'দা নিগ্রো ভোটর রেজিষ্টার তৌনবা অকনবা ঈহৌ অমা পুখৎলমই। সেলমা হায়ন্নিবা সহর অসি মী ২৯,৫০০ নৈবা মকমনি। অভৌবগী মীশিংনা ১৪,৪০০ অহুগা অমুবগীনা ১৫,১০০ ভাই। অদুবু ভোট থাদবা য়াবা মীগী মীশিং লৌবদি

৯৯% দি অঙৌবা ওঈহল্লমই। সেলমাদা জেমস ক্লার্ক কৌবা শেরিফ্ অমা লৈরমই। মহাক য়াম্না শাথিবা সেগ্রিগেসনিষ্টনি। মহাকী মখাদা ভোলুনটিয়ার কাণ্ডবু অমা থমলমই। মখোয় অমাম্বনা কু-ক্লুক্স-ক্লানগী কাণ্ডবুনি। কু-ক্লুক্স-ক্লান্ হায়বসি নিগ্রোশিংবু তমথি তমথিনা ওৎপিবগী দমক্ত মমিং চৎলি। মখোয়না নিগ্রোশিংবু থিনা থিনা ওৎপিবা ১দি শাথি শাথিবা মচৎ চৎপিবনা নিগ্রোশিংন মখোয়বু য়াম্না কিনরমই। সেলমা হায়রিবা সহর অসি কিংগী টার্গেট অমা ওইবগুম তৌরমই। সহর অসিগী সিভিল রাইটকি রেকোর্ড অসিমু য়াম্না থম্মোয় শোক্লিং-ঙাইনি। য়াম্না অাৎ থিরিবনা, সেগ্রিগেসনিষ্ট পুলিশসকি মকোক ওইরিবা ক্লার্ক লৈশিল্লে অহুতা নত্তনা অমত্তংদং লৈবদা ওক্লবদা মেজোর জো: স্মিডবমেন্ কৌবা আলাবামাগী রেসিষ্ট গোভর্ণর জর্জ রালাসকি মকপ্প তমথিরবা, সেগ্রিগেসনিষ্ট অসিমসু লৈশিল্লে।

সেলমাদা হৌনিংলিবা ঈহৌ অহুগী অহানবা শক্তমদা মী কয়ামকম খোমজিল্লমই অমসুং মখোয় ময়াম অহুগা লোয়ননা লম অহুগী কোর্ট হাউস তাম্না ভোট পীবা য়ানবা রেজিষ্টার তৌবা চৎলমই। ক্লার্কনা ডাইবিবমু মসিতবুনি। মহাক্না ময়াম অহুবু কোর্ট হাউস য়োৌদনা হল হনখিনবা কন্না হোৎনবমই। মহুদা হলখো হায়বা য়াদবা য়াওরমই অহুবুনা কন্টেম্প্ ওফ কোর্ট, জুবেনাইল্ ডেলিনকুয়েনসি নত্রগা পার-মিসন্ য়াওদনা মী পুনবনচিংবা মবাল অাৎ অাৎ পীশিল্লগা ফাজিল্লমই। কনাগুম্ব কোর্ট যৌথিবা কাণ্ডবু যাওরগনা মখোয়দা য়াম্না লুর লুরবা দরখাষ্ট কয়া কন্না ফাইল্ তৌহল্লমই। অহুনা কোর্ট য়োবক্লবা কাণ্ডবু অহুমু ফাইল অহু তৌবা ঙম্মরমদে। মসিনি অঙৌবনা অমুবশি দা শান্নবিবা রাজনিতি। থিলহৌ লবেৎলক ভোটব রেজিষ্টেসন্ তৌনবা কম কন্ন হোৎনরমই অহুবু ক্লার্কনা মীয়ামশিং অহুবু ইকায়বা পীহুনা হলহনথিরমই ১সুং মহুনা জাতি অহুগী জ্ঞান তাহন্নবা মচাক অমা ওইহনথিরমই।

নিগ্রোশিং অহুবু অহুক্তি মতিক মিপাইহল্লিবমথৈ মখোয় মখোয়গী

থম্মোয়দা লালফমদা হেন্ন হেন্ন চঙনিংবা অমদি অরাবা অহু থোইনা হেন্ন নংলগা মুংঙাইবগুম্বা অমা তৌনরক্লে। হাপ্তা তংহেৎকি মমুংদা ক্লার্কনা কিং য়াওনা নহা অহল থাক্তনা মী লিশিং অনিরোম ফাবগা জেলদা থমজিল্লমই। কিংম্ম মুমিৎ মরিনিদি বোগুকা অমত্ত তৌ হায়বা য়ারমদে। অহু ফাওবদা নিগ্রোশিংনা 'ঐখোয়না জয় ওইগনি' হায়বা ঈশৈ অমা শক্ল শক্লহুনা লাক্লমই। মহুগী পাওখুমদা সেরিফ্ ক্লার্কনা মনঙ্গলদা পিন্ন চে অমা থেৎলগা মহুদা ইবমই— 'নেভর'। অহুবু থোথোক অহুগী মৈশানা ক্লার্ক থবাকী লায়না অমা লাকখি।

সেলমাদা চংথবক্লিবা অন্দোলন অহুনা সহর অহুগী কারবাবদা চামদা য়াওখৈদি হুম্বহল্লমই। গোভর্ণর রালাসনম্ম শান্তিগী রাঙাং অমদি রাকম অমত্ত খন্নবমদ্রে। থোইদোকহুম পুলিশকী অনৌবা প্লেটুন্ অমা অমুক থাজিন্দুনা নিগ্রোশিংনা ঈরাং অমুক হৌরক্তনবা খুৎলাই পাযবা পুলিশনা ঙাক্তুনা থমলমই। নোংমা ষ্টেট ট্রুপব য়াখ্যেমুক নিগ্রো ডিমোনষ্ট্রেটর ৪০০ মুক হোইহুনা পুলল্লমই। ট্রুপবশিং অহুনা জিমিলি জেক্সন্ কোবা শীং চনবা ডিমোনষ্ট্রেটব অমবু চাকথাঙ মপাদা নোংমৈনা কাপথায়বমই। নিপা অহু মুমিৎ নিপাম্নি লৈবম্নগা শিখিবমই। মরৈ-পাক্তীদমক্ত শিখ্রিবা নিপা অহুগী ঈনা নিগ্রো অপুম্বগী ঈ শাগৎহল্লমই। মহুনা থবক মখা চথনবা ঠৈথেং অমা পীবমই।

কিংনা সেল্মাদগী ষ্টেট কেপিটোল মোণ্টগোমরি তান্না মারচ (March) অমা চংননবা শীল লাংলমই। সেলমাদগীনা মোণ্টগোমবি ফাওবা অসি মাইল য়াঙ্খোন। মহুদা যাওগদৌবিবা মীওযশিং অহুদা কিংনা মখোয মখোযগী যুমশিং অহুদি বোম্না থুদেকখিবোই হায়না হায়নদি ঙম্লোই অহুবু অচুম্বগী দমক্ত মখোয়না লেপকদবনি হায়খি। মারচ অহু মার্চ থাগী তাং ৭ কি মুমিৎযুংবা মতুংদা পাঙথোক্নবা লেপলমই। পাঙথোক্কদৌবিবা মারচ অহুগী মমাঙদা গোভর্ণর রালাসনা মারচ অহু চংপা য়ারোই হায়না ওর্ডর তৌবমই। অহুবু মাগী ওর্ডব অহু থওইদনা নিগ্রো ৬৫০ রোম অমগা অঙৌবা খবগা চোংথোক্তুনা সেলমাগী Sylvan

street তা লৈবা Brown African Methodist Episcopal Church তা পুল্লমই। সেলমাগী মনিংগী অচৌ অচৌবা লম্বীশিং অহুদা পুল্লপ তিল্লগা অলাবামা তুরেলগী মথক্ত শাস্বিবা Edmund Pettas Bridge য়োমদা লাকলমই। থোং অহুদগী গজ ৪০০ রোম চৎথোক্লগা ইউঃ এসঃ হাইরে ৮০ শুবদা জর্জ্জ ৱালাসকি মরুপ Colonel Al Lingo না লুচিংহুনা ৬০ শুবা ষ্টেট পুলিশকি মী কাণ্ডবু অমা লৈরমই। নাকল ওইরপ্পা শেরিফ ক্লার্ককি ট্রুপরশিংনা শগোল লাম্মী খোঙ লাম্মী পুল্লপ পুন্ন মারচ অহু মফম অহুদগী হেন্দোকহন্দনা লোইশিনখিনবা ঙাইহুনা লৈরমই। নিগ্রোশিং অহুমা মখোয়গী মনাক য়োগদবা গজ ১০০ রোমদং ডায়রবা কান্দা ষ্টেট পুলিস ওফিসার অমনা মাগী ট্রুপরশিং অহু মাগী মাগী লোয়নরিবা গাস চঙদবা মাস্ক অহু উপশিন্নবা য়াথং পীরমই। নিগ্রো মারচরশিংনা পুলিশকী লৈরিবা মফম অহুদগী গজ ২৫ লাপনা লেপ্তুনা লৈরমই। ষ্টেট পুলিশ মেজর জোহন ক্লাউদনা ইরোই মচি অমদা 'মফম অসিদগী নমাই লৈদুনা চেনখ্রো, থুনমক নখোয়গী চর্চ্চ অহু তান্ন হনখ্রো; মফম অসিদগী শাংথমা নখোয়বু চৎহল্লবোই, নখোয়দা কায়ননবগীদমক মিনিট অনিগী মতম পীরিবসিনি' হায়না লাওরক্লমই। সেকেণ্ড খরদংদি মফম অহু পুমচিক চীকলমই। নিগ্রো মাবচরশিং অহু কনাগুম্বা অমত্ত লেঙবা খোৎপা তৌরমদে, হন্দুনা চৎখিবসু অমত্ত য়াওরমদে। মখোয় খুদিংমক খোকঅরবনি খন্দুনা লৈবমই। নাকল অনিমক্কী লৈনরিবা মওং অহুনা তাকপদি মীশি মীনা খরদি লৈপাক্ত খুৎতুন্ন থাবনি।

য়াম্না চীক্লবা শাংলবা মিনিট অনি হৌখিরমই। মাস্ক ট্রুপরশিং অহুসু মুঙগী মূর্ত্তিগুম্না লেপ্তুনা লৈরমই। মখোয়না মশাগী ফিভম শেমহুনা মথুৎনা মখোয়গা লোয়নরিবা ক্লব অহু চেংনা চেংনা পায়রমই। নিগ্রোশিং অহুনা মমাই মমিৎ ইমক ইমক মকশিম্ন থোক্লগদৌরিবা খুদোংথিবা খুদিঙমক মমিত্ত উরবগুম উম্মুংবগুম লৈনরমই। তাঙ্গা অসিমক্কদা মেজর ক্লাউডনা মাগী ট্রুপরশিংবু চঙশিন্নবা য়াথং পীরমই।

য়াথং অদু হেক ৎংবগা য়াথংতবু ডাইছুনা লৈরম্বা পেট্রোল্মেন্শিং অদুনা ফক্লাংনা লেঙ্বগুম পুল্লপ ওইনা থন্দুনা নিগ্রোশিং অদুগী মাইকৈদা চঙ্শিলথিরমই। মখোয়না নিগ্রোশিং অদুবু মত্তুং হয় ইল্লমই। খোঙ্ক্রম শোয়রব মমাঙ্থংবা নিগ্রো কয়া তুথনরকলমই। নিগ্রো মারচরশিং অদুত নত্তনা ট্রুপরশিং অদুস্থ তুনরকলমই। ইখঙ্ খঙ্হৌদনা ট্রুপরশিং অদুনা তান্ন তান্নতুনা নিগ্রোশিং অদুবু ক্লবনা ফুবা হৌরকলে। মদু উবদা নাকল য়েৎলোম ওইবোমদা কুম্মৈ ওইনা য়েংলম্বা সকরগী অভৌবা কাঙ্বুনা হরাউনদুনা লাউ খোংবা হৌরকলে। মিৎকুপ অদুমক্তদা অমুক শেরিফ ক্লার্কি কনষ্টেবল্ ময়াম অদুস্থ ফুজিনগ্রে। মিৎকুপ থরদংগী মনুংদা মফম অদু তমথিরবা মোব অমা থোকপগুম তৌগ্রে। তাঙ্গা অসিদা টিয়ার গ্যাস কাপ্প হৌরকলে। ডাইহাক্কী মনুংদা হায়রে অদু মৈথুনা পুম্নমক্ মমগ্রে। লোয়নন লোয়ননা শগোলথক্ত তোংলম্বা লান্মিশিং অদুনা শগোল শাজৈ অদু তিংথোক্কুনা নিগ্রোশিংদা মীনুংশি য়াওদনা তান্ন তান্নতুনা অথাকপা লৈতনা ফুথবা হৌরকলে। কনষ্টেবল্ অমনা উপাই লৈজত্রবী অহল ওইরবী নিগ্রো মুপী অমবু তান্নতুনা ফুথরগা হায়বমই— "ফরেদনা নিগ্রো, নখোয়ন মারচ য়াওবা য়াম্না পাম্বদাই, চৎখোদনা হৌজিক। তমথিরবা থৌথোক অদুদা নিগ্রো ৭৮ শাথিনা শোকলমই।

তমথিরবা দৃশ্য অদু টেলিভিজনগী পাম্বৈনা পৃথিবীগী মফম খুদিঙবা উবা ফংনবমই। দৃশ্য অদুবু উবিবা কাঙবু অদুনা মখোয় মখোয়গী মমিৎশিং অদুবু থাজবা ডম্নরমদে। খববশিংদা থৌথোক অদুবু তশেংনা থোকখিবা নত্তবা মঙ্গী য়াকমগুম ইনবকলে। পৃথিবীগী মীপুম খুদিঙমক মুমিৎ অদুগী অমুবশিংদা তৌখিবা অত্যাচার অদুগীদমক মিপাইনরমই।

থৌথোক অদুগী মরিদা মফম্ খুদিঙ্দগী পেন্নবা ফোংদোক্লবক্লে। ডিট্রোইটতা মেয়র **Jerome Cavanaugh** অমসুং মিচিগন্গী গোভর্ণর জর্জ **Romney** সু প্রজা লিশিং তরাগা লোয়ননা প্রোটেষ্ট

পেরেড তৌরমই। চিকাগোদা ডিমোনষ্ট্রেটরশিংনা, 'Loop' কি গাড়িনা লৈনকম্ লৈত্রবা মকম অমু ব্লোক্ তৌরমই। টোরোন্টোদা চাওরাক্লা, মী লিশিং অনি; ইউনিয়ন নিউ-জর্সিদা মী লিশিং অমা; অমদি ওয়াশিংটনদা মী লিশিং অমারোমনা থৌখোক অমু মুংঙাইতবা ফোংদোকপা ওইনা প্রোটেষ্ট পেরেড চৎনরমই। আমেরিকাগী মকম খুদিঙদা, ষ্ট্রিট খুদিঙদা মীয়াম্না মখোয়গী পেন্দবা ফোঙদোক্লরমই। প্রেসিডেন্ট জোনসনমু থৌদোক অমুবু মুংঙাইতবা ফোংদোকলমই অমদি লেজিসলেসনগী মতেংনা থবক পাম্লখংকনি অমদি নিগ্রোশিংমু ভোট থাদবা য়াহন্নবা হোংনগনি হায়দুনা গারেনটি পীরমই।

কিংনা অমুক হন্না মারচ অমা অমুক সেলমাদগী মোণ্টগোমরী তাম্না চৎননবা হোংনরমই। অমুবু মমু ফেডরেল গোভর্ণমেণ্টনা য়াম্না কন্না হায়জবদগী খর খাঙ্গরগা তৌবা তারমই। অমুবু কিংনা তুমিন্ন লৈথোকপদি ঙমলমদ্রে, অমুমঙবা মারচ অমা অমুক লুচিংনবা শেম শারমই। মন্দক্তি ফেডরেল সবকারনা গোভর্ণর রালসতা, চৎকদৌরিবা মারচ অমু মতিক চানা প্রোটেক্সন পীগদবনি অমদি শান্তিপূর্ণ ওইনা চৎহনগদবনি হায়না অনৌবা য়াথং পীরমই। রালাসনা য়াম্না হৈনা নেসনেল গার্ড কৌথোক্লবা মাগী মতিকচাবা ফগু লৈতে হায়না নাকোইনমা খুমলমই। অমুবু প্রেসিডেন্ট জোনসন্না মতিকচাবা ট্রুপ পীদুনা য়াম্না শান্তিপূর্ণ ওইবা মওংদা সেলমাদগী মোণ্টগোমরী তাম্না মারচ অমু পাঙথোকখি। অমুম্না মমৈদা নিগ্রোশিংনা জয় ওইখি।

অমুবু মারচরশিংগী থম্মোয় শোকপদি মারচয় অনিথক্কংখুদি কন্‌বা ঙমহৌদ্রে। বোষ্টোনদগী রেভরিন জেমস রিব কৌবা অঙৌবা মিনিষ্টর অমবুদি সেলমাগী অঙৌবা মহারোল, আইমবু মথুম্তা পায়রগা ঙাওবা খরনা নিগ্রো রেষ্টোরেণ্ট অমদা চাক চারম্মদবগী মপান্দ চিংথোক্লুনা পুথ্রগা রুখনা মুগাইদুনা হাৎতোকলমই। অতোপ্পা অমনা, সেলমাদগীনা মোণ্টগোমরী তাম্না মারচরশিংমু থিনদোক থিনজিন মতেং পাংলিবী মশাগী কার অমগী ড্রাইভর ওইরিবী, ডিট্রোইতগী চহী ৩০

য়োম শুরবী, Miss. Viola Liuzzo বু অতোপ্পা কার অমদগী রেসিষ্ট অমমা মোংমৈনা মকোক্তা কাপ্পুনা হাংখিরমই। অদুবু মীহাৎ মীপুন্ কয়া থোক্লমসু নত্রগা অয়াবা কয়া নংদুনসু ফ্রিদম রাইডর-শিংবু নিংহয়হনবদি ভমখিরমদে। কিংনা মথং মথং ওইনা শেগ্রিগেটেড স্কুল, লাইর অনংবা অমদি অতোপ অতোপ্পা কয়াগীদমক্ত মারচ কয়া-মরুম্ কৌরমই।

খৃঃ ১৯৬৬ গী অহুরাইদদি সিভিল রাইট মুভমেণ্টকি য়াম্না অরুবা তাঙ্গা হায়বদু থোকলমই। মরু ওইনা অরাংথংবা ঘেটোগী য়ানা লেল্লিবা পুন্সি অহুগীনি। অরাংথংবা ঘেটোরোমদা লৈরিবা মী ফম য়াম্বদি থা-থংবা শরুক্তগী হিংবদা য়ারবা, খর ফগত্রা থনবদগী চেনখিহুনা লৈখিবা ভাক্তনি। ঘেটোশিং অসিদদি রেসিএল্ ইন্জষ্টিস কী রাকম অসি থৈথখিহুনা আর্থিক অবস্তারোমদা চৎথখিরবই। মহুনা থবক ইনথাংগী, য়ুমলৈ কৈরৈগী থোইদোক্না শিক্ষাগী সমস্যারোমদা চৎথখিরমই।

সক্ ১৯৬৬—৬৭ য়োরকপা অহুরাইদদি নিগ্রোশিংগী মরক্তা মখোয়দা তৌবিরিবা ধর্ম্মথোকত্রবা থবক ময়াম অহু অহুম খাওহুনা অহিংসাগী খুৎলাই কোন্দুনা লৈনৌ হায়বদা অরুবা মতাং অমা ওই-রকলে। তপথহুনা অমদি পোত্থাহুনা লৈনৌ হায়বা ভয়রকত্রে। তাঙ্গা অহু য়োরবদা হিংসাগী মাইকৈদা লুচিংবা ভম্বা নিগ্রো চোংথোরক্লে। সমাজদা তপ্প তপ্প লাকদবা অহোংবা অমদি অওনবা অহু তপমনত্রে হায়হুনা ভাইভমত্রবা, শাওবনা মৈ হৌরবা নহারোল Stockely Carmichael অমদি Rap Brown নচিংবা চোংথোরকলে। অনৌ অনৌবা মিলিটেণ্ট ওইবা সংস্থান— 'ব্লেক পানথর' অমদি RAM (Revolutionary Action Movement) মশক উরকলে। অরিবা সংস্থাম কোর (Core) অমদি স্নিক্ (Snick) কী কাওবুসু অহিংসা থাদোক্লরকলে। হায়মনা য়াম্না পোপুলার ওইরমলবা ফ্রিদম্ অমদি সিভিল রাইট অহুগী মহুত্তা 'ব্লেক পাৱার' হায়বা লোন্দৈ অমা থোরক্লে।

মতম অসি য়োরকপদদি য়াইওট কয়া থোক্লরে, সমাজদা অরুবা মতাং অমা ওইররে। কিংগী অশাশিংসু ঈথেং অমদি মৈরিদা ঈয়াক্লম্রে। অহিংসা অসি, হিংসাগী তমথিরবা ঈরৈনা চেম্বরকলে। চহী অহুম মরী অসিদা আমেরিকাগী সহর ৫৮ মুক্ত জাতি বিজাতিগী অকনবা ইমু নাইমু তানবা লালফম ওইখি। মী ১৪১ শিখি, ৪৫৫২ য়োম শোকখি। অয়াম্বা হিংসা পামদবা মীশিংনা নিংবা কান্নবা অমদি অৱাবগী মৈরিঙা মমাই মাইহিং কারমই। অমুবা এন্নটি মিষ্ট নহা-রোলশিংনা কিংদা, পাগল ফ্‌দোকপা য়াবা হাকথেংনবা লালফম চঙগদবনি হায়না কোংনা লাওনরকলমই। কিংনা পামলুবনা, হেন্না ফজবা অৱাংবা থাক্কি আইন অহুনা অমুবা অঙৌবা খায়দনা লৈ-মিন্নবা য়াবা অমা পুররুবা হোৎনরুবনি। মহুগীদমক্তনি মানা অঙৌবা অমুবা মী কাঙবু ময়াম অমা পুলিসকি হুই, ক্লব অমদি ফাইয়ার হোর্সেস কয়াগী মমাঙদা লুচিংতুনা চঙলুরিবা। মহুগী অৱাবা অহু খাঙলগা শান্তিপুর্ণ ওইনা সিভিল রাইটস অমদি সোসিএল জষ্টিস অহু ফঙগদ্রা থন্দুনা হোৎনখিবনি। মহু ফংনবদা মানা শিজিন্নখিবা অমদি লৈজবা খুৎলাইনা 'অমনা অমবু মুংশিবা' হায়বা অসিতনি। অহুবু মাগী পুন্সিগী ওইজবা পুন্নমক থাদোক্লগা হোৎনরুবা অহুগী মহৈদি মাবু মীনা থিনা চৈবিরে, মুংতুন্না থাবিরে, বোম্না ময়ুমদা লং-শিনবিরে অমদি থাংনা ফাওবা থিনবিরে।

অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু ঙাইঙমদবা অমদি তপথদবা হায়বহুনা নমহৎখিবদগী কিংগী অহিংসাগী লুচিং-মকোকশিংগী মশিংদি হন্থরকলে। এন্নটি মিষ্ট ওইবা নহারোল, মিলিটেন্ট গ্রুপকি লুচিংবগী মশিংদি নোংম নোংমগী হেনগৎলকলি। মিলিটেন্ট গ্রুপনা শীন্দুনা Newark তা ডেলিগেট ৯০০ তিন্দুনা ব্লেক পাৱার কনফরেন্স অমা তৌরমই। হায়ৱিবা কনফরেন্স অহুদা তিল্লিবা ডেলিগেটশিং অহু অয়াম্বনা চহী ৩০ য়োৎব্রিবা মীওই ঙাক্তনি। মখোয়না অঙৌবা আমেরিকানশিংদা থাজরম্বা পুম্ব থাদোক্লম্রে। কনফরেন্স অহুগী চেয়ারমেন

নাথান রাইটনা হায়খি—"মতম কুইনদগী হৌনা নিগ্রোশিংনা মখোয় মখোয়গী থম্মোয়দা মীনাইগী রাখল অমা চেল্লকলি। অয়াম্বনা খল্লি— 'কেসসনা ঐবু লমজিংবিগনি অহুগা অঙোবনা ঐবু পিজ-পীথকপীগনি।' অদুবু হৌজিক্তি 'ব্লেক পাৱার' অসিনা নিগ্রোশিংবু অমত্ত ওইবগী লিচিং অমা পুরক্লবগী মুমকম ওইরকলে।" কনফবেন্স অদুমা ইউ: এস: বু অমুবা অমস্থং অঙোবা অনিগী তোঙান তোঙানবা লম অনি খায়দোক্কনা থম্নবা উপাই খন্নবমই। মতুগা লোয়ন লোয়-ননা নেগ্রো এথলেটশিংমা শান্ন খোংনবা অমত্ত য়াওদনবা রাৱেপ লৌরমই। মতুদা নত্তনা বার্থ কনট্রোল ক্লিনিক্সকি মাইয়োক্তা প্রোটেষ্ট অমা তৌরমই। কনফবেন্স অদুনা, অঙোবশিংনা অঙাং পোকপা থিংনবা হোদোনকলিবসি অমুবা জাতিবু মুথৎনবা অয়োনবা খুজিংলনি হায়না লৌরমই।

অসিগুম্বা অশাওবনা মাঙওইনরবা নহারোলশিংগী থৱবশিং অসিবু কোংগ্রেসকি লুচিংবশিংনা শাওনিংলমই। মখোয়না নহারোলশিং অসিগা মরক মরক্ত খঙহৌদনা থোয়কলিবা বাইওটশিং অসিগা য়াম্না মরী লৈনৈ হায়না থাজরমই। থোকখ্রিবা রাইওটশিং অদু নহারোলশিং অদুগী খুজিন্নি হায়না লৌরমই। রাকম অসি খৃ: ১৯৬৭ কী জুলাই থাদা Stockely Carmichael না হাভানাদা মীয়ামগী মমাঙদা রা ঙাংবদা অমুক হেন্ন থাজহনখি। মহাক্না হায়খি মতুদি নিরার্কতা মখোয়না গোরিলাগী লালগী লালওং অদু শিজিন্নখি। মখোয়না সহরশিং ঙাক্লনবা টাউনগী গোরিলা কাঙবু অমা থমলি অমদি মখোয়না চুম্নগী সহরশিংদা শক শক উম্নবগী রাকম নত্তে, অদুবু মখোয়না শিব কাওবা শোক্লবগদবা লালফমনি হায়খি। Stockely Carmaichael দগী হেন্না জাৎ থিবা Rap Brown কোবা মিপা অসিন্ন ফাওগৎ-লকলমই। মহাক্তি প্রেসিডেন্ট জোহন্‌সনবু কো'না 'লমলক্কী অঙাওবা ছুইনি' হায়বমই। মখোয়না রাইওট কয়া থোকহল্লমই অদুবু অরাবদি মখোয়না রাইওট তৌয় তৌবগা মখোয়না শাওনিংলিবা মীওইশিংদদি

ইশোক শোকলমহে, মরাল লৈজরবা নিগ্রো কম্না কমাংগী মগুরায় অমদি মরল্ মথুমদমক হঙন হঙন তৌরমই।

হায়রিবা থস্মোয় শোল্লবা অয়াবশিং অসি উরগা কিংনা তুমিন্ন থাওতুনা লৈখোকপা ওমলমদে। আমেরিকাবু অঙোবগী অমুবগী লম অনি খোল্লা থায়দোকপতুমু মাদি য়াবিংলমদে। মহাক্না পাঙদি নিগ্রো, ইন্দিয়ান, মেক্সিকাননচিংবা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা জাতি পুম্নমক চান চিন্নবা লৈমিন্নবা অমদি পুন থবক শুমিন্নবা অসিনি। মপুন্না চান চিন্নবা লৈমিন্নরগা সিভিল রাইট লৌরগা লৈভ-লাইরবা হায়বা অহু লৈহন্দবা অসিনি। মহাক্না প্রজা পুম্নমক্কী থস্মোয়সুংদা অকবা য়াথল পোকহনবা পামলম্বনি। মহাক্কী অথুপ্পা য়াথলদা লাল অমসুং লাইববা অনিগী নক্নরবা মরী অমা লৈরিবহু কজনা উবা ফংখিরমই। অওইবমকমু মহাক্না মহাক্কী অরোইবা পুংজা ফাওবা করিগুম্বা য়ানবা অমনা লাল তৌনদনা, শান্তি ওইবা মওংদা প্রজাদা অয়াবা অমদি চয়াংনবা থোকহন্দনা লৈমিন্নবা য়ানবা অহ কয় খোংলম্মই।

'ইমুং-মমুং'

ডাঃ কিংগী য়ারী ইয়কপদা মাগী মুপী অমদি মাগী মচাশিংনা মানা মুমদা লৈরিঙৈ অমদি মানা মুমদা লৈহৌরবদা করম্না লেনবা অমদি কোরেত্তানা করি মতেং পাংবা; মতুগী মরমদা থরদং পম্নবদি মপুং ইফা কারোইদৌরি।

ডাঃ কিংনা মাগী ক্রুসেদ অসি মাগী মুহোংলবা মতুংদগী হৌ-খিবনি। মহাক্কী সিভিল রাইট তানবগী শাংলবা লালকম্ অসিগী খোঙথাং খুদিঙদা কোরেত্তা কিংমু খোঙকম কায়দনা থাংনবা হোৎনখি। ডাঃ কিংদা মমুম হেক পাম্নকপা অমদি সিভিল রাইট তাম্নকপা

হৌরকপগরীদা শক ১৯৬৮ ফাওবা অসি কিনা কিনা নিক নিক লাওনা হিংবা তম্বগী অরুবা পান্না অমা ফারকখি। কোরেত্তানা মাগী মপুরোইবগা থোন্নগদবা দশা থুদিঙমক চহী কয়াগী মমাঙদগী মমিত্ত উহনা লাকলবনি। মহাক্না য়াম্না নিংথিনা খঙলকখিবদি মহাক অসি মিৎকুপ অমগী মনুংদা লুপ্পা ওইরে হায়বদা পংঙক ঙম্না থোকলোই হায়বসিনি। মরমদি মথোয়গী ইমুং মনুং অমদি কিংগী পুন্সি অসি কয়ারক হন্না কিহনপ্রে অমদি কয়ারক হন্না লোইশিন্নবা হোৎনপ্রে। পূন্নমক খঙই পুন্নমক উই অহুবু নোংমতা কিংদা মানা থাংজিল্লিবা থোঙকম অহুদগী হন্দোরকলো হায়বা হম্বা রা অমত্ত হায়খিদে। মরমদি, মানা খঙই মহুদি মাগী মপুরোইবা কিংনা অচুম্বা অমনুং মান্নবা হায়বহুগীদমক্ত শিরবা ফাওবদা হোৎনগনি।

কোরেত্তাগী অঙাং ওইরিঙৈগী পুন্সিদি থম্মোয় য়াম্না শোক্না হৌরকই। মানা পীশক পীকলিঙৈদগী মথোঙনা স্কুলতিগী মাইল মঙা মঙা চৎলগা ব্রিগ্রোশিংগী তোপ শাগবা কা অমত্তগী স্কুল মচা অমদা লাইরিক তমলকই। মানা চৎপা লম্বী অহুদা অঙৌবশিংগী মচা মগুশিং পুবা গাড়ী অমনা নাকল য়েৎলোম ওইরোমদা উফুম ত্রং ত্রং কৌহনা চেনবহু চাওরক্লবদসু মমিত্ত শং শং উরি। পীকলিঙৈদগী হৌনা হয়েং চাওরক্লগা ফিভম অহু ফগৎহনগে হায়বসি কন্ন খল্লকখি। কিংগুম্না মাসু পীকলিঙৈদগী অঙৌবা অমুবগী রাফম্না থম্মোয় কায়হনখি। অহুবু ফিভম অহু ফগৎহনগে হায়রবদি লাইরিক নিংথিনা হৈতবা য়াদে হায়বসি খঙলকখি; মহুমক্ত পান্দম ওইবদগী মীনা থাঙবদা য়ারবা পুন্সিগী পুংজা কয়া ইরা রাদনা থাঙলকখি। মহাক্না অলাবামাগী লিনকোন্ন হায়স্কুলদা ওর্ণস ডিগ্রি ফংহনা য়াম্না কজনা বিঃএঃ পাশ তৌখি। মথংদা ওহিওগী এনটিয়োক্ কলেজদা তমলকখি। মকম অহুদা অকবা ছাত্র মঙা খনবদা কোরেত্তাসু য়াওরমই। মথংদা বোষ্টোনগী New England Conservatoɹy of Music তা ঈশৈ তমলকখি। মতুংদা কিংগা উম্নখি। কিংগা উন্নব্রিঙৈদদি মাগী ঈশৈগী আশাদা

লুপখিদুনা মহাক অসি তুংগী পৃথিবী পুম্বনা মশক খঙলবী সোপ্রেনো গার্ন অমা ওইগে হায়না লেপথি। মহাক্কী ঈশৈ শৈশক অমুক্ত অঙোম্বা পাখংশিং অপূম্বা মাগী মফমদা চঙজরবছু মানা পামমকথি। অদুবু কিংদা শক ১৯৫৩ দা লুহোংলবা তুংদদি মাগী ব্রাথল অদু মথং মথং থাদো-য়কপা তাখি।

মতু'দা কোয়েন্তা কিং অঙাং মবিগী মমা ওইরকখি। অহানবা অঙাংনা নুপীনি, মমিংনা য়োলন্দা ডেনিসি— খৃঃ ১৯৫৫ গী নোভেম্বর তাং ১৭ তা পোকই। অনিশুবনা নিপানি, মমিংনা মার্টিন লুথর কিং অহুমশুবা (মার্টি)— খৃঃ ১৯৫৭ কী ওক্তোবর তাং ২৩ দা পোকপনি। অহুমশুবনা ডেক্সটর, খৃঃ ১৯৬১ গী জানুয়ারী তাং ৩০ দা পোকই। খ্বাইগী মমৈনা— বর্নিস অলবর্টাইন্ (বুনি), খৃঃ ১৯৬৩ গী মার্চ্চ তাং ২৮ দা পোকই।

মচাম্নুপী অহন্না পীশক পীকল্লিঙৈদা মখোয়না লৈরিবা য়ুম অদুদা যোম লংশিল্লক্কুনা শিগদবা শন্নাদা সিংথি। অম্নাম্বা মতমদা কিং মচাশিংগা লৈমিন্নবা ইকং কংলমদে। ইমুং মন্নুংগী মচাশিংগা লোক্কুনা লংনদুনা তুংঙাইবা পুন্সি লেনবা ইকং কংজবমদে। অদুম্নদি ওইরগা কিংনা লোংকাদোক য়ুমদা লৈবদি কোয়েন্তা কিংদি লৈকম খঙজ-বমদে। অয়াম্বা মতমদা তিং তিং লাওবা মিহুলগা লোয়ননা থবক ইমথাং লোমই। মন্নমদি ংকি অমম্নুং মাগী মচাশিংনা পুন্ন শান্নমিন্নবা উরগা কোবেত্তা কিবনা থক থক নিকই। করিগুম্বদা কিংনা মচা অমম্বু য়েক্রিজয়েটবগী মথক্ত লেপহন্নমই। মানা মখাদা মখুং তিংথোক্কুনা মচা অহনা চোংথয়কপা ঙাইয়মই। চোংথরকলো হায়বগী ঈজিং ফংবগা মচা অহুনা অকিম্না অমত্ত লৈতনা মখুং থাঙ্গৎহুনা চোংথরকলমই অমম্নুং মপাগী পাম্বোমদা তারমই; অম্নম্না থুংঙাইনরমই। করিগুম্ব-দনা মচা অমবু মখোয়গী অন্নাংবা সিডিগী থাক্ত থমলগা মপানা মখাদা মচানা চোংথয়কপা ঙাইহনা লৈ। চোংথয়ক্লগা মপা মচা

কোরদুনা লুংঙাইমিয়ে। মপা মচাগী লুংঙাইমিন্নবগী মশান্না অদুবু উন্নগা কোরেন্তানা মিছল্ য়াওরমদে।

মচাশিংনা থর থর চাওরক্লবদা মখোয়বু পোকপা মপাবু য়ুমদা ইন্ত উদবদা মমাদা করিগী মখোয়গী মপানা মীগী মপাদোনা য়ুমদা উদবনো হংখি। মমানা মিৎকুপ থরদি খুমকম থঙলমদে। মহাক্না অয়াম্বা মতমদা মিটিং অমদি কনফরেন্সকী থৌরম পরেংনা লেংদুনা লৈ। অদুবু মহু পীকলিবা জ্ঞাম লৈত্রিবা অঙাংশিংদুনদি খঙবা নংলমদে। উপায় লৈত্রবী মমানা মখোয়গী মপানা মীয়ামগী মতেং পাংবা কোয়না চৎখি হায়না খুমজখি। অহানবগী য়াহং অসিগী পাওখুম লুরবসু লুনা অচুম জ্ঞান তাহন্নবা হোৎনগ্রে। অদুবু নোংমা অঙাংশিংনা হংখি— "মম্মি, করিগীনো ঐখোয় ডাডিনা জেল চঙলিবসে? মসিনি কোরেন্তানা পাওখুম পীব ঙমত্রিবসি। অশম্বা পাওখুমসু মমা অমা ওইনা পীনিংদে। মচাশিংবু মানা পীরিবা পাওখুম অদুদা পেল্হন্নিংই। মমানা খুমখি— "মীওই থরনা মখোয় মখোয়গী লৈননবা অকবা য়ুম লৈত্রি। চানবা চিঞ্জাক কংত্রি অমদি শেৎনবা ফি-রোল লৈত্রি। মহু পুন্নমক কংননবা অমদি লৈননবা নখোয়গী ডাডিনা কন্না হোৎনরি। মহু হোৎনৈ হায়বগীদমক্তনি মাবু জেলদা থমলিবনু।"

কিংনা মচাশিংগা লোয়ননা য়ুমদা কন্না লৈতবদুনা য়ুমলোন্নবদা মপাগা মচাগা লোনদিন্নবা মুংশিননা লৈমিন্নবশিং অদু উরুবগা অঙাংশিং অদুনা কিংবুত্তা নিংদুনা লৈ। করম্বা কান্দা মপাদা মচা অমা ওইনা নাওথি শাজবা অদু কংগদগে হায়বসিদা মচাশিংগী লাইনিং ওইরকপানা কিংগী মচাশিংনা কিংবু য়ান্না নিংলমই। পৃথিবী অসিদা কিংগী মচাশিংনা পাগ্বসি কিংবুত্ত ওইরমই। মখোয়না মরম অমগী নত্রগা অমগী কপররক্লবসু মমানা মপাবু পুরকপা ওন্নবদি মখোয় কপ্প হেক্ত তোকলমই— মপানা মখোয়গী অপাম্ব ওইবগুম ক্নৌই। সক ১৯৬৩ গী নোভেম্বর থাদা কেনেডিবু নোংমৈনা কাপদুনা হাৎশ্রবদা কিংগী

ইমুং-মন্নুং লাওতক্লবা হৌরমই। থম্মোয়মুংগী মুংঙাইতবা অহু খাঙবা ওমলক্তুহন্না মচা মুপী অহল য়োলন্দানা মমাদা কেনেডিনা কনাগীম্ন মাঙনবা তৌরুদে, অহুবু কেনেডিবু হাৎখ্রিবা কবিগীমো; মানা শিগ্র-বনিনা মখোয়গী নিংথা তন্বদি ফংলবোই হায়না মমাদা থম্মোয় শোক্ল ল্লাবী শারমই। অহুবু জ্ঞান লৈবী মমানা ঈশ্বর হায়বসিদি মফম খুদিঙদা লৈবনি, মহাক্না ঐখোয় পুম্ববু ঙাকপি শেনবিবিবনি' হায়না থেমজিল্লমই।

কিংগী ইমুং মন্নুংনা আটলাণ্টাদা লৈবা মতমদা মখোয়গী, চহীগী অরুম্বা খাঙবা ল্লাৎবা য়ুম অদুদা লৈরমই। কুইববা য়ুম ওইবনা অয়াম্বা মতমদা হেক কায়রবা কিন্থরকপস্মু ময়াওই। অদুত নত্তনা খ্বাইদগী হেন্ন খুদোং থিবিবদি ইলেকত্রিকস্মু তত্তনা ফেল ওই। অহুবু মহু পুম্নমক কিং সেনিয়াবনা য়েংশিনবিবমই। ওন্ন তৈননা চহী মত্তাং লৈশ্রিললক্লবা মপানা মচাদা মতেং পীহুনত লৈবমই। কিংগী ইমুং মন্নুংনা হিংলিবদি শুপন্নদগী ইবেনেজের বেপটিষ্ট চর্চ্চকী কো-পাসটর ওইবগী কংলকপা তলব অহুতননি। মহাক্কী লাইরিক ইবগী বোয়েশটি অমদি ভাষন পীবদগী কংলকপা শেলফমশিংদি Southern Christian Leadership Conference তা দান তৌথোকই।

সিভিল্ রাইট কংননবা হোৎনরকপদা কোবেত্তানা কিংগী অরাবা শকক কয়া য়াবকখি। লম অদোমদদি তশেংনমক মপুবোইবগী পাম্বোম মাম্ম ওইরকখি। লোয়ন লোয়ননা কিংনা মপুন্সিদা কংলবিবা মিংচৎ অসি কংননবদা কোরেত্তাস্নু অকনবা শকক য়াখি। কিংবু নোংমা নত্রগা নোংমা হেক্ক লোইশিনখিবা য়াবগী থাজবা অসি লৈবনা অয়াম্বা মীশিংনা কোবেত্তা অমস্নুং মাগী মচাশিংগী থম্মোয়দা কাওরমগদবহ্ন থল্লুবগা মখোয়বু থোইদোক্ল মুংশিবি।

'মেমফিসকী থোথোক'

ডাঃ কিং অমস্তুং মাগী তুংইনবা কাওবুনা ওয়াসিংটনদা লাইরবা প্রজাশিংগী মারচ অমা চৎপা পামলমই। মারচ অতুগী মরুওইবা পান্দমদি কোংগ্রেস পার্টিদা, লৈত লাইরব প্রজাশিংগী মতেং পাংনবা আইন অমতং পাস তৌবিয়ু হায়না তকশিন্নবনি। মখোয়না হায়না হায়রিবা অমসু তৌথোকলমই—'করিগুম্বা আইন শেম্ব কাওবুশিংনা লাইরবা প্রজাশিংগী ডিমাণ্ড অতু খন্নহুনা থবক লৌথংলক্রবদি চিকা-গোদা তৌগদৌরিবা National Democratic Party Convention অমদি মিয়ামিদা তৌগদৌরিবা Republican Party Convention অতু পাঙথোকপা য়াদনবা থবক লৌথংকনি।' অস্তুম্না অকনবা প্রেশর অমা পীরমই। তাঞ্জা অসিদা কিংদা অঙকপা থবক ডাক্তা লাকলমই। মেমফিসতা সেনিটরী রারকর ময়াম অমনা তলব হেনগৎপীয়ু হায়হুনা য়াম্না শান্তিপূর্ণ ওইবা মওংদা থা অনি চুপ্পা স্ত্রাইক চৎথরকলি। রারকরশিং অতুগী অয়াম্বদি নিগ্রো ওইরমই। মখোয়না কিংবু মখোয়গী স্ত্রাইক অতুবু মতেং পাংবিরনবা অমদি লুচিংবিরনবা কন্না হায়জররুমই। কিংনসু মফম অতুদা চৎলগা লৈত-লাইর প্রজাশিং অতুবু মতেং পাংপুগে অমদি মীয়ামগী ওইবা মারচ অমা পাঙথোকলুগে খল্লমই।

সেনিটেসন রার্কর ১৩০০ রোম না. তৌবা ষ্ট্রাইক অতু ফন কুইন চৎথরমই। অতুবু ফেঃ তাং ২২ দদি ষ্ট্রাইকর মী লিশিং অমরোমনা সিটি কাওন্সিল চেম্বরদা মখোয়গী ষ্ট্রাইক অতু লোইশিন্নবা মিটিং অমা পাঙথোক্লমই। মিটিং অতু রাবেপ অমও তাবা ডন্নদনা মেন তাদনা লোইশিল্লমই। মথংগী সুমিত্তুদি ষ্ট্রাইকরশিংগা পুলিসকা অকনবা লালফম অমা থেংনরমই। পুলিসশিংনা ট্যারগ্যাস শিজিন্নবা হৌরমই। ফেঃ তাং ২৪ দদি চানসেলরনা ডিমোনষ্ট্রেসন, ষ্ট্রাইক অমদি মারচনচিংবা

অমত্তু পাঙথোকপা য়ারোই হায়দুনা ইনজংসন ওরডর অমা থোকলমই। মার্চ তাং ৫ দদি আইন থুগাই হায়দুনা ষ্ট্রাইকর য়াম্না ফাজিল্লমই। সেনিটেসন ডিপোর্ট চঙফমদা ব্লোক তোই হায়দুনা মী ময়াম অমস্তু ফাজিল্লমই। NAACP কী সেইত্রিনকিলনচিংবশিংনা ষ্ট্রাইক অদু ইংনা চংথবতনা মঙ্গল ওইগনি হায়না আশা পীরমই। মার্চ তাং ১৮ দা ডাঃ কিংনা নিগ্রো থবকশুবশিং অমদি ছাত্রশিং পুম্নমক থবক লেপ্পা অমদি ছুটি ওইবগা মাগা লোয়ননা মার্চ অমা চংসি হায়না লাকলমই। অদুবু হায়নবা মুমিৎ অদুদি উন যাম্না তানথিবনা মার্চ অদু তোকপা তারমই। মার্চ তাং ২৮ দা হায়ব্রিবা মার্চ অদুদগী য়াইওট অমা থোকখিরমই। রাইওট অদুগী কিভম অদু ফংচিল্লকপদা মফম অদু কর্ফ্যু চপাইরমই অমসুং নেসনেল গাড পুথোক্তুনা লৈবাক ঙাকলমই। থৌদোক অদুনা কিংগী থম্মোয় যাম্না শোকহল্লমই। মহাক্কী আশা চাওনা হোৎনজবা অহিংসাগী লানজং অদুবু নহাবোল টিনএজরবশিংনা রাইওট ওংহোকখিনমই। মদুগী অমুম থল্লুবগা মহাক মফম অদু থাদোকনিংলমই। অদুবু মাগী মতৌ পাবা মীশিংনা মতম থবদংগা লৈবিখিনবা হায়জরমই। মথান্না য়াম্না হায়মল্লবদা কিংনা চয়োল অমা লৈবগা মা অমুক লাকনি অদুগা মীমমগী ওইবা মার্চ অমা অমুক পাঙথোকখিনি হায়বম্মগা আটলাটাদা হনখি। চয়োল অমা লৈবগা মানা হায়রম্বা য়াফম অদু ঙাকুনা অমুক মেমফিসতা লাকখি।

অহানবদদি কিংনা মেমফিসদা যাম্ন মুংঙাইবা নোংমদা ভাপদা ডোলার ২৯ তাবা মোটেল অমদা লৈরমই। অদুবু মতুংদা নিগ্রোনা চলাইবা মথোল অনি লোঙবা লোনেন মোটেল অমদা অমুক হোংলমই। মানা লৈরিবা মোটেল অদু মলবরি ষ্ট্রিটকী নাকলদা লৈরমই। মলবরি ষ্ট্রিট য়াংমা লাল্লগা কিংনা লৈরিবা মোটেল অদুগা হেক মাইয়োক্নবা হোটেল অমস্তু লৈরমই। হোটেল অদুদদি নিগ্রোস্তু অঙৌবস্তু লৈব য়ানবা হোল অমনা থল্লগা য়ুম তোঙাল তোঙালনা

লৈনরমই। হায়রিবা হোটেল অদুদা কিংনা লৈরিবা লোরেন্ মোটেল্ অদুগী কা ৩০৬ দুবা অদু কজনা উবা কা অমদা জোন্ রিল্লার্ড কৌবা নিপা অমা লৈরমই। কিংগী কাদনা কিং অমসুং মাগী লোয়নবশিংনা অরুবা রাফম অমা থন্নরি। মখোয়না কোর্টকী ইঞ্জংসন অর্ডর অমগী মাইয়োক্তা অচৌবা মাবচ অমা চৎকদৌরি। মদুগী অরুবা প্লান্ অমা থন্নবি। কিংনা মেম্ফিসতা লৈবিদৌদা মাবু হাংবনি হায়দুনা চিঠি কযা লাকখি অমদি ফোনদা কয়। হায়রকখি। অদুবু কিংনা মদুগুম্বা কিহনবা অদুদা থোইনা থওইকদে। অতাবা মীনদি কিংগীদমক্ত য়াম্না রাবিবমই। আটলান্টাদগী মেমফিসতা অনিরুকশুবা লাকপদা কিংবু পুবকপা প্লেন অদু প্লেন আফিসকী মীওইশিংনা অবোনবা পাও অমা ফংদুনা পাইবমদাইদা বোয়চিংবা য়াওত্রা হায়দুনা চেক তৌরমই। অদুবু মাইকৈ অনিমক্কী লাইবক ফবনা প্লেন অদুদদি কবিন্নু ফত্তবা থোকখিদ্রে।

মীযামগী ওইবা মাবচ অদু পাওথোকত্রিদৈদনি। অয়ুক্কী কিংনা মাগী মতুং ইনবা কাণ্ডবুশিংদা ভাষন পীবকলি। অয়ুক অমদি নুংথিল চুপ্প চৎথরক্লিবা সেসন অদু মুমিদাংগী চবা চাবমদাইদ ডাইহাকক্কী ওইনা কায়নরমই। মুমিদাংগী চক্বা চানরগা মফম অদুগী রাজমিস্তিগী লুচিংবশিং অমদি ষ্টাফকী মীওইশিং মপাল থোক্লরক্লমই। চাক তোক্লবা তুংদা মখোয় ময়াম ফাগি তৌনরমই। কিংনা মফি শেৎপা লোইরবদা মাগী টাই অদু থিবা ফংলমদে। মানা ফংমল্লক্ত্রবদা লাউবক্লমই— 'নখোয় ময়ামগী মমুংদা অমনা ঐগী টাই লোখ্রেকো।' মাগী ফাগিগী য়া অদু তাবদা ডাঃ এববনেথিনা অমুক-লাওবক্লমই- 'নঙগী চৌক্রিদ-কাদি য়েংলব্রো ?' হায়গুম্মদনা কিংনা রানা থিরিবা টাই অদুদি চৌক্রিদা ইরেন কুন্দুনা লৈরমলে। পুং তরুক্কা তাবা অদুরাইদা কিং মপাল থোবকলমই। মপান্দ মীয়াম অমনা মাবু ডাইদুনা লৈবমই। মহাকপু ডাইরিবশিং অদুগী মমুংদা বিভরিন্দ এণ্ড্রিয়ু য়ং, বিভরিণ্ড জেসি জেক্সন, সোলোমোন জোনস (কিংগী গাড়ী থৌবা)

অমসুং Ben Eranch কৌবা ঈশৈ য়াম্না হৈবা নিপা অহুম য়াওরমই। মলাল মথক্ত লৈন লৈন কিংনা Eranch না মানা য়াম্না পামজবা ঈশৈ—"Lead, lead, lead me on to the Lord, Oh, oh, oh, take my hand, Precious Lord. And lead your child home." অহু শকপিয়ু হায়জরমই। মতম অসিদা মাগী গাড়ী থৌবা সোলোমোন্না য়াম্না ঈংই কোট লিৎশিনবীয়ু হায়জরমই। অমুকসু হন্না কিংনা মুমিদাংচুমতদি মানা পামজবা ঈশৈ অহু শকপীদবা মুকয়া য়াদ্রে হায়না Eranch তা হায়জরমই। Eranchসু শকনি হায়না য়ারমই। মতম অসিমক্তি মুমিদাংগী পুং ৬ ০২ চপচানা চৎলমই। মতাং অহুমক্তদা সোলোমোন্না অমুকসু কিংবু কোট লিৎশিনবিয় য়াম্না ঈংই হায়জবকলমই। কিংসু 'চুমই লিৎশিনবা তাই' হায়না খুমলমই। তাপ্পা অসিমক্তদা নোংমৈ কাপ্পগী খোজেল অমা তাখি। লোয়ন লোয়ননা কিংসু লেকথরক্লমই। ময়াম পুম্নমক কিংগী মনাক তান্না চেনশিন্নখিরমই। মনাক য়োম্বদা পুম্নমক্না উরে মহুদি কিংগী মডকশমগা মথয়াংকা তাইনবা য়েৎথংবা অহু নোংমৈনা পাল্লে, ঈনা হাথহুনা লৈরমলে। ডাঃ কিং মকোক্তা মখুৎ হাপ্তুনা লৈমায়মক্ত ওন্দুনা লৈরমই। রেস্তরিণ্ড এব্বরনেথিসু নোংমে মখোল অহু হেক তাবগা কা মমু'দগী চেম্থোরক্লমই। মপাল হেক য়োবগা কিংমা ঈদা ওন্দুনা লৈরম্বহু উরমই। মানা প্রপ প্রপ চেনশিন্দুনা ওন্দুনা লৈরিবা কিংগী মনাক্তা কমহুনা কবি ভৌবে হাযহুনা হংলমই। কিং রা ভাঙগদবগী কম্ন হোৎনখিবু অহু রা অমা কাওবা ভাঙবা ভমথিদ্রে। মাগী মরৈনা করিনো অমা থৎখিবগুম তৌই। অহুবু মরোনদি থোকখিদ্রে ময়ান্নদি 'Oh' হায়বা রাহৈ অসি ওইবমগনি থাজনৈ। মীয়াম পুম্নমক চেনশিন্নরক্লে। মনাক্ত লৈরম্বী মুপীমচা অমদি কপথোরক্লে। কিংগী গাড়ী থৌবা নিপা অহুসু কপলকলে। এবরনেথিনা কিংগী মনাক্তা খুকউ খুদক কুপ্পগা ঈশ্বরগী মকমদা মরুপকীদমক লাইশোল অমা শোল্লমই।

পাও অদু তাবগা কিংগী মরূপ মপাং ময়াম অবা থুংলরে। পুলিসশিংনা মখোয় মখোয়গী নোংমৈ মচাক হান্দুনা চোংথনহল্লে। এম্বুলেন্স থুনমক থুংলরে। এমবুলেন্স অদুনা কিংবু থুনমক সেণ্ট জোসেফ হোসপিতালদা পুরমই। হোসপিতাল য়ৌত্রিংউদনা কিং শিরবনি অদুবু হসপিতাল য়ৌরবা মতুং পুত্থায় অমা লৈরগা কিং সংসাবদগী বিদায় লৌখ্রে হায়না লাওথোকলমই। অহুম্না সিভিল বাইটকী মকোক, শান্তিগী দূত অদু সক ১৯৬৮ গী এপ্রিল তাং ৪ দা পৃথিবী থাদোকলমলগা স্বর্গগী লম্বী পাখি।

কিং জুনিয়ার লৈখিদ্রবদা

মারটিন লুথর কিং জুনিয়রবনা সেইন্ট জোসেফ হসপিতালদা পুক্লিগী ওইনা অনোইবা য়াহিপ তানগ্রে হায়বা তাবগা সিনেটর রোবার্ট এফ: কেনেডিনা এরোপ্লেন অমা থোঙাং তৌহনা এপ্রিল তাং ৮ দা মেমফিসতগী আটলাণ্টা তাম্না ডা: কিংগী অশিবা মশা অদু থিলহল্লমই।

ডা: কিংবু হাংখ্রে হায়বা হেক তাবগা আমেরিকাগী নিগ্রো লৈবা মফমশিংদগী হিংসাগী থবক পায়থংনরুখি। অমেরিকাগী সহর ৩০০ রোমদগী নিগ্রোশিংনা অচৌবশিগী মথুম মৈ থাওখি, থরনা পুনখি। হরাম চিনথিন্থু অঙকপা ফংনা চৎথনক্লমহ। অঙৌবনম্থু অমুবশিংগী মথক্তা হিংসাগী থবক চংথরমই, অমুবনম্থু অঙৌবশিংগী মথক্তা তৈমথি তমথিগ্রবা হিংশাগী থবক পায়থৎলমই। অঙম অঙম ফুনবা হাৎনবগী লালওং অমা চৎথরমই। হায়রিবা ঈরাং অসি ওয়াশিংটন, সিনসিনাটি, বলটিমুর, নিউয়োর্ক, চিকাগো, কালিফোরনিয়া, অলাবামা নচিংবা মফশিংদ য়াম্না কল্লমই। অমেরিকাগী অয়াম্বা সহরশিংগী অতিয়া মকোই অদু মৈখুতন মম্লমই।

ঋরাং অদুনা হেন্‌মরবদা মকম কয়াদা করক্লিরু চলাইখি। ওয়াশিংটনগী ইউঃ এসঃ কি প্রেসিডেন্ট লৈফম হয়াইট হাউস অদু অথনরবা সিথাইশিংনা ডাকশেনখি। চুমগী পুলিসতনা উপাই লৈবক-ত্রবদা আরমি অমসুং নেসনেল গার্ড ৭৪,০০০ পুথোক্তুনা সহায়শিংদা শান্তি লৈননবা হোৎনখি। মী কয়া কাপ্তুনা হাৎখি। কিংবু হেক হাংখিবদগী মুমিৎ তরেৎ নিপাম্নি অদুগী ২মুংদা থোকখিবা অডোবা অমসুং অমুবগী রাইওট অদুদা মী ৪৬ শিখি। অয়াম্বনা নিগ্রোনি। মুমনচিংবা ৫১১৭ মৈনা চাকখি। মী ২৩,১৮৭ ফাখি। হায়রিবা রাইওট অদুদা ডোলাব মিলিয়ন ৩৯ লোমগী অমাং অতা থোকখি। থোকখ্রবা রাইওট অদুগী অয়াম্বা শবক য়ারিবা নিগ্রোশিংগী চাংদা হুমকুদি চহী ১৬ শুদ্রিবা নহাপোল ওক্তনি হায়না নিউয়োর্ক পোলিস কমিসনার অদুনা হায়খি।

ডাঃ কিং লৈতবগী পাও ভাবদা আমেরিকাগী মফম পুবদা জাতিগী ফিরালবু তঙ্খায়দা চিংথনদুনা ডাঃ কিংদা ইকায়খুম্নবা উৎখি। পৃথিবীগী মফম খুদিংদগী নিংথৌ, রানী, প্রাইম, মিনিষ্টরশিং, প্রেসি-ডেন্টশিং, ইউঃ এনঃ ওঃ অমদি অতৌ অশাং কয়ানা অরাবা কোং-দোকনরকখি। কিংবু ইকায় খুম্নবা ওইনা মহাক্না মপুন্সিগী অরোইবা মিংকুপ্তা লৈরম্বা লোবেন মোটেলগী কা অদু অমুক হন্ন শান্দোকখিদ্রে। অদুগী মথক্তা খাইদগী হেন্ন মরুওইবনা কিংগী পোংলোইবা লোইবগী মথংগী মুমিত্ত ইউঃ এসঃ কী হাউস ওফ রিপ্রেজেনটেটিভনা সিভিল রাইট বিল পাস তৌখি। অমসুং প্রেসিডেন্ট জোনসনদা থাখি। হায়রিবা বিল অসি জোনসননু কিংবু ইকায়খুম্নবা ওইনা থুননক পাস তৌখি।

সক ১৯৬৮ গী এপ্রিল তাং ৮ দা ডাঃ কিংগী থরাই য়াওব্রবা অশিবা হকচাং অদু মেমফিসতগী আটলান্টা তাম্না প্লেন্না পুরকখি। অদুগা ইবেনেজর বেপটিষ্ট চর্চতা পুখিরমই। হায়রিবা চর্চ অসি

কিং জুনিয়রগী মপা কিং সেনিয়রনা মতম কুইন পাসটর ওইচুনা লাকলবা চর্চনি।

'এপ্রিল তাং ৯ গী নোং ঙালফুং ঙালফুং তৌবদগী হৌনা ফ্যুনরেল প্রোসেসন চৎপা য়াওগদবা মী অসিনা তিনবা হৌখ্রে। খাইগী অহানবদা অহল মতম ওইশিল্লক্রবা কাঙবু অচুনা ইবেনেজর বেপ-টিষ্ট চর্চকী মমাংদা থুংলরমই। মহা অহল খাক্তনা অচৌবদগীনা মচা কাওবা তিল্লমই। প্রেসিডেন্ট কেন্‌ডিডেট তরুক, সিঁনেটর ২৩, কংগ্রেসমেন ৪৭, গোর্ভনব ৩, সুপ্রিম্ কোর্টকী জষ্টিস, শান্নখোৎনবগী জগৎতা পৃথিবী ফাওববা মীওইশিং (পুন্নমক আমেরিকান) অমদি অচৌ অচৌবা কারবার য়ালানচিংবা পুন্নমক মাগী সভাযাত্রা অহ্ য়াওবা লাকলমই।

এপ্রিলগী তাং ৯ গী অয়ুক পুং ১০·৩০ তাবা কান্দা কিংগী হকচাং য়াওরবা কু অহ্ ইবেনেজেব বেপটিষ্ট চর্চতগী পুথোরকলমই। মচুদা, ভাইস প্রেসিডেন্ট হমফ্রি, সিনেটর কেনেদি, সিনেটর মেকার্থি, অমদি নিক্সন (হৌজিক প্রেসিডেন্ট ওইবিবা), অমদি ইউনাইটেড নেসনগী মীওই কয়ামরুমনা লুচিংলমই। মুমিৎ অদুদা কিংগী সভা যাত্রা য়াওবা লাকপা মীশিং অসি চাওবাক্না ১৫০,০০০ রোম ওইগনি হায়নৈ। মাইল অহুম মখায় শাংনা মুরহাউস কোলেজ য়ৌনা মী লেংখি। মুমিৎ অদুগী অশাবগী চাংস্থ ৮০° নি অদুমদি ওইবগা মুংশিৎ ইয়াও য়াওদবদি নত্তে। অহুমকপু মী কয়া য়াম্থনখি। কিংবু পুরিবা সিম্মার ক্রোপরগী গাড়ী অহ্ খচর অনিনা চিংলমই। খচর অনি অদু জিওরজিআদগীনি। অমনা চহি ১২ শুরবা, মচুনা অঙাংবুনি-মমিংনা অভা। অমহুনা চহী ৯ দমক ঙায়রিবা উৎমানবা মচুনি—মমিংনা বেত্তি। অসুমনা আমেবিকাগী আচৌবা VIP অমসুং কোরেনগী মীওই কয়ানা মাংদা চৎলগা প্রোসেসন অদু চৎপা হৌগৎলকপদা মথোয়দো খিৎন শাওনিংলবা নিগ্রো পাখং সনগ্নাস্ উপ্লা অমনা লাওরকলমই—কেনেডিনা শিবগী ফ্যুমরেল প্রোসেসনদা

নিগ্রো অমত্তবু মনাক নকহনখিদে মরম অহুনা ঙসি অঙৌবশিংমু লম্বীসী য়াংমদা লৈগদবনি। খুদক অসিদা লৈখিদ্রবা প্রেসিডেন্ট কেনেডিগী মুপী জেকিলান কেনেডি মীয়াম মরক অহুদা চঙলকলমই অমমুং কোরেত্তা কিংগী মসাক্তা লৈখিরমই। ফ্যুনরেল অহুদা য়াওবা লাকলিবা মীশিংদা নমথোক্লবা পেম্ফ্লেট, অমমম্ য়েল্লমই। মহুদা কিংগী পুন্সি য়ারী ইরমই। প্রোসেসন অহুনা চৎপা হৌরকপগা লোয়না লোয়ননা কিং মশামক্তী থোঞ্জেল টেপ রেকোর্ড লৌহোবা অহু থোংগৎলমই — "Take My Hand Precious Lord" মহু তাবগা মীপুম খুদিঙ কপনবমই ১মুং কোরেত্তা কিংমু মুংগী মুত্তিগুম লেপ্তুনা লৈরমই। লোয়ন লোয়নন কিংনা হায়রম্বা য়াফম থর অমমু টেপ রেকোর্ডনা খোংলমই —"নখোয়না ঐনা পুন্সিগী অবোয়বা য়াহিপ তানবা পুংফম অহুদা ঐগী ইনাক্তা লৈবা থোক্লবদি ঐদি ঐগী শিবগীদমক্ত অশাংবা অমদি মতম কুইন চংবা ফ্যুনবেল পামদে, অহুগা নঙোয় কনাগুম্বনা ঐগী মরমদা য়া ঙাংবা তারবদি ঙাংগদৌরিবা মী অহুদা ঐগী 'নোবেল পিস প্রাইজ' অমা লৈ হায়বসি পনবীগমু হায়বীমু। মরমদি মহু থোইদোক্পা মরুওইবা নত্তে। অহুগা মঙোন্দা মতম শাংনা ঙাংবিগমু হায়বিয়ু। মুমিৎ অহুদা ঐনা পাম্বদি কনাগুম্বা ১না মারটিন্ লুথর কিং জুনিয়রদি অতোপ্পগী সেবাদা মাগী মপুন্সি কৎ-থোককে হোৎনখি অসিতনি মুমিৎ অহুদা ঐনা পাম্বদি কনাগুম্বা অমতংনা মারটিন লুথর কিং জুনিয়রনা কনাগুম্বা থরমু মুংশিগে হায়হুনা হোৎনখি .... হায়বসিনি।" মহাক্কী টেপ্তুগী থাদো-য়কপা থোঞ্জেল অহু তাগদবগী নিগ্রো লিশিং লিশিংনা কুহুগী মহুং ইন্নখি।

অমুম্না অশাংবা প্রোসেসন চৎলবা তুংদা মুরহাউস কোলেজ কেমপসতা 'Soth View Cemetry" দা মপা মপুশিংগা থংনরা কিংগী হকচাং অহু ফুমজিনখি। মফম অহুদা মাগী হকচাংনা পুন্সি-চুপ্পগী ওইনা পোথাহুনা লৈখি। অদুবু মাগী আম্মাদি থুজং থুদিঙমক্তা

চাওথংলকলবা চীংচুম মচা অমদি অয়াং অরাংবা চীংদোলশিংবুনা লেমথহল্লকলবা, লৈতেন মায়রবা লমশিংবু তেমথোক্লুনা মায়নবা শেমলকলবা অথোয়ববু চুমথোরক্লুনা ঈশ্বরগী থৌজাল অচু মীপুম খুদিঙমা উবা ঙমলরগদবা মুংিং অদুগী অঙলবা অয়ুক অদু থিবা চৎখ্রি।

জেমস আল´রে

এপ্রিলগী তাং ৪ গী নুংথিল পুং ৬•০২ তাবা মতমদা কিংবু নো'মৈনা হেক কাপথিবগা পাও অদু তাববা পুলিসশিংনা অকোইবা অদু সিল্ তৌদুনা ওইবা য়াবা মীহাৎপা অদুবু থিখি। পুলিসনা থিবা মতমদা কিংনা লৈবন্না লোবেন মোটেল অদুগী হেক মাইয়োরবদা লৈবা Mrs. Bessie Brewer গী যুমদগী অঙৌবা নিপা অমা য়াম্না থুনা চেনখি হায়দুনা মদু উহৌবা নিপা অনিনা পুলিসতা পাও পীবমই। পুলিসশিং অদুনা ১দুগী খুদুং লিবকপদা চেনখিবা নিপা অদুনা থাদরম্না অথাব ফিগী খাও অমগা কার্ডবোর্ড কেস অমগা লম্বী মপান্দগী ফংখি। মবক অসিদা ইউঃ এসঃ এটোর্নী জেনেরেল Ramsey Clark না F. B I. গী মীওইশিংদা ডাঃ কিংবু হাৎখিবা মীশক অদু ফংননবা থিদবা য়াদে হায়না অকনবা ওর্ডর অমা থোবকখি।

চংনিংবা থরচকী অকিবা লৈতনা মীহাৎপা মী অদু থিগদবনি হায়রম্ অকনবা ওর্ডর অদু হেক ফংবগা FBI না কেস অদু লৌখৎখি। F. B. I. গী মীশিংনা Mrs. Bessie Brewer গা মাগী ময়ুমদা মুন্না য়ারী শান্নরমই Mrs. Brewer দগী খঙলে, মদুদি নিপা অদুগী মমিং John Willard কৌই। মহাক শগোলশেল চুমিংকি নুংথিল পুং ৩•৩• তাবদা, লাকখি অদুগা লোরেন মোটেলগী কা

৩০৬ কা হেক মাইয়োক্লনা লৈরিবা রুম নম্বর ৫ শুবদা লৈরম্মই। Mrs. Brewer না নিপা অমুবু য়াম্না মুম্না নিংশিংলি মরমদি মহাক্না মাগী চয়োল অমগী ভারা ডোলার ৮.৫০ অমু হায়্রনা ডোলার ২০ পুখোক্তুনা পীথোকলমলে। মহাক্না নিপা অমুগী চাওরাকপা শকওং শাদা অমুস্ত তাকলে। নিপা অমু এপ্রিল তাং ৪গী নুমিদাং পুং ৫ তারমদাই অমুরাইদা মাগী ৫ শুবা রুম অমুদগী মপাল থোকখি। মহাক্না হল্লকপদা খাও অমগা নোংমৈ রেমিংটন রাইফল ৩০.০৬ কি অমগা পুমুনা লাক্লমই। খুৎলাই অমুগা কোম্বনা মানা ইরুজফম কা অমদা চণ্ডগ্রগা থোং লোনশিনখি। মরমদি ইরুজফম কা অমুগা লোরেন্ মোটেলগী কিংনা লৈরিবা কা অমুগা হেক মাইয়োক্নৈ। ঈরুজফম কা অমুদা থোংনাউ অমা পাল্লি। মফম অমুদগী নিপা অমুনা কিংগী চৎথোক চৎশিন কুপ্প শেম্নখি। মহাক্না য়াম্না কুপ্না শেম্নরবা তুংদা নুমিদাংবাইরম পুং ৬ তাবমদাইদা কিং মাগী মাল্লোলদা থোবকখি। মমুতম্ব শেম্নমুনা লাকলবা John Willard মা খুদোংচাবা অমু নাম্বোকহনখিদে। মানা কিংবু খুদক অমুদা মাগী রেমিংটন য়াইফল অমুনা কাপথায়খি। মতম অমু পুং ৬.০২ নি হায়না লৌনৈ। ফনাগুম্বনমু পুং ৬.০১ দা Willard না কিংবু নোংমৈনা কাপ্পনি হায়। অমুবু পুং ৬.০১ অমসুং ৬.০২ গী মমুংদা কিং নোংমৈনা পাল্লে হায়বসিদি খ্বাইমক য়ানখি।

কিংবু নোংমৈনা হেক কাপ্লগা John Willard না নোংমৈ অমু কার্ডবোর্ড কেস অমদা হাপচম্লমই অমুগা মনাক্ত লৈরিবা খাও অমু পাররগা থুনা য়াংনা মপান্দ চেম্থোকখিরমই। কুইনা পুমুনা চেনবা মুংঙাইত্রবা কার্ডবোর্ড কেস অমসুং খাও অমু লম্বেলদা থাদরমই, অমুগা অতোবা 1966 Ford Mustang কার অমদা তোংমুনা চেনখিরমই। পুলিস শিংনা, থাদরমলিবা পোৎশিং অমু খুনগৎখি অমসুং কার অমুবু মেমফিস শীনবা থুংনা থিখি। অমুবু ফংখিদে।

য়াম্না কুপ্না নিংথিনা থিনরবা তুংদা খঙলে মতুদি John Willard না পায়রিবা নোংমৈ অতু বরমিংহামগী নোংমৈ য়োনফম অমদগী লৈথিবনি। লৈথিবা মীগী মমিংনা নোংমৈ য়োনফমগী রেকোর্ড বুকতদি Harvy Lowrren হায়না ইরমই। অদুবু মতাং অসিদা খেন্নরিবনা লৈথিব মীগী মমিং অতুনি। অতুমকপু খুদোংচাবা অমনা নোংমৈ য়োমবা মীশিং অদুনা পীরকপা Hervy Lowrren গী মীওই মীতৌ অমদি শকওং শক্তা অতুগা চাওরাক্না মান্নথি। অতুগা অতোপ্পা অঙকপা অমনা হায়রিবা মীশক অসিগী বরমিংহাম বেঙ্কতা শেল খর তুংশিল্লমই। মতুগী একাউন্ট ফাইলদা ইরিবা মিংনা Starvo Galt হায়না লৈবমই।

নিপা অসিনা জিজিন্নরিবা কার অসি ১৯৬৭ আগষ্ট থাদা লৈথিবনি হায়বা অমসু খঙলকলমই। অতুগা কার অতুবুনা Eric Galt কী মিংদা রেজিষ্টার তৌরমই হায়বা অতুসু খঙলক্লে। অতুগা মথং মথং পীনরকপা পাও অমগী মতুংইন্না কিং হাৎপগী হেক নোং ডালবদা অলাবামাদা পোলিসশিংনা অঙৌবা Mustang কাব অমা থেংনথি। মতুগা Lorraine Motel মনাক্তা উথিবা Mustang কার অতুগসু নম্বর মান্নে হায়বসু খঙনরক্লে।

য়াম্না চেকশিন্ন আমেরিকা অপুম্বা শিনবা থুংনা মীহাৎপা অতুবু থিবদা কংগ্রেসদা ইউঃ এসঃ সরকারনা ইউরোপ মহাদেশতসু থিনবা থৌরাং তৌথিরমই। নোংমা Los Angeles তগী এজেন্ট অমনা FBI গী ডাইরেক্টর Edgar Hoover দা Stravo Galt Birmington দা লগোই শাবা তমলমই হায়বা খঙহল্লকথি। পাও অতু তাবদা Hoover না এজেন্ট ৩০০ থাদোকতুনা Birmington গী লগোই তমফমশিংদা নিপা অতুবু থিহনথি। মথোয়না থিজিনবা অদুদগী খঙলে মদুদি Eric Starvo Galt অসি International School of Bartending দা চয়োল খর তম্লমই অমদি মহাক লগোইদা গ্রেজুএট ওইক্লে স্কুল অদুদা Starvo Eric

য়াওনা নম্বা গ্রুপ ফোটো অমা লৈবমই। মহুদগী ফোটো অহু লোয়রগা পৃথিবীগী মফম খুদিঙদা ফংননবা খবরদা থোঙদোকখি। মশক্তি খবরশিংদা ফোঙদোকপ্রে অহুবু মমিংদি য়াম্মন্থিবনা অশেংবা মমিং হায়বা ঙমখিদে।

মরক অসিদা FBI গী মীওইশিংনা থৌচিনবা অহু নোংমা নোংমগী হেনগৎলকলমই। কাঙবু অমনা লম লমদা মহাক্কী ফোটো অহুগা চানবা থীরি। FBI গী আফিসতনা মখোয়গী X (এক্স) ফাইলদা লৈবা ওক্তবা, মীহাৎপা, হুবান চিনথি ভৌফবা মীওইশিংগী মমিং অমদি মখোয় মখোয়গী খুৎশাশিংগী লৈরিবা অনম্বা মঙ্গ অদু থিগৎনমই। ফাইল অদুদা লৈরিবা অনম্বা খুৎশাশিংগী মঙ্গ অদু চাওরাক্পা মিলিয়ন ৮০ গী মথক্ত লৈবমই। মী মিলিয়ন ৮০ গী খুবাক্কী মঙ্গগা Mrs. Brewer গী ইক্লজফম কাদগী ফংবা মীহাৎপা অদুগী খুবাক্কী মঙ্গগা চাং তম্নবা তাই। হায়রিবা থৌ অসি FBI না মখোয়না থেংনরকপা কেসশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা থবক্নি। FBI গী মীওইশিংনা অহিং মুংথিনা নাইদনা খুবাক মঙ্গ চাং তম্নরমই।

খুবাক মঙ্গ চাং তম্নবগী থবক অসি অস্থুম অস্থুম চৎথরকপনা নোংমা এপ্রিলগী তাং ১৯ গী অয়ুক্তা FBI গী থোইদোক্পা হৈশিংলবা মীওই অমনা কার্ড নম্বর ৪০,৫৯৪২৪ অহু Mrs. Brewer গী কাদগী ফংবা অমদি নোংমৈদা তারম্বা মঙ্গ অহুগা মান্নে হায়না থনগৎলকলমই।

কার্ড অহুগী মতেংনা নিপা অহুগী মমিং 'James Earl Ray' কৌই হায়বা খঙলমই। (মহাক সক ১৯১৮ গী মার্চকী তাং ১০ দা Illinois তা পোকই। Missouri State Penitention দা মশাদা খুৎলায়গা কোম্নবা লুট তৌবা য়াওরুই হায়বগীদমক্ত মাবু চহী ২০ গী জেল পীগ্রবনি। মহাক ১৯৬৭ কী এপ্রিল তাং ২৩দা জেলদগী চেনখি।)

পণ্ডজরবা মীহাৎপা অহুনা মশানা থমজরগ্গা খুদমশিংদগী মশাবু মশক খঙহনগ্রে। FBI গী মখুত্তগী মা চেন্‌কম লৈরক্তে। মহাকপু আমেরিকাদা থিবা মফংলক্তুবদা FBI গী ডাইরেক্তর Hoover মা মীরৈবাক্ত চেনথিরগ্গা য়াই হায়না থাজরকখি। মরম অহুনা মানা এজেন্ট ৮০ থাদোক্তুনা সক ১৯৬৭ কী এপ্রিল তাং ২৩দগীনা মতম অহু ফাওবগী পীংথোকখিবা পাসপোর্ট থিজিনবা হৌহনখি। Royal Canadian Mounted Police শিংনা FBI না হায়জরকপদগী পাসপোর্টকীদমক্ত থাবকপা চেশিং থিরমই। মথং মথং থিনবদা FBI না খবরশিংদা ফোঙদোকখিবা ফোটো অহুগা মান্নবা মমিংনা Roman George Sneyd কৌবা নিপা অমগী ফোটো থেংনরমই অমসুং মহু ওয়াশিংটনদা থাখিরমই। য়েংনবদগী খঙলে মহুদি Roman George Sneyd হায়না সহি তৌবদা য়াওবিবা 'S' অমসুং 'G' অসিগা Eric Stravo Galt হায়না সহি তৌবদা ইরিবা S অমসুং G অসিগা খুৎই অমত্তনি মী অমত্তগী খুৎইনি। নিপা অদুগী অকুপ্পা অহু পাসপোর্টকী শীল্লিবা মী অহুদা হংনবদা মহাক্তি মে থাগী তাং ৬ তা BOAC Flight 600 তা য়াওখিদুনা লণ্ডন য়ৌগ্রে হায়বা খঙলমই। মহু হেক খঙবগা Hoover না ইউরোপ অপুম্বগী ভহাজ থাকম অমদি এরোপ্লেন তাফম অমদি আফিসশিংদা Roman George Sneyd কৌবা মী অমা থেনববদি থর ফাবিযু হায়জ-বদগী পুলিসশিংনা ভাইহুনা লৈনবমই।

নোংমা জুনগী তাং ৮ দা লণ্ডন্‌গী এয়ারপোর্টতা ক্রুসেল তাম পাইগদৌরিবা British Air Line Flight No. 4663 দা তোংগদ্রবা মীপুম খুদিঙমকপু Scotland Yard কী ডিকটেকটিভ আফিসার অমনা চেক তৌরমই। মহুদা Roman George Sneyd কৌবা পেসেঞ্জর অমা থেংনরমই। নিপা অহু সনগ্লাস অমা উপলমই, রেন কোট অমা লিংলমই মশক অহু খঙদনবা য়াবিবমথৈ হোৎনবা মীওই অমা ওইনা তৌরমই। অহুবু মহাকপু রাম্না লেম্না পুথোরক্লগা মখুৎকী

খুৎশাশিংগী মঙ্গ লৌদুনা য়েংলমই। তশেংনমক নিপা অদুগী খুৎ-শাশিংগী মঙ্গ অদুগা Mrs. Brewer গী ময়ুমদা ইরুজকম কাদগী কংবা খুৎশাশিংগী মঙ্গ অদুগা চপ মান্নরমই। খুদক অদুদা FBI না নিপা অদুবু ফাজিল্লমই।

অসুম্না থা অমা মথায় চংনা থিবক্লবা মীহাংপা অদুগী মিং ওল্ল-ওল্লগা লম কোইবগী নিংখা তম্বা অদু London Air Port তা Scotland Yard কি ডিকটেক্তিভ আফিসাব অমনা লোইশিল-হনখি। মহাকপু ফাননবা হোৎনবদা FBI না ডোলাব মিলিয়ন অমা মথায়রোম তিংখি অমসুং এজেন্ট ৩০১৪ রোম শিজিন্নখি হায়না ফোংদোকখি।

সক ১৯৬৮ গী জুন থাগী তাং ১৯ দা লণ্ডন্‌দগী আমেরিকাদা পোয়রকখি অমসুং মেমফিস কোর্টতা বিচার তৌখি।

James Earl Ray না মহাক্কী মমিং ওইনা শিজিন্নরমলিবা Eric Starvo Galt অসি Toronto গী ware house foreman অমনি। নিপা অসিগী মমিং Eric St. Galt হায়বনি। Ray না St. অসিবু Stravo হায়না লৌখিবনি।

অহুমশুবা মমিং Paul Bridgeman অসিসু Toronto গী Teaching consultant অমনি।

মরিশুবা মমিং Roman George Sneyd অসিসু Tororto গী পোলিসমেন অমগী মমিংনি। হায়রিবা মীশকশিং অসিগা Ray গা শকওং শক্তা য়ান্না মান্নৈ। অসুম্না থাজনৈ মতুদি মীশকশিং অসি Ray না Toronto Hospital অমদগী খববগী কলম অমদা থেংনখিরম্ব য়াই। অতোপ্পা মমিংশিং অহুনা দবকারগী মতুংইন্না শিজিন্নখিবনি।

"লোইশিনবা শরুক"

ডাঃ কিংবু মক্ষম মরাং খঙদনা হেক হাংখিবদগী আমেরিকাগী টাউনশিং, সিটিশিং অমদি লম্লায় থম্লায়দা তারিবা নিগ্রো লৈরিবা জগৎশিং অসি শান্তি লৈখিদ্রে। মহাকপু হাংখিবদগী শাওরবা নিগ্রোশিংনা অমেরিকাগী মক্ষম খুদিঙদা হিংসাগী তমথি তমথিরবা থবক চৎথনরক্লে। সেগ্রিগেসনিষ্টশিংনা পুম্নমক অসি কিংনা থোকহনবা ভাকুনি, মসি থোরুবা মানা তৌরম্লবনি হায়দুনা মাগী মথক্তা মরাল পুম্নমক থংজিনগ্রে। কিংগী মতুংশিনবা SCLCগী মকোক ওইরিবা রালফ এবরনেথিনা কিংনা পামলমবদি মতু নত্তে মানা পাম্লমবদি পেন্দবা অতু অহিংসানা ফোংদোকদবনি হায়না ফন লাওজে। অদুবু মরা অমত্তা লৌবিদ্রে। President's Commission of Civil Disordersগী চেয়ারমেন্নম ওইরিবা Illinoisকী গোভর্ণর Otto Kerner নম্ব মথোয়গী কমিশন অদুগী মাঙজোননা পীথংখিবা রিপোর্ট থরদুবু সরকারনা থম্নবীরমবদি রাইওটশিং অসি অমত্ত থোকলমলোইদবনি হায়না লাওরকলি। কমিসন অসিনা মাংজোননা তাকখ্রবনি - "The nation is moving towards two societies, one black and white—separate and unequal." ব্লেক পাৱারগী মকোক ওইরিবা Stokely Carmichael না কিংবু হাংলিবা মী অদুনা হাৎকদবা মী ওইমা হাৎখ্রবনি হাৎপদা য়াবদি মহাক মশামক অমসুং রেপ্ ব্রাউনবুনি মরমদি মথোয়দি খুৎলাই পায়বা মীনি খুৎলাইগী ময়াদা চৎপ য়াই হায়না থম্মোয় শোক্ল হায়রকলমই। অহিংসাবু আমেরিকাগী নোংমৈ গুলি মরক্ত শন্দোকচরম্বা অতুগুম্বা নিপা অদুবু হিংসানা নিংশিংব অসিদ মরামমক ইপেন্ পেম্নরক্লে। পেন্দবা হেনগৎলক্তুনা Carmichael না নিগ্রোশিংবু নোংমৈ পায়থৎলো লাম্হেংনরসি হায়না থাংগৎলকলে। অদুবু মাগী রাকম অতুমক্তি কনা অমত্তনা ইনবিখিদ্রে।

কিংবু নিংশিংব ওইনা বিশ্ববিদ্যালয় কয়াদা মারটিন লুথর কিং স্কোলারসিপ থমনখ্রে। ভারতনস্থু কিংবু 'নেহরু পিস প্রাইজ' কৌবা চহী খুদিঙগী ওইনা নেহরু নিংশিংবা ওইনা পৃথিবীদা শান্তি থম্বা অমদি পুরকপা ঙম্বা মীদা পীবা মনা অহু পীরমই। মনা অদু কিংগী লুপী কোরেত্তানা কিং লৈত্রবা তুংদা ভারত্তা লাক্কনা লৌথি। শান্তি পামজবা শান্তিগী দূত অদুবু নিংশিংবা অমদি ইকাইখুম্নবা ওইনা জোনসন সরকারনা সিভিল রাইট অমসুং ওপন হাউসিং বিল অদু ভোট ২৫০-৭১ কংহুনা পাস তৌরমই। মতম অদুদা বিল অদু পাস তৌরমদ্রবদি কন লুরবা তাঙ্গানি। মরমদি নিগ্রোশিংগী থম্মোয়দা অঙৌবশিংনা মখোয়বু হিংজবা ফাওবগী অধিকার অমদি লৈকম পীরম্মোই হায়বসি থন্নবরুবনি। মতম অমদা ডাঃ কিংনা পামলম্বদি ইকোনোমিক বিল ওফ রাইট অদু ইউঃ এসঃ কোংগ্রেসনা পাস তৌবা অদুনি। মদুদা নিগ্রোশিংগী থবক ইনথাংগী, য়ুম শাবিবগী শিক্ষাগী অমদি অঙৌব অমুবা থারদনা মখোয় মখোয়না ওরকবগী খুৎশুমল অদু কংহনবীবা পামলমখনি। অদুবু মানা হন্নবা মহু অদুনা মশানা লৈত্রবা কান্দা মতোল চোংলক্কনা মপাল শাত্তনা মহয় য়াল্লয়ে। অদুমকপু হিংলিঙৈদা মহয় য়ানবমক ঙমখিত্রবস্থু শিববা তুংদা মহয় য়াললকলিবা অসি হিংলিঙৈদা হোৎনখিবগী মহয়নি। মহয়দি ঈশ্বরগী মফমদা শিন্নখ্রে। মহাক্না হিংলিঙৈ মতমদা চিল্লবা মতম কয়া কাইথোক্কনা 'STRIDE TOWARDS FREEDOM' ইরমই। [illegible] 'Strength to love, Why we can't wait, where do we go from here অমসুং Caos or Community' রচিংবা লাইরিক কয়া ইরম্মুনা তুংগী মীয়ামদা অমম্ব অহিংগী থাংমৈ ওইননা হোৎজিকখিবদা [illegible] লৈহৌরি

